

আয়া মশক্ তাকপা লাইরিক।

দশোপনিষৎ

(উপনিষৎ ১০)

মূল অমসুং মণিপুরী অর্থ



শ্রী অরিবম রাধামোহন শর্ম্মা
তর্কতীর্থ, ন্যায়রত্ন।

ওঁ

আম্মা মশক্ তাকপা লাইরিক

দশোপনিষৎ

(উপনিষৎ ১০)

(মুক্তিকোপনিষৎ, গর্ভোপনিষৎ, ব্রহ্মোপনিষৎ, সর্ব্বোপনিষৎ সার, কৈবল্যোপনিষৎ, ব্রহ্মবিন্দুপনিষৎ, শ্রীরামোপনিষৎ, নাদবিন্দুপনিষৎ, মুণ্ডকোপনিষৎ অমসুং কঠোপনিষৎ)

মুল অমসুং মণিপুরী অর্থ

মণিপুরীদা অর্থ হন্বা

শ্রী অরিবম রাধামোহন শর্ম্মা

তর্কতীর্থ, ন্যায়রত্ন।

প্রকাশক


শ্রী অরিবম রাধামোহন শর্ম্মা তর্কতীর্থ ন্যায়রত্ন

সাং শগোলবন্দ, বিজয় গোবিন্দ, অথাম লৈকাই, থাঙপাৎ মনিং, ইম্ফাল।

অহান্না সংস্করণ, ১৯৯৭ ইং

কোপী মশিং ১০০০

স্বত্বাধিকারী—প্রকাশক।



লাইরিক ফংফম :—

(১) ভাগ্যবতী কার্য্যালয, শগোলবন্দ মৈনোলৈরক, ইম্ফাল

(২) মনিপুর হিন্দী পরিষদ, এসেম্বলী রোড, ইম্ফাল।

(৩) প্রকাশকী যুম,

মমল লুপা ৬০ (হুম্ফু)

রাজ সংস্করণ লুপা ৮০ (মরিফু)

মূদ্রণ :—

ভাগ্যবতী কার্য্যালয়, চূড়াচাঁদ প্রিন্টিং ৱার্কস

শগোলবন্দ, মৈনো লৈরক, ইম্ফাল।

উপনিষৎকী মরমদা ম্লাহৈ খরদং:—

উপনিষৎ হায়বা লাইরিকশিং অসি হৌগ্রবা ঋষি যুগকী ধর্ম্ম অমদি আধ্যাত্মিক জ্ঞানগী লীরবা লাইরিক ওাক্তনি। উপনিষৎশিং অসি তপস্বী ঋষিশিংনা থিজিন্দুনা পুথোক্লুহ্বা ধর্ম্মগা মরি লৈনবা বৈজ্ঞানিক সাহিত্যনি। উপনিষৎশিং অসিদা আত্ম তত্ত্ব অমদি ব্রহ্ম তত্ত্বগী বিচার তৌই অমসুং তত্ত্বশিং অদুগী মশক, ওাকই। মরম অসিনা উপনিষৎশিং অসি আত্মবিদ্যা অমদি ব্রহ্ম বিদ্যা হায়না খঙনৈ। উপনিষৎশিংনা প্রাকৃতিক তত্ত্ব অমসুং ধর্ম্ম কর্ম্মসু ওাকই; অদুবু ওাক্লিবা পুম্নমক অদুগী অরোইবা পান্দমদি আত্ম তত্ত্ব (ব্রহ্মবু) খঙহনবনি। বেদগী অমদি বেদজ্ঞানগী অরোইবা ওমথৈনি হায়দুনা উপনিষৎশিং অসিগী মমিং 'বেদান্ত' সু কৌই। ওাক্লিবা আত্ম বিদ্যা অদুনা ব্রহ্মগী উপ হায়বদি নাক য়োই হায়দুনা বিদ্যা অসিগী মমিং উপনিষৎ কৌবনি হায়। অর্থ অমনা মশাদা সাধন মরি লৈরবা চংজরক্লবা পদ (নাক্তা) ফম্লবা মতিকচারবা শিষ্যশিংদা বেদজ্ঞ গুরুনা বিদ্যা অসি ওাকপনি অদুগা গুরুগী নাক্তা ফম্বা হায়রিবা শিষ্যশিং অদুনা গুরু মুখদগী শ্রবণ তৌরগা ফংজবা বিদ্যানি হায়দুনা উপনিষৎ কৌবনিসু হায়। বেদগী মন্ত্রংচম্বা ওইবনা উপনিষৎশিং অসি 'শ্রুতি' নি অদুগা মতম পুম্নমক্তা মতিক মগুণ লৈবনি।

উপনিষৎ ১০ অসিগী মনিপুরীদা অর্থ হঙ্গবা অসি আত্মবিদ্যাদা মায় ওনশিন্বা মনিপুরীশিংগী মতেং খর ওইগনি খঙ্গদুনা তৌজবনি। অরুবা বিষয় ওাক্তনি। অরানবা য়াওরবদি পণ্ডিতশিংনা চুমথোকপীগনি হায়না আশা তৌজৈ।

প্রকাশক

কৃতজ্ঞতা প্রকাশ—

ভাগ্যবতী কার্য্যালয়, চূড়াচাঁদ প্রিন্টিং বার্কস, ইম্ফালগী য়ুরাইলাংপম শ্রীবাসুদেব শর্ম্মানা পুকচেল শেংনা হোৎনবিবদগী লাইরিক অসি ফোংবা ঙমজবনি। মরম অসিনা পুকচেল চাওরবা টবুংঙো অসিগী মফমদা ঐনা হন্না হন্না তৌবিমল উচ্চরি। জগৎকী মপু ভগবাননা মহাক অসিবু মতম পুম্নমক্তা থৌজানবীসনু।

প্রকাশক—

শ্রীরাধামোহন শর্ম্মা তর্কতীর্থ,

ন্যায়রত্ন।

হিরম—লমায়

হিরম		লমায়

মুক্তিকোপনিষৎ

প্রথমোঽধ্যায়ঃ।

ওঁ ॥

অযোধ্যানগরে রম্যে রত্নমণ্ডপ মধ্যমে।
সীতাভরতসৌমিত্রিশত্রুঘ্নাদ্যৈঃ সমন্বিতম্ ॥ ১ ॥
সনকাদ্যৈর্মুনিগণৈর্বশিষ্ঠাদ্যৈঃ শুকাদিভিঃ।
অন্যৈর্ভাগবতৈশ্চাপি স্তূয়মানমহর্নিশম্ ॥ ২ ॥
ধীবিক্রিয়া সহস্রাণাং সাক্ষিণং নির্বিকারিণম্।
স্বরূপধ্যাননিরতং সমাধি বিরমে হরিম্ ॥ ৩ ॥
ভক্ত্যা শুশ্রূষয়া রামং স্তুবন্ পপ্রচ্ছ মারুতিঃ।
রাম! ত্বং পরমাত্মাসি সচ্চিদানন্দবিগ্রহঃ ॥ ৪ ॥
ইদানীং ত্বাং রঘুশ্রেষ্ঠ! প্রণমামি মুহুর্মুহুঃ।
তদ্রূপং জ্ঞাতুমিচ্ছামি তত্ত্বতো রাম! মুক্তয়ে ॥ ৫ ॥

অহানবা অধ্যায়।

মতম অমদা অযোধ্যা নংবদা নিংথিজরবা রত্ন মণ্ডপকী মনাক্তা অযোধ্যাগী মপু শ্রীরামচন্দ্রনা সীতা, ভরত, লক্ষ্মণ, শত্রুঘ্ন অমসুং মন্ত্রীশিং পুন্নমক্না থোগন তৌহুনা রত্ন সিংহাসনদা লেংশিনখিনমই ॥ ১ ॥

সনকনচিংবা, বশিষ্ঠনচিংবা অমদি শুকনচিংবা মুনি কয়া কয়া অদুগা অতৈ মহাত্মা ভক্তশিংনসু ইবুংঙো মহাক্কী অশেংবা মংক্ক তু পল্লহুনা তত্তনা স্তুতি কৎখিরমই ॥ ২ ॥

থরাই পান্নশিংগী বুদ্ধিনা তৌরিবা থবক পুম্নমকপু লেপ্পীনা য়েংবা উবা অমদি মশাদা অহোংবা লৈতবা শ্রীরামচন্দ্র হায়বা ইবুংঙো অসি মুনিশিং অমসুং ভক্ত ময়ামনা মহাক্কী অশেংবা স্বরূপ (মশক) পন্দুনা স্তুতি কৎলকপা মতম অদুদা মহাক্কী অশেংবা মশক অদু খংশিন্দুনা

অনায়াসেন যেনাহং মুচ্যেয়ং ভববন্ধনাৎ।
কৃপয়া বদমে রাম! যেন মুক্তো ভবাম্যহম্ ॥৬॥
সাধু পৃষ্টং মহাবাহো! বদ মি শৃনু তত্ত্বতঃ।
বেদান্তে সুপ্রতিষ্ঠোঽহং বেদান্তং সমুপাশ্রয় ॥৭॥
বেদান্তাঃ কে রঘু শ্রেষ্ঠ! বর্ত্তন্তে কুত্রমে বদ।
হনুমন্ শৃণু বক্ষ্যামি বেদান্তস্থিতিমঞ্জসা ॥৮॥
নিঃশ্বাসভূতা মে বিষ্ণুর্বেদা জাতাঃ সুবিস্তরাঃ।
তিলেষু তৈলবদ্বেদে বেদান্তঃ সুপ্রতিষ্ঠিত ॥৯॥

ধ্যান অমদি সমাধিদা মতম খরা লৈখিরমই। সমাধি অদু লোইরবা মতমদা নুংশিৎ নিংথৌগী মচা হনুমান না ভক্তিগা লোয়ননা সেবা অমদি স্তুতি কংতুনা ইবুংঙো মাঙোন্দা হায়জ খ—হে রাম, সচ্চিদানন্দগী শক্তম ওইবা পরমাত্মা হায়বত্তু নহাক্নি। হে রঘু শাগৈগী অথোইবা! হৌজিক ঐহাক্না নহাকপু হন্না হন্না খুকুমজরি। হে ইবুংঙো! ননাই ঐহাক অরান-খুবম (মুক্তি) হায়বত্তু ফংননবগীদমক নহাক্কী অশেংবা মশক অদু শেংনা খঙবা পামজৈ ॥৩-৫॥

হে রাম! নহাক্কী অশেংবা মশক অদো করম তৌবনো? মাদু খঙলগা সংসারগী বাখন্দগী লাইনা নাম্থোকপা য়াবা অদুগুম্বা নহাক্কী অশেংবা শক্তম অদু চানবিদুনা ননাইদা তাকপিয়ু।৬।

শ্রীরামনা হায়খি—হে মহাবাহো! নহাক্না হংলিবা অসী অফবা বা নি। মাদু নঙোন্দা শেংনা তাক্কে তাউ। ঐহাক অসে বেদান্তদা (উপনিষৎতা) লৈবনি হায়বদি ঐহাক্কী অশেংবা মশকতি বেদান্তনা (উপ-নিষৎনা) তাকপনি, মরম অদুনা বেদান্তদা চংজো (বেদান্ত তত্ত্ব, নৈনৌ অদুগা ঐগী অশেংবা মশক খঙগনি)।৭॥

হনুমান—ইবুংঙো! বেদান্ত কদায়দু কৌবগে? বেদান্ত হায়বদু কদায়দা লৈবগে? ঐঙোন্দা তাকপিয়ু। শ্রীরাম—হনুমান! তাউ, বেদান্তগী লৈফম শেংনা তাক্কে। মীওইবনা মাখোয়গী নুংশাসোর ইরাই লাইনা হোন্দোকপাগুম বিষ্ণু ঐঙোন্দগী পাক চাউপ্রবা বেদশিং অসি ঐগী সোরগী

রাম! বেদাঃ কতিবিধাস্তেষাং শাখাশ্চ রাঘব।
তাসূপনিষদঃ কাঃ স্যুঃ কৃপয়া বদ তত্ত্বতঃ ॥১০॥

শ্রীরাম উবাচ।

ঋগ্বেদাদিবিভাগেন বেদাশ্চত্বার ঈরিতাঃ।
তেষাং শাখা অনেকাঃ স্যুস্তাসূপনিষদস্তথ ॥১১॥
ঋগ্বেদস্যতু শাখাঃ স্যুরেক বিংশতিসংখ্যকাঃ।
নবাধিক শতং শাখা যজুষো মরুতাত্মজ! ॥১২॥
সহস্র সংখ্যয়া জাতাঃ শাখাঃ সাম্ন পরন্তপ!।
অথর্ব্বণস্য শাখাঃ স্যুঃ পঞ্চাশদ্ভেদতো হরে। ১৩॥
একৈকস্যাস্তু শাখায়া একৈকোপনিষন্মতা।
তাসামেকামৃচং যেন পঠ্যতে ভক্তিতো ময়ি।
স মৎ সাযুজ্য পদবীং প্রাপ্নোতি মুনিদুর্ল্লভাম্ ॥১৪॥

মশক্তা থোকখিবনি। থোক্তদিংগী মনুংদা থাংও লৈবগুন বেদশিংগী মনুংদা বেদান্ত (উপনিষৎ) হায়বসি লৈবনি। ৮-৯॥

হনুমান—ইবুংঙো, নহাক্না পুথোক খ হায়বিবা বেদশিং অদু মখল কয়া শুবগে? বেদশিং অদুগী শাখা (মশা) শিংনা কয়া কয়ানো? মাদুগী মনুংদা উপনিষৎ হায়বসিনা কবিনো? কয়া শুবগে? চানবিদুনা শেংনা তাকপিয়ু ॥১০।

শ্রীরামচন্দ্রনা হায়খি—

ঋক্ বেদনা চিংবা বেদ মথি অমুয়া খায়দোক্লনা বেদ মখল মরিনি—মাদুদি, (১) ঋগ্বেদ (২) যজুর্ব্বেদ (৩) সামবেদ অমসুং (৪) অথর্ব্ববেদ। বেদ মরি অসিগী শাখা (মশা) যামই। শাখাশীং অদুগী মমুংচয়গী মশক্তা উপনিষৎশিং (বেদান্তশিং) লৈবনি ॥১১॥

ঋগ্বেদগী শাখাশিংগী মশীং ২১ (কুনমাথোই) নি। হে হনুমান! যজুর্ব্বেদগী শাখানা মশীং ১০৯ (চামগা গুপ্পামাখল) নি। সাম বেদগী শাখানা মশিং ১০০০) লিশিং অমা) নি অদুগা হে কপিরাজ! অথর্ব্ববেদগী শাখাগী মশিং ৫০ (যাংখৈ) নি ॥১২-১৩॥

শাখাশিং অসিগী শাখা খুদিংগী উপনিষৎ অমমম লৈবনি উপনিষৎ

মারুতিরুবাচ।

রাম। কেচিন্মুনিশ্রেষ্ঠা মুক্তিরেকেতি চক্ষিরে।
কেচিৎ ত্বন্নামভজনাৎ কাশ্যাং তারোপদেশতঃ ॥১৪॥
কেচিত্তু সাংখ্যযোগেন ভক্তিযোগেন চাপরে।
অন্যে বেদান্তবাক্যার্থবিচারাৎ পরমর্ষয়ঃ॥
সালোক্যাদিবিভাগেন চতুর্দ্ধা মুক্তিরীরিতা ॥১৬।

সহোবাচ শ্রীরামঃ
কৈবল্য মুক্তিরেকৈব পারমার্থিকরূপিণী।
দুরাচাররতো বাপি মন্নাম ভজনাৎ কপে ॥১৭॥
সালোক্য মুক্তিমাপ্নোতি ন তু লোকান্তরাদিকম্।
কাশ্যান্তু ব্রহ্মনালেঽস্মিন্ মৃতো মত্তারমাপ্নুয়াৎ ॥১৮।

শিং অসিগী মন্ত্র [illegible] অত্তুগুম্বা মী অত্তনা [illegible] বেদা মুক্তি [illegible] য ই ॥১৪।

নুংশি নিংথোগী মচানা হায়খি—

হে রামচন্দ্র। [illegible] হায়। [illegible] হায়। বনা বন [illegible] হায়, মাতু দ কাশী [illegible] য লবতদা মুক্তি ফংই ॥১৫।

বনাগুম্বশিন [illegible] থা যো [illegible] মুক্তি [illegible] হায়। [illegible] কয়না ভক্তি যেগনা মুক্তি য ই হায়রি। [illegible] বযানা বেদান্তগী বাক্যশিংনা [illegible] অর্থ অদু [illegible] মুক্তি ফংই হায়। কনাগুম্বাশিংনা মুক্তি [illegible] হায়— [illegible] সালোক্য, স [illegible], সা [illegible] ॥ অমসুং সাযুজ্য ॥১৬।

মনাইগী বা অপুম্বা [illegible] শ্রীরামচন্দ্রনা হায়খি—

হে হনুমান! [illegible] মথলশিং অদু লৈবনি, [illegible] কৈবল্য বোধ মুক্তি দ [illegible] অচু।

পুনরাবৃত্তি রহিতাং মুক্তিং প্রাপ্নোতি মানবঃ।
যত্র কুত্রাপিবা কাশ্যাং মরনে স মহেশ্বরঃ॥
জন্তো র্দক্ষিণ কর্ণে তু মত্তারং সমুপাদিশৎ॥১৯॥
নির্দ্ধূতাশেষ পাপৌঘো মৎ সারূপ্যং ভজত্যয়ম্।
সৈব সালোক্য সারূপ্য মুক্তি রিত্যভিধীয়তে॥২০॥
সদাচাররতোভূত্বা দ্বিজোনিত্যমনন্যধীঃ।
ময়ি সর্ব্বাত্মকে ভাবো মৎসামীপ্যং ভজত্যয়ম্॥
সৈব সালোক্য সারূপ্য সামীপ্যা মুক্তি রিষ্যতে॥২১॥
গুরূপদিষ্ট মার্গেণ ধ্যায়ন মদ্রূপ মব্যয়ম।
মৎ সায়ুজ্যং দ্বিজঃ সমগ্ ভজেদ্ ভ্রমর কীটবৎ॥
সৈব সায়ুজ্য মুক্তিঃ স্যাদ্ ব্রহ্মানন্দকরী শিবা॥২২॥

[illegible] সংনি [illegible] লমচংতা চলবসু ঐগী নাম ভজন [illegible] [illegible] অদুদি মহুম্না সালোক্য মুক্তি (ঈশ্বরগা মাইনা ঈশ্বরগী লেকা[illegible] বা [illegible] [illegible] কআ[illegible] চত্তবে। কাশীধামদা ব্রহ্মনাল [illegible] মথ[illegible] শিঙুনা প্রনব উপদেশ যংলবা মী অতুনা অংক হন্না সসন্দা [illegible] মুক্তি অহু ফংই। ব্রহ্মনন্দা নত্রবসু কাশীধামগী [illegible] [illegible]দা [illegible] শিন্দা বাকীন্থ মহেশ্বরনা মী অতুগী (জীব অতুগী) [illegible] [illegible]বা [illegible] ব্রহ্মনাম (প্রনব) তাবপি। অতুনা মরম ওইদুনা [illegible] অতুনা [illegible] পাপ পুম্নমক বোক্তুনা ঐগী সারূপ্য মুক্তি (ঈশ্বরগা [illegible] মান্নবা) ফংই। অসুনা সালোক্য অমসুং সারূপ্য মুক্তি অনিগী ব্রাফম [illegible] [illegible]বসিনি। ১৯ ২০।

[illegible]ফবা আচাব লমচংতা লৈদুনা পুম্নমকী মশক ওইবা ঐঙোন্দা (ঈশ্বরদা) [illegible] লৈবা খিবক্তা অনিলোংদবা মপুক্কিং হাপ,চবা—নিং[illegible] জবা অতুওইবা দ্বিজ (ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয় অমসুং বৈশ্য) না সামীপ্যমুক্তি (ঈশ্বরগী নাকতা লৈবা) ফই। অসুমা সালোক্য, সারূপ্য অমসুং সামীপ্য মুক্তি অহুমগী ব্রাফম তাক্কবসিনি।২১।

গুরুনা তাকপা লম্বীগী মতুং ইন্না ঐগী মাংদ্রবা স্বরূপ (মশক) পু নিংথিনা ধা[illegible] [illegible] নিংজবা অতুওইবা দ্বিজনা ভিজনা খোইমু [illegible] ঐগী

চতুর্ব্বিধাতু যা মুক্তি র্মদুপাসনয়া ভবেৎ।
ইয়ং কৈবল্য মুক্তিস্তু কেনোপায়েন সিদ্ধতি ॥২৩॥
মাণ্ডুক্যমেকমেবালং মুমুক্ষূণাং বিমুক্তয়ে।
তথাপ্যসিদ্ধং চেজ্ জ্ঞানং দশোপনিষদং পঠ ।।২৪॥
জ্ঞাণং লব্ধা চিরাদেব মামকং ধাম যাস্যসি।
তথাপিদৃঢ়তা নোচেদ্বিজ্ঞানস্যাঞ্জনাসুত।
দ্বাত্রিংশাখ্যোপতিষদং সমভ্যস্য নিবর্ত্তয় ॥২৫।
বিদেহমুক্তাবিচ্ছা চেদষ্টোত্তর শতং পঠ।
তাসাং ক্রমং স শান্তিঞ্চ শৃণু বক্ষ্যামি তত্ত্বতঃ ॥২৬

সাযুজ্য মুক্তি (ঈশ্বরদা তিন্বা) ফংই। ই ইশ্বরবা সাযুজ্য মুক্তি অসি জীব-শিংদা য়াইফবা অমদি ব্রহ্মানন্দ পীবা মুক্তিনি ।।২২।।

সালোক্য সারূপ্য, অমসুং সাযুজ্য—হায়বা মুক্তি মরিগী ব যন তারবসিনি। হায়রিবা মুক্তি মরি অসি ঐবু (ঈশ্বরবু) উপাসনা তৌবগা (নিংলগা) ফংবা ঙাক্রনি। অদুগা কৈবল্য কৌবা মুক্তি অসিনদি করী উপায়না ওইবগে হায়বদু নঙোন্দা ঐ হাকে ।। ২৩ ।।

মুক্তি পাম্বা মীশিংগী মফমদা কৈবল্য মুক্তি পীবা এক মাত্র মাণ্ডুক্য উপনিষৎতনা ঙম্মি হায়বদি উপনিষৎ অসিবু নিংথিনা হৈরবদি কৈবল্য মুক্তি ফংই। অদুগা করিগুম্বা মাণ্ডুক্য উপনিষৎ তম্লবা অমদি পারবদসু মপুংফাবা জ্ঞানগী মঙান ফাওদবা থোক্লবদি অমুক উপনিষৎ তরা পাগদবনি—তমগদবনি ।।২৪।।

হে অঞ্জনাগী মচা! উপনিষৎ তরা পারবা-তম্লবা ওইরবদি মাদুনা জ্ঞান ফংদুনা থিন্দনামক ঐগী ধাম (ঐবু) ফংবা ঙমগনি। উপনিষৎ তরা পারবা মক্তসু জ্ঞান অদু নিংথিনা মুন্দবা-মপুংফানা শাৎকায়দবা ওই-রবদি উপনিষৎ ৩২ (কুন্থ নিথোই) পাউ—তম্মু-অদুনা সংসারদগী নাম্লোকপা য়াগনি ।২৫।।

নহাক্না বিদেহ মুক্তি পাম্লবদি উপনিষৎ ১০৮ (চামগা শুপ্পা নিপান) পাগদবনি-তমগদবনি। শান্তি মন্ত্রগা লোয়ননা উপনিষৎ ১০৮ গী মথং মনাও অমদি মমিং হায়গে তাউ ।২৬।।

ঈশ কেন কঠ প্রশ্ন মুণ্ড মাণ্ডুক্য তিত্তিরিঃ।
ঐতরেয়ঞ্চ ছান্দোগ্যং বৃহদারণ্যকং তথা ॥ ২৭॥
ব্রহ্ম কৈবল্য জাবাল শ্বেতাশ্বো হংস আরুণিঃ।
গর্ভো নারায়ণো হংসো বিন্দুর্নাদং শিরঃ শিখা ॥২৮॥
মৈত্রায়ণী কৌশিতকী বৃহজ্জাবাল তাপণী।
কালাগ্নিরুদ্র মৈত্রেয়ী সুবাল ক্ষুরি মান্ত্রিকা ॥২৯॥
সর্ব্বসারং নিরালম্বং রহস্যং বজ্র সূচিকম্।
তেজো নাদো ধ্যান বিদ্যা যোগতত্ত্বাত্মবোধকম্ ॥৩০॥
পরিব্রাট্‌ ত্রিশিখী সীতা চূড়া নির্ব্বাণ মণ্ডলম্।
দক্ষিণা শরভং স্কন্দং মহানারায়ণাদ্বয়ম্ ॥৩১॥

নামগুলি—(১) ঈশ, (২) কেন, (৩) কঠ, (৪) প্রশ্ন (৫) মুণ্ড, (৬) মাণ্ডুক্য, (৭) তিত্তিরি, (৮) ঐতরেয়, (৯) ছান্দোগ্য, (১০) বৃহদারণ্যক, (১১) ব্রহ্ম, (১২) কৈবল্য, (১৩) জবাল, (১৪) শ্বেতাশ্ব, (১৫) হংস, (১৬) আরুনি, (১৭) গর্ভ, (১৮) নারায়ণ, (১৯) হংস (পরম হংসো-পনিষৎ), (২০) বিন্দু (অমৃতবিন্দূপনিষৎ), (২১) নাদ (অমৃত নাদ), (২২) শিব (অথর্ব্বশির), (২৩) শিখা (অথর্ব্ব শিখা,) (২৪) মৈত্রায়নী, (২৫) কৌশিতকী, (২৬) বৃহজ্জাবাল, (২৭) তাপনী (নৃসিংহ তাপনী), (২৮) কালাগ্নিরুদ্র, (২৯) মৈত্রেয়ী, (৩০) সুবাল, (৩১) ক্ষুরি, (৩২) মন্ত্রিকা, (৩৩) সর্ব্বসার, (৩৪) নিরালম্ব, (৩৫) রহস্য (শুকরহস্য), (৩৬) বজ্রসূচিক, (৩৭) তেজ (তেজো বিন্দু,) (৩৮) নাদ (নাদ বিন্দু,) (৩৯) ধ্যান (ধ্যান বিন্দু) (৪০) বিদ্যা (ব্রহ্ম বিদ্যোপনিষৎ), (৪১) যোগতত্ত্ব, (৪২) আত্ম-বোধক ॥ ২৭-৩০॥

(৪৩) পরিব্রাট্‌, (নারদ পরিব্রাট্‌,), (৪৪) ত্রিশিখী (ত্রিশিখী ব্রাহ্ম-ণোপনিষৎ) (৪৫) সীতা, (৪৬) চূড়া (যোগ চূড়ামণি), (৪৭) নির্ব্বাণ, (৪৮) মণ্ডল (মণ্ডল ব্রাহ্মণোপনিষৎ,) (৪৯) দক্ষিণা (দক্ষিণামূর্ত্ত্যু-পনিষৎ), (৫০) শরভ, (৫১) স্কন্দ, (৫২) মহানারায়ণ, (৫৩) অদ্বয় (তারকোপনিষৎ), (৫৪) রহস্য (রাম রহস্যোপনিষৎ) (৫৫) রাম তাপন,

রহস্যং রামঃ তপনং বাসুদেবঞ্চ মদ্গলম্।
শাণ্ডিল্যং পৈঙ্গলং ভিক্ষু মহচ্ছারীকম্ শিখা ॥৩২॥
তুরীয়াতীত সংন্যাস পরিব্রাজাক্ষ মালিকা।
অব্যক্তৈকাক্ষরং পূর্ন্না সূর্য্যাক্ষ্যধ্যাত্মকুণ্ডিকা ॥৩৩॥
সাবিত্র্যাত্মা পাশুপতং পরব্রহ্মাবধূতকম্।
ত্রিপুরা তপনং দেবী ত্রিপুরা কঠ ভাবনা ॥৩৪॥
হৃদয়ং কুণ্ডলী ভস্ম রুদ্রাক্ষ গণদর্শনম্।
তারসার মহাবাক্য পঞ্চব্রহ্মাগ্নিহোত্রকম্ ॥৩৫॥
গোপাল তাপনং কৃষ্ণং যাজ্ঞবল্ক্যং বরাহকম্।
শাট্যায়নী হয়গ্রীবং দত্তাত্রেয়ঞ্চ গারুড়ম্।
কাল জাবলি সৌভাগ্য রহস্য ঋচ মুক্তিকাঃ ॥৩৬॥

(৫৬) বাসুদেব, (৫৭) মুদগল, (৫৮) শাণ্ডিল্য, (৫৯) পৈঙ্গল, (৬০) (৬০) ভিক্ষু, (৬১) মহৎ (মহোপনিষৎ), (৬২) শারীরক, (৬৩) শিখা (যোগশিখোপনিষৎ), (৬৪) তুরীয়াতীত, (৬৫ সংন্যাস, (৬৬) পরিব্রাজ (পরমহংস পরিব্রাজ কোপনিষৎ), (৬৭) অক্ষমালিকা, (৬৮) অব্যক্ত, (৬৯) একাক্ষর (৭০) পূর্ণা। (অন্নপূর্ণোপনিষৎ), (৭১) সূর্য্য, (৭২) অক্ষি, (৭৩) অধ্যাত্ম, (৭৪) কুণ্ডিকা (৭৫) সাবিত্রী, (৭৬) আত্মা, (৭৭) পাশুপত, (৭৮) পরব্রহ্ম, (৭৯) অবধূত, (৮০) ত্রিপুরা তপন, (৮১) দেবী, (৮২) ত্রিপুরা, (৮৩) কঠ (কঠরুদ্রোপনিষৎ) (৮৪) ভাবনা, (৮৫) হৃদয, (৮৬) কুণ্ডলী (যোগ কুণ্ডলী), (৮৭) ভস্ম (ভস্মজাবাল), (৮৮) রুদ্রাক্ষ, (৮৯) গণ (গণপত্যুপনিষৎ), (৯০) দর্শন (জাবাল দর্শনোপনিষৎ) (৯১) তারসার, (৯২) মহাবাক্য, (৯৩) পঞ্চব্রহ্ম, (৯৪) অগ্নিহোত্র (প্রানাগ্নিহোত্রোপনিষৎ), (৯৫) গোপাল তপন, (৯৬) কৃষ্ণ, (৯৭) যাজ্ঞবল্ক্য, (৯৮) বরাহ, (৯৯) শাট্যায়নী, (১০০) হয়গ্রীব, (১০১) দত্তাত্রেয়, (১০২) গারুড, (১০৩) কলি (কলিসন্তরনোপনিষৎ, (১০৪) জাবালি, (১০৫) সৌভাগ্য, (১০৬) রহস্য (সরস্বতী রহস্যোপনিষৎ) (১০৭), ঋচ, (১০৮) মুক্তিক (মুক্তিকোপনিষৎ) ॥৩১-৩৬॥

এবমষ্টোত্তর শতং তাপনাত্রয় নাশনম্।
জ্ঞান বৈরাগ্যদং পুংসাং বাসনা ত্রয়নাশনম্ ॥ ৩৭ ॥
পূর্ব্বোত্তরেষু বিহিতস্তত্তচ্ছান্তি পুরঃ সরম্।
বেদ বিদ্যা ব্রত স্নাত দেশিকস্য মুখাৎ স্বয়ম্ ॥৩৮॥
গৃহিত্বাষ্টোত্তর শতং যে পঠন্তি দ্বিজোত্তমাঃ।
প্রারব্ধ ক্ষয় পর্য্যন্তং জীবন্মুক্তা ভবন্তি তে ॥৩৯॥
ততঃ কাল কশাদেব প্রারব্ধে তু ক্ষয়ং গতে।
বৈদেহীং মামকীং মুক্তিং যান্তি নাস্ত্যত্র সংশয়ঃ ॥৪০॥
সর্ব্বোপনিষদাং মধ্যে সার মষ্টোত্তরং শতম্।
সকৃৎ শ্রবণমাত্রেন সর্ব্বাঘৌঘ নিকৃন্তনম্ ॥ ৪১ ॥

হে হনুমান। অসুন্না উপনিষৎ চানা নিপালগী মমিং অসি নঙোন্দা হুরুনি। উপনিষৎ ১০৮ অসিনা মীওইবগী আধ্যাত্মিক, আধিদৈবিক অমসুং আধিভৌতিক দোবা অনাবা মখল অহুম মাংহল্লি হায়দদি মখোয়না পীবা জ্ঞান অত্তুদগী হায়রিবা অৱাবা অসি কোকই। উপনিষৎশিং অসিনা মীওইবদা তত্ত্বজ্ঞান অমদি বৈরাগ্য পী, সংসারগী বাসনা পুন্নমক মাংহল্লি। ৩৭॥

অথোইবা দ্বিজ (ব্রহ্ম, ক্ষত্রিয় অমসুং বৈশ্য) শিং অদুনা বেদবিদ নিংথিনা হৈববা, মশাদা ব্রত-নিয়ম লৈবা, বিধি-কায়দনা স্নান তৌদুনা মশা শেংলবা আত্মতত্ত্ব খঙবা গুরুগী মুখদগী পাঠগী অহৌবদা অমদি অরোইবদা থীগদবা মাগী মাগী শান্তিমন্ত্রগা লেপ্ননা উপনিষৎ ১০৮ নিংথিনা অসি অমগা পাঠ তৌজববদি অদুগুম্বা দ্বিজশিং অদুনা পূর্ব্বজন্মগী কর্ম্ম ফল চাবা লোইদ্রিফাওবদি জিবন্মুক্তিগী মফমদা লৈবগা কালগী মতুং ইন্না পূর্ব্বজন্মগী কর্ম্ম ফল চাবা লোইববা অমসুং শিববদা বৈদেহী মুক্তি (ঈশ্বর) ঐঙোন্দা তিন্না) হাযবা মুক্তি অদু ফংই, মসিদা চিংনফম লৈতে ॥৩৮-৪০॥

উপনিষৎ মযামগী মনুংদা নঙোন্দা মমিং তাক্লিবা উপনিষৎ ১০৮ অসিনা অথোইবা অমদি সার (মচি) নি। উপনিষৎশিং অসি অতোপ্পা অমনা পাঠ তৌরগা অমুক্তংদা শ্রবণ তৌজবদা হেক লৈরিবা পাপ পুন্নমক লোইনা মাঙিঙ ॥৪১॥

ময়োপদিষ্টং শিষ্যায় তুভ্যং পাবননন্দন!।
ইদং শাস্ত্রং ময়াদিষ্টং গুপ্তমষ্টোত্তরং শতম্ ॥৪২॥
জ্ঞানতোঽজ্ঞানতো বাপি পঠতাং বন্ধ মোচকম্।
রাজ্যং দেয়ং ধনং যাচতঃ কামপূরণম্ ॥৪৩॥
ইদমষ্টোরং শতং নদেয়ং যস্য কস্যচিৎ।
নাস্তিকায় কৃতঘ্নায় দুরাচাররতায় বৈ ॥৪৪॥
মদ্ভক্তি বিমুখায়াপি শাস্ত্র গর্ত্তেষু মুহ্যতে।
গুরু ভক্তি বিহীনায় দাতব্যং ন কদাচন ॥৪৫॥
সেবা পরায় শিষ্যায় হিত পুত্রায় মারুতে!।
মদ্ভক্তায় সুশীলায় কুলীনায় সুমেধসে ॥৪৬॥

হে মুংশিং নিংথৌগী মচা। নহাক ঐহাক্কী শিষ্যনি, অদুনা উপনিষৎশিং অসি নঙোন্দা তাক্লবনি। ঐনা তাক্লিবা উপনিষৎ ১০৮ অসি য়াম্না অথুপ্পা ওইবা পোৎশকনি ॥৪২।

নিংথিজনা মন্নুংগী অথুপ্পা রাফম অদু খঙলবসু খংদ্রবসু চুং তা উপনিষৎশিং অসি পঠ তৌজবদা সংসারগী বন্ধন থোকপন। রাজ। লন-থুম পামদুনা হায়জরবসু হায়জরিবা মী অদুগী অপাম্বা অদু থুংহনবা উপনিষৎ ১০৮ নি ॥৪৩।

তৌইগুম্বমকপুং উপনিষৎ ১০৮ গী বিদ্যা অসি মীচমশিংদা ইবদু লাইনা পীথোক্লোইদবনি। ঈশ্বর অমদি বেদবু থাজদবা, তৌবিমন খঙদবা অমসুং লমচৎ নাইদবা অদুগুম্বা মীশক অদুদা বিদ্যা অসি পীরোইদবনি ॥৪৪॥

ঈশ্বরদা ভক্তি লৈতবা, শাস্ত্রগী মন্নুংগী রা খঙদদুনা থাজদবা অমসুং গুরু ভক্তি য়াওদবা অদুগুম্বা মীশকতা করিগুম্বা মতমদসু উপনিষৎশিং অসিগী বিদ্যাসি তাক্লোইদবনি ॥৪৫॥

হে হনুমান! গুরুবু থাজনা সেবা তৌবা, অফবা থবক্তা মপুকনিং চংবা। ঈশ্বরদা ভক্তি লৈবা, লমচৎ ফজবা, কুলীন ওইবা, (ধর্ম্মাচার লৈবা, নোংকুপা, মশাদা বিদ্যা পকপা, মগুণ লৈবা, তীর্থ চৎপা পাম্বা

সম্যক্ পরীক্ষ্য দাতব্যমেব মষ্টোত্তরং শতম্।
যঃ পঠেচ্ছৃণুয়াদ্বাপি স মাপ্নোতি ন সংশয়ঃ ॥৪৭॥

তদেতদৃচাভ্যুক্তম্।

বিদ্যাহবৈ ব্রাহ্মণ মাজগাম গোপায় মা সেবধিষ্টেঽহমস্মি।
অসূয়কায়ানৃজবে শঠায় মা মা ব্রূয়াদ্বীর্য্যবতী তথা স্যাম্।।৪৮॥
যমেবৈষ বিদ্যা শ্রুত মপ্রমত্তং মেধাবিনং ব্রহ্মচর্য্যোপপন্নম্ ॥
অস্মা ইমা মুপসন্নায় সম্যক্ পরীক্ষ্য দদ্যাদ্বৈষ্ণবীমাত্মনিষ্ঠা
মিতি ॥৪৯॥

নপুংসকং লৈতবা ইংবা অমসুং নঙা অনাদ দান তৌবদা হেনবা।) অমসুং তাকপদা লৌবা। ভস্বা অতুগুম্বা শিষ্য অতুদা উপনিষৎ বিদ্যা অসি তাক-পিগদবনি ॥৪৬॥

তমগে লাক্লিবা শিষ্যবু নিংথিনা পরীক্ষা তৌতুনা যেংগনি। মথক্তা হায়খ্রিবা যোগ্যতাশিং লৈবা অতুগুম্বা শিষ্য অতুদা উপনিষৎ ১০৮ অসি তম্বিগদবনি। ভক্তি অমদি শ্রদ্ধাগা লোয়নবা চুম্বা উপনিষৎশিং অসি পাঠ তৌজবা অমদি তাজবদা মী অতুনা ঐবু (ঈশ্বরবু) ফংবনি মসিদা চিংনফম লৈতে ॥৪৭॥

বনাগুম্বা অমদা উপনিষৎ বিদ্যা পীবা হায়বদি তম্বিবগী মতাংদা বেদগী মন্ত্র অমনা অস্মু হায— "উপনিষৎ কৌবী বিদ্যা দেবীনা ব্রাহ্মণগী মফমদা লাক্লুনা হায়খি মাতুদি হে ব্রাহ্মণ। নহাক্না ঐবু থুপ্না থমতুনা ঙাক্ন-বনি অমসুং সেবা তৌগদবনি। কলক, চাওবা পবনিন্দা তৌবা, ওইদবা ঙাংবদা হৈনবা অমদি তৌঙমদবা লৈতবা অতুগুম্বা মীওইদা ঐবু (উপনিষৎ বিদ্যাবু) তাকথোকলোইদবনি। অসুম তৌবগা ঐহাক অসি নহাক্কী মথিদা ইতিক-ইগুন লৈবা ওইগনি। মশাদা লন-থুমনা চিংবগী মযাই কাবা লৈ-তবা, ফাবা অমদি লৌবা ওস্বগী বুদ্ধি লৈবা, ব্রহ্মচর্য্য ব্রতদা লৈবা অতু-গুম্বা মীশক অতুনা তমজগে খঙজগে হায়না নাক্তা লাক্লুবদা গুরু অতুনা নিংথিনা পরিক্ষা লৌতুনা যেংলগা আত্ম তত্ত্ব খঙহনবা বৈষ্ণবীবদ্যা (উপ-নিষৎ বিদ্যা) মাঙোন্দা তাক্কগদবনি ।।" ৪৮—৪৯।।

অথ হৈনং শ্রীরামচন্দ্রং মারুতিঃ পপ্রচ্ছ।
ঋগ্বেদাদি বিভাগেন পৃথক্ শান্তি মনুব্রূহীতি ॥৫০॥

স হোবাচ শ্রীরামঃ।

ঐতরেয় কৌষীতকী নাদবিন্দ্বাত্ম প্রবোধ নির্ব্বাণমুদ্গলাক্ষ মালিকাত্রিপুরা সৌভাগ্য বহ্বৃচানামৃগ্বেদ গতানাং দশ সংখ্যকানা মুপনিষদাং বাঙ্মে মনসীতি শান্তিঃ ॥৫১॥

ঈশাবাস্য বৃহদারণ্যক জাবাল হংস পরম হংস সুবাল-মন্ত্রিকা নিরালম্ব ত্রিশিখী ব্রাহ্মণ মণ্ডল ব্রাহ্মণদ্বয় তারক পৈঙ্গল ভিক্ষু তুরীয়াতীতাধ্যাত্ম তারসার যাজ্ঞবল্ক্য শাট্যায়নী মুক্তি-কানাং শুক্ল যজুর্ব্বেদ গতান মেকোনবিংশতি সংখ্যকানা মুপনিষদাং পূর্ণমদ ইতি শান্তি ॥৫২।

অতগী মতুংদা নুংশিং নি থৌগী মচ হনুমাননা শ্রীরামচন্দ্রদা • যজুর্ব্বেদ— ইবাংশা, ঋগ্বেদ, বেদনাচিংবা বেদ মথিগী মতু হয়া। • ... উপনিষৎশিংগী শান্তি মন্ত্র তত্থুনু ... ।৫০

শ্রীরামচন্দ্রনা মনাইদা হায়খি—

ঐতরেয়, কৌষীতকী, নাদবিন্দু, আত্ম প্রবোধ, নির্ব্বাণ, মদ্গল, অক্ষমালিকা ত্রিপুর, সৌভাগ্য অমসুং বহ্বৃচ—উপনিষৎ ১০ অসি ঋগ্, বেদকী মনুং চনবনি। মখোয়গী শান্তি মন্ত্রদি অসিনি—" ওঁ বাঙ্ মে মনসি প্রতিষ্ঠিতা মনো মে বাচি প্রতিষ্ঠিত মাবিরাবীর্ম্ম এধি বেদস্য ম আনীস্থঃ শ্রুতং মে মা প্রহাসীরনেনাধীতে নাহোরাত্রান সন্দধাম্যৃতং বদিষ্যামি সত্যং বদিষ্যামি তন্মামবতু তদ্বক্তারমবত্ববতু মা মবতু বক্তারম। ওঁ শান্তিঃ শান্তিঃ শান্তিঃ। হরিঃ ওঁ।।" ৫১।।

ঈশাবাস্য বৃহদারণ্যক, জাবাল, হংস, পরমহংস, সুবাল, মন্ত্রিকা, নিরালম্ব, ত্রিশিখী, ব্রাহ্মণমণ্ডল, ব্রাহ্মণদ্বয় তারক, পৈঙ্গল, ভিক্ষু, তুরীযাতীত, অধ্যাত্ম, তারসার, যাজ্ঞবল্ক্য, শাট্যায়নী, অমসুং মুক্তিক— উপনিষৎ ১৯ (তরামাপল) অসি শুক্ল যজুর্ব্বেদগী মনুং চনবনি। মখোয়সিগী পাঠগী অহৌবা অমদি অরোইবদা থিগদবা মন্ত্রদি অসিনি—" ওঁ পূর্ণমদং

কঠবল্লী তৈত্তিরীয়ক ব্রহ্ম কৈবল্য শ্বেতাশ্বতর গর্ভ নারায়ণামৃতবিন্দ্বমৃতনাদ কালাগ্নিরুদ্র ক্ষুরিকা সর্ব্বসার শুকরহস্য তেজোবিন্দু ধ্যান বিন্দু ব্রহ্ম বিদ্যা যোগতত্ত্বদক্ষিণামূর্ত্তি স্কন্দ শারীরক যোগশিখৈকাক্ষরাক্ষ্যবধূত কঠরুদ্রহৃদয় যোগকুণ্ডলিনা পরব্রহ্ম প্রানাগ্নি হোত্রবরাহ কলি সন্তরণ সরস্বতী রহস্যানাং কৃষ্ণ যজুর্ব্বেদ গতানাং দ্বাত্রিংশৎ সংখ্যকানামুপনিষদাং সহনাববর্ত্তিতি শান্তিঃ ॥৫৩॥

কেন ছান্দোগ্যারুণি মৈত্রায়নী মৈত্রেয়ীবজ্র সূচিক যোগচূড়ামণি বসুদেব মহৎ সংন্যাসাব্যক্ত, কুণ্ডিকা সাবিত্রী রুদ্রাক্ষ জাবালদর্শণ জাবালীনাং সামবেদগতানাং ষোড়শ সংখ্যকানা-মুপনিষদা মাপ্যায়ন্ত্বিতি শান্তিঃ ॥৫৪॥

পূর্ণমদঃ পূর্ণাৎ পূর্ণমুদচ্যতে। পূর্ণস্য পূর্ণমাদায় পূর্ণমেবা বশিষ্যতে। ওঁ শান্তিঃ শান্তিঃ শান্তিঃ। হরি ওঁ॥ ৫২॥

কঠবল্লী, তৈত্তিরীয়ক, ব্রহ্ম, কৈবল্য, শ্বেতাশ্বতর, গর্ভ, নারায়ণ, অমৃতবিন্দু, অমৃতনাদ, কালাগ্নিরুদ্র, ক্ষুরিকা, সর্ব্বসার, শুকরহস্য, তেজোবিন্দু, ধ্যান বিন্দু, ব্রহ্ম বিদ্যা, যোগতত্ত্ব, দক্ষিণা মূর্ত্তি, স্কন্দ, শারীরক, যোগশিখা, একাক্ষর, অক্ষি, অবধূত, কঠরুদ্র, হৃদয়, যোগ কুণ্ডলীনী, পরব্রহ্ম প্রাণাগ্নিহোত্র, বরাহ কলিসন্তরণ, অমস্তু সরস্বতী রহস্য—উপনিষৎ ৩২ (বত্রিশটাই) অসি কৃষ্ণ যজুর্ব্বেদী মন্ত্র চরনি। মাখেযসিগী পঠী আহোব অংশ আরোইব মন্ত্রাদি অসিনি— ওঁ সহ নাববতু সহ নৌ ভুনক্তু সহবীর্য্যং করবাবহৈ। তেজস্বিনাবধীতমস্তু মা বিদ্বিষাবহৈ॥ ওঁ শান্তিঃ শান্তিঃ শান্তিঃ॥ হরিঃ ওঁ॥" ॥৫৩॥

কেন, ছান্দোগ্য, আরুনি, মৈত্রায়নী, মৈত্রেয়ী, বজ্রসূচিক, যোগচূড়ামণি, বাসুদেব, মহৎ সন্যাস, অব্যক্ত, কুণ্ডিকা, সাবিত্রী, রুদ্রাক্ষ, জাবালদর্শনি অমস্তং জবালী-উপনিষৎ ১৬ (তিবাতকক) অসি সামবেদগী মন্ত্রং চরনি। মখেযসিগী পঠগী অংহোবা অমন্তং আবোইবদা থিগদবা শান্তি মন্ত্রদি অসিনি—"ওঁ আপ্যায়ন্তু মমাঙ্গানি বাব, প্রানশ্চক্ষুঃ শ্রোত্রমথোবলমিন্দ্রিয়াণিচ সর্ব্বাণি সর্ব্বং ব্রহ্মোপনিষদম্। নাহং ব্রহ্মনিরাকুর্য্যাং মা মা ব্রহ্ম

প্রশ্ন মুণ্ডক মাণ্ডুক্যাথর্ব্ব শিরোঽথর্ব্বশিখা বৃহজ্জাবাল নৃসিংহতাপনী নারদ পরিব্রাজক সীতা সরভ মহানারায়ণ রাম রহস্য রাম তাপনী শাণ্ডিল্য পরমহংস পরিব্রাজকান্নপূর্ণা সূর্য্যাত্মপাশুপত পরব্রহ্ম ত্রিপুরাতপন দেবী ভাবনা ভস্ম জাবাল গণপতি মহাবাক্য গোপাল তপন কৃষ্ণ হয়গ্রীব দত্তাত্রেয় গারুড়ানামথর্ব্ববেদ গতানামেকত্রিংশৎ সংখ্যকানা মুপনিষদাং ভদ্রং কর্ণেভিরিতি শান্তিঃ ॥৫৫॥

মুমুক্ষবঃ পুরুষাঃ সাধন চতুষ্টয়সম্পন্নাঃ শ্রদ্ধাবন্তং সংকুল ভবং শ্রোত্রিয়ং শাস্ত্রবাৎসল্যং গুনবন্তমকুটিলং সর্ব্বভূতহিতে-রতং দয়াসমুদ্রং সদ্গুরুং বিধিবদুপ সংগম্যোপহার পাণয়োঽ ষ্টোত্তরশতোপনিষদং বিধিবদধীত্য শ্রবণমননর্নিদিধ্যাসনানি নৈরন্তর্য্যেন কৃত্বা পারব্ধ ক্ষয়াদ্দেহত্রয়ভঙ্গং প্রাপ্যোপাধিবি.ন-র্মুক্তঘটাকাশবৎ পরিপূর্ন্নতা বিদেহমুক্তিঃ সৈব কৈবল্যমুক্তি-রিতি।

নিবকরোদনিবাকরণমস্তু অনিরাকরণং মেহস্তু। তদ আত্মনি নিরতেষ উপনিষৎসু ধর্ম্মাস্তে ময়ি সন্তু ॥ ওঁ শান্তিঃ শান্তিঃ শান্তিঃ ॥ হরিঃ ওঁ ॥ ' ৫৪ ॥

প্রশ্ন, মণ্ডুক মাণ্ডুক্য, অথর্বশিরঃ, অথর্ব শিখা, বৃহজ্জাবাল, নৃসিংহ তাপনী, নারদ পরিব্রাজক, সীতা, সরভ, মহানারায়ণ, রাম রহস্য, রামতাপনী, শাণ্ডিল্য, পরমহংস পরিব্রাজক, অন্নপূর্ণা, সূর্য্যাত্ম, পাশুপত, পরব্রহ্ম, ত্রিপুরা তপন, দেবী, ভাবনা, ভস্ম, জাবাল, গণপতি, মহাবাক্য, গোপাল তপন, কৃষ্ণ হয়গ্রীব, দত্তাত্রেয়, গরুড় — উপনিষৎ ৩১ (... মাথে ই) অসি অথর্ববেদগী মন্ত্রং চয়নি। মাথোমসিগী পাঠগী অহৌবদা অমসুং অরোইবদা থিদবা শান্তি মন্ত্রদি অসিনি — ' ওঁ ভদ্র কর্ণেভিঃ শৃণুযাম দেবা ভদ্রং পশ্যেম অক্ষভি যজত্রাঃ স্থিরৈরঙ্গৈ স্তুষ্টুবাংসস্তনূভির্ব্যশেম দেবহিতং যদায়ুঃ ॥ ওঁ শান্তিঃ শান্তি শান্তি ॥ হরিঃ ওঁ " ॥৫৫॥

সংসারদগী নাম্বোবপা (মুক্তি) পাম্বা মীওইশিংনা মুক্তিগী সাধন মরি (১) অরেপ্পা পোৎশক অমদি অরেপ্পা নত্তবা পোৎশক অনি থাই-দোক্তনা খণ্ডবা (২) ইহলোক অমসুং পরলোক অনিমক্তা ভোগ চাবা

অতত্রব ব্রহ্ম লোকস্থা অপি ব্রহ্ম মুখাদ্বেদান্ত শ্রবণাদি কৃত্বা তেন সহ কৈবল্যং লভন্তে। অতঃ সর্ব্বেষাং কৈবল্য মুক্তিঃ জ্ঞান মাত্রেনোক্তা। ন কর্ম্ম সাঙখ্য যোগোপাসনাদিভিরিত্যুপনিষৎ ॥৫৬॥

ইতি প্রথমোঽধ্যায়ঃ ॥

পামদবা (৩) ইন্দ্রিয় লাকপর্নচবা (৪) মুক্তি পাম্বা মশা'দা লন্দ্রদা বেদ শাস্ত্রদা শ্রদ্ধা তৌবা, সংদুনদা চোবপা, বেদ হৈন, শাস্ত্র লুনা চৌবা, [illegible] গুণ চেনবা, [illegible] ভিংব, জীব পুন্নমক্কী কাম্নবা তৌবদা পু[illegible]ং চনা [illegible] থোজ[illegible] হৈবা [illegible] গুরুগী মরমদা [illegible]নবী কা[illegible]না খুদম [illegible]। উপনিষৎ ১০৮ অসি [illegible]। [illegible] শ্রবণ [illegible]), [illegible] যুক্তি [illegible] অতুগা অতুম্ন লেপ্পবা [illegible] (লিং[illegible]নি)। অসুম্না আত্মা সাক্ষাৎ[illegible] হৈবগা পুম্নমক্কী বম্ম ফল চাবা লোইরবা অমসু শিববদা শরীর (হকচ) অতম (সূক্ষ্ম দেহ, অধিষ্ঠান দেহ, অমদি স্থূল দেহ) [illegible] (হকচং [illegible] বন্ধন [illegible])। মতম অতুদা চক্ষু কয়থ্রগা [illegible] অচৌবা অকাশ ওইবগুম শরীর [illegible] জীব অতু [illegible] পুম্নম[illegible]। [illegible] ব্রহ্ম ওইরে। অসিগুম্বা মুক্তি আস বিদেহ মুক্তিনি মসিবু কৈবল্য মুক্তি [illegible]।

অসুম্না মাখে[illegible] [illegible] সং ব[illegible] ব্রহ্ম লোক য[illegible] (ব্রহ্মলোকতা লৈববা) [illegible] ব্রহ্মাগী মুখদগী বেদান্ত (উপনিষৎ) শ্রবননাচিংবা তৌবগা মহাপ্রলয় ওইববদা ব্রহ্মাগা [illegible] কৈবল্য মুক্তি ফাই। মবম অসিনা পুম্নমক্কী ওইনা কৈবল্য মুক্তি হায়বসি আত্ম জ্ঞানতনা ওইবনি, কর্ম্ম যোগ, সাংখ্য যোগ অমসুং উপাসনা নচিংবনা ওইদে ।।৫৬।।

অহানবা অধ্যায় লোইরে ।

দ্বিতীয়োঽধ্যায়ঃ।

তথা হৈনং শ্রীরামচন্দ্রং প্রতি মারুতিঃ পপ্রাচ্ছ।
কেয়ং জীবন্মুক্তিঃ কেয়ং বিদেহ মুক্তিঃ কিংবা তত্র প্রমানম্
কথংবাতৎসিদ্ধিঃ সিদ্ধ্যাবা কিং প্রয়োজনমিতি ॥১॥

সহোবাচ শ্রীরামঃ।

পুরুষস্য কর্ত্তৃত্ব ভোক্তৃত্ব সুখদুঃখাদিলক্ষণশ্চিত্তধর্ম্ম ক্লেশ রূপত্বাদ্বন্ধো ভবতি। তন্নিরোধনং জীবন্মুক্তিঃ। উপাধিনির্ম্মুক্ত ঘটাকাশবৎ প্রারব্ধ ক্ষয়া দ্বিদেহ মুক্তি. ॥২॥

অনিশুবা অধ্যায় ॥

মথংদা হনুমাননা শ্রীরামচন্দ্রগী মফমদা হংজখি. 'জীবন্মুক্তি' হায়বা অসি করামবু হৌবগে অদুগা 'বিদেহ' মুক্তি হায়বসিনা কবম হৌবগে? মুক্তি অনিসি মসমদা করি প্রমান লৈবগে? অনি অসি করি বরম হৌবগা ওইগনি? মুক্তি অনিসি ওইরগনা করুবা করিনো?" ॥১॥

শ্রীরামচন্দ্রনা মনাইদা তাকপিখি—

ঐহাকনা কর্ত্তা ওইহুনা থবক হৌই, ঐহাক্না অচৌবা থবক্কী অফ ফত্তবগী ফংই, ঐহাক নুঙাইরে অমসুং ৱারে অসিনা চিংবসি চিত্তগী (পুকনিংগী) লিচৎনি। অসিগুম্বা চিত্তগী লিচৎ অসিনা মীওইববু অরাবা ফংহল্লি অমসুং সংসারদা পুনশিল্লি। চিত্তগী লিচৎ অসিবু থিজিন্না-ফাজিন্না হায়বদি মহাক্কী মচৎ অসি ওইহন্দববু 'জীবন্মুক্তি' (হিংনা হিংনা সংসারদগী নাল্লোকপা) কৌই। ঘট (চফু) কায়খ্রগা মহক্কী মনুং দা লৈবা অকাশ (অহাংবা) না অচৌব অকাশগা অমত্তা ওইখিবা অদুগুম্না জীবন্মুক্তি ফংলবা মীওইবনা মহাক্কী পূর্ব্বজন্মগী কর্ম্ম ফল চাবা লোইরগা দেহগী মশক ওইবা উপাধিনা কুপশিল্লবদগী নাল্লোকলগা ব্রহ্মগা অমত ওইববু 'বিদেহ মুক্তি' (দেহ লৈতবা মুক্তি) কৌই ॥২॥

জীবন্মুক্তি বিদেহ মুক্ত্যো রষ্টোত্তর শত্তোপনিষদঃ প্রমাণম্। কর্ত্তৃত্বাদি দুঃখনিবৃত্তিদ্বারা নিত্যানন্দাবাপ্তিঃ প্রয়োজনং ভবতি। তৎ পুরুষ প্রযত্নসাধ্যং ভবতি। যথা পুত্রকামেষ্টিনা পুত্রং, বানিজ্যাদিনা বিত্তং, জ্যোতিষ্টোমেন স্বর্গং তথা পুরুষ প্রযত্ন সাধ্য বেদান্ত শ্রবণাদি জনিত সমাধিনা জীবন্মুক্ত্যাদিলাভো ভবতি। সর্ব্ববাসনা ক্ষয়াৎ তল্লাভঃ॥৩॥

অত্র শ্লোকা ভবন্তি।

উচ্ছ্বাস্ত্রং শাস্ত্রিতং চেতি পৌরুষং দ্বিবিধং মতম্।
তত্রোচ্ছ্বাস্ত্র মনর্থায় পরমার্থায় শাস্ত্রিতম্ ॥১॥

জীবন্মুক্তি অমসুং বিদেহ মুক্তিগী মবমদা উপনিষৎ চামা নিপানদনা প্রমাণ নি হায়বদি অনি অসিগী মবমদা মাখোযনা তাকলিবা অত্থু অচম্বনি। কর্ত্তা ওইহুনা থবক তৌবা কম্মগী ফল চাবানচিংবা সংসাবগী অবাবা নযাম কোক্তুনা অবেপ্পা লোম্না লৈত্রবা নুঙাইবা (ব্রহ্মানন্দ) ফংবনা মুক্তি ফংবগী বাম্ববনি। মুক্তি ফংবা হায়বসি মীওইবগী হোৎনবগী মখা পোনবনি; মওং চুম্না ফংনবা হোৎনবগা মুক্তি অসি ফংবা ঙমই।

মচানিপা পোকপা পাম্না মী অত্থুনা পুত্রেষ্টি যাগ তৌবগা মচানিপা ফংই, মবল-মথুম পাম্বা মীনা ললোঙানচিংবা কাংরবাব তৌবগা মরল-মথুম অত্থু ফংই অমদি স্বর্গ ফংবা পাম্বা মীনা জোতিষ্টোম যজ্ঞ তৌবগা স্বর্গ ফংই অত্থুগুম্না মীওইবনা হোৎনরগা ঙম্না গুরুদগী বেদান্ত শ্রবণ (বেদান্ত তাজবা) তাজববা ংত্ত্ব অত্থু মুম্না হুম্না হুন্না নৈনবনা চিংবদগী মমৈদা ওইরকপা সমাধি যোগনা জীবন্মুক্তিনাচিংবা মুক্তি ফংই। মুক্তি ফংবা হায়বসি বাসনা অপুম্বা লৈত্রগা ওইবনি ॥৩।

হৌজিক মথক্তা য়াম্না শম্না তাকখিবা রাফম অত্থু অমুক মখাগী শ্রোক ৭৪ অসিনা অমুক নিংথিনা ফোংদোকলি:—

মীওইবগী থৌরম অসি মখল অনিনি, মাত্থুদি (১) উচ্ছ্বাস্ত্র (বেদনাচিংবা শাস্ত্রনা য়াদব থৌরম) অমসুং (২) শাস্ত্রিত (শাস্ত্রনা তৌ হায়বা থৌরম)।

লোকবাসনয়া জন্তোঃ শাস্ত্র বাসনয়াপিচ।
দেহবাসনয়া জ্ঞানং যথাবন্নৈব জায়তে ॥২॥
দ্বিবিধো বাসনাব্যূহঃ শুভশ্চৈবা শুভশ্চ তৌ।
বাসলোঘেন শুদ্ধেন তত্রচেদনুমীয়সে ॥৩॥
তৎ ক্রমেণাশু তৈনৈব মামকং পদমাপ্নুহি।
অথ চেদশুভো ভাবস্ত্বাং যোজয়ত্যতিশঙ্কটে ॥৪॥
প্রাক্তণস্তদসৌ যত্নাজ্জেতব্যো ভবতা কপে।
শুভাশুভাভ্যাং মার্গাভ্যাং বহন্তী বাসনা সরিৎ।
পৌরুষেণ প্রযত্নেন যোজনীয়া শুভে পথি ॥৫॥

অনিসিগী মনুংদা শাস্ত্রনা য়াদবা থৌরমনা ফত্তবা থোকহল্লি অত্তুগা শাস্ত্রনা য়াবা থৌরমনা অথোইবা কান্নবা ফংহল্লি ॥১॥

(১) লোক বাসনা (স্বর্গনাচিংবা লোক পাম্বা, (২) শাস্ত্র বাসনা (শাস্ত্রগী বিধি বিধান (রায়েল) পাম্বা অমস্তুং (৩) দেহবাসনা (হকচাং মুংঙাই-বা পাম্বা)। বাসনাঅহুমসিগী মনুংদা অমতনাস্তু অশেংবা অচুম্না জ্ঞানগী মঙাল ফংবা য়াদে ॥২॥

সংসারগী অপাম্বা মযাম অসি শুভ (অফবা) অমস্তুং অশুভ (ফত্তবা) অস্তুম্না কাংলুপ অনি থোকই। শুভবাসনাশিংদা লৈত্তুনা ঈশ্বরবু মশক খঙংবা ঙম্নবদি মাত্তুনা মরম ওইত্তুনা থুনামক ঐগী (ঈশ্বরগী) অরেপ্পা মফম ধাম ফংবা ঙমগনি। অশুভ বাসনাশিংদা লৈরবদি মখোয় অত্তুনা নহাকপু সংসারগী খুদোং থিরবা অবাবদা তাহনগনি ॥৩-৪।

মরম অসিনা হে হনুমান! হান্নগী নশাদা লৈবা ফত্তবা অপাম্বা অত্তু কন্না হোংনত্তুনা থাদোক্কদবনি। সংসারগী অপাম্বগী (বাসনাগী) ঈচেল অসি শুভ (অফবা য়াইফবা পীবা) অমস্তুং অশুভ (ফত্তবা) কৌবা লম্বী অসিদা চেল্লিবনি। অত্তুনা নশানা হোংনত্তুনা নহাক্কী অপাম্বগী ঈচেল অত্তু অফবা লম্বীদা চেলহনগদবনি ॥৫॥

অশুভেষু সমাবিষ্টং শুভেষ্বেবাবতারয়েৎ।
অশুভাচ্চালিতং যাতি শুভং তস্মাদপীতরৎ ॥৬॥
পৌরুষেণ প্রয়ত্নেন লালয়েচ্চিত্তবালকম্।
প্রাগভ্যাসবশাদ যাতি যদা তে বাসনাদয়ম্
তদাভ্যাসস্য সাফল্যং বিদ্ধি ত্বমরিমর্দ্দন ॥৭॥
সন্দিগ্ধায়ামপি ভৃশং শুভামেব সমাচর।
শুভায়াং বাসনাবৃদ্ধৌ নদোষায় মরুৎসুত ॥৮॥
বাসনাক্ষয় বিজ্ঞান মনোনাশা মহামতে।
সমকালং চিরাভ্যস্তা ভবন্তি ফলদা মতাঃ ॥৯॥

মুক্তি পাম্বা হায়বদি সংসারদগী নাম্বোকপা পাম্বা মীনা অশুভ বাসনা-শিংদা চংশ্রবা মহাক্তী চিত্ত (মন) অত্ত শুভ বাসনাশি দা থাংজিনগদবনি। মবমদি অশুভ বাসনদগী চংথোকহল্লবা চিত্ত অত্ত শুভবাসনা বোমদা লাকই। শুভ বাসনাদা চংলবা চিত্ত অত্তুনা মুক্তিগী বাসনা রোমদা (পাম্বা বোমদা) লাকই ।।৬।।

চিত্ত অসিবু মুক্তিগী বাসনা বোমদা পুশল্লকবগীদমক হন্না হন্না অভ্যাস তৌগদবনি। মীওইবগী চিত্ত (পুকনিং) অসি অচাংগুম্বনি, মহাক্তা অফবসু পামই ফত্তবসু পামই, মবম অসিনা অঙংগী মশক ওইবা মহাক অসিবু যাম্না যত্ন তৌনা চান্না যোক্তুনা অফবা বাসনাদা হৈনহনগদবনি, হে যেক্লববু মাংহনবা হনুমান। অফবাদা হৈনবগী অভ্যাস অত্তুনা মরম ওইত্তুনা মমৈদা মুক্তিগী বাসনা (পাম্বা) লাক্কনা সংসাবগী বিষযগা মবি লৈংবা অফবা অমসুং ফত্তবা বাসনা অনিমক থাদোক্লক্কদি, মতম অত্তুদা হন্না হন্না অভ্যাস তৌবগী কান্নবা অত্তু নহাক্তা খঙবা ঙমগনি ।।৭।।

শুভবাসনা অমসুং অশুভ বাসনাদা চিংনরবা হাযবদি অনিমক থাদোকপা ঙমলে ইদবগী চিংনবা লৈববদি শুভ বাসনাদা চংজো মবমদি হে মুংশিৎ নিংথৌগী মচা। শুভ বাসনা অত্তু হেনগৎপদা দোষ করিমত্তা লৈতে ।।৮।।

হে বুদ্ধি চাওবা হনুমান। বাসনাক্ষয় (সংসারগী অপাম্বা মাংবা লৈতবা), বিজ্ঞান (অশেংব, তত্ত্ব খঙবা) অমসুং মনোনাশ (পুকনিং মাংবা

ত্রয়মেব সমং যাবন্নাভ্যস্তঞ্চ পুনঃ পুনঃ।
তাবন্ন পদসংপ্রাপ্তির্ভবত্যপি সমা শতৈঃ ॥১০॥
একৈকশো নিষেব্যন্তে যদ্যেতে চিরমপ্যলম্।
তন্নসিদ্ধিং প্রযচ্ছন্তি মন্ত্রাঃ সংকীর্নতা ইব ॥১১॥
ত্রিভিরেতৈশ্চিরাভ্যস্তৈ হৃদয় গ্রন্থয়োদৃঢ়াঃ।
নিঃশঙ্কমেব নশ্যন্তি বিসচ্ছেদাদ্‌গুনা ইব ॥১২॥
জন্মান্তর শতাভ্যস্তা মিথ্যা সংসার বাসনা।
সা চিরাভ্যাসযোগেন বিনা নক্ষীয়তে ক্বচিৎ ॥১৩।

হায়বদি পুকনিংগী মচৎ থবক লৈতবা)—অহুম অসি পুন্না ওইনবগীদনক মতম অমতদা হন্না হন্না অভ্যাস তৌগদবানি। মতম কুইনা অভ্যাস তৌরবদা ফল ওইগনি হায়বদি মাখোয় অসি ওইগনি ॥৯॥

অহুম অসি পুন্না মতম অমতদা হন্না হন্না অভ্যাস তৌদ্রিমখৈদ (ওইননবা হোৎনদ্রিমখৈদ) চহি চা কয়া লৈতুনসু ঈশ্বরগী খুবম (অরান খুবম) ফংবা ওইদে ॥১০॥

বাসনাক্ষয, বিজ্ঞান অমসু মনোনাশ—অহুম অসিগী মখুংদা অমমমত ওইনা পাংথোক্লবা হোৎনব তারস্বনি, মতম কুইনা হোৎনদনসু মহৈ য়ানবা ওইরোই। কবিগুন্দা মন্ত্র মেগী শরব অপুংবা মতম অমতদা পাঠ তৌবা নত্তনা মন্ত্র অদুগী শক্ক খরদং পাঠ তৌবনা ফল ওইদে অদুগুম্না বাসনাক্ষয-নাচিংবা অহুম অসি মতম অমতদা পুন্না ওইননবা হোৎনদ্রবদি অমতসু ওইবা যাদে ॥১১॥

অহুম অসি অপুংবা অমা ওইনা পুন্না ওইনবা মতম কুইনা অভ্যাস তৌরবদি মমৈথংদা চিংনবা লৈতনা (শোইদনা) থম্বৌ থুদেক্লগা থম্বৌ অদুগী মনুংগী মশিংশিং তৎপাগুম্না হৃদয় গ্রন্থিশিং হায়বদি পুকনিংগা সংসারগী বিষযশিংগা চেংনা পুনশিন্নরিবা কিশশিং অদু মাংগনি। (তংকনি)॥১২॥

সংসারগী বাসনা অসি (সংসারবু পাম্বা হায়বা অসি) মিথ্যা ওইর-বসু মীওইবগী মপোক চা কয়া হৈনরক্লবা অপাম্বনি। অদুগুম্বা হৈনরক্লবা অপাম্বা অদু থাদোক্লবা হোৎনবদা মতম য়াম্না চংই, মতম কুইনা হোৎনবা নত্তনা মহাক (অপাম্বা অদু) কদৌঙৈদসু কোকপা য়ারোই ॥১৩॥

তস্মাৎ সৌম্য! প্রযত্নেণ পৌরুষেণ বিবেকিনা।
ভোগেচ্ছাং দূরতস্ত্যক্ত্বা ত্রয়মেব সমাশ্রয়। ।১৪॥
তস্মাদ্বাসনয়াত্যক্তং মনো বদ্ধং বিদুর্বুধাঃ।
সম্যগ বাসনয়া ত্যক্তং মুক্তমিত্যভিধীয়তে ॥১৫॥
মনো নির্ব্বাসনীভাবমাচরাস্য মহাকপে!
সম্যগালোচনাৎ সত্যাদ্বাসনা প্রবিলীয়তে ॥১৬॥
বাসনা বিলয়ে চেতঃ শম মায়াতি দীপবৎ।
বাসনাং সংপরিত্যজ্য ময়ি চিন্মাত্র বিগ্রহে।
যস্তিষ্ঠতি গতব্যগ্রঃ সোঽহং সচ্চিৎসুখাত্মকঃ ॥১৭॥

মরম অসিনা হে হনুমান! অসিনা অফবনি অমসুং অসিনা ফত্তবনি হংবাসি খাংবাগা লেইননা সংসারগী বিষয় চাবগী অপাগা অদু থাদোক্লবা কনা হোৎনৌ। মাদু থাদোক্লগা হায়খ্রিবা বাসনাক্ষয়, বিজ্ঞান অমসুং মনোনাশ অহুম অসি ওইননবা হোৎনৌ ।।১৪॥

মবম অসিনা সংসাবগী বাসনানা চুববা হাযবদি সংসারগী অপাম্বদা লপ্পবা পুকনিং অদু বদ্ধ (সংসারদা পুনশিন্নবা) কৌই। অদুগা চংখোল্লা সংসারগী অপাম্বা লৈত্রবা পুকনিং অদুবু মুক্ত (সংসারদগী নান্থোক্লবা) কৌই। অসুম্না পণ্ডিতশিংনা হায় ।।১৫॥

মুক্তি ফংগে নিংলবদি হে মহাকপে! নহাক্কী নপুকনিংদা থুনমক সংসারগী বিষয় পাম্বা হায়বা বাসনা অদু লৈতননবা হোৎনৌ। লেংদ্রবা 'তত্ত্বস্ত্ত' হায়বা পোৎশক অদু নিংথিনা নৈনদুনা খংলগদি মতুনা মরম ওইদুনা হায়রিবা বাসনা অদু অদুম মুৎচবানি। ১৬॥

বাসনা (অপাম্বা হায়বা) অদু মাঙখিদুনা লৈত্রবা মতমদা চিত্ত (পুকনিং) অসে মতোমতা হঞ্জে (তেজৈ), মরমদি বাসনাদগী চিত্তনা সংসারগী থবক তৌই, থবক অদুগী মহে চাই অমসুং অরা-মপাইনাচিংবা ফংই। চিত্তগী থবক মচৎ পুম্নমক অসি বাসনাদগী থোরকপা ডাক্তনি। বাসনা অদু হেক মাঙখিবা মতমদা চিত্ত অদু মহাক্কী থবক লৈত্রদুনা মুংশিংকী ঈথক লৈতবা মফমদা থানবা থাংমৈগুম্না লেংদনা ইংনা লৈ। অসুম্না

সমাধি মথ কর্ম্মানি মা করোতু করোতু বা।
হৃদয়েনাপ্তসর্ব্বেহো মুক্ত এবোত্তমাশয়ঃ ॥১৮॥
নৈষ্কর্ম্ম্যেণ ন তস্যার্থস্তস্যার্থোঽস্তি ন কর্ম্মভিঃ।
ন সমাধানজাপ্যাভ্যাং যস্য নির্ব্বাসনং মনঃ ॥১৯॥
সংত্যক্ত বাসনান্মৌনাদৃতে নাস্ত্যুত্তমং পদম্।
বাসনা হীন মপ্যেতচ্চক্ষুরাদীন্দ্রিয়ং স্বতঃ।
প্রবর্ত্ততে বহিঃ স্বার্থে বাসনামাত্র কারণম্ ॥২০॥
অযত্নোপনতেষ্বক্ষি দৃক্ দ্রব্যেষু যথা পুনঃ।
বিরাগমেব পততি তদ্বৎ কার্য্যেষু ধীরধীঃ ॥২১॥

বাসনা থাদোক্লনা সংসারগী বিষযদগী ইস্পোক্লবা পুকনিং অদু জ্ঞানগী মশক ওই ঈশ্বর ঐডোন্দা হাপ্পা যাই। অস্থুম্না ঐডোনদা পুকনিং হানবা অনদি সংসারগী ঈরাং কোবলবা মী অদুদি সৎচিৎ তমদুং আনন্দগী মশক ওইবা ঐহাক অ সগী মশক ওইবগী অধিকার যলে ॥১৭॥

অসুম অধিকারী ওইরবা অদুগুম্বা মীশক অদুদ সমাধি নত্রগা শাস্ত্রনা তাকপা শুভকম তৌরবসু তৌদ্রবসু নত্রগা পুন্নমক তৌরবসু অপাম্বগী বন্ধন মৈত্রবনিনা অথোইবা ভাবকী 'মুক্ত পুরুষ' হায়বদু ওইরবনি ॥১৮।

মী অদুগী পুকনিং (মন) অদুদা সংসারগী বাসনা হায়বসী শুকলৈ মক লৈত্রবা অদুগুম্বা মীশক অদুগীদি মহাক্না নিষ্কাম কর্ম্ম তৌরবসু কান্নদে সকাম কর্ম্ম তৌরবসু কান্নদে। বাসনা নাশগী মরম ওইবা সমাধি অমসুং জপকীসু তঙাইফদবা অদু লৈতরে ॥১৯॥

সংসারগী বাসনা অপুম্বা (অপাম্বা অপুম্বা) থাদোক্লনা তুনিন্না লৈবা অসি নত্তনা অথোইবা খুবম ফংবা য়াবগী ৱাফম লৈতে। বাসনাদা চুরবা মিৎনা চিংবা ইন্দ্রিয়াশিং অসি মহৌশা ওইনা মপানগী বিষয় রোমদা হেক্তা চৎলি। অসুম চৎপগী কারণ অসি বাসনাতনা ওইবনি ॥২০॥

মিৎনা য়েংগে হায়না থিরুবা নত্তবা মতাচারুদনা মাংদা তাররবা অদুগুম্না মিৎকী বিষয় ওইবা পোৎশকশিং অদুদা মিৎ অসিনা হন্না হন্না চংবা হায়বদি য়েংদবা ঙমদতুনা য়েংবা অদুগুম্না জ্ঞান লৈরবা মীসু বাসনা না মরম ওইতুনা সংসারগী থবকশিংদা হেক্তা মচংই, চংদবা ঙমদে ॥২১॥

ভাব সঞ্চিং প্রকটিতা মনুরূপাঞ্চ মারুতে।
চিত্তস্যোৎপত্তি পরমাং বাসনাং মুনয়ো বিদুঃ ॥২২॥
দৃঢ়াভ্যস্ত পদার্থৈকভাবনাদতি চঞ্চলম্।
চিত্তং সংজায়তে জন্ম জরা মরণ কারণম্ ॥২৩॥
বাসনা বশতঃ প্রাণস্পন্দ স্তেনচ বাসনা।
ক্রিয়তে চিত্ত বীজস্য তেন বীজাঙ্কুরক্রমঃ ॥২৪॥
দ্বে বীজে চিত্তবৃক্ষস্য প্রাণসপন্দন বাসনে।
একস্মিংশ্চ তয়োঃক্ষীনে ক্ষিপ্রং দ্বে অপি নশ্যতঃ ॥২৫।

হে হুংশিং নিংথৌগী মচা! বিষয় ওইবা পোৎশক তদু মশক খঙঙ্ঙরগা মাদুদগী ওইরবপা বিষয় অদুগা চানবা চিত্তগী অপাম্বগী মশক ওইবা নীচং অদুবু বাসনা কৌই। বাসনা আসনা চিত্তবু বিষয় অদুদা পুনশিল্লি অসুম্না মুনিশিংনা হায ॥২২॥

চেৎনা হৈনরবা অপাম্বা পোৎশক অদুতবু খনবা হায়বা অসিনা মরম ওইদুনা মীওইবগী চিত্ত (পুকনিং) অসি য়ামনা মথুন-মরাং হৌবা ইংদবা ওই। অমসগুম্না চিত্তগী নচং-ইরাং অসিনা মীওইবগী পোকপা, অহন ওইব অমাংং শিবা হায়বসিগী কারন ওইরিবনি ॥২৩॥

হান্নগী হায়বদি মমাংগী বাসনাগী মথা পোন্দুনা চিত্তনা অপাম্বা বিষয়দা চংই, অদুনা অমুক বাসনা পোকই। অসুম্না বীজাঙ্কুরগুম্না হায়বদি বীজদগী অঙ্কুর, অঙ্কুরদগী বীজ, বীজ অদুদগী অমুক অঙ্কুর অসুম্না ওন্না ওন্না ওইবাগুম্না চিত্তনা বিষয়দা চংলগা বাসনা পোকই, বাসনা অদুনা চিত্তবু বিষয়দা অসুম্না চিংশল্লি অসিগুম্বা চিত্ত অমসুং বাসনাগী খোংচৎ অসি ওই ॥২৪।

চিত্তগী (পুকনিং) মশক ওইবা উপাল অসিগী বীজ (মরু) হায়ববু প্রাণ স্পন্দন (সংসারগী বিষয়দা চংবা) অমসুং বাসনা (বিষয়দা চংবদগী অমসুং পোক্লকপা অপাম্বা) অনিসিনা ওইরিবনি। অনি অসিগী মরক্তা অমতংনা হেক মাঙবদা অনিমক মাঙে হায়বদি নৈতরে ॥২৫॥

অসঙ্গ ব্যবহারত্বাদ্ভবভাবনবর্জ্জনাৎ।
শরীরনাশদর্শিত্বাদ্বাসনান প্রবর্ত্ততে।
বাসনাসম্পরিত্যাগাচ্চিত্তং গচ্ছত্যচিত্ততাম্‌ ॥২৬॥
অবাসনত্বাৎ সততং যদা ন মনুতে মনঃ।
অমনস্তাং তদোদেতি পরমোপশম প্রদা ॥২৭॥
অব্যুৎ পন্নমনা যাবস্তবানজ্ঞাত তৎপদঃ।
গুরু শাস্ত্র প্রমানৈশ্চ নির্নীতং তাবদাচর ॥২৮॥
ততঃ পক্ককষায়েণ নূনং বিজ্ঞাতবস্তুনা।
শুভোঽপ্যসৌ ত্বয়া ত্যাজ্যো বাসনৌঘো নিরাধিনা ॥২৯॥

মী অত্তুগী মপুক নিংদা সংসারগী পাখন অসি থাদোকবা অত্তুগা হুকচা অসি অম্বপ্পা নক্ত ম ঙবা নাইবনি হাযবা অসি নিংথিনা খঙলবা অত্তুগুম্মা মীওই অত্তুদা বাসনা (অপাম্ব) হাযবসি চবা ঙমদে। মও অসিদা সংসাবগী বাসনাবু নিথিজনা থাদকপা ঙম্মবদি মীওইবগী চিত্ত (পুকনিং) গী লীচৎ অত্ত লৈতাব হায়বদি পুকনিং অত্তু সংসাবগী থবক তৌদবে ॥২৬।

সংসাবগী অপাম্বা লৈতত্তুনা মতম পুম্নমক্কা পুকনিং তত্তুনা সংসাবগী বিষযদা চত্তুনা থবক তৌদবা মতম তত্তুদা পুকনিং আদা লৈত্রবগা অমাংনি তত্তুগা মতম অত্তুদা মীওইবদা পরম শান্তি পীবা বিবেক বুদ্ধি হায়বত্তু ফাওবকই ॥২৭।

হে হনুমান্‌, নহাক্কী নপুকনিং অত্তুনা মথক্তা হায়খ্রিবা গুম্না সংসাবগী বিষযদগী হন্দোকপা ঙমদ্রিবা মথৈদি ঈশ্বরগী পবম তত্ত্ব খঙবা ঙমলোই। মবম অসিনা সংসাবগী বিষয থাদোক্তুনা পরম তত্ত্ব খংদ্রিবা ফাওবদি নহাক্কা তৌগদবা হাযববু অসিনি—মতুদি গুরুনা তাকপা অমদি শাস্ত্র বাকানা প্রমান ওইতুনা লেপ্পবা তত্তুগুম্না লম্বেল তত্তুদা চৎলু ॥২৮॥

গুরু অমসুং শাস্ত্রনা তাকপা লম্বেল অত্তুদা চৎলবদি মতুংদা লেপ্পমক অশেংবা তত্ত্ব বস্তু অত্তু মশক খঙবা ঙমগনি। তত্ত্ব বস্তুগী জ্ঞান অত্তুনা

দ্বিবিধশ্চিত্তনাশোঽস্তি সরূপোঽরূপ এবচ।
জীবন্মুক্তঃ সরূপ স্যাদরূপো দেহমুক্তিগঃ ॥৩০॥
অস্য নাশমিদানীংত্বং পাবনে শৃনু সাদরম্।
চিত্তনাশাভিধানং হি যদা তে বিদ্যতে পুনঃ।
মৈত্র্যাদিভির্গুণৈ যুক্তং শান্তিমেতি ন সংশয়ঃ ॥৩১॥
ভূয়ো জন্ম বিনির্মুক্তং জীবন্মুক্তস্য তন্মনঃ।
সরূপোঽসৌ মনোনাশো জীবন্মুক্তস্য বিদ্যতে।
অরূপস্তু মনো নাশো বৈদেহী মুক্তিগো ভবেৎ ॥৩২॥

ঙমকপা লৈবকত্রবা মতমদা নহাক্কী নপুক্নিংগী অবাবা মাঙখিগনি—শান্তি লাক্কনি। মতম অতুদদি নহাক্কা সংসারগী অফবা বাসনাশিংবুস্থ থাদোকপা ঙমগনি ॥২৯॥

অতুগা মথক্তা হায়খ্রিবা চিত্তনাশ (মনোনাশ) অসিগী শক্তম অসি মথল অনিগী ওই,—মাদুদি (১) সরূপ অমসুং (২) অরূপ। জীবন্মুক্তিদা সরূপ মনোনাশ (চিত্তদি লৈবগা মহাক্কী মচৎ-লীচৎ লৈতবা) ওই অদুগা বিদেহমুক্তিদা অরূপ মনোনাশ (চিত্তগী মশক ফাওবা লৈতবা) ওই ॥৩০॥

হে নুংশিৎ নিংথৌগী মচা। হৌজিক চিত্তনাশগী মবিদা রাফম অসিমস্ত নহাক্না আদব তৌনা তাশিল্লু, মাদুদি সরূপ চিত্তনাশ হায়বা অসি ওই-ববা মতমদা মৈত্রী (শুভবাসনাদগী নুংঙাই-যাইফবা ওইববা মীশিংগা সরূপ ওইবা), করুনা (বারবা নংলবা মীশিংগী মফমদা থৌজাল অমদি মীনুংশি), মদিতা (পুন্য চেন্না মীশিংগী মফমদা হরাও-তয়াম্বা) অমসুং উপেক্ষা (পাপ চেন্নাশীংদা থোইনা খোইচদবা)—গুণশিং অসি চিত্ত অদুদা লাবই অদুগা চিত্ত অদু শান্তি ফংবা ওই, মসিদা চিংনফম কবিস্থ লৈতে ॥৩১॥

জীবন্মুক্ত ওইরবা মীগীদি চিত্ত (পুকনিং) অদুদা অমুক হন্না পোকপগী মরম ওইবা বাসনা অদু লৈতরে, হায়রিবা ফীবম অসিবু সরূপ মনোনাশ কৌই। মসি জীবন্মুক্ত পুকফদা ওই। অরূপ মনোনাশ (পুকনিং অদুগী মশক ফাওবা মাঙখ্রবা—পুকনীং পুনলৈ লৈতবা) অসিনা বিদেহ মুক্তি ফংলবা মীওই অদুগী ওই ॥৩২॥

সহস্রাঙ্কুরশাখাত্মক, ফল পল্লব শালিনঃ।
অস্য সংসার বৃক্ষস্য মনো মুলমিদং স্থিতম, ॥৩৩॥
সংকল্প এব তন্মন্যে সংকল্পোপশমেন তৎ।
শোষয়াশু যথা শোষমেতি সংসারপাদপঃ ॥৩৪॥
উপায় এক এবাস্তি মনসঃ স্বস্য নিগ্রহে।
মনসোঽভ্যুদয় নাশঃ মনোনাশো মহোদয়ঃ ॥৩৫॥
জ্ঞো মনো নাশমভ্যেতি মনোঽজ্ঞস্য হি শৃঙ্খলা।
তাবন্নিশীব বেতালা বলন্তি হৃদি বাসনাঃ ॥৩৬॥

সংসারগী মশক ওইবা উপাল অসিগী ময়েলশিং, মশাশিং, মকুশিং মহৈশিং অমসুং মনাশিং লিশিং লিশিংনা খুজিং ওইনা লৈবনি। অসিগুম্বা সংসার বোবা উপাল অসিগী হিংননবগী মূল (মরূ) দি মীওইবগী মন (পুকনিং) অসিনা ওইরিবনি ॥৩৩॥

পুকনিং হায়বসি সংকলপ (ৱাখল) গী মশকনি। সংসারগী ৱাখল লৈত্রবদি পুকনিং অসি লৈরোইদবনি। অদুনা সংসারগী ৱাখল থাদোক্লনা পুকনিং অসি কংহনু হায়বদি মাংহল্লু। অদুমতোবদা পুকনিংনা মরূ ওইদুনা হিংলমলিবা সংসার বৃক্ষ অসি কংগনি হায়বদি মাংগনি ॥৩৪॥

হে মুংশিং নিংথোগী মচা! মীওইবনা মশাগী পুকনিং লাকশিংগী মরমদা অমতা ঙায়বা উপায় হায়ববু সংসারগী ৱাখল থাদোকপা (বাসনা থাদোকপা) হায়বসিনি। পুকনিংগী সংসার পাম্বা লীচৎ-শাজৎ অদুনা আত্ম পতনগী কারণ ওই অদুগা মনোনাশ হায়বদি পুকনিংগী সংসার পাম্বা মচৎ অদু মাংবনা আত্মাগী চাওখৎপগী কারণ ওই ॥৩৫॥

পণ্ডিত ওইবা মীওইনা মনেনাশ ওইহন্বা ঙমই। অদুগা জ্ঞান লৈতবা অপংবা মীওইগীদি মাংহনবা ঙমদ্রবা পুকনিং অদুনা য়োংহিং ফরাংগী মশক ওই—অদুনা মহাকপু সংসারদা পুনশিল্লি। অহিং অমম্বদা বেতালশিংগী মপাঙ্গল হেনগৎপা কুম্না জ্ঞানগী মঙাল ফংদবা অপংবাশিংগী পুকনিংদা বাসনাশিংগী মপাঙ্গল হেনগৎলি ॥৩৬॥

একতত্ত্বদৃঢ়াভ্যাসাদ্ যাবন্ন বিজিতং মনঃ।
প্রক্ষীন চিত্ত দর্পস্য নিগৃহীতেন্দ্রিয় দ্বিষঃ।
পদ্মন্যইব হেমন্তে ক্ষীয়ন্তে ভোগবাসনাঃ ॥৩৭॥
হস্তং হস্তেন সংপীড্য দন্তৈর্দন্তান্ বিচূর্ণ্য চ।
অঙ্গানঙ্গৈঃ সমাক্রম্য জয়েদাদৌ স্বকং মনঃ ॥৩৮॥
উপবিশ্যোপবিশ্যৈকাঞ্চিত্তকেন মুহু র্মুহুঃ
নশক্যতে মনো জেতুং বিনা যুক্তি মনিন্দিতাম্ ॥৩৯॥
অঙ্কুশেন বিনা মত্তো যথা দুষ্ট মতঙ্গজঃ।
অধ্যাত্ম বিদ্যাধিগমঃ সাধু সঙ্গতিরেবচ ॥৪০॥
বাসনা সংপরিত্যাগঃ প্রাণস্পন্দ নিরোধনম্।
এতাস্তা যুক্তয়ঃ পুষ্টাঃ সন্তি চিত্তজয়ে কিল ॥৪১॥

পুকনিং অসিবু মায়থিবা পীবা ঙমদ্রিবানখৈদি তত্ত্বজ্ঞানগী অভ্যাসনা পুকনিংগী নাপল মাঙহন্নবা অমসুং য়েক্লবগী মশক ওইবা পুকনিংগী খোঙলোই ইন্দ্রিয়শিংবু লাকশিন্নবা হোংনগনি। মতু ঙম্নবদা উনখা তাবা মতমদা থবালশিংনা কংশিন্দুনা মচাখিবা গুম্না পুকনিংগী ভোগ বাসনা-শি অতু মাংগনি ॥৩৭।

খুৎনা-খুৎ নৈহত্তুনা, য়া ক্রক্ ক্রক চিক্রুনা অমদি হকচাংনা হকচাং নৈহক্তুনা হায়বদি য়াম্না কন্না হোংনদুনা অহানবদা নশাগী নপুকনিং অতুবু মায়থিবা পীত্তুনা খুত্থম চন্নবা হোংনগদবনি। পুকনিংবু খুত্থম চনবা হাযবসি তঙাইফদনা তৌগদবা থবক অমনি ॥৩৮॥

অচিক্পা মফমদা হন্না হন্না ফম্নগা কনা অমতনসু পুকনিংবু লাকপা ফাবা ঙমলোই। মহাকপু ফানবা অফবা যুক্তি লৈ, মাতু নত্তনা কনা-নসু মহাবপু ফাবা ফাবা ঙমদে ॥৩৯॥

শামু কাতি শিজিন্নবা নত্তনা অঙাওবা শামুবু লাকপা ঙমদবা গুম্না অধ্যাত্মবিদ্যা তম্বা, সাধু সঙ্গ ভৌবা, সংসারগী বিষয়দা চংবা হায়বা মহাক্কী মচৎ অতু থিংবা—অসিশিং অসি নত্তনা পুকনিংবু লাকপা মায়থিবা পীবা ঙমদে। হাযরিবা অধ্যাত্মবিদ্যা তম্বনা চিংবা অসি পুকনিংবু মায়থিবা পীত্তুনা জয় তৌননবগী অথোইবা অফবা উপায়নি ॥৪০-৪১॥

সতীষু যুক্তিষে,তাসু হঠান্নিয়মযন্তি যে।
চেতসোদীপমুৎসৃজ্য বিচিন্বতি তমোজনৈঃ।।৪২।।
বিমূঢ়াঃ কর্ত্তুমুদ্যুক্তা যে হঠাচ্ছেতসো জয়ম্।
তে নিবধ্নন্তি নাগেন্দ্র মুন্মত্তং বিসতন্তুভিঃ।।৪৩।।
দ্বে বীজে চিত্তবৃক্ষস্য নিবৃত্তি ব্রত ধারিণঃ।।
একং প্রাণস্পন্দো দ্বিতীয়ং দৃঢ়ভাবনা।।
সাহি সর্ব্বগতা সম্বিৎ প্রাণসপন্দেন চাল্যতে।।৪৪।।
চিত্তৈকাগ্র্যাদ্ যতো জ্ঞানং মুক্তিঃ সমুপজায়তে।
তৎ সাধন মথো ধ্যানং যথাবদুপাদশ্যতে।।৪৫।।
বিনাপ্যবিকৃতিং কৃস্নাং সম্ভব ব্যত্যয় ক্রমাৎ।

অসিগুম্না অফবা উপায়শীং অসি লৈনা লৈনা উপায়শিং অসি থাদোক্তুনা হেক্তা নমতুনা পুকনিংবু লাক্কনি মাযথিবা মীওনি হোৎনবগী অতুগুম্না মীশিং অতুদ্দ পুকনিং লুংনবা থাওডান্দা জ্ঞানগী মঙাল পীননবগী লাংহেল অমদি উপায অতু থাদোক্তুনা অমম্বা বোনদা চংলবনি।।৪২।

অদুবা জ্ঞান লৈত্রবা মীওইনা পুকনিংবু হেক্তা নমতুনা খুদক্তা খুতুনচন্না ভাংনবা হোৎনৈ, মাতুদি নযাইকানবা অঙাওবা শামুবু থাংগী মশীংসিন পুনদা হোৎনবগা পাংথবনি। অবু নি চমোলাই।।৪৩।।

স সাবগী বিবযদগী হান্দাকবা উপালগী মশক ওইবা চিত্তগী হিংনবগী বীজগী মশক ওইবা পোৎশাক অনিনি মাতুদি অমনা প্রান সপন্দন (সোনহোনবা) নি অতুগা অনিশুবনা দৃঢ়ভাবনা (তত্ত্বস্তুগী অচেৎপা ৱাখল) নি। বীজ অনিসিনা বিবযদগী হান্দাক্রবা চিত্ত অতুগী হিংনবগী পাম্বৈনি। লৌইগুনস্ প্রানগী গন্নিা দঢভাবনাবু লেংহম্লি—কাযহল্লি।।৪৪।।

খঙংদবা তত্ত্ববস্তুদা পুকনিংনা অনি লোংদনা লৌবা দৃঢভাবনা অতুনা তত্ত্ববস্তুগী জ্ঞান ফংবা ঙম্মকই অতুগা জ্ঞান অতুদগী মুক্তি ফংবা ওই। তত্ত্ববস্তুদা পুকনিং অনি লোংদনা লৈবা অমদি দঢভাবনা অতু ওইননবগী পাম্বৈদি ধ্যাননি। ধ্যান অতুগী মওং অমসুং বিধিনিযমদি অথংবা পণ্ডিতশিং অমসুং গুরুশিংনা তাকই। মাতু মখোয়দগী খঙগদবনি।।৪৫।।

যশোহরিষ্টঞ্চ চিন্মাত্রং চিদানন্দং বিচিন্তয় ॥৪৬॥
অপানেহস্তংগতে প্রানো যাবন্নভ্যুদিতোহৃদি।
তাবৎসা কুম্ভকাবস্থা যোগিভি মাহনুভূয়তে ॥৪৭॥
বহিরস্তংগতে প্রাণে যাবন্নাপান উদ্গতঃ।
তাবৎ পূর্ন্নং সমাবস্থাং বহিষ্ঠং কুম্ভকংবিদুঃ ॥৪৮॥
ব্রহ্মাকার মনোবৃত্তি প্রবাহোহহংকৃতিং বিনা।
সম্প্রজ্ঞাত সমাধিঃ স্যাদ্ ধ্যানাভ্যাস প্রকর্ষতঃ ॥৪৯॥
প্রশান্তবৃত্তিকং চিত্তং পরমানন্দদায়কম্।

সংসারগী পোকপা শিবগী খোংচত্তা লৈবদগী ফংলিবা অৱাবা অমদি দে'ষ পুন্ননক ৱাখল ভৌরগা অমুক হন্না পোকপগী অপান্বা অতু থাদোক্তুনা অতুগা অফবা ি চৎ ফংবা অমদি ফত্তবা ওইবা পুন্নমক্কী ৱাখল পুমথ' থ'দোক্তুনা জ্ঞান অমদি আনন্দগী মশক ওইবা অতুগুস্না তত্ত্ববস্তু অতুত্তবু খল্লু, ধ্যান তৌ ॥৪৬॥

ধ্যানদা প্রাণ বায়ুগী গতি থিংবা তাবনি। মাতুদা যোগীগী ওইবা ফিবম হায়গে—অপান বায়ুনা খমথেংনা হৃদয়ঞ্বদা প্রান বায়ুনা সু মহাক্কী থবক লৌখৎতবা—সোব হোন্দোক্তবা মতম অতুক্কী ওইবা ফিবম হায়বদি সোর হোন্দোক হোনজিন ভৌদত্না লৈবা অদুগুম্না ফিবম অতুবু কুম্ভকাবস্থা কৌই। ফিবম অসিবু যোগীশিংনা নিংথিনা খঙি ॥৪৭॥

প্রান-বায়ুনা খমথেংনা মপান থোকঞ্বদা হায়বদি সোর হোন্দোকঞ্বদা অপান বায়ুনাসু মহাক্কী থবক ভৌদবা কাখৎলক্তবা অসুম্না সে'র থিংবগী মতম অতুক্কী ওইবা ফিবম অতুবু বহিষ্ঠ কুম্ভকাবস্থা কৌই ॥৭৮॥

তত্ত্ববস্তু (ব্রহ্ম) বু হন্না হন্না ধ্যান ভৌবগী অভ্যাস অতুনা য়াম্না খুমাং চাওশিল্লক্নবদা যোগী অতুগী অহংকার (ঐ হায়বা ভাব) লৈত্রবা ব্রহ্মদা লুপ্রবা নপুক্লিংনা ব্রহ্মাকার ওইরকই (ব্রহ্মগী মশক ওইরকই): অসিগুম্না পুকনিংগী ব্রহ্মাকার ওইবাগী লিচং অসিবু সম্প্রজ্ঞাত সমাধি কৌই ॥৪৯॥

অসম্প্রজ্ঞাতনামাঽয়ং সমাধি র্যোগিনঃ প্রিয়ঃ ।।৫০।।
প্রভাশূন্যং মনঃ শূন্যং বুদ্ধি শূন্যং চিদাত্মকম্ ।
অতদ্ব্যাবৃত্তি রূপোঽসৌ সমাধি র্মুনিভাবিতঃ ।।৫১।।
ঊর্দ্ধং পূর্ণমধঃ পূর্ণং মধ্যপূর্ণং শিবাত্মকম্ ।
সাক্ষাবিধিমুখো হ্যেষ সমাধিঃ পারমার্থিকঃ ।।৫২।।
দৃঢ় ভাবনয়া ত্যক্ত পূর্ব্বাপর বিচারণম্ ।
যদাদানং পদার্থস্য বাসনা সা প্রকীর্ত্তিতা ।।৫৩।
ভাবিতং তীব্রসংবেগাদাত্মনা যত্তদেব সঃ ।
ভবত্যাশু কপিশ্রেষ্ঠ বিগতেতর বাসনঃ ।।৫৪।।

পুকনিংগী লিংচং পুম্নমক পুমহন হুপ্তিনখিবা হায়বদি ব্রহ্মাকার ওইবাগী লিচং ফাওবা লৈত্রবা আসগুম্না সমাধিবু অসম্প্রজ্ঞাত সমাধি কৌই। হায়রিবা সমাধি অসি যোগীশিংগী মাখোযদা পরম আনন্দ পীবা পাম্নববা সমাধিনি ।।৫০।।

পুকনিং অমসুং বুদ্ধিনাচিংবা অন্তঃ করনগী থবক পুম্নমক পুমলেপ লেপখিবা, মখোইগী মঙান ফাওবা লৈত্রবা কেবল মাত্র চিদাত্মাগী মশক ওইবা অসিগুম্বা সমাধিগী ফিবম অসিবু মুনিশিংনা যাম্না পাম্মৈ ।।৫১।।

হায়রিবা সমাধি অসি ওইবা মতম অদুদা মথক মখা অমসুং মযাই—মফম পুম্নমক অসি ব্রহ্মতনা থন্না লৈবা অমদি পুম্নমক ব্রহ্মগী মশক ওইনা উই। অসিগুম্বা ব্রহ্মাত্মক ওইবা সমাধি অসি অশেংবা অমসুং অথোইবা সমধিনি হায়না শিংথানৈ। ৫২।।

হে হনুমান্! বাসনাগী মরমদা অমুক হায়গে। তাউ। সংসারগী বিষয়তবু চেংনা খন্বা রাখল অদুনা মরম অদুনা মথক মখাগী হায়বদি অফ-ফত্তগী বিচার অদু থাদোক্নুনা শুপ্পগী সংসারগী ভোগ চাবগী অপাম্বা অদুবু বাসনা কৌই ।।৫৩।।

হে অথোইবা কপি। পুকনিংগী অকম্বা উইলগা লোয়ননা বিষয় ওইবা

তাদৃগ্‌রূপোহি পুরুষো বাসনাবিষয়ী কৃতঃ।
সংপশ্যতি যদৈবৈতৎ সদ্বস্তিৃতি বিমুহ্যতি ॥৫৫॥
বাসনা বেগ বৈচিত্র্যাৎ স্বরূপং ন জহাতি-তৎ।
ভ্রান্তং পশ্যতি দুদৃ ষ্টিঃসর্ব্বং মদবশাদিব ॥৫৬॥
বাসনা দ্বিবিধা প্রোক্তা শুদ্ধা চ মলিনা তথা।
মলিনা জন্মহেতুঃ স্যাচ্ছুদ্ধা জন্মবিনাশিনী ॥৫৭॥
অজ্ঞানসুঘনাকারা ঘনাহঙ্কারশালিনী।
পুনর্জ্জন্মকরী প্রোক্তামলিনা বাসনা বুধৈঃ ॥৫৮॥

করিগু। পোং অমবু পাম্নবদি অংোপ্পা অমবু পামলুবা লৈবে, পাম্লিবা অহুতবু পামহুনা লৈবে ॥৫৪॥

কবিগুম্বা ষিষয অমর্গ। অপাম্বা অহুনা খুতুম চনথবা মী অহুদি বিষয অহুগী মশক্তা অনদি মাহুতবু খন্দনা লৈবা ওইবে। মতম অহুদা সদদ্‌ বস্তু (অফবা পোৎশক) মমাঙদা লৈবা উববসু মহাক্না মাসি সদং-বস্তুনি হাযনা মশক খঙ বা ঙমদবে। ৫৫

বাসনা (অপাম্বা) হাযবসিগী মগুন অসি অঙকপনি। মহাক্না মশাগী ওইবা লমচংপু কাদৌঙেদসু থাদোক্তে। মহাক্কী অপাম্বা অহুদা লুপথবা মীনা অতৈ মী পুম্নমকপু ফত্তবা মিৎযেংদা চংহুনা লাজবা লম্বী চুমদ্রবা ওইনা উই। নিশা চাবা মীনা নিশাগী মযাই অহুনা পুম্নমক অরানবা ওইনা উবা অহুগা অন্নানি। ৫৬॥

বাসনা মখল অনিনি; মাহুদি শুদ্ধ (অকবা), (২) মলিনা (অমব-পা। মলিন ব্যাসনানা সংসাবদা অমুক হন্না পোকপগী মরম ওই। শুদ্ধ বাসনানা সংসাবদা অমুক হন্না পোকপা হাযবা বন্ধন অহু মাংহল্লি ॥৫৭॥

বাসনা (অপাম্বা) অহুনা গুরুবা অজ্ঞানগী অমম্বা ওইননবগী মবম ওইবা, অহঙ্কাব পোক্লবগী মরুগী মশক ওইরবা অমদি সংসাবদা অমুক হন্না পোকপগী মরম ওইরবা অহুগুম্বা বাসনা অহুবু পণ্ডিতশিংনা মলিন বাসনা কৌই ॥৫৮॥

পুনর্জ্জন্মাঙ্কুরং ত্যক্ত্বা স্থিতিঃ সংভৃষ্ট বীজবৎ।
বহু শাস্ত্র কথা কন্থা রোমন্থেন বৃথৈব কিং ॥৫৯॥
অন্বেষ্টব্যং প্রযত্নেন মারুতে জোতিরান্তরং।
দর্শনাদর্শনে হিত্বা স্বয়ং কেবল রূপতঃ ॥৬০॥
য আস্তে কপিশার্দ্দূল ব্রহ্ম ন ব্রহ্মাবিৎস্বয়ম্।
অধীত্য চতুরো বেদান সর্ব্বশাস্ত্রান্যনেকশঃ।
ব্রহ্ম তত্ত্বং নজানাতি দর্বী পাকরসং যথা ॥৬১॥
স্বদেহাশুচি গন্ধেন ন বিরজ্যেত যঃ পুমান্।
বৈরাগ কারণং তস্য কিমন্যদুপদিশ্যতে ॥৬২॥

মৈদা ভোথোক্লবা মরুনা ময়োন চোংবা ঙমদবগুম্না মলিন বাস-নাদগী অশেংবা নুংাইবা পোক্লকপা ঙমদে; মরম অসিনা সংসারদা অমুক হন্না পোকপগী কারন ওইবা মলিন বাসনা থান্দোক্লনা তত্ত্ববস্তু (ব্রহ্ম) দা চংশিন্নবা হোৎনৌ। শাস্ত্র ময়ামগী রায়াম ময়াম অদুদা চংশিল্লবনা করিসু কান্নবা ফল ওইরোই ॥৫৯॥

হে নুংশিং নিংথৌ মচা! য়াম্না কন্না হোৎনবুনা থমোই মনুংদা লৈবা মঙান্‌গী মশক ওইবা তত্ত্ববস্তু অদু থংনবা থিগদবনি। দর্শন শাস্ত্র অমদি অতৈ শাস্ত্র ময়াম নৈনবা থাদোক্লনা কেবল মাত্র আত্মরূপ—নশাগী মশক অদুতা খঙনবা ধ্যান তৌগদবনি ॥৬০॥

ব্রহ্মগী মরমদা নৈনরগা মশানা ব্রহ্ম অদুবু খঙবা ঙমদ্রবা অদুগা বেদ মরি অমদি মথল মথলগী শাস্ত্র ময়াম তম্লগা ব্রহ্ম তত্ত্ববুদি খঙদ্রবা মীশক অদুগী তৌরিবা থবক অদু খাবৈগী থবকগুম্বনি। খাবৈনা ওৎ-তুনা চাক-ইঙ্খাং থোকই তৌইগুম্বাসু খাবৈ অদুনা চাক ইঙ্খাংগী রস (মহাও) অদুদি খঙদে অদুগুম্বনি ॥৬১॥

মীওইবাগী দেহ হায়বা অসিদি অমোৎপা অমদি অমাংবগী মশক নি। অসিগুম্বা মশাগী দেহ অদুগী মনমদা বৈরাগ্য পোক্লবা হায়বদি মশাগী দেহ অদু পামদ্রনা লৈরবা মী অদুগী নফমদা বৈরাগ্যগী কারণ ওইবা অতৈ পাউতাক করি পীগনি? ॥৬২॥

অত্যন্তমলিনো দেহো দেহী চাত্যন্ত নির্ম্মলঃ।
উভয়োরন্তরং জ্ঞাত্বা কস্য শৌচং বিধীয়তে॥৬৩॥
বন্ধোহি বাসনা বন্ধো মোক্ষঃ স্যাদ্বাসনাক্ষয়ঃ।
বাসনাং সংপরিত্যজ্য মোক্ষার্থিত্ব মপিভজ॥৬৪॥
মানসী র্বাসনাঃ পূর্ব্বং ত্যক্ত্বা বিষয় বাসনাঃ।
মৈত্র্যাদি বাসনা নাম্নী গৃহাণামল বাসনাঃ॥৬৫॥
তা অপ্যতঃ পরিত্যজ্য তাভির্ব্ব্যবহরন্নপি।
অন্তঃ শান্তঃ সমস্নেহো ভব চিন্মাত্র বাসনঃ॥৬৬॥
তামপ্যথ পরিত্যজ্য মনো বুদ্ধি সমন্বিতম্।
শেন স্থির সমাধানো মরিত্বংভব মারুত ॥৬৭॥

মীওইবগী দেহ অসি যাম্না মোৎপা অমোৎপা পোৎশক ওমনি অদুগা দেহী (আত্মা) হায়রা অসিনা যাম্না লুখ্রবা অরুবা পোৎশকনি। অসুম্না দেহ অমসুং আত্মাগী খেন্নরিবা অসি খঙলগদি লুননবাগী তৌফম থোকপা থবক লৈরোইদবনি। দেহদি অমোৎপনা শাবনিনা মতম পুম্নমক্তা অদুন মোৎকনি, আত্মাদি লুবাগী লুবা মতম পু দা অদুম লুগনি॥৬৩॥

সংসারগী বিষয়গী অপাম্বনা পুনশিল্লবা মীবু বন্ধ (পুনশিল্লবা) কৌই অদুগা সংসারগী বিষয়গী অপাম্বা মাঙখ্রবা মীবু মুক্তি ফংলবা কৌই। সংসারগী অপাম্বা (বাসনা) অদু থাদোক্লগা হেক্তা মুক্তি ফংবা পাম্বা অদুসু তৌগন্নু, মথং মথং ওইনা ওইগদবনি॥৬৪॥

অহাম্দা সংসারগী বিষয় পাম্বা হায়বা অমকপা পুকনিংগী অপাম্বশিং অদু থাদোক্লগা মিত্রতানাচিংবা পাবা হায়বা অরুবা বাসনাশিং অদুদা চংখো॥৬৫॥

মতুংদা অরুবা বাসনাশিং অদুবসু থাদোক্লবা হোৎনৌ। করিগুম্বা অরুবা বাসনাশিং অদুদা লৈদুনা সংসারগী ওইবা থবক তৌবা তারবা অদু ওইরবসু মপুক্কিং লাংদনা যাম্না ইংনা নহাক্কী অকবা অপাম্বা অদু চিৎস্বরূপ ওইবা ব্রহ্মদা পুশিনু (ব্রহ্মবু পাম্বা হায়বা বাসনা অদুদা লৈয়ু); পুম্নমক্তা মান্নবা মুংশিবা থম্মু॥৬৬॥

হে মুংশিং নিংথৌগী মচা! ব্রহ্মবাসনাদা মতম কুইনা লৈরবগী

অশব্দ মস্পার্শমরূপমব্যয়ং তথারসং নিত্যমগন্ধবচ্চ যৎ।
অনামগোত্রং সমরূপ মীদৃশং ভজস্ব নিত্যং পবনাত্মজার্ত্তিহং
॥৬৮॥

দৃশি স্বরূপং গগনোপমং পরং সকৃদ্বিভাতং ত্বজমেকমক্ষরং।
অলেপকং সর্ব্বগতং যদদ্বয়ং তদেব চাহং সকলং বিমুক্তম্
॥৬৯॥

দৃশিস্তু শুদ্ধোঽহমবিক্রিয়াত্মকো ন মেঽস্তি কশ্চিদ্বিষয়ঃ স্বভাবতঃ।
পুরস্তিরশ্চোর্দ্ধমধশ্চ সর্ব্বতঃ সুপূর্ন ভূমাঽহমিতীহ ভাবয় ॥৭০॥

তুংদা অতুবুসু মন অমসুং বুদ্ধিগা লোয়ননা থাদোক্তুনা হায়বদি মাতুদা ওইবমলিবা মন অমসুং বুদ্ধিগী থবক পুন্নমক থাদোক্তুনা লৈতাবা (লেংদবা) সমাধিদা চংতুনা ঐগী সচ্চিদানন্দ রূপবু নিংউ ॥৬৭॥

হে মুংশিং নিংথৌগী মচা। ঐগী সচ্চিদানন্দ হায়বা রূপ অসি বানী ইন্দ্রিয়গী রাহৈনা খঙহন্না ঙমদে, ত্বক ইন্দ্রিয়না শোক্তুনা খঙবা ঙমদে, প্রকৃতিগী ওইবা রূপ অঙাংবা অমুবানচিংবা মচু লৈতবা মরমনা মিৎ কৌগা ইন্দ্রিয়না উবা ঙমদে রূপ অসি মাংবা নাইদবনি, বস মহাও লৈতবা মরমনা লৈ কৌবা ইন্দ্রিয়না খঙবা ঙমদে, রূপ অসি আরেপ্পনি, মনম যাওদবা মরমনা নাতোন হায়বা ইন্দ্রিয়নাসু খঙবা ঙমদে, রূপ অসিগী গোত্র শাগৈ অমসুং মমিং লৈতে, রূপ অসিনা পুম্নমক্কী সংসারগী অরাবা কোকহল্লি। অসিগুম্বা ঐহাক্কী রূপ অসিবু সমাধিদা থমোই মনুংদা তত্তনা নিংউ ॥৬৮॥

হায়বিবা ঐহাক্কী রূপ অসি পুম্নমকপু খঙবা উবাগী মশকনি, আকাশ গুমনা মফম পুম্নমক্তা লৈবনি, অথোইবা অমদি মতম পুমনমক্তা ঙাক্লুনা লৈবনি, পোকপা শিবা লৈতবা অমদি অনিশুদবা রূপনি। অসিগুম্বা সচ্চিদানন্দগী স্বরূপ অসি ঐহাক্নি। সংসারগী অফ-ফত্ত পুমনক পক্তুবা, পুম্নমক্তা শিন-থুংনা লৈবা, অনিশুদবা পুম্নমক্কী মশক ওইবা অমসুং মতম পুম্নমক্তা অপুনবা য়াওদ্রবা ঐহাকনি। অখঙবা অউবাগী মশক ওইরা ঐহাক্নি। ঐহাক অসে শুদ্ধ হায়বদি অশেংবা দোষ লৈতবা অমদি মশক কায়দবনি। ঐহাক্কী মহৌশাগী ওইনা ঐনা ভোগ তৌগদবা করিগুম্বা

অজ্ঞোঽমরশ্চৈব তথাজরোঽমৃতঃ স্বয়ংপ্রভঃ সর্ব্বগতোঽব্যয়ঃ।
নকারণং কার্য্য সতীত্য নির্ম্মলঃ সদৈব তৃপ্তোঽহমিতীহ ভাবয় ॥৭১॥

জীবন্মুক্তপদংত্যক্ত্বা স্বদেহে কালসাৎ কৃতে।
বিশত্যদেহ মুক্তত্বংপবনঃ সপন্দতামিব ॥৭২॥
তদেতত্তদৃগাভ্যাক্তং তদ্বিষ্ণোঃ পরমং পদম।
সদাপশ্যান্ত সূরয়ঃ দিবীব চক্ষুরাততম্ ॥৭৩॥

বিষয অমত্তা লৈতে। মাঙ, তুঙ, মথক অমসুং মখা মফম পুন্নমক্তা শিন-থুনা থন্দুনা লৈববা ঐহাকনি, অদুম্না মফম পুন্নমক্তা থন্দুনা লৈবিবা ঐহাক অসিগী অসিদা লোই হাযবা ওমথৈ লৈতে। অদুম্না ঐহাকপু খন্দুনা নহক্লা ঐবু তত্তনা নিঙঙ্। ৬৯-৭০॥

পোক্‌বা শিদবা মাংদবা অনদি মতুদবা অতুগুম্বা অমৃত স্বরূপ অহু ঐহাকনি, ঐ অসে ইশানা মঙানগী মশকনি অমদি পুন্নমক্তা য ওবা লৈবনি। ঐহাক ইশক হোংবা লৈতে। ঐহাক অসে কারণসু নত্তে কার্য্যসু নত্তে, শুপ্পগী মতম পুন্নমক্তা অমকপা লৈতবা অমদি ইশানা ইশাদা অহুম পেপ্পহুনা লৈবা ঐহাক্নি। হে হনুমান, হাযখিবা ঐগী অশেংবা শক্তম অসি থম্মোই মনুংদা সমাধিকালদা খনু অমসুং নিঙঙ্ ॥৭১॥

শ্রীরামচন্দ্রনা মনাইদা মখাতানা তাকপিখি—নহাক্না সংসারগী বিষয়-শিংদা চংবা চিত্তবৃত্তি পুন্নমক থিংলগা জীবন্মুক্তিগী ফিবমদা লৈহুনা মথক্তা তাকখিবা ঐগী রূপ নিংহুনা নহাক্কী চিত্ত (পুকনিং) অহুনা ঐগী মশক লৌরবা কালদা নহাক্কী দেহ অহুনাসু কালগতিগী মতুং ইন্না মাঙপ্রবদা জীবনমুক্তিগী ফিবম অহুসু থাদোক্লনা বিদেহ মুক্তি হাযবা অবান-খুভম অহু ফংগনি হাযবদি স্থূলশরীর অমসুং সূক্ষ্মশরীর অনিমক্কী বন্ধনদগী নাম্থোক্লনা ঐগা অমতা ওইগনি। লেংলিবা সোর হোল্লিবা শিংনা লৈত্রবদা প্রান বাযুনা মশাগী অসেংবা মশক ওইবাগুম্বনি ॥৭২॥

নিংগদবা ঐগী রূপ অসিগী মরমদা বেদনা অসি হায়রিবনি—"জ্ঞানী-শিংনা মাখোয়গী জ্ঞানগী মিৎনা আকাশদা মঙান ওইনা শন্দোকপা

তদ্বিপ্রাসো বিপন্যবো জাগৃবাংসঃ সমীন্ধতে।
বিষ্ণো র্যৎ পরমং পদমোং সত্যমিত্যুপনিষৎ
সত্যমিত্যুপনিষৎ ॥৭৪॥
ওঁ পূর্ণমদ ইতি শান্তিঃ ॥ ওঁ তৎ সৎ।
ইতি শুক্ল যজুর্ব্বেদ গতা মুক্তিকোপনিষৎ সমাপ্তা ॥

মুমিৎগুম ঙানদুনা লৈবা সংসার তপুম্বাদা শন্দোকপা ইবুংঙো মহাক্কী অথোইবা ধামগী রূপ অদুবু মতম পুম্নমক্তা উজে ॥ জ্ঞানগী মঙান্দা লৈবরা মশাদা কামক্রোধন চিংবগী দোষ লৈত্রবা পণ্ডিতশিংনা বিষ্ণু ইবুংঙো মহাক্কী অথোইবা মশক অদুবু থিনৈ। ওঁ সত্যং উপনিষৎ অসি লোইরে, সত্য উপনিষৎ অসি লোইরে ॥৭৩-৭৪॥

উপনিষৎ অসিগী শান্তিমন্ত্র—ওঁ পূর্ণমদঃ পূর্ণমিদং পূর্ণাৎ পূর্ণমুদচ্যতে পূর্ণস্য পূর্ণমাদায় পূর্ণমেবা বশিষ্যতে ॥ ওঁ শান্তিঃ শান্তিঃ শান্তিঃ। হরিঃ ওঁ ॥

শুক্ল যজুর্ব্বেদগী মন্নং চন্না মুক্তিকোপনিষৎ অসিদা লোইরে।

গর্ভোপনিষৎ।

॥ ওঁ ॥ পরমাত্মনে নমঃ ॥ ওঁ ॥

ওঁ॥ পঞ্চাত্মকং পঞ্চসু বর্ত্তমানং ষড়াশ্রয়ং ষড়গুণযোগ-যুক্তং। তং সপ্তধাতুকং ত্রিমলং দ্বিযোনিং চতুর্ব্বিধাহারময়ং শরীরম্।।১।।

পঞ্চাত্মকমিতি কস্মাৎ, পৃথিব্যাপস্তেজো বায়ুরাকাশমিত্য-স্মিন্ পঞ্চাত্মকে শরীরে কা পৃথিবী কা আপঃ কিং তেজঃ কো বায়ু কিমাকাশম্। পঞ্চাত্মকে শরীরে যৎ কঠিনং সাপৃথি-বী, যদ্ দ্রবং তাআপঃ, যদুষ্ণং তত্তেজঃ যৎ সঞ্চরতি সবায়ুঃ যচ্ছু-ষিরং তদাকাশম্। তত্র পৃথিবী ধারনে আপঃ পিণ্ডীকরণে তেজ প্রকাশনে বায়ু ব্যূহনে আকাশমবকাশ প্রদানে পৃথগ্বর্থম্।।২।।

॥ ওঁ পরমাত্মা ঈশ্বরবু খুৎনজৈ ॥

॥ ওঁ ॥ গুরু (পিপ্পলাদ ঋষি) না শিষ্যগী মফমদা গর্ভগী রাফম তা-কপদা 'গর্ভ' হায়বা অসি মমা-মপাগী শরীরগা মরি লৈবা মরম্না শরীরগী মশক হান্না খঙহনই ॥ ওঁ ॥

গুরু—শরীর (হকচাং) হায়বা অসি পঞ্চভূতকী মশকনি, ধারণ (পুবা) নাচিংবা থবক মণ্ডা শব্দ শ্রবণ (মখোল তাবা) নাচিংবা থবক মণ্ডা অমসুং আনন্দ (নুঙাইবা) না চিংবা থবক মণ্ডা ৫ৗই, রস তকক্কী লৈফমনি। মাঙোন্দা গুণ তরুক লৈ, ধাতু তরেৎ লৈ, অমোৎপা অহুম লৈ। মহাক অনিদগী পোকই, চিঞ্জাক্ মখল মবিনা ওল্লকপনি।।১।।

শিষ্য—হকচাংবু পঞ্চভূত ৫গী মশক্কি তাকপিরে, মণ্ডা অদু করি করি ওইরবনো?

গুরু—পৃথিবী (লৈবাক), জল (ঈশিং), তেজ (মৈ), বায়ু (নুংশিৎ), অমসুং অকাশ (অতিয়া) মণ্ডা অসি পঞ্চভূতনি। মণ্ডা অসিনা হকচাং অসি শাবনি।

শ্রোত্রে শব্দোপলব্ধৌ ত্বক্ স্পর্শে চক্ষুষী রূপে জিহ্বা রসনে নাসিকা ঘ্রানে উপস্থ আনন্দনে অপান মুৎসর্গে বুদ্ধ্যা বুধ্যতি মনসা সঙ্কল্পয়তি বাচাবদতি। যড়াশ্রয়মিতি কস্মাৎ মধুরাম্ল-লবণ তিক্ত কটুকষায় রসান, বিন্দতীতি ষড়জ-ঋাষভ গন্ধার মধ্যম পঞ্চম ধৈবত নিষা-ধাশ্চেতীষ্টানিষ্ট শব্দ সংজ্ঞাঃ প্রনিধানাদ্দশবিধা ভবন্তি ॥৩॥

শিষ্য—পঞ্চ ভূতনা শাবা হকচাং অসিদা কবম্বা শকুক্লা পৃথিবীনো ? করম্বা শকুক্লা জলনো ? কবম্বা শকুক্লা তেজনো ? করম্বা শকুক্লা বাযুনো ? কবম্বা শকুক্লা আকাশনো ? তাকপীযু।

গুরু—পঞ্চভূতনা শাবা হকচাং অসিদা অকন্বা শকুক্লা পৃথিবী, মহি ওইগী শকুক্লা জল, অশাবা শকুক্লা তেজ কোইচৎ চৎপা শরুক্লা বাযু অমসুং অহাংবা শকরুা আকাশনি॥

শিষ্য—ধারননাচিংবা থবক ৫ শব্দ শ্রবণনচিংবা থবক ৫ অমদি—আনন্দনাচিংবা থবক ৫ তৌই হায়বা তত্ব করম্না তৌবনো ? তাকপিয়ু।

গুরু—হকচাং অসিদা য়াওরিবা পৃথিবীগী শকুক্লা হকচাং অসিবু পুই—(ফিরেপ অমদা লেংদনা লৈহল্লি), জল (ঈশিং) গী শবক্লা হকচাংগী পোৎ-শক অপুম্বা তাশিলহল্লি (নপশিন্নহল্লি) তেজগী শরুক্লা শাংহল্লি অমসুং মঙাল পী ; বাযু (নুংশিৎ) কী শরুক্লা অমগা অমগা শম্নহল্লি (মরি লৈনহল্লি) অমসুং আকাশগী শকুক্লা অহাংবা পীতুনা হকচাংগী পোৎশক অপুম্বা চাও-থোকপা অমদি ফন্দোকপা য়াহল্লি ॥২॥

গুরু—হকচাংগী শকুক ওইবা ইন্দ্রিয়শিংনা তৌবা থবক হায়গে—মাতুদি শ্রোত্র (নাকোং) অনিনা মখোল তাবগী থবক তৌই, ত্বক, (উনশা) না শোকপগী থবক তৌই, চক্ষুঃ (মিৎ) অসিনা য়েংবগী থবক তৌই। জিহ্বা (লৈ) না মহাও লৌবগী থবক তৌই, নাসিকা (নাতোন) অনিনা মনম লৌবগী থবক তৌই উপস্থ (ঈশিংথোং) ইন্দ্রিয়না হকতিন্নবা ক্রিয়াদা নুঙাইহনবগী থবক তৌই। অপান (শৌচথোং) না মলমূত্র থাদোক-পগী থবক তৌই, বুদ্ধিনা খঙবা হায়বা থবক তৌই, মন (পুকনিং) না ৱাখল খনবগী থবক তৌই অমসুং বাক ইন্দ্রিনা ৱা ঙাংবগী থবক তৌই।

সপ্তধাতুকমিতি কস্মাৎ শুক্লো রক্ত,” কৃষ্ণোধূম্রঃ পীতঃ কপিলঃ পাণ্ডুর ইতি। যথা দেবদত্তস্যদ্রব্য বিষয়া জায়ন্তে। পরস্পরং সৌম্যগুণত্বাৎ ষড়্বিধো রসঃ রসাচ্ছোনিতং শোনিতান্মাংসং মাংসান্মেদো মেদসঃ স্নায়বঃ স্নায়ুভ্যোঽস্থীনি অস্থিভ্যো মজ্জাঃ মজ্জাতঃ শুক্রং শোনিত সংযোগাদাবর্ত্ততে গর্ভো হৃদি ব্যবস্থাং নয়তি। হৃদয়েঽন্তরাগ্নিঃ অগ্নিস্থানে পিত্তং পিত্তস্থানে বায়ুঃ বয়ুতোঽহৃদয়ং প্রাজাপত্যাংক্রমাৎ ॥৪॥

শিষ্য—হকচাং অসি রস তরুক্কী লৈফমনি তাকপিখরে, রস তরুক অদু করি করিনো ?

গুরু—মধুর (অথুম্বা), অম্ল (অশিন্না), লবন (অয়াকপা), তিক্ত (অশাবা), কটু (অখাবা) অমসুং কষায় (অফকপা) অসুম্না রস তরুকনি। হকচাংনা রস তরুক অসি মশাদা লৌশিল্লি, অহুনা তরুক অসিগী লৈফমনি।

শিষ্য—হকচাং অসিদা গুণ তরুক লৈ তাকপিখরে, মাহু শদ্দোক্লা তাকপিয়ু।

গুরু সপ্তস্বর (স্বর তরেং) হায়বদি ষড়জ, ঋষভ, গান্ধার, মধ্যম, পঞ্চম, ধৈবত অমসুং নিষাদ স্বরতরেং অসিদা রাগিনা তরুক তরুক্লা মাখোয় খুদিংগী ওইবা রাগ তরুক (শ্রীরাগ, বসন্তরাগ, পঞ্চমরাগ, ভৈববরাগ, মেঘরাগ অমসুং নদনারায়ণরাগ) হায়বা গুণ তরুক অসি হকচাংদা লৈ। রাগ তরুক অসি শোকপা য়াবা হকচাংনি।

মথক্তা তাকখিবা পৃথিবীনা চিংবা পঞ্চভূত মঙাগী থবক মঙা অদু মাখোয় খুদিংমক ইষ্ট (অপাম্বা) অমসুং অনিষ্ট (পামদবা) অসুম্না অনি অনি থোক্তুনা ঙম্নমক্লা তরা ওই। অসুম্না জ্ঞানেন্দ্রিয় মঙাগী থবক মঙাসু অদুগা কর্ম্মেন্দ্রিয় মঙাগী থবক মঙাসু মাখোয় খুদিংমক ইষ্ট অমসুং অনিষ্ট হায়না অনি অনি থোক্তুনা তরা তরা ওই ॥৩॥

শিষ্য—হকচাং অসিদা ধাতু তরেৎ লৈ তাকপিখরে। ধাতু তরেৎ অদু করমতৌদুনা ওইবনো ? মখোয় অদু করি করিনো ?

ঋতুকালে সম্প্রয়োগা দেকরাত্রোষিতং কললং ভবতি. সপ্তরাত্রোষিতং বুদ্‌বুদং, অৰ্দ্ধমাসাভ্যন্তরে পিণ্ডং, মাসাভ্যন্তরে কাঠিনং, মাসদ্বয়েন শিরঃ, মাসত্রয়েন পাদ প্রদেশঃ, চতুর্থে গুল্‌ফজঠর কটিপ্রদেশাঃ পঞ্চমে, পৃষ্ঠবংশঃ ষষ্ঠে মুখনাসিকাক্ষিশ্রোত্রানি, সপ্তমে জীবনেন সংযুক্তঃ, অষ্টমে সর্ব্বলক্ষণ সম্পূর্ণঃ পিতুরেতোঽতিরেকাৎ পুরুষঃ মাতুরেতোঽতিরেকাৎস্ত্রী উভয়োর্ব্বীজতুল্যত্বানপুংসকঃ ব্যাকুলিতমনসোঽন্ধাঃ খঞ্জাঃ কুব্জাবামনা ভবন্তি ।৫।

গুরু—মীওইবগী(জীবশিংগী) চিঙ্গ'ক্কী মচু তরেৎনি মাতুদি অঙৌবা, অঙাংবা, অমুবা, মৈখু মচু, নাপু মচু, যোং মচু অমসুং ওইনা ঙৌবা মচু (অশংবদি অমুবগী মচুং চল্লি)। মীওইবনা মচু তরেৎকী পোৎশিং অসি চায। পোৎশিং অতুনা অমগা অমগা চানবা (তিন্নবা যাবা) মগুণশিং অতু চুংশিল্লগা বস ৬ কী মগক ওইনা ওল্লি। বস হায়বসি ধাতু নং৭ ধাতুগী হৌরকফমনি।

হৌজিক ধাতু তরেৎকী বাফম হায়গে—চাখিবা পোৎশিংগী রস তরুক অতুদগী (১) রক্ত (ঈ) পোকই, (২) ঈ অতুদগী মাংস (শদোং) ওই (৩) মাংস অতুদগী মেদ (মরেক-মহাও) ওই (৪) মেদ অতুদগী স্নায়ুশিং (অকুপ্পা হকচাং শিনথুংবা শিংলি মচাশিং) ওই (৫) স্নায়ুশিংদগী শরু ওই (৬) শরুশিং অতুদগী মজ্জা (তোং-তোংশা) ওই (৭) মজ্জাদগী শুক্র (যেন্) ওই (অসুম্না শুক্রদা রস তরুক অমসুং ধাতু তরুক্কী মচি ওইবা মচাকশিং অতু য়াওরে)। ঈ অমসুং এন অনি তিন্নবাদগী গর্ভগী শরুম ওই। ধাতুশিং অসি মচিগী মশক্তা থমোয়দা লৈবনি অতুগা থমোয় অতুদা মৈ পিত্ত, (তোন), কফ (লোক) বাত (মুংশিৎ) সু লৈ। মুংশিৎ অতুনা হুম্বদগী মথক্কী পোৎশকশিং য়াওরবা মপাগী থমোয়না 'প্রাজাপত্যক্রম'দা থবক তৌই। প্রাজাপত্যক্রম হায়বদি প্রজাপতি (ব্রহ্মা) না মশা অমতানা (মুপা মুপাগী মশক্তা অনি ওইখিবা অতুগুম্না মপাগী

অন্যোহন্যবায়ু পরি পীড়িত শুক্রঃ দ্বৈবিধ্যাদ্দ্বিধা তনুঃ স্যাদ্ যুগ্মাঃ প্রজায়ন্তে। পঞ্চাত্মকঃ সমর্থঃ পঞ্চাত্মিকা চেতসা বুদ্ধি গন্ধরসাদি জ্ঞানাক্ষরা ক্ষরমোঙ্কারং চিন্তয়তীতি তদেকাক্ষরং জ্ঞাত্বাষ্টৌ প্রকৃতয়ঃ ষোড়শ বিকারাঃ শরীরে তস্যৈবদেহিনঃ ॥৬॥

থমোয হায়বা খঙনবা পোৎশক (কারণগী মশক ওইবা) অতুহ্ অনিগী মশক্তা লাকই। নুংশিৎনা হুম্বদগী মৈ অমদগী মী অমা থোকখিবা অমদি লৈরাংদগী নমম থোকখিবা গুণনি ; হান্নগী মকগী মশক কাযক লৈতে ॥৫॥

মথক্কী মৈ অমনা অনি থোকপগী বাকম অসি মমাগী লৈশাংপা মওমদা মপানা লেব হুনবদা ওইবনি। নিপাগী বীর্য্য অতুনা নুপী মশাগী ঈনাচিংবা ধাতুশিং অতুবু ফগৎহল্লি। অসুম্না লৈ শাংপা কালদা নিপা নুপী অনি তিন্নবদগী থোরকপা অনিগী শুক্র অমসুং ঈ অতু পুনশিল্ল ॥ মমাগী গন্দা মহীগী নশক ওইনা লৈবা অতু নেংমা হেল্লবদি খব নংশিন্না নশক ওইরে, মাতুনা নুংশিৎ তরেৎনা হেনবদি কোঙ্গোনগুম পোংখৎপা নকোইগী মশক ওইরে, মাতুনা অমক থানখাই অমগী মনুংদদি মতুম ওইরে, মতুম অতু থা অমগী মনুং দদি অবগা মতুম ওইরে থা অনিগী মনুংদা মতুম অতুদগী কোক থোক্লক্তুনা কোক পাল্লে, থা অহুমদা মখোং পাল্লে, থা মরিশুবদা খুৎনিং, পুক অমসুং খাং পাল্লে। মঙাশুবা থাদা নংগন, তরকশুবা থাদা মাই, নাতান, মিৎ অমসুং নাকোং পাল্লি। তরেৎশুবা থাদা অহিংবগী খুদম ফাওরে হায়বদি লেংবনাচিংবা ঊমলে। নিপানশুবা থাদা হকচাংগী কযাৎ পুন্নমক শুনা পাল্লে। স্ত্রী পুরুষ অনিগী সম্ভোগ কালদা মপা ওইবগী বীর্য্য হেনখ্রবদি গর্ভ অতু নিপা ওই, মমা ওইবগীনা বীর্য্য হেল্লগনা নুপী ওই। অতুগা মমা মপা অনিগী বীর্য্যনা মতম অতুদা অথোই অহেন লৈতনা চপ মান্নবা মতমদা ওইখ্রবদি গর্ভ অতু নপুংসক (ফৈদা) নত্রগা চিঙ্গা পুবা নত্রগা মমিৎ তাংবা নত্রগা মখোং শোইবা নত্রগা মনম পোন্না নত্রগা মথিক নেম্বা মচা ওইনা পোকই ॥৫॥

ধাতু তরেৎ অমসুং মৈগা লোযননা লৈবা নিপা নুপীগী থমোইগী নুংশিৎনা কন্না যৈতুনা মখোয় অনিগী বীর্য্য অমসুং ঈ অতু শকক অনিদা খায়দোকখ্রবদি যুগ্ম সন্তান হায়বদি ফাইবোক ওইনা অঙাং অনি পোকই।

অথ মাত্রাশিতপীত নাড়ীসূত্রগতেন প্রাণ আপ্যায়তে। অথ নবমে মাসি সর্ব্বলক্ষন জ্ঞানসম্পূর্ণোভবতি, পূর্ব্বজাতিং স্মরতি, শুভাশুভঞ্চ কর্ম্ম বিন্দতি। পূর্ব্বযোনিসহস্রানি দৃষ্টা চৈব ততো ময়া। আহারাঃ বিবিধাভুক্তাঃ পাতা নানাবিধাঃ স্তনাঃ জাতশ্চৈব মৃশ্চব জন্মচৈবাপুনঃ পুনঃ। যম্ময়া পারিজনস্যার্থে কৃতং কর্ম্ম শুভাশুভম্। একাকী তেন দহ্যেহহং গতা স্তে ফল ভাগিন ॥৭॥

লৈপাক্লাচিংবা পঞ্চভূতনা শেম্লবা অসিগুম্বা পিণ্ড হাযবদি হকচাংনা শখল থংবনাচিংবা থবক তৌবা ওমই মবম দ মাংখান্দা চিত্ত (মন) তৌবা মনুংগী ইন্দ্রিয ওমদি দিহ মং—শব্দ (মাখোল), রূপ (মশক মচা), রস (মহাও), গন্ধ (মনম), স্পর্শ (তই-শশানচবা), খংবা ঙম্বা বুদ্ধি হাযবা পোংশক অদু যাওই। চিত্তমা মবম ওইদুনা বুদ্ধিনা বিষয মং বু মশক খংডও। মী লাইনা চিংনবী হকচাংদা য ওবা বুদ্ধিন। চিত্তগী পাম্বৈনা অনিত্য বস্তু (মাংবা নাইবা পোংশক) অনস্রং নিত্যবস্তু (তাবপ্লা-মাংদবা) ব্রহ্মবস্তু খংবা ওমই। জীবাত্মগী লৈযম ওইবা অসিগুম্বা হকচাং তসিদা প্রবৃত্তিগী তত্ত্ব ২৭ (স্ব ম শম্বর্গী মচাক বলনাব) শুনা যাওই মাতুদি—(১) মূল প্রকৃতি (মক ওইবা তত্ত্ব পুম্নমক্বী হৌববগা) (২) মহত্ত্ব (বুদ্ধি) (৩) অহঙ্কার (ঐ হাযবা মনুংগী পোংশক অমা) (৪) শব্দ (মাখোল) (৫) রূপ (মশক-মচু) (৬) রস (অথুম্নাচিংবা মহাও) (৭) গন্ধ (মনম) (৮) স্পর্শ (শোক্লগা খংবা তই-অশানচিংবা) (৯) মন (পুকনিং) (১০) চক্ষু (মিৎ কৌবা ইন্দ্রিয) (১১) কর্ণ (নাকোং-তানবগী ইন্দ্রিয) (১২) নাসিকা (নাখোন-মনম লৌনবগী ইন্দ্রিয) (১৩) জিহ্বা (মরি-মহাও খংনবগী ইন্দ্রিয (১৪) ত্বক, (উন—তইং অশ নাচিংবগী খংনবগী ইন্দ্রিয (১৫) বাণী (ৱা ঙাংনবগী ইন্দ্রিয (১৬) পাণি (খুৎ-পাহবানচিংবা তৌনবা ইন্দ্রিয (১৭) পাদ (খোং—চৎপনচিংবা তৌনবগী ইন্দ্রিয) (১৮) পাযু (শোচাথাং-অমাংবা পুথাক্লবা ইন্দ্রিয) (১৯) উপস্থ (ঈশিং থোং) (২০) পৃথ্বী (লৈপাক) (২১) জল (ঈশিং) (২২) তেজ (মৈ) (২৩) বায়ু (নুংশিৎ) (২৪) আকাশ (অতিযা) অসিনি। ৬।

মমাগী গর্ভদা লৈবা অঙাং অদুগী মখোইদোদা পানবা মমাগী থমোয়গা শম্নবা নাড়ী (খোইরি) অমা লৈ। মমানা চাথ্রিবা থকখিবা চিঞ্জাক্কী রস অদুনা খোইরিগী মনুংদা চংদুনা অঙাংগী মশাদা যৌই, মাদুনা মাগী মথক্লাই পেল্লি অমসুং মশা চাওবা হেনগৎলে। মথংদা

অহো দুঃখোদধৌ মগ্নোনপশ্যামি প্রতিক্রিয়াম্।
যদি যোন্যাঃ প্রমুচ্যেহহং তং প্রপদ্যে মহেশ্বরম্।
অশুভক্ষয় কর্ত্তারং ফলমুক্তি প্রদায়কম্।
যদি যোন্যাঃ প্রমুচ্যেহহং তং প্রপদ্যে নরায়নম্।
অশুভক্ষয় কর্ত্তারং ফলমুক্তি প্রদায়কম্।
যদি যোন্যাঃ প্রমুচ্যেহ তং সাংখ্যং যোগমভ্যসে
অশুভ ক্ষয় কর্ত্তারং ফলমুক্তি প্রদায়কম্।
যদি যোম্যাঃ প্রমুঞ্চামি ধ্যায়ে ব্রহ্ম সনাতনম্ ॥৮॥

থা মাপল শুবা কালদা গর্ভগী অঙাং অদু লক্ষণ পুম্নমক হায়র্দি ঈ-ওইবনা চিবী নংক চাদনা হৌচাং কপাং পুম্নমক অমদি জ্ঞান পুম্নমক লৈবা হাইর্দ উবা-ভাবনচিবা জ্ঞান পুম্নমক য়াওবা মংক ওইরে। মতম অদুদা মচাক্কা মহাক্কী মথক্কী মপোক কয়া নিংশিংবা ঙমই অদুগা মপোকশিং অদুদা তৌথিবা ভকবা অমসুং ফংবা কর্মশিং হৌদুনু নিংশিংবা খঙবা ঙমই।

থা মাপলদা মপুং ফারবা গর্ভদা লৈবা অঙাং অদুনা থল্লকই মাহুদি ঐ অসে মথক্কী মপোক কয়াদা লিশিং লিশিংনা খুজিং ওইবা যোনিশিংদা কোইচং চংলুরে, মথল মথেল কয়াগী ভোগ চাকুরে, মথল কয়াগী মমা ওইবগী অমৃত থক্লুরে। অমুক পোক অমুক শি অমুক অমুক পোক শি—অসুম্না হন্না হন্না পোকপা হন্না শিবাসি তৌরক্লে। ঐ অসিনা মপোক কয়াদা ইমুং মনুং য়োন্নবা অফ ফত্ত কর্ম কয়া তৌই অদুবু মাখোয়না ঐনা তৌখিবা কর্মগী ফলওইনা অৱা অনা চিংবা ফংদে। ইশা ঐহাক্তমক অফ ফত্ত কর্মশিং অদুনা পুনশিন্দুনা হন্না হন্না পোকপগী সংসারগী মৈচাক্কা চাকপা ওইবি ॥৭॥

ওনাথোকপনি! ঐহাক অসে অৱাবগী ঈপাক্তা লুপতুনা লৈরে, মসিদগী নাম্থোক্নবা উপায় অমতসু উবা ফংদরে। হন্দাক্তি ইমাগী পোক-ফম অসিদগী মপান হেক, থোকপদা ঐগী ফত্তবা পাপ পুম্নমক মাংহন-বিবা। ওহ্বা ভমদি মুক্তি কৌবা যল অদু পীনবীগদবা আচৌবা মপু মঙোন্দা চংজগে। যোনি (লাকফম) অসিদগী মপান হেক থোকপদা

অথ যোনিদ্বারং সংপ্রাপ্তো যন্ত্রেণাপীড্যমানো মহতা দুঃখেন জাতমাত্রস্তু বৈষ্ণবেন বায়ুনা সংস্পৃষ্টস্তদা ন স্মরতি জন্মমরণানি ন চ কর্ম্ম শুভাশুভং বিন্দতি ॥৮॥ শরীরমিতি কস্মাৎ অগ্নয়োহ্যত্র শ্রিয়ন্তে জ্ঞানাগ্নি র্দর্শনাগ্নিঃ কোষ্ঠাগ্নিরিতি। তত্র কোষ্ঠাগ্নির্নাম অশিত পীতলেহ্যচোষ্যং পচতি। দর্শনাগ্নি রূপানাং দর্শনং করোতি। জ্ঞানাগ্নিঃ শুভাশুভঞ্চ কর্মাবিন্দতি। ত্রীনি স্থানানি ভবন্তি মুখে আহবনীয় উদরে গার্হস্পত্যো হৃদি দক্ষিণাগ্নিঃ ॥৯॥

পাপ পুন্নমকপু মাংহনবিবা অমদুং অনান খুদম পীনবীব। পুন্নমক্কী দুঃখম ওইব। ভগবান মাঙোন্দা চ জগে। গর্ভ অসিদগী পোকপা হাযবা অদু ওইববা মতমদা সাংখ্য যোগকী অভ্যাস তৌগে হাযবদি অত্ম দুঃখ খংনবা হোৎনগে। হন্দক্ক শোযবদনবক ইমাগী যোনি অসিদগী মপান হেক থোকপদা চংজবিবশিংগী ফত্তবা দোষ পুন্নবপু মাংহনখিব। অদুগ সংসাব অসিদগী নানাথাকপা মক্তি হাযবদুবু পীনবীবা অবেঙ্ক। ব্রহ্ম মহাকপু ঐহাক নিংগে ॥৮॥

অস্তম থন্না থনা তুংদা পোকফম (যোনি) গী থোং অহু যোবে। মতম অদুদা নাওযোম্না লাবশিন্নবশা অদুদা যান্না বানা মহাক পোকলে। হেকপোকপগা ভগবানগী মাযাগী মশক ওইবা নুংশিৎনা মাঙোন্দা হৈবদা মহাক অদো। মথক্কী পোকপা শিবগী রাক্ষম পুন্নমক লোযনা কাওই অদুগা অফ-ফত্তা কর্ম্মশিংস্তু মশক খংদরে ॥৮॥

হকচাং অসিবু শরীর কৌবগী মবম করিনো ? শীর্ণ ওই হাযবদি হন্থবা ৎশিনক্কবা ওই হাযদু। শরীর কৌবনি। হকচাং অসিদা মথল অহুমগী মৈ লৈ, মাদুদি (১) জ্ঞানাগ্নি (২) দর্শনাগ্নি (৩) কোষ্ঠাগ্নি। কোষ্ঠাগ্নি (পুককী মৈ) কৌবা মৈ অসিনা শাযদুনা লেক্কুন চুপ্পনা চাখিবা অমদি থবখিবা পোৎ পুন্নমক তুমহল্লি। দর্শনাগ্নিনা মচু লৈবা পোৎশিংগী উবাগী থবক অহু তৌই। জ্ঞানাগ্নিনা অফবা নত্রগা ফত্তবা কর্ম্মশিংবু

আত্মা যজমানো মনো ব্রহ্মা লোভাদয়ঃ পশবঃ
ধৃতির্দীক্ষা সন্তোষশ্চ বুদ্ধীন্দ্রিয়ানি যজ্ঞ পাত্রানি
কর্ম্মেন্দ্রিয়ানি হবীংষি শিরং কপালং কেশাদর্ভাঃ
মুখমন্তর্ব্বেদিঃ ॥১০॥
চতুষ্কপালং শিরঃ ষোড়শ পার্শ্বদন্তপটলানি সপ্তোত্তরং
মর্ম্মশতং সাশীতিকং সন্ধিশতং সনবকং স্নায়ুশতং
সপ্তশিরা শতানি পঞ্চমজ্জাশতানি অস্থীনিচ
হ বৈ ত্রীনি শতানি যষ্টি সার্দ্ধচতস্রো রোমানি
কোট্যো হৃদয়ং পলান্যষ্টো দ্বাদশপলানি
জিহ্বা পিত্ত প্রস্থং। কফস্যাঢ়কং শুক্রং কুডবং মেদ

ন ৃ থ ন ী ।বং ৌট ু বিবা ৈম অহুন অদিগী ৈলকম অহুমনি।
দশ।গি থন। • ন • ম্ শাবনীথ কৌহুনা চিনদা ৈল। কোষ্ঠাগ্নি
ও সর্সিনা • ম হাপন্দ কৌহ্নিা প ু দা ৈল। অহুগা জ্ঞানাগ্নি হাযবসি•
• মশি দফন গ্ন কৌহুনা থ নসদা ৈল॥৯॥

ৈম অহুনমি সগাদ ভাক্রবা ভু দা হকচাং অসিদা জীবাত্মানা ভৌবিবা
হবকপ্ন যজ্ঞগী ম•ক ও•ন বর্ন ন ে ৈবি;—আত্মানা শবি ব অসিগী মপুনি
স•ন অসিনা যজ নহাযবদি যজ্ঞকর্ত্তানি; পুকনি না ব্রহ্মাগী মশক্কি; কাম
লোভনাচ বান। ব লগী শ শংগী মশক্কি, ধৃতি অমসুং সন্তোষনা যজ্ঞগী
দীক্ষানি, জ্ঞ নেন্দ্রিয় মডানা যজ্ঞ ী পাত্র ী মশক্কি, কর্ম্মেন্দ্রিয় মডানা হোম
ভৌনবা পেৎন ী মশক্কি; কোবনা কপালনি; শমশিংনা কুশগী মশক্কি
অহুগা চিন অসি যজ্ঞবদি ী মনুংগী মশক্কি। অহুম্না যজ্ঞ ী মচাক পুম্নক
অসিনা জীবাত্মানা হোম ভৌবিবনি। ১০॥

হকচাং অসি ী অঙ্গশিং অহুবু অহুম্না ভাকলি. মাতুদি কোকতা
কপাল (চকু মচেৎ মান্না কোম্না শক) ৪• লৈ। ছুয়াশাবা মফম ১৬
হবচাং অসিদা নাক ১৬, নাকপাক ১৬, অথুপ্পা মফম ১•৭, তাইনফম ১৮•
লংগুন্না কুপ্পা শিংলি ১•৯, ঈপুবা শিংলি ৭••, পেশী (মসল) ৫••, শক

প্রস্থৌ দ্বাবনিষতং মুত্র পুরীষ মাহার পরি মানাৎ।
পৈপ্পালাদং মোক্ষ শ্রাস্ত্রং পরিসমাপ্তম্।
পৈপ্পালাদং মোক্ষ শ্রাস্ত্রং পরিসমাপ্তম্॥১১॥
ইতি কৃষ্ণ যজুর্ব্বেদ গতা গর্ভোনিষৎ সমাপ্তা॥

৩৬০, রোম (তূ) কোটি মরি মথাই, রস (মহী) পল ৮, ঈশিং পল ১২, পিত্ত (তোন) প্রস্থ ১, কফ (লোক) আঢ়ক ১ শুক্র (য়েন) কুডব ১; মেদ (মরেক অমদি মহাও) প্রস্থ ২ লৈ। অমাংবা অনস্থং হক্কী ঈশিংগী চাং লেপ্পা য়াদে অনি অসিগাদি চাখিবা থকখিব। অতুগী মতুং ইন্না য়াম্বা য়ামদবা চাং অতু ওই।
মতাং অসিদ। পিপপাদ ঋষিনা তাকপা মোক্ষ শাস্ত্র লে ইরে॥১১॥

কৃষ্ণ যজুর্ব্বেদগী মন্নুংদা লৈবা গর্ভোপনিষদ্ লোইরে।

ব্রহ্মোপনিষৎ।

ওঁ নমো ভগবতে বাসুদেবায়॥ ওঁ॥

ওঁ॥ শৌনকো হবৈ মহাশালোঽঙ্গিরসং ভগবন্তং পিপ্পলাদং পপ্রচ্ছ॥১॥

দিব্য ব্রহ্মপুরেসম্প্রষ্ঠিতা ভবন্তি কথং সৃজন্তি কস্যৈষ মহিমা বভূব যোহ্যেষ মহিমা বভূব, কএষ॥২॥

তস্মৈ সহোবাচ ব্রহ্মবিদ্যাং বরিষ্ঠাং প্রাণো হ্যেষ আত্মা আত্মনো মহিমা বভূব॥৩॥

ওঁ ভগবান, বাসুদেববু খুকুমজে।

নোংমগী নুমিত্তা গৃহস্থ অথোইবা শৌনক ঋষিনা অঙ্গিরাগী বংশদা পোকপা পিপ্পলাদ কৌবা ঋষিদা মখাগী ৱাহং মরি অসি হংখি॥১॥

মাতুদি (১) বাগ,নাচিংবা ইন্দ্রিয় পুবা লাইশিংগী লৈফম ওইবা অমাদ ব্রহ্মজ্ঞান ফংফম ওইবা হকচাং অসিদা ইন্দ্রিয়শিংনা কন দা তুংফম ওই-তুনা করম তৌনা লৈবনো? (২) ইন্দ্রিযশিংনা কনাগী মপাঙ্গলনা মাখোয-মখোযগী বিষযদা চংতুনা লৈবনো? (৩) হকচাং অসিগী চাওখৎপনচিংবা ওইরিবা অসি কনাগী মতিক-মগুণননো? (৪)। অতুগুম্বা মতিক মগুণগী ওইবা মহাক অদো কনানো? ॥২॥

পিপ্পলাদ ঋষিনা ওহাক, ৱাখল তৌরগা হংলিবা ৱাহংশিং অতু ব্রহ্মবু হংবা ওইবনা শৌনক ঋষিগী মফমদা মখাগী অসুম্না অথোইবা ব্রহ্মবিদ্যা তাকখি,—ইন্দ্রিয়পুবা লাইশিংগী তুংফম ওইবা অমসু, মহাক, অতুগী পাঙ্গলনা ইন্দ্রিয়শিংনা মাথোয়গী বিষয়দা চংতুনা মথৌ তৌবা—অসুম্বা মতিক মগুণগী ওইবা মহাক অতুবু "পুম্নমক্কী প্রাণগী মশক ওইবা আত্মা" অসুম হায়না খংউ। হকচাংগী চাওখৎলিবা পুম্নমক অসি আত্মা অসিগী মহিমানি॥৩॥

দেবানামায়ুঃ স দেবানাং নিধনমনিধনম্ ॥৪॥
দিব্যে ব্রহ্মপুরে বিরজং নিষ্কলং শুভ্রমক্ষরং
যদ্ ব্রহ্ম বিভাতি স নিযচ্ছতি ॥৫॥
মধুকর রাজানং মাক্ষীকবৎ। যথা মাক্ষিকৈকেন
তন্তুনা জালং বিক্ষিপতি তেনাপকর্ষাত তথৈবৈষ
প্রাণো যদা যাতি সংসৃষ্টমারুষ্য ॥৬॥
প্রাণ দেবতা স্তাঃ সর্ব্বা নাড্যঃ সুস্বপে শ্যেনা।
কাশবৎ। যথা খং শ্যেনমাশ্রিত্য স্বালয়মেবং
সুষুপ্তঃ ॥৭॥

বাক্না চিংবা ইন্দ্রিয়শিং পুবা [illegible]শিংগী জীবন অত্মা অসিনি [illegible] [illegible] অ[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লেবনি। [illegible] অসন [illegible] জীবণ [illegible] [illegible] মখা [illegible] [illegible]॥৪॥

অত্মা [illegible] কদ[illegible]দা [illegible] [illegible] [illegible] নি[illegible]জরণ ব্র[illegible] খংক[illegible] [illegible] হন্‌চাং অসিদা ম[illegible]বা [illegible] [illegible] [illegible], ম[illegible]গী মশক [illegible] [illegible] [illegible] ব্র[illegible] ([illegible]) [illegible] [illegible]। মহাত্মা [illegible] [illegible] চি[illegible] ইন্দ্রিয়শিংবু [illegible] [illegible] [illegible] চংলি ॥৫॥

[illegible] মহক [illegible] ইন্দ্রিয়শিংবু [illegible] [illegible] খঞ্জব। জীব [illegible] ও আত্মা [illegible] কই [illegible] [illegible]খো [illegible]। মি কৌবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মশাদগী [illegible] [illegible] ওইবা [illegible] পুথোব্রবগা। অদুগা [illegible] অত্না অমুক [illegible] [illegible]। মিরাং অন্ত চি শিনখিবা অত্নুগুহনি জীবাত্মা অসিনা সুষুপ্তিবদে। হবচাংদগী মপন থোকপদা বাক্‌নাচিংবা ইন্দ্রিয় পুং[illegible]কপু মশাদা চিংশিল্লগা পুড়্না চংলি। ৬॥

জীবাত্মানা বাক্‌না চিংবা ইন্দ্রিয়শিংবু চিংশিনবা অসি হবচাংদা লৈবা সুষুপ্তনাচিবা মরি শিংনা থোং ওইদুনা তৌবনি। শিংলিশিং অসিগী দেবতা হায়বদি মপু প্রাণগী মশক ওইবা আত্মানা ওই। আত্মা লৈবা মরমদগী মাখোয়না মাখোয়গী মখো পাংথোকপনি। শ্যেন পক্ষী

ভ্রূতে যথৈবৈষ দেবদত্তো যষ্ট্যাদিনা তাড্যমানো
ন যাতি। এবমিষ্কা পূর্ত্তেঃ শুভাশুভৈ ন লিপ্যতে ॥৮॥
যথা কুমারো নিষ্কাম আনন্দ মুপযাতি
তথৈবৈষ দেবদত্তঃ স্বপ্নে আনন্দ মভিযাতি ॥৯॥
বেদ এব পরং জ্যোতি র্জ্যোতিষ্কাম জ্যোতি
রানন্দয়তে ॥১০॥
ভূয়স্তেনৈব স্বপ্নায় গচ্ছতি জলোকাবৎ। যথা
জলোকা অগ্রমগ্রং নয়ত্যাত্মানং নয়তি পরং সন্ধয়

(খৃমু-খৃং) না অতিগাগী মতংনা মহাক্নী মকানদা চংবা অতুগুম্না সুষুম্নানা চিংবাগী মতংনা সুষুপ্তিগী মতমদা জীবাত্মানা ব্রহ্মদা চংই তিল্লি ॥৭॥

মাতু করমদোনা খংবগে হায়বর্ সুষুপ্ত বাক্তিনা (মং নংদনা যাম্না নুঙাইনা তুম্মবা মীনা) হৌগৎলগা হংয মাতুদি ঐহাক অসি যাম্না নুঙাইনা তুম্মুব হায়বদি যাম্না নুঙাইনা লৈকব। মাসিদগী খংবা ওন্মি, মহাক নুঙাইবগী মশক ওইবা ব্রহ্ম অতু ফংলুরে। অফ ফত্ত কর্ম্ম মযামগী সংস্কার লৈবা জীবনা সুষুপ্তি অবস্থাদা কবয়া ব্রহ্মফংবা য়াগনি? মাসিগী পাউখুমদি অসিনি—কনাগুম্না মং মংদনা নুঙাইনা তুম্বা মী অমনা চৈনা য়েরবস্তু মহাক্ চেল্লোই মরমদি মাংোন্দা করিগুম্না পোৎশক অমগী জ্ঞান লৈতে, কেবল নুঙাইবগী ইপাক্তা লৈবনি। অমুম্না মাঙোন্দা কর্ম্ম ফলগী অপাম্বা লৈতবনা যাগ-যজ্ঞনা চিংবা কর্মশিংগী ফল মাঙোন্দা চংদে ॥৮॥

সংসারগী বিষয়গী অপাম্বা খংদ্রিবা অঙাং মচানা মতম পুম্নমক্তা নুঙাইদুনত লৈবা অতুগুম্না সুষুপ্তিগী অবস্থাদা জীবসু মতম অতুদা অপাম্বা লৈতবনা আনন্দ (নুঙাইবা) ফংই। ৯॥

সুষুপ্তিগী অবস্থাদা করিগুম্বা অতোপ্পা জ্ঞান অমত লৈতবা মরম্না জীবনা করম্না নুঙাইবা ফংই? পাউখুমদি অসিনি মাতুদি ব্রহ্ম ফংলবা মীশক্না কেবল মাত্র অথোইবা মঙানগী মশক ওইবা পোৎশক অতুতমক খংই। মঙানগী মশক ওইবা পোৎশক অতু আনন্দগী মশকনি মরম অসিনা সুষুপ্তিদা নুঙাইবা (আনন্দ) তুতমক খংবা ওই। ১০॥

যং পরং নাপরং ত্যজতি স জাগ্রদভিধীয়তে ॥১১॥
যথৈবৈষ কপালাষ্টকং সন্নবতি অমেব স্তন ইব
লম্বতে বেদ দেব যোনিঃ ॥১২॥
যত্র জাগ্রতি শুভাশুভং নিরুক্তং অস্য দেবস্য
সম্প্রসারোহন্তর্যামী খগঃ কর্কটকঃ পুষ্করঃ
পুরুষঃ প্রাণো হিংসা পরাপরং ব্রহ্মাত্মাদেবতা
বেদয়াত ॥১৩॥

জীবাত্মানা সুষুপ্তিগী অবস্থা ফংখিবা লৗ অতুমক্তা অমুক হল্লকুনা স্বপ্নগী অবস্থাদা (মলানগী যিবমদা) চৎলি। বাকযেনা ৎৌবগুম্বনি কাবযেন মানা ৎোংলিবা নাপী মরোন অদুদগী লান্থনা অন্দাপন মফম অমা ফংলবা কালদা হান্নগী নাপী মাকোন থাদোকপাগুং। জীবনা স্বপ্নগী অবস্থা যংদবদ হান্নগী সুষুপ্তি অবস্থা অদু থাদোকই অদুগা জাগ্রৎ অবস্থা ফংলগা স্বপ্ন অবস্থা অদু থাদোকই। অস্রুমা শিব কালদসু আশাপ্পা দেহ ফলগা হান্নগী দেহ অদু থাদোকই। মং ফাওবা মংদনা নুঙাইনা ুম্বু সুষুপ্তি কৌই। মং মংদুনা তুম্বু স্বপ্ন কৌই। তুমদনা অফবা কর্ম্ম নত্তবা যওবা কর্ম্মনাচি বা তৌবগী ফিবমদা লৈববু জাগ্রৎ কৌই। ১১॥

আত্মা অমত্ত ওইরবসু কনাগুম্বা নীওইনা কপাল (চযুগী অর্দ্ধ অংশ) নিপান অমুক্তদা পুত্থনা চৎপাগুম মহাকনা অবস্থাশিং অসি পুবনি। মশক অমত্তা ওইবী মুপী অমদা থুপচিনবা অমদি ফন্দোকপা মওংগী স্তননা লৈবাগুম ফোংদোকপা অমদি থুপখিবা অবস্থা অনিসু আত্মাদা লৈ॥ অদুগা জাগ্রৎ অবস্থাতনা অফ-ফত্ত কর্ম্ম ৎৌবগী অমসুং মাত্থগী ফলগী কারণ ওই ॥১২॥

জাগ্রৎ অবস্থাদা পুরুষ (আত্মা) অসিনা অফবা অমসুং ফত্তবা কর্ম্মশিং ৎৌবা অদুগা মাত্থগী ফল ফংই হায়না থোই দাক্লা হায়। অসিনা স্বপ্ন অবস্থাদসু মরি খর মথৈদি ৈল হাযবা তাকই। পুরুষ অসিদগী লোক অসি শন্দোক্লকপা (পোকপা) ওইবনি। মহাক অসে অন্তর্যামীনি হায়বদি দেহগী মনুংদ লৈরগা ইন্দ্রিয়শিংবু মহাক্লা মথৌ তৌহল্লি। অতোপ্পা মফমদা

স এবং বেদ স ব্রহ্মধাম্ ক্ষেত্রজ্ঞমুপৈতি
স পরং ধাম ক্ষেত্রজ্ঞমুপৈতি ॥১৪॥
অথাস্য পুরুষস্য চত্বারি স্থানানি ভবন্তি
নাভিঃ হৃদয়ং কণ্ঠং মুর্দ্ধেতি ॥১৫॥
তত্র চতুষ্পাদং ব্রহ্ম বিভাতি ॥১৬।
জাগরিতং স্বপ্নং সুষুপ্তং তুরীয় মিতি। জাগরিতে
ব্রহ্মা স্বপ্নে বিষ্ণুঃ সুষুপ্তেরুদ্রঃ তুরীযে পরমক্ষরম্ ॥
স আদিত্যশ্চ বিষ্ণুশ্চেশ্বরশ্চ স পুরুষ স প্রাণঃ

লৈবা প্রোৎ লৌই উচক্কা মান্নে হায়ত্না মহাকপু খগ কৌই। মনিংতম্না খোইনা চংলি বাইখুগুনই হায়না ককটক কৌই। মহাক্না পুম্নমকপু নোই পেলহল্লি। মহাক অসে ইকচাংগী মশক ওইবা পুবদা লৈবদগী পুরুষ কৌই। প্রাণবায়ুগী মপু ওইবনা মহাক পুম্নমক্কী প্রাণ ন। মাংহনবগী থবক তৌবন মহাক আস হিংসকসু ওই মহাক অস অকার্যক বণগী মশক ওইবা ব্রহ্মান। মহাক দেহ খুদিংদা লৈবা আত্মান। দেবতা হায়ববু নহাক্কি মহাক্না পুম্নমক থই অমসুং থংহল্ল। ১৩।

হায়বিবা তসুম্না আত্মাবু নিংথিনা মশক থংলবা মীওই অতুদি পুম্নমক্কা তুংফম ওইবা অথোইবা ব্রহ্ম ক্ষেত্রজ্ঞবু ফংলবান। মীওই অতু দ পুম্নমক্কী তুংফম ওইবা ব্রহ্ম ক্ষেত্রজ্ঞবু ফ লবনি ॥১৪॥

পুরুষ মহাক অসি মফম পুম্নমক্তা লৈবনি। অতুবু হকচাং অসিদা মহাক্কী লৈফম মরিথক লৈ হায়বদি মফম মবিসিদা ধ্যান তৌবদা মহাক থুনা প্রকট ওই, মতুদি (১) নাভ (মণিপুব চক্র, (২) হৃদয (অনাহত চক্র) (৩) কণ্ঠ (বিশুদ্ধ চক্র) (৪) মস্তক (আজ্ঞা চক্র)। মূলাধারনা চিবা ধ্যান তৌফম লৈরবগা অথোইবা ওইনা মবি অসিতবু উৎপনি ॥১৫॥

হায়বিবা মফম মবি অসিদা মথোং মবি ওইবা ব্রহ্মনা থোইদোক্না ঙান্দুনা লৈ ॥১৬॥

স জীবঃ সোঽগ্নি সেশ্বরশ্চ জাগ্রৎতেষাং মধ্যেষৎ পরংব্রহ্ম বিভাতি ॥১৭॥
স্বয়মমনস্ক মশ্রোত্রমপানিপাদং জোতির্বর্জ্জিতম্ ।
তত্র লোকা ন লোকাঃ দেবা ন দেবাঃ বেদা ন বেদাঃ যজ্ঞা ন যজ্ঞা মাতা ন মাতা পিতা ন পিতা স্নুষা ন স্নুষা চণ্ডালো ন চণ্ডালঃ পৌল্কসো ন পৌল্কসঃ শ্রমনো ন শ্রমনঃ পশবো ন পশবঃ তাপসো ন তাপস ইত্যেকমেব পরং ব্রহ্ম বিভাতি ॥১৮॥

মথাং মরিক্তদি (১) জাগরিত (২) স্বপ্ন (৩) সুষুপ্ত (৪) তুরীয় অসিনি। ব্রহ্ম (আত্মা) মথাং মরি পানদা নত্তে, থংবদা মাতং ওইনা কপ্পনা তৌরকপত্তনি। তুমদনা ফিবমদা লৈবনা জাগরিত, মংলানগী ফিবমদা লৈবনা স্বপ্ন, মং ফাওবা তুমদনা নিংথিনা তুম্বগী ফিবমদা লৈবনা সুষুপ্ত অদুগা ফিবম অহুমসিগী মথংদা লৈবনা তুরীয় (মরিশুবা) কৌই। জাগ্রৎ অবস্থাগী ওইবা আত্মাবু ব্রহ্মা, স্বপ্নাবস্থাগী ওইবা আত্মাবু বিষ্ণু, সুষুপ্তি অবস্থাগী ওইবা আত্মাবু রুদ্র অদুগা অবস্থা অহুমসি নংবা অবস্থাগী ওইবা আত্মাবু পরম অক্ষয় (পরমাত্মা) কৌনৈ। অবস্থা অহুমগী ওইবা আত্মাবু (জীবাত্মা) কৌনৈ। অসুম্না মখোং মরিগী মওংদা লৈবিবা ব্রহ্ম অসিবু আদিত্য কৌই, বিষ্ণু কৌই, ব্রহ্মা কৌই রুদ্র কৌই, পুরুষ কৌই, প্রাণ কৌই, জীব কৌই, অগ্নি কৌই, ঈশ্বর কৌই। জাগ্রৎনা চিংবা অবস্থা মরিদা মঙালগী মশক ওইবা পরম ব্রহ্মনা ঙান্দুনা লৈবিবনি ॥১৭॥

অশেংবা পর ব্রহ্মগী মশক্তি অসিনি,—মশানা পুকনিং পান্দবা মনাকোং লৈতবা মখোং মথুৎ পান্দবনি, মহাক্কী ইন্দ্রিয়শিং লৈত্রবসু মহাক মঙালগী মশকমকনি। কেবল মাত্র ব্রহ্মনা মঙানগী মশক ওইনা ঙাল্লিবনি। ব্রহ্ম অসিগী মফমদা অতৈ স্বর্গনা চিংবা লোক, দেবতা, বেদ, যাগ-যজ্ঞ, পিতা মাতা, বধু (মৌ), চণ্ডাল, পৌল্কস (ভিল), নীচজাতি পশু (শা) তাপস (লাইনিংবা) অসিনা চিংবা পুম্নমক অওইবা

হৃদ্যাকাশে তদ্বিজ্ঞানমাকাশং তৎ শুষিরমাকাশং
তদ্বেদ্যং হৃদ্যাকাশং তস্মিন্নিদঞ্চ বিচরতি
যস্মিন্নিদং সর্ব্বমোতং প্রোতম্ ।।১৯।।
খং বিভোঃ প্রজ্ঞা বিজ্ঞায়েরন্ ।।২০।।
ন তত্র দেবা লোকা ঋষয়ঃ পিতর ঈশাতে
প্রতিবুদ্ধঃ সর্ব্ববিদিতি ।।২১।।
হৃদিস্থ দেবতাঃ সর্ব্বা হৃদি প্রানাঃ প্রতিষ্ঠিতাঃ ।।
হৃদি প্রানশ্চ জ্যোতিশ্চ ত্রিবৃৎ সূত্রঞ্চ যন্মহৎ ।।২২।।

অমশা নাত্তে মথাদনি। (পরব্রহ্ম নাচোন্দা পুন্নমক তসি মায়ানা মরম (ওইত্তুনা উবতনি। ১৮।।

জ্ঞানগী মশক ওইবা লুখ্রবা অতুগুম্বা ব্রহ্ম অতু হকচাংগী মনুংদগী থমোয় অকাশদা লৈ। ব্রহ্ম আকাশগী মশকনি হায়রবদি মঙানগী মশকনি। পঞ্চভূতগী মনুংচনবা আকাশদ অহাংবগী মশক্নি। হায়রিবা ব্রহ্মাকাশ আসাদি থমোয়দা নিজদবা অমসুং উজগদবা পোৎনি। হৃদয় (থমোয়) মনুংদা ব্রহ্ম লৈবনি। অতুগা হৃদয় অসিদা সংসারদা উনরিবা পোৎ-চৈ পুন্নমক শুনা থন্না লৈবনি ।।১৯।।

অসিগুম্বা ব্রহ্ম অসিবু মশক খংলবা হায়বদি মহাক্কী জ্ঞানগী মিৎনা উজরবা মীশকশিংদো পুন্নমক খংবা ওইরে, মখোয়না খংদবা অমতা লৈতরে ।।২০।।

ব্রহ্ম জ্ঞান ওইবদগী পুন্নমকপু খংলবা পুন্নমকপু আত্মাগী মশক্তা উরবা মীওই অতুগী মফমদা লাইশিং, ঋষিশিং অমসুং পিতৃগণনা করি অমা পাম্বা লৈতরে, মরমদি অতুগুম্বা ব্রহ্মজ্ঞানী অতু লমন অতুমদগী কোক্লবনি ।।২১।।

খংদবা ওইবা ব্রহ্ম পদার্থবু মশক খংলবা মীশক অতুগী মপানগী ওইবা দেবপূজানা চিংবগী তঙাইফদবা লৈতরে মরমদি মহাক অতুগী থমোয়দা ব্রহ্মানাচিংবা লাই পুন্নমক, ইন্দ্রিয়শিং পুবা লাইশিং বাক্‌না চিংবা ইন্দ্রিয়শিং, মরুওইবা প্রাণ-অমসুং বিষয় পুন্নমক্কী মঙান লোইনা লৈরে। সত্ত্ব, রজ অমদি তমোগুণগী অমগা অমগা য়ানশিন্নবনা ফোং-দবগী মশক ওইবা, কর্ম্মপুন্নমক্কী অঙ্গ ওইবা লংজা মাপলগী উপবীত

হৃদি চৈতন্যেতিষ্ঠতি ॥২৩।
যজ্ঞোপবীতং পরমং পবিত্রং প্রজাপতের্যৎ সহজং
পুরস্তাৎ। আয়ুষ্য মগ্র্যং প্রতিমুঞ্চ শুভ্রং যজ্ঞোপবীতং
বল মস্তু তেজঃ ॥২৪॥
সশিখং বপনং কৃত্বা বহিঃ সূত্রং ত্যজেদ্ বুধঃ।
যদক্ষরং পরং ব্রহ্ম তৎ সূত্রমিতি ধারয়েৎ ॥
সূচনাৎ সূত্রমিত্যাহুঃ সূত্রং নাম পরং পদম্।
তৎ সূত্রং বিদিতং যেন স বিপ্রো বেদ পারগঃ

(লগুন) সু ব্রহ্মগী মশকতা মহাক্কী থমোয়দা। সুক্ষ্মগী মশক্তা লৈরবনি হায়রিবা অদুম্না যজ্ঞোপবীত আস য়াম্না মহত্ত্ব লৈবা পোৎশকনি ॥২২॥

মথক্কী মন্ত্রদা। 'হৃদি প্রাণশ্চ' হায়বাসদা 'হৃদি' হায়বদ চৈতন্য। অদুম্না অর্থ লৌগনি। হৃৎ চৈতন্যদা হায়খিবা পুম্নমক লোইননা লৈ। মখাদা উৎলিবা যজ্ঞোপবীত ধারন মন্ত্র আসমু সূক্ষ্ম ওইনা হৃৎ চেতন্যদা লৈ ॥২৩॥

"যজ্ঞোপবীতং পরমং—বলমস্তু তেজঃ"। মন্ত্র অসি মপানগী ওইবা যজ্ঞোপবীতগী ধারণ মন্ত্রনি। হৃৎ চেতন্যদা ব্রহ্মগী মশক ওইব সূক্ষ্ম যজ্ঞোপবীত লৈবনা মপানগী যজ্ঞোপবীত অসি থবক্তা থমোয়গী মথক্তা ধারণ তৌ হায়রবসি মন্ত্রাসনা উৎলি। মন্ত্রগী অর্থ—যজ্ঞোপবীত আস অথোইবা অশেংবা অমদি প্রজাপতিগী দেহ অমসুং ইন্দ্রিয়নচিংবগা লোয়ননা পোক্লকবা পুনশি পীবা অথোইবা পোৎশক। অসুম্বা লুরবা যজ্ঞোপবীত অসিনা অবিদ্যা মাংহনশনু অদুগা পাংগল অমসুং তেজ পীসনু ॥২৫॥

কর্ম্মগী অঙ্গ ওইবা মপানগী যজ্ঞোপবীত থাদোক্লগা সন্ন্যাস যোগতা চংনদবনি হায়বা অদু খংহল্লি, মাদুদি আত্ম জ্ঞানী ওইরবা ব্রাহ্মণনা শিখা-গা য়াওনা লু কোকথোক্লগা মপানগী ওইবা সূত্র (যজ্ঞোপবীত) ত্যাগ তৌদুনা মাংবা লৈত্রবা পর ব্রহ্মগী মশক ওইবা সূত্র (উপবীত) ধারন তৌগনি। পর ব্রহ্ম অসিবু বেদান্তনা সূচিত হায়বদি ফেংদোকই

তেন সর্ব্বমিদং প্রোতং সূত্রে মনিগনা ইব ॥
তৎ সূত্রং ধারয়েদ্ যোগী যোগবিৎ তত্ত্বদর্শিবান্ ॥
বহিঃ সূত্রং ত্যজেদ্বিদ্বান্ যোগমুত্তমমাস্থিতঃ।
ব্রহ্মভাবময়ং সূত্রং ধারয়েদ্ যঃ সচেতনঃ ॥
ধারনাত্তস্য সূত্রস্য নোচ্ছিষ্টো নাশুচি র্ভবেৎ।
সূত্র মন্তর্গতং যেষাং জ্ঞাণযজ্ঞোপবতীনাম্ ॥
তে বৈ সূত্রবিদো লোকে তেচ যজ্ঞোপবীতিনঃ ॥
জ্ঞান শিখিনো জ্ঞাণনিষ্ঠা জ্ঞাণ যজ্ঞোপবীতিনঃ ॥
জ্ঞানমেব পরং তেষাং পবিত্রং জ্ঞাণমুত্তমম্।
অগ্নেরিব শিখা নান্যা যস্য জ্ঞাণময়ী শিখা ॥
স শিখীত্যুচ্যতে বিদ্বানিতরে কেশ ধারিণঃ ॥ ২৫॥

(খংহনই) হায়দনা সূত্র হায়বনি অদুনা 'সূত্র' হায়বা অসি পরমপদ (ব্রহ্ম) গী নামনি। নাম অসি ওইবা ব্রহ্মবু খংলবা মীশক অদু বেদবু নিংথনা ? লবনি। সূত্রদা হায়বদি নাংঙং ?দা ??? লেংশিনুন ফ? জন্দুনা লৈবগুম ব্রহ্মগী মশক ওইবা সূত্রদা ড?ং অপুং অসি ফাজিন্দুনা লোবনি। যোগ খংবা তত্ত্ব খংবা মীনা আসগুম্বা ব্রহ্ম সূত্র অসি ধারণ তৌগদবনি ॥

বিদ্বান ওইবা মীনা (ব্রহ্ম জ্ঞাণ ফংলবা মীনা) অথোইবা সন্ন্যাস যোগদা চংদুনা মপানগী ওইবা লংগী মশক ওইবা সূত্র (যজ্ঞোপবীত) থাদোক্কদবা ওই। ব্রহ্মগী মশক ওইবা সূত্র (যজ্ঞোপবীত) ধারণ তৌরবা মীশক অদু অচুম্বা অশেংবা জ্ঞান মশাদা লৈরবনি। হায়রিবা ব্রহ্ম সূত্র অসি ধারণ তৌরবা হায়বদি পুব্বা মী মহাক অদুদা লুথাং অমদি করিগুম্বা মথলগী অমাংবা লৈতরে। জ্ঞানগী মশক ওইবা যজ্ঞোপবীত ধারন অদু তৌদুনা মনুংদা লৈবা অকুপ্পা সূত্র হায়বদি ব্রহ্মবু ধারণ তৌববা মখোয় লোক অসিদা সূত্র মশক খংবা অমদি অশেংবা যজ্ঞোপবীত ধারী হায়বা অদু ওই।

জ্ঞাননা শিখা ওইরবা, ব্রহ্মজ্ঞানদা লৈরবা অমসুং জ্ঞাননা যজ্ঞোপবীত ওইরবা মাখোয় অদো অশেংবা অথোইবা জ্ঞান ফংলবা হায়বাদুনি। মৈগী

কর্ম্মন্যধিকৃতা যেতু বৈদিকে ব্রহ্মানাদয়ঃ।
তৈ সন্ধার্য্যমিদং সূত্রং ক্রিয়াঙ্গং তদ্ধি বৈ স্মৃতম্ ॥২৬॥
শিখা জ্ঞানময়ী যস্য উপবীতঞ্চ তন্ময়ম্।
ব্রাহ্মন্যং সকলং তস্য ইতি যজ্ঞবিদঃ বিদুঃ ॥২৭॥
ইদং যজ্ঞোপবীতংতু পরমং যৎ-পরায়ণম্।
বিদ্বান্ যজ্ঞোপবীতী স্যাৎ স যজ্ঞঃ সচ যজ্ঞবিৎ ॥২৮॥
একোদেবঃ সর্ব্বভূতেষু গূঢ়ঃ সর্ব্বব্যাপী
সর্ব্ব ভূতান্তরাত্মা। কর্ম্মাধ্যক্ষঃ সর্ব্বভূতাধিবাসঃ
সাক্ষী চেতা কেবলো নির্গুণশ্চ ॥২৯॥

শিখা (মৈৰি মাতেন) মদগী আতোপ্পা নাকে হায়বদি আতোপ্পা পোংশক অনা মাগী শিখা ওইদ অতগুম্না জ্ঞানগী মশক ওইবা শিখা ধরণ তৌরবা মীগীদি আতোপ্পা মপানগী শিখা তমা লৈদ্রে। জ্ঞাননা শিখা ওইরবা বিদ্বান অতবু অশংবা শিগী (শিখাধারী) কৌই। মশদা আত্ম জ্ঞান লৈতবা মীওইশিংনা মাকাকতা মপানগী শিখ খরদিনা অতুদি শিখাধারী হায়বদি, কেবল মাত্র শম খাকপা হ যত্নি ॥২৫॥

মপানগী ওইবা যজ্ঞোপবীত অমদি শিখা ধারণ তৌবগী মরমদা হায়রি, মাতুঙ্গি "বৈদিক কর্ম্মদা অধিকারী ওইবা হায়বদি বৈদিক কর্ম্মদা বাগ লৈবা ব্রাহ্মনচিবা বর্ণ অহুমনা হায়বিনা মপানগী ওইবা সূত্র (যজ্ঞোপবীত) অমসুং শিখা শোযদনা মক ধারন তৌগদবনি মরমদি যজ্ঞোপবীত-নাচিংবা অসি কর্ম্মগী অঙ্গনি হায়। অঙ্গ হায়লবদি কর্ম্মগী যন্ত্র ওইদ ॥২৬॥

জ্ঞানী সন্ন্যাসীশিংগীদি অঙ্গ ওইবা কর্ম্ম লৈত্রবনা কর্ম্ম অতুগী অঙ্গ শিংগী কান্নবা লৈতাবে। জ্ঞাননা শিখা ওইববা অমদি জ্ঞাননা যজ্ঞোপবীত ওইববা মীওই অতুদি ব্রাহ্মণ পুম্নমক্কী চংজফমনি অসুম্না যজ্ঞ-বেদ খংলবা পণ্ডিতশিংনা হায ॥২৭॥

অসুম্না আথাইবা অমসুং জ্ঞানগী মশক ওইবা যজ্ঞোপবীতনা মহাক্কী তুংফম ওইববা মী মহাক অতু অশেংবা লুগুনবু থাংলবনি অমদি বিষ্ণুগী মশক ওইববনি অতুগা [illegible] বিষ্ণুবু মশক খংলবনি ॥২৮॥

মহাকপু হেক ফংবদা অপুম্বা পুম্নমক্তগী নাম্পাকচবা ওইবা মহাক্কী খৌজান্না জ্ঞানগী মিং ফংবা অমদি অশিবগী খায়াত্তগী নাম্ভোকপা ওইবা

একো মনীষী নিষ্ক্রিয়ানাং বহুনা মেকং সন্তং বহুধা
যঃ করোতি। তমাত্মানং যেঽনুপশ্যন্তি ধীরাস্তেষাং
শান্তিঃ শাশ্বতী নেতরেষাম্ ॥৩০॥
আত্মান মরনিং কৃত্বা প্রনবঞ্চোত্তরারনিম্‌।
নির্মন্থনাভ্যাসাদ্দেবং পশ্যেন্নিগঢ়বৎ ॥৩১॥

অদুগুম্বা মহাক অদুবু মথাগী মন্ত্র (২৯ অমসুং ৩০ শুবা মন্ত্র অনিনা মশক উৎলি :—

২৯ শুবা মন্ত্রগী অর্থ—থবাই পাম্বা পুম্নমক্তা মনুংদা অথুপ্পা মওংদা মক্তবা পোৎশক অমা (লাই অমা) লৈ। মহাক অদো মফম পুম্নমক্তা লৈ অমসুং জীব পুম্নমক্কী মনুংগী আত্মানি। মহাক অদো মীওইবনা তৌবা কর্ম্ম পুম্নমক্কী ফল দাতানি অমসুং জীব অপুম্বাগী তুংফমনি। জীবশিংনা তৌরিবা পুম্নমক মহাক্কা সংসংনা উই। মহাক জ্ঞানগী মশকনি মহাক নত্তবা মহাক কুম্বা অমা লৈতে, অনিশুদবনি। মহাক নিগু́ণনি ॥২৯॥

৩০ শুবা মন্ত্রগী অর্থ—অনিশুদবা খ্বাইগা মান্নদবা পুম্নমক থংবা অথংবা (জ্ঞান শক্তি লৈবা অমা) লৈ। মহাক অদুনা ক্রিয়া (লেং খোৎপনাচিংবা) লৈতবা পোৎশিংগী মনুংদা লৈরগা থবক তৌই হায়রদি পোৎশিং অদুদা ক্রিয়া ওইহল্লি। অমতা ওইবা মহাক্কা মাগী মায়ানা মশাগী মশক ময়াম পুথোকই। অসিগুম্বা মহাক অসিবু জ্ঞান লৈবা পণ্ডিত শিংতনা উবা ফংজে অদুগা পণ্ডিতশিং অদুনা অরেপ্পা মতম পুম্নমক্কী ওইবা শান্তি অদু ফংজে, অতোপ্পা শিংনা ফংবা ঙমদে ॥৩০॥

বুদ্ধিবু অরনি অমদি ওঁ কারবু উত্তরারনি ওইহনগা ধ্যানগী ক্লাক ওইবা মৈবাচিংবগী অভ্যাসনা য়াম্না থুপ্পা লৈরবাগুম্বা মন্তানগী মশক ওইবা আত্মাবু শংসংনা উননবা হোৎনগদবনি। (যজ্ঞনা চিংবদা মৈ লৌননবা শিংতক অনি তক্কহল্লি মাতুদা মৈ হৌই। মথা থংবা শিংতকবু অরনি কৌই, মথক থংবা শিংতকপুনা উত্তরারনি কৌই। অদুগুম্না বুদ্ধিদা ওঁ কারগী ধ্যানগী মশক ওইবা মন্থন অদুনা আত্মা প্রত্যক্ষ ওই) ॥৩১॥

তিলেষু তৈলং দধনীব সর্পিরাপঃ স্রোতঃস্বরনিষু চাগ্নিঃ।
এবমাত্মাত্মনি গৃহ্যতেঽসৌসত্যেনৈ
নং তপসাযোঽনুপশ্যতি ॥৩২॥
ঊর্ণনাভি র্যথা তন্তূন্ সৃজতে সংহরত্যপি।
জাগ্রৎ-স্বপ্নে তথা গচ্ছত্যা গচ্ছতে পুনঃ ॥৩৩॥
পদ্মকোশ প্রতিকাশং সুষিরঞ্চাপ্যধোমুখম্।
হৃদয়ং তদ্বিজানীয়াদ্বিশ্বস্যায়তনং মহৎ ॥৩৪॥
নেত্রস্থং জাগ্রতং বিদ্যাৎ কণ্ঠে স্বপ্নং বিনির্দ্দিশেৎ।
সুষুপ্তং হৃদয়স্থন্তু তুরীয়ং মূর্দ্ধিন সংস্থিতম্ ॥৩৫॥

থোইদিং মমুংদ থাও লৈবাগুম, শঙ্গোম অফম্বা মমুংদা ঘী লৈবাগুম, ঈচেল মমুংদা ঈশিং লৈবা অমসুং অরান অ'নগী মমুংদা মৈ লৈবাগুম বুদ্ধিগী মমুংদা আত্মা লৈ। অসুম্না লৈরিবা আত্মবু সত্য অমদি তপস্যানা উরিবা মীশক অদো অশেংবা পণ্ডিত হায়বা অদুনি ॥৩ ॥

মি কৌবা জীবনা মশাদগী লং ময়ান চথোক্লগা মশাদা অমুক লোইনা চিংশিল্লি। অদুগুম্না জাগ্রৎ কালদা মশাদগী ইন্দ্রিয় ময়াম পুথোক্লগা স্বপ্ন কালদা অমুক মশাদা লৌশিল্লি ॥৩৩॥

আত্মা (ব্রহ্ম) অদু হৃদয় (থমোয়) দা নিংদবনি। হৃদয় অদু করিনো হায়বা অদু তাকলি,—হবচা অসিদা মমুং হোবা, মমাযদি মখাদা লৈবা অমসুং শাৎকায়দ্রিবা থালা মওংগী থালা শাবা মাংসগী মশক ওইবা থম্বাল অমা লৈ মাতুবু হৃদয় কৌই হায়না খংনদবা ওই। হায়রিবা হৃদয় অসিবিশ্ব অপুম্বাগী লৈফমনি। মসি মহৎনি মাঙোন্দা চন্দবা লৌত হায়বদি পোৎ পুম্নমক্কী জ্ঞান (অনুভব) মাঙোন্দা ওই।।৩।

পুরুষ (আত্মা) গী লৈফমগী মতুং ইন্না ওইবা অবস্থা অদু তাকলি— মিৎতা লৈরগা মহাকপু জাগ্রৎ অবস্থদা লৈবা, খোরীদা লৈরগা স্বপ্ন অবস্থাদা লৈবা, থমোয়দা পুরীতৎ নাড়ীদা লৈরগনা সুষুপ্ত অবস্থাদা লৈবা অমদি কোক্তা লৈরগনা তুরীয় অবস্থাদা লৈবা কৌই ॥৩৫॥

যদাত্মা প্রজ্ঞয়াত্মানং সন্ধত্তে পরমাত্মনি। তেন সন্ধ্যা
ধ্যানমেব তস্মাৎ সন্ধ্যাভিবন্দনম্॥
নিষোদকা ধ্যান সন্ধ্যা বাক্কায় ক্লেসবৰ্জ্জিতা।
সন্ধিনী সৰ্ব্বভূতানাং সা সন্ধ্যা হ্যেকদণ্ডিনাম্ ॥৩৬॥
যতো বাচো নিবৰ্ত্তন্তে অপ্রপ্যমনসা সহ।
আনন্দ মেতজ্জীবস্য যং জ্ঞাত্বা মুচ্যতে বুধঃ॥
সৰ্ব্বব্যাপিন মাত্মানং ক্ষীরে সৰ্পিরিবা পিতম্ ॥৩৭॥
আত্মাবিদ্যা তপোমূলং তদ্ ব্রহ্মোপনিষৎ পরম্।
সৰ্ব্বাত্মৈকত্বরূপেন তদ্ ব্রহ্মোপনিষৎ পরম্ ॥৩৮॥
ইত্যথৰ্ব্ববেদে ব্রহ্মোপনিষৎ সমাপ্তা।

জীবাত্মানা মশামক বুদ্ধিনা মরম ওইদুনা পরমাত্মাগা তিন্নবা হায়বদি জীব মহাক্কা পরমাত্মাগা লোয়ান্না নাত্তে অমতনি হায়না খনববু সন্ধ্যা কৌই। মরম অসিনা আত্মবাননা সন্ধ্যোপাসনানি। অসিগুম্বা সন্ধ্যোপাসনা অসম লৌদবানি। ধ্যান সন্ধ্যাসিদা ঈশিং চংদে, মন্ত্রশোনবগী হকচাং অমসুং ইন্দ্রিয়গী অবাবসু লৈতে। অসিগুম্বা সন্ধ্যা অসিদি পুম্নমকপু অমতা ওইহনবা সন্ধ্যানি অদুনি। বেংনা মাত্র দণ্ডী সাধুশিংগীনা তৌগদবা সন্ধ্যানি ৩৬।

বাক্ ইন্দ্রিয়না অমসুং মননা নহ বপু লৌবা ঙমদবা হায়বদি বাগীন্দ্রিয়না মহাকপু খংহনবা ঙমদবা অদুগা পুকনিংনসু খন্দুনা মহাকপু ফংবা ঙমদবা অসিগুম্বা মহাক অসে জীবগী পরমানন্দনি। মহাকপু খংজবা পণ্ডিতশিংনা সংসারদগী লানজে। মহাক অসে সৰ্ব্ববাপীনি, শংঙ্গোমদা ঘীনা লৈবগুম বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ড অপুম্বদা লৈবনি ॥৩৭॥

গ্রন্থ অসিগী মমিং ব্রহ্মোপনিষৎ কৌবগী মরম হায়রি—ব্রহ্মবিদ্যা উপদেশ তৌবনা গ্রন্থ অসিগী মকওইবা ৱাকমনি। মরম অসিনা মসিবু ব্রহ্মোপনিষৎ কৌবনি নত্রগা 'সৰ্ব্বং ব্রহ্ম' পুনমক অসি ব্রহ্মনি ব্রহ্মনি হায়বা জ্ঞান ফাওহল্লি হায়দুনা মাসিবু ব্রহ্মোপনিষৎ কৌবনি ॥৩৮॥ ওঁ॥

মতাং অসিদা অথৰ্ব্ববেদগী মনংচনবা ব্রহ্মোপনিষৎ লোইরে॥ ওঁ।

সর্ব্বোপনিষৎ সারঃ

ওঁ॥ পরমাত্মনে নমঃ॥ ওঁ

ওঁ কথং বন্ধঃ কথং মোক্ষঃ কাংবিদ্যাকা বিদ্যেতি
জাগ্রৎ স্বপ্নং সুষুপ্তং তুরীয়ঞ্চ কথমন্নময়ঃ প্রান
ময়ো মনো ময়ো বিজ্ঞানময়ঃ আনন্দময়ঃ কথং
কর্ত্তাজীবঃ ক্ষেত্রজ্ঞঃ সাক্ষী কুটস্থোঽন্তর্যামী
কথং প্রত্যগাত্মা পরমাত্মা আত্মা মায়াচেতি
কথমাত্মেশ্বরোঽনাত্মনো দেহাদীনামাত্মত্বেনাভি
মন্যতে সোঽভিমানঃ আত্মনো বন্ধঃ তন্নিবৃত্তির্মোক্ষঃ।

ওঁ পরমাত্মাবু খুরুমজরি।

শিষ্যনা হংবা :— আত্মাগী বন্ধন হায়বসি করম তৌনা ওইবনো? মুক্তি হায়বসিনা কমদৌনা ওইবনো? অবিদ্যা হায়বসিনা করিনো? বিদ্যা হায়বসি কনানো? অন্নময় কোশ কদায়বু কৌই? প্রানময় কোশ কদায়বু কৌবগে? মনো ময় কোশ কদায়বু কৌই? বিজ্ঞানময় কোশ কদায়বু কৌবগে? আনন্দ ময় কোশ করিবু কৌই? কর্ত্তা কনাবু কৌবগে? জীব হায়বসি কনানো? ক্ষেত্রজ্ঞ হায়বনা করিনো? সাক্ষী হায়বসি কনানো? কূটস্থ হায়বসি কনাবুনো? অন্তর্যামী হায়বসি কনানো? প্রত্যগাত্ম কনানো? পরমাত্মা হায়রিবসি কনাবুনো? আত্মা হায়রগা কনাবু খংনবগে? মায়া হায়বনা করিনো? আত্মাবু ঈশ্বরনি করম্না হায়রিবা?

প্রশ্নশিং অসিগী পাউখুম গুরুনা মথং মথং পীরি —"আত্মা নত্তবা দেহ ইন্দ্রিয়না চিংববু আত্মা মশানি হায়না লৌবা হায়বদি দেহনাচিংবসি ঐহাকমক্লি অস্তুম্না খনবসি দেহাদ্যভিমান কৌই। অসিগুম্না অভিমান অসিনা আত্মাবু দেহনাচিংবদা পুনশিল্লি, মাসিবু আত্মাগী বন্ধন কৌই। হায়রিবা বন্ধন অসিদগী নাম্থোকপবু মুক্তি কৌই।

**তদভিমানং কারয়তি যা সাঽবিদ্যা সোঽ
ভিমানো যযাভি নিবর্ত্ততে সা বিদ্যা। মন আদি
চতুর্দ্দশকরনৈঃ পুষ্কলৈরাদিত্যাদ্যনুগৃহীতৈঃ শব্দাদীন
বিষয়ান্‌, স্থূলান্‌, যদোপ লভ্যতে তদাত্মনোজাগরণং
তদ্বাসনা বাসিতশ্চতুর্ভি করণৈঃ শব্দাভ্যভাবেঽপি
বাসনা ময়ান্‌, শব্দাদীন্‌, যদোপলভতে তদাত্ম নঃ স্বপ্নম্‌।
চতুর্দ্দশঃকরণোপরমাদ্বিজ্ঞানাভাবাদ্‌
যদা তদাত্মন সুষুপ্তি ॥১॥**

আত্মা নত্তবা দেহনাচিংবদা আত্মাবু ঐমক্নি হায়না অভিমান পোকহল্লিবী হাযবদি নিংহল্লিবী অহুগুদ্বী ঈশ্বরগী শক্তিবু অবিদ্যা কৌই। হৈরিবা খংলিবা মহৈ অহুনা মবম ওইহুনা হায়রিবা অভিমান হায়বদি দেহনাচিংববু আত্মা ঐনি লৌহল্লিবী অবিদ্যা অহুদগী নাম্থোকপা অহুগুম্বা মহৈবু বিদ্যা কৌই। হাযরিবা বিদ্যা অসি আত্মবিদ্যাবু নি। চন্দ্র, অচ্যুত্র, শঙ্কর, চতুর্ম্মুখ, দিক্‌, বায়ু, সূর্য্য, বরুণ, অশ্বিনী কুমার, অগ্নি, ইন্দ্র, বিষ্ণু, মিত্র অমসুং ব্রহ্মা অধিষ্ঠাত্রী দেবতাশিং অসিনা মথংশিংনা পুবা মন, বুদ্ধি, চিত্ত, অহঙ্কার, কর্ণ, ত্বক্‌, চক্ষু, রসনা (জিহ্বা), ঘ্রাণ, বাক্‌, পানি (হস্ত), পাদ, পায়ু (শৌচথোং) অমসুং উপস্থ (ঈশিং থোং) করণ তরামরি অসিনা মরম ওইহুনা মথংশিংনা সংকল্প (ব্রাখল তৌবা), অধ্যবসায় (নিশ্চয় তৌবা), চেতনা (খংবা) অভিমান (দেহনা চিংববু ঐনি খল্বা), শব্দ, স্পর্শ, রূপ রস, গন্ধ, মুখব্যা দান (বা ঙাংবা), পায়বা চৎপা, মলমূত্রত্যাগ অমসুং সম্ভোগগী মুঙাইবা অপেনবা বিষয়শিং অসিবু লৌবা (চাবা) মতমদা আত্মাগী জাগ্রৎ অবস্থা (তুমদবগী ফিবম) ওই। শব্দনাচিংবা বিষয় তরানা মনাক্তা লৈত্রবসু হায়বদি বিষয়শিং অসিগা মাথোয়বু লৌরিবা ইন্দ্রিয়শিংগা শংসংনা মরি লৈনদ্রবসু বিষয়শিংগী অপাম্বনা চুবরা মন বুদ্ধি, চিত্ত অমসুং অহঙ্কার কৌবা অন্তঃ করণ মরিনা মরম ওইহুনা মরি অসিদা চুহুনা লৈরিবা অপাম্বাগী মশক্তা লৈরবা অকুপ্পা বিষয়শিংবু উপভোগ তৌবা (চাবা) মতমদা আত্মাগী স্বপ্নাবস্থা ওই। মতম অহুদা আত্মানা মংলান্দা অকুপ্পা বিষয়শিং অহু চাই।

অবস্থাত্রয়াভাবাদ, ভাবসাক্ষি স্বয়ং ভাবাভাব রহিতং নৈরন্তর্য্যং চৈক্যং যদা তদাতত্তুরীয়ং চৈতন্যমিত্যুচ্যতে। অন্নকার্য্যানাংষণ্নাং কোশানাং সমুহোহন্নময়ঃ কোশ ইত্যুচ্যতে। প্রাণাদি চতুর্দ্দশ বায়ুভেদা অন্নময়ে কোশে যদা বর্ত্তন্তে তদা প্রান ময়ঃ কোশ ইত্যুচ্যতে এবং কোশদ্বয়সংযুক্তো মণআদি চতুর্ভিঃ করণৈ রাত্মা শব্দাদিবিষান, সঙ্কল্পাদি ধর্ম্মান, যদা করোতি তদা মনোময়ঃ কোশ ইত্যুচ্যতে।

হৌয়রিবা 'মন' নাচিংবা কনপ ওসোনবীনা মহাক মহাক্কী কারণদা লীন ওইখিবদগা (হুপ্পিনখিবদগা) করিগু। বিষয অমসুং শংসংনা নত্ৰগা বাসনাগী মখল ওইনা তোদ্রবা পুংম অহুদা আত্মাগী সুষুপ্তি অবস্থা ওই। অবস্থা অসিদা আত্মান মশাগী নুংইবা সুখ ফংই। জাগ্ৰৎ, স্বপ্ন অমসুং সুষুপ্তি ওইরবা অবস্থা অহুম অসিদগী নাপোইদুনা অনাদি করিগুম্বা পোংশক অমত্তা পরিদনা হন্দোকদুনা পোংশিং অতুগী সাক্ষী (অউবা) গী মশক লৈবা করিগুম্বা পোংশক অমত্তা মহাকপু খনজিন্দ্রবা অমত্তা ওইবা মাপলগী মশক লৈবা মতম অদুদা আত্মাগী তুরীয় (নিরিগুবা) অবস্থা ওই। অসুম্না অবস্থাগী অম্মাবু শুদ্ধ চৈতন্য কৌই। অন্নগী বিকার ওইবা হায়বদি চাখিবা চিঞ্জাক্না ওনবা অস্থি (শরু), মজ্জা, (মরেক মহাও) মেদ (থাউ) উনশা, শাদেং অমসুং রক্তগী অপুনবা মশক ওইবা হকচাং অসিবু অন্নময কোশ কৌই। মসিদা লৈবা পোৎপু অকোইবদা কুপশিনব. হকখুমন চিংববু কোশ কৌই। অদুবু অহনা ওনবা হকচাংনা কুপশিনি অহুনা হকচাংসি কোশ অমনি।

প্রাণ ওরানরি (প্রাণ, অপান, সমান, উদান, ব্যান, নাগ, কূর্ম্ম, কৃকর, দেবদত্ত, ধনঞ্জয়, বেরম্ভণ, স্থানমুখ্য, প্রদ্যোত, প্রকৃত,) অমসুং অন্নময় কোশগী অপুনবা মশকপু প্রাণময় কোশ কৌই। অন্নময় কোশ অমসুং প্রাণময় কোশ অনি অসিগা তিম্নদুনা মন, বুদ্ধি, চিত্ত অমসুং

এতৎ কোশত্রয়সংযুক্তস্তদ্ গত বিশেষাবিশেষজ্ঞো যদাহবভাসতে তদা বিজ্ঞানময়ঃ কোশ ইত্যুচ্যতে। এতৎ কোশ চতুষ্টয়ং স্বকারনাজ্ঞানে বটকর্নিকায়ামিব গুপ্তবটবৃক্ষো যদা বর্ত্ততে তদানন্দময়ঃ কোশ ইত্যুচ্যতে সুখদুঃখবুদ্ধ্যাশ্রয়ঃ দেহান্তঃ কর্ত্তাঃ যদা তদেষ্টবিষয়ে বুদ্ধিঃ সুখবুদ্ধিবনিষ্টবিষয়ে বুদ্ধি দুঃখ বুদ্ধিঃ শব্দ স্পর্শ রূপ রস গন্ধাঃ সুখ দুঃখঃ হেতবঃ। পুণ্য পাপ কর্ম্মানুসারী ভূত্বা প্রাপ্তশরীরসন্ধি যোগ মপ্রাপ্ত শরীর সংযোগমিব কুর্ব্বাণো যদা দৃশ্যতে তদোপহিতত্বাৎ জীব ইত্যুচ্যতে॥

অহঙ্কার হ যবা দগ মহুংগী ওইবা কবণ মবি শসিনা শব্দনাচিংব। বিষয শিংগী সংবন্ধনাচিংবা থবক লোব নতনদা ওইবা অতুগুপ্বা মশকপু (আত্মাগী মশকপু) মনোময কোশ কৌই হায়বদি আত্মা অতু মনোময কোশদা লৈবে।

অন্নময কোশ প্রাণময কোশ, অমসুং মনোময কোশ অহুমসিগী লোযনতুনা লৈবা অমদি অহুমসিদা লৈবা বিশেষ অমসুং সামান্য ধর্মশিংবু খংবা ওইবা মশকতা লৈবা মতম অতুদা আত্মাবু বিজ্ঞাণময কোশ কৌই হায়বদি বিজ্ঞানগী মশক ওইবা কোশ অসিদা আত্মানা লৈ। বটগী বীজ (মকু) গী মনুংদা অচৌবা বটবৃক্ষনা থুপনা লৈবাগুম কোশ মরি সন হায়বদি অন্নময কোশ, প্রাণময কোশ, মনোময কোশ অমসুং বিজ্ঞানময কোশনা মাখে যগী কারণ (থোক্লকম) ওইবা প্রকৃতিদা হুপ্তিন্দুনা থুগাইবা মতম অতুদা আত্মাবু আনন্দময কোশ কৌই হায়বদি আত্মা অতু আনন্দগী মশক ওইবা কোশদা লৈবে। দেহগা লোযননা লৈবা (স্থূল অমসুং সূক্ষ্ম দেহনা মহাকী উপাধি ওইহুনা লৈবা) অমদি সুখ অমসুং দুঃখগী বুদ্ধি চেনবা হায়বদি নুংঙাইবা অমসুং অৱাবব লৌবা, মতম অতুদা আত্মবু কর্ত্তা হায়না কৌই। অপাম্বা বিষযগী ওইবা বুদ্ধিবু সুখবুদ্ধি কৌই। পাম্দবা বিষযগী বুদ্ধিনা দুঃখ বুদ্ধি হায়না খংনৈ। শব্দ,

মন আদিশ্চ প্রাণাদিশ্চ সত্ত্বাদিশ্চেচ্ছাদিশ্চ পুণ্যাদিশ্চৈতে পঞ্চ বর্গা ইত্যেতেষাং পঞ্চবর্গানাং ধর্ম্মীভূতাত্মজ্ঞানাদৃতে ন বিনশ্যতি। আত্ম সন্নিধৌ নিত্যত্বেন প্রতীয়মান আত্মোপাধির্যস্তল্লিঙ্গং শরীরং হৃদ গ্রন্থিরিত্যুচ্যতে তত্র যৎ প্রকাশতে চৈতন্যং স ক্ষেত্রজ্ঞ ইত্যুচ্যতে ॥২॥

স্পর্শ, রূপ, রস অমসুং গন্ধ—বিষয়, মঙাসিনা সুখ (নুঙাইবা) অমসুং দুঃখ (অৱাবা) ফংবগী কারন ওই। পুণ্যকর্ম্ম অমসু পাপ কর্ম্মগী মতুং ইন্দুনা শরীর (হকচাং) অমগা লোয়হুনা লৈবা অহুগা অমুকসু হকচাং অহুগা কায়নবা হায়বদি মখল মখলগী হকচাংনা উপাধি ওইহুনা খন্দুনা লৈবা অহুগুম্বা অবস্থা অহুদা আত্মাবু 'জীব' হায়বা মিংথোল অসিনা থংনৈ।

হৌজিক 'ক্ষেত্রজ্ঞ' কনাবু কৌবগে হায়বহু তাক্লি অহুগা অহানবা-দা খংদবা য়াদবা লিঙ্গ শরীর করিনো হায়বাহুসু তাকলি—(ক) 'মন' নচিংবা মরি হায়বদি মন, বুদ্ধি, চিত্ত, অহঙ্কার। (খ) প্রাণনাচিংবা থৰায় মঙা হায়বদি প্রাণ, অপান, সমাণ, উদাণ, ব্যান। (গ) সত্ত্বনা-চিংবা গুণ অহুম হায়বদি সত্ত্ব, রজ, তম। (ঘ) ইচ্ছানাচিংবা হায়বদি কাম (ইচ্ছা) সংকলপ, বিচিকিৎসা, শ্রদ্ধা, অশ্রদ্ধা, ধৃতি, অধৃতি, হ্রী, ভী, ধী.। (ঙ) পুন্যনাচিংবা—হায়ৱদি পুন্য, পাপ, জ্ঞান, সংস্কার। বর্গ মঙা অসিবু-পঞ্চবর্গ হায়না খংনৈ। বর্গ মঙাসিনা ধর্ম্ম ওইহুনা শারিবা পোৎশক অহু অত্ম-জ্ঞান নত্তনা নাশ (মাংবা) ওইদে। আত্ম জ্ঞানগী মঙান ওইরবত্তদা হায়বিবা পোৎশক ৫ অহু মাংই। মশাদি মাংদা নাইবনা অনিত্য (লেপ্তবা) ওইরবসু আত্মাগা নকবা মরমদগী নিত্য (অরেপ্পা) ওইনা খংনরবা হায়রিবা বর্গ মঙানা ধর্ম্ম ওইবা পোৎশক অহুবু লিঙ্গ শরীর কৌই। অসিগী অতোপ্পা মমিং হৃদয়গন্থিসু কৌই। হায়রিবা লিঙ্গ শরীর অসিনা উপাধি ওইনা কুপশিল্লিবা নত্রগা খঞ্জিল্লিবা চৈতন্য অহুবু (জ্ঞান অমদি মঙানগী মশক ওইবা আত্মা অহুবু) 'ক্ষেত্রজ্ঞ' কৌই॥২॥

**জ্ঞাতৃ জ্ঞান জ্ঞেয়ানা মাবির্ভাব তিরোভাব জ্ঞাতা স্বয়মেবা-
ভির্ভাব তিরোভাব হীনঃ স্বয়ং জোতিঃ স সাক্ষীত্যু । ।
ব্রহ্মাদি পিপীলিকা পর্য্যন্তং সর্ব্ব প্রাণি বুদ্ধিষুঅবিশিষ্টতয়ো-
পলভ্যমানঃ সর্ব্ব প্রানি বুদ্ধিস্থঃ যদা তদা কুটস্থ ইত্যুচ্যতে।
কুটস্থাদ্যুপহিতা ভেদানাং স্বরূপলাভহেতু ভুত্বা মণিগর্ণ সূত্র-
মিব সর্ব্ব ক্ষেত্রেষুঅনুস্যুতত্বেন যদা প্রকাশতে আত্মা তদান্ত-
র্যামীত্যুচ্যতে। সর্ব্বোপার্ধিবিনির্মুক্তঃ সুবর্ন ঘনবদ্বিজ্ঞান
ঘনশ্চিন্মাত্র স্বরূপ আত্মা স্বতন্ত্রো যদাবভাসতে তদা ত্বং
পদার্থঃ প্রত্যগাত্মা ইত্যুচ্যতে।**

জ্ঞাতৃ (অখংবা), জ্ঞান (খংবগী মশক ওইবা চিত্তবৃত্তি) অমসুং জ্ঞান অসিনা খংগদবা পোৎশক পুন্নমক—পুন্নমক অসিনা পোকপা অমদি মাংববু লোইনা খংবা উবা মশাদি পোকপা মাংবা নাইদবা মশানা মঙানগী মশক ওইবা অদুগুম্বা চৈতন্য (পরম আত্মা) বু সাক্ষী কৌই। মহাক্না পুন্নমক অসি শংসংনা অমনা মরক খন্না লৈতনা উই-খংই হায়দুনা মহাবপু সাক্ষী কৌবনি।

ব্রহ্মাদগী হৌদুনা কক্চিং ফাওবগী থব্বাই পাম্বা পুন্নমক্কী বুদ্ধিশিংদা করিগুম্বা থোইদোকপা ধম্ম অমা য়াওদনা কেবল মাত্র জ্ঞানগী মওংদা মহাক অদু খংনবা মতম অদুদা অদুগুম্বা থবাই পাম্না পুন্নমক্কী বুদ্ধিদা লৈবা চৈতন্য (আত্মা) অদুবু কূটস্থ হায়না কৌনৈ। লংশুংদা মনি ময়াম লেংশিন্নগুম্না হকচাং পুন্নমক্তা চংদুনা লৈবা অমদি কূটস্থনাচিংবা উপাধিগা লোয়নদুনা লৈবাশিংনা মাখোইগী মশক অদু ওইবদা কারনসু ওইবা অদুগুম্বা ফিবমদা লৈবা আত্মাবু অন্তর্যামী কৌই।

লৈরম্বা উপাধি পুন্নমক্তগী কোক্তুনা হায়বদি উপাধি যাওদনা, অনংবা সনামহীগুম কুংশিল্লবা বিজ্ঞানগী মশক্তা কেবল মাত্র জ্ঞানগী মশক ওইনা মনিং তম্না ঙান্দুনা লৈবা আত্মা অদু মতম অদুদা 'তত্ত্বমসি' বাক্যদা য়াওবা "ত্বং" পদনা খংনগদবা পোৎশক ওই, অদুগুম্না উপাধি য়াওদ্রবা আত্মাবু 'প্রত্যগাত্মা' হায়না খংনৈ।

**সত্যং জ্ঞানমনন্তমানন্দং ব্রহ্ম সত্য
মবিনাশি নামদেশ কাল বস্তুনিমিত্তেষুবিনশ্যৎ সু
যন্ন বিনশ্যত্য বিনাশি তৎ সত্য
মিত্যুচ্যতে। জ্ঞানমিত্যুৎপত্তি বিনাশ রহিতং
চৈতন্যং জ্ঞানমিত্যভিধীয়তে ॥৩॥
অনন্তং নাম মৃদ্বিকারেষু মৃদিব সুবর্ণবিকারেষু
সুবর্নমিব তন্তুবিকারেষু তন্তুরিব অব্যক্তাদি**

"তত্ত্বমসি" বাক্যদা যাওবিবা 'তৎ' পদগী অর্থ ওইনা খংনগদবা ওই-বা 'পরমাত্মা' গী মশক অদু তারুনবগী দমক আত্মা (ব্রহ্ম) গী মশ'গী ওইবা রূপ মরি তাকলি,—"আত্মা (ব্রহ্ম) হায়বা অসি সত্য, জ্ঞান, অনন্ত অমসুং আনন্দগী মশকনি। সত্য হায়বদি অবিনাশী (মাংদবা) হায়বনি। নাম মিং, দেশ, কাল, বস্তু (কার্য্য ওইবা পোৎ) অমসুং কারণ পুম্নমকসিনা মাংলবসু মহাক্তি মাংদবা অদুগুম্বা মহাক অদুবু 'সত্য' হায়না খংনৈ। জ্ঞান হায়বদি পোক্তবা মাংদবা চৈতন্য হায়বনি, অদুগুম্বা পোকপা শিবা লৈতবা চৈতন্য (জ্ঞান) অদুবু 'জ্ঞান' অস্থুম্না হায়নৈ ॥৩॥

'অনন্ত' কৌবদি লৈবাকনা শাবা চফুনাচিংবা পোৎ পুম্নমক্তা লৈবাক্তা মশা পুন্দা যাওবগুম, সনানা শাবা লিকনাচিংবা পোৎশিংদা মশাপুম্বদা সনানা যাওবগুম অমসুং লংনা শাবা ফীনাচিংবদা মশা পুম্বদা লংনা যাও-বগুম প্রধান প্রকৃতিদগী হৌদুনা সৃষ্টি অসিগী পোৎ পুম্নমক্তা হাম্না লৈতনা শিনবা থুংনা মশা অপুম্বা যাওবা অদুগুম্বা চৈতন্যবু 'অনন্ত' অস্থুম্না কৌই। 'আনন্দ' হায়বদি নুংঙাইবগী মশক ওইবা চৈতন্যগী মশকপুনি হায়রদি খগা-লোপ্পা অমদি ঙমখৈ লৈতবা নুংঙাইবগী ঈপাক ওইবা; বিশেষতা মযাম যাওদ্রবা (মখল খাইদ্রবা) নুংঙাইবগী মশক ওইবা অদুগুম্বা চৈতন্যবু 'আনন্দ' অস্থুম হায়না কৌনৈ।

হায়বিবা মরি হায়বদি সত্য, জ্ঞান, অনন্ত অমসুং আনন্দনা মহাক্কী লক্ষণ (স্বরূপ লক্ষণ) ওইবা অস্থুম্বা করিগুম্বা মফমদা করিগুম্বা মরম অমনা মশক হোংবা লৈদ্রবা অদুগুম্বা চৈতন্য অদু 'তত্ত্বমসি' মহা-

সৃষ্টি প্রপঞ্চেষু পূর্ব্বং ব্যাপকং
চৈতন্য মনন্তামত্যুচ্যতে।
আনন্দো নাম সুখ চৈতন্য স্বরূপোঽপরিমিতা-
নন্দ সমুদ্রোঽবিশিষ্ট সুখ স্বরূপ শ্চানন্দ ইত্যু-
চ্যতে। এতদ্বস্তু চতুষ্টয়ং যস্য লক্ষনং দেশ
কালনিমিত্তেষু অব্যভিচারি স তৎ পদার্থঃ পর-
মাত্মা পরং ব্রহ্ম ইত্যুচ্যতে। ত্বং পদার্থাদো-
পাধকাৎ তৎ পদার্থাদোপধিকা দ্বিলক্ষনঃ
আকাশবৎ সর্ব্বগতঃ সূক্ষ্মঃ কেবলঃ সত্তামাত্র অসি
পদার্থঃ স্বয়ং জ্যোতিরাত্মা ইত্যুচ্যতে অতৎ
পদার্থ ইত্যুচ্যতে।

বাক্যদা য়াওরিবা 'তৎ' পদগী অর্থ ওইনা লৌগদবান। হায়রবা অস-গুদা চৈতন্যবু 'পরমাত্মা' অমসুং 'পরং ব্রহ্ম' কৌই।

ত্বং পদগী অর্থ ওইনা লৌনবা উপাধিগ লোইনবা অতুগসু মাল্লদবা অমসুং 'তৎ' পদগী অর্থ ওইবা উপাধিগা লোইনবা অতুগসু মান্নদবা আকাশগুম্না পুম্নমক্তা শিন থুংনা লৈবা কুপথ্রবা শুপনাতগী অরৈবা হায়বতু ওইবা অতু 'তত্ত্বমসি' মহাবাক্যদা য়াওবা অসি পদগী অর্থনি। অসি গুম্না 'অসি পদগী অর্থ ওইবা মশা মণ্ডানগী মশক ওইবা অতুবু আত্মা (শুদ্ধ আত্মা নত্রগা ব্রহ্ম) হায়না কৌনৈ অতুগা তৎপদগী অর্থ নত্রবা অশেংবা আত্ম (ব্রহ্ম) হায়নাসু কৌনৈ।

মায়া কদায়বু কৌবগে হায়বতু খংহল্লি, মাতুদি অনাদি হায়বদি হৌরকফম লৈতবী অন্তর্ব্বত্নী, (গর্ভিনী) হায়বদি মহাক্কী গর্ভদা জগৎ অপুম্বা লৈবী লেংলি-পাল্লিবা পুম্নমক পুথোকপা (পোকপা) ভন্মী, প্রমাণ-অপ্রমাণ অনিগী বিষয় ওইদবী হায়বদি স্বতন্ত্র ওইনা অরৈবা অমনি হায়বগী প্রমাণ লৈতবী, খংনরিবা উনরিবানিনা লৈতে হায়না কক্‌থৎ-পত্ন য়াদবী, অরৈবনা লৈতবা হৌনদবা অমদি লৈতবনা লৈবা হৌনদবনিনা অরৈবা-লৈতবা মহাক অতুবু মায়া কৌই। মহাক্কী অধিষ্ঠান ব্রহ্মদি স্বয়ং অবি-কারনি হায়বদি মশা মশক হোংদবনি মরম অসিনা মায়া হায়বসিনা ব্রহ্মনা

অনাদিরন্তর্ব্বত্নী প্রমাণা প্রমাণসাধারণা
ন সতী নাসতী নসদসতী স্বয়মবিকারাঃ
বিকারহেতৌ নিরূপ্যমানেঽসতী। অনিরূপ্যমানে
সতী লক্ষণস্থন্যা সা মায়েত্যুচ্যতে ॥৪॥
ইত্যথর্ব্বোপনিষদি সর্ব্বোপনিষৎ সারঃ
সমাপ্তঃ ॥ওঁ॥

বিকাব ওইবদা (মশক হোংবদা) কাবণনি অস্থম হাযনা শেমগৎলবদা মায়া অসি অসতী ব্রহ্মদগী তোপনা লৈতবী নত্রগা ওইদবী) হাযবা তাই মবমদি ব্রহ্মগী বিকার লৈতে। অদুগা ঐখোযনা অবিবক দশাদা (অজ্ঞানগী অবস্থাদা) মহাক সে লৈ, মশাগী থবক পুম্নমক ঐখোযদা উহল্লি। অস্থ মহাক অসে অস্থমবীনি নত্রগা অদুবীনি হাযবা লুনা থোকই।

মতাং অসিদা অথর্ব্বোপনিষংগী মন্নুংচন্না সর্ব্বোপনিষৎসার লোইবে॥ওঁ॥

কৈবল্যোপনিষৎ

॥ওঁ॥ ওঁ নমো ভগবতে বাসুদেবায়॥ওঁ॥

অথাশ্বলায়নো ভগবন্তং পরমেষ্ঠিনং
পরিসমেত্যোবাচ। অধীহি ভগবন্ ব্রহ্মবিদ্যাং
বরিষ্ঠাং সদা সদ্ভিঃ সেব্যমানাং নিগূঢ়াম্।
যয়া চিরাৎ সর্ব্বপাপং ব্যপোহ্য পরাৎ পরং পুরুষং
যাতি বিদ্বান্ ॥১॥

তস্মৈ স হোবাচ পিতামহশ্চ শ্রদ্ধা ভক্তি ধ্যানযোগদবেহি
ন কর্ম্মনা নপ্রজয়া ধনেন ত্যাগেনৈকে অমৃতত্বমানশুঃ ॥২॥

ওঁ। ভগবান্ বাসুদেববু খুরুমজৈ।

ঋগ্ বেদগী আচার্য্য আশ্বলায়ন ঋষিনা মশাদা সাধন মরি (নিত্যানিত্য বস্তুবিবেক, বৈরাগ্য) শমাদিসম্পত্তি অমসুং মুমুক্ষা লৈজরবা মতমদা শাস্ত্রগী বিধি কান্দনা ব্রহ্মাগী নাক্তা লাকচবগা হায়জখি, হে ভগবান্! চানবিহুনা, দেহনচিংবদা অমবুদ্ধি লৈত্রবা সাধুশিংনা মতম পুম্মনক্তা মথেগী থামোয়নুংদা হন্নবা, যম্না মথুপ্পা পোৎশক ওইবা অমদি থোইদোক্ন। অথোইবা ওইবা, ব্রহ্মবিদ্য তত্ত্ব খংবা মীনা বিদ্যা অদুনা মবম ওইনা অৱাবা পুম্মমকী মক ওইবা পাপ পুম্মমক মাংহনদুনা থুনমক অথোইবদগী অথোইবা পুরুষ ভগবানবু ফংজবা অদুগুম্না ব্রহ্ম বিদ্যা অদু তাকপিয়ু॥১॥

অসুম্না আশ্বলায়ন ঋষিনা হংজরবদা পিতামহ ব্রহ্মানা মহাক্কী শিষ্য ওইবা ব্রহ্মবিদ্যা পাগা মাঙোন্দা তাকপিখি, মাদুদি নহাক্না ব্রহ্মবিদ্যা খংনিংলবদি শ্রদ্ধা, ভক্তি অমসুং ধ্যাণযোগ অহুম অসিনা খঙননবা হোৎনৌ। অসম অসিনা ব্রহ্মবিদ্যা ফংনবগী কারণনি অদুগা সন্ন্যাসনা মাদুগী কারণনি। অসি নৎবা বৈদিক অমদি স্মার্ত্তকর্ম্মানচিংবা অমসুং

পরেণ নাকং নিহিতং গুহায়াং বিভ্রাজতে যদ,
যতয়ো বিশন্তি। বেদান্ত বিজ্ঞান সুনিশ্চতার্থাঃ
সন্ন্যাস যোগাদ, যতয়ঃ শুদ্ধ সত্ত্বাঃ।
তে ব্রহ্ম লোকেষু পরান্তকালে, পরামৃতাং পরিমুচ্যন্তি সর্ব্বে ।।৩।।
বিবিক্ত দেশেচ সুখাসনস্থ, শুচিঃ সমগ্রীব শিরঃ শরীরঃ ।।৪।।

লন থুম্না ব্রহ্মবিদ্যা ফংবা যাদে। মহাত্মা কয়ানা কর্ম্মনচিংবা পুন্নমক থাদোক্নুনা পরমহংস্যাশ্রমদা চলগা ব্রহ্মবিদা ফংলখিরবনি ।।২।।

পুন্নমক থাদোকপা সন্ন্যাস অদু তৌবগা বেদান্ত শাস্ত্র তমদুনা অমসুং হৈদুনা মাদুগী পাঙ্গলনা "অহং ব্রহ্মাস্মি—ঐ অসে ব্রহ্মনি" অহুম জ্ঞান ওইদুনা কান্নবা ফংজরবা অমসুং সন্ন্যাস যোগতা চংদুনা কন্না হোৎনজবা অদুনা জ্ঞানগী মিংনা ব্রহ্ম উজরবা অমদি বাগদ্বেষনাচিংনা দোষ পুন্নমক কোক্নুনা তবশতকুরবা অন্তঃ করণনা মাখোয়গী ওইরবা অদুগুম্বা যতি (সাধু) শিংনা হৃদিদা গুহাগী মশক ওইবা বুদ্ধিগী মনুংদা থোইদোক্না ঙানদুনা লৈরিবা আনন্দগী মশক ওই ব্রহ্মদুদা চংই হায়বদি 'ঐখোয়সু ব্রহ্মনি' অদুম্বা জ্ঞানদুগী পাঙ্গলনা ব্রহ্মগা অভিন্ন (তোংডন্দবা) অমতা ওইবা ফংই।

হায়রিবা ব্রহ্মজ্ঞান ফংবা যতিশিংদুনা করিগুম্বা অপাম্বা পীবা কারণ অমদগী হবচাংগী মনুংদা ব্রহ্ম উবা ফংখিদ্রবা ওইরবদি মখোয় অদু দেই ত্যাগ তৌরবদা কার্য্য ব্রহ্মগী লোকতা চৎলি। লোক অদুদা ব্রহ্মাগা লোইনদুনা লৈরগা ব্রহ্মাগী পুন্সি লোইরবদা মাদুদগী মুক্তি ফংই হায়বদি ব্রহ্মগা অমতা ওই ।।৩।।

হৌজিক ব্রহ্ম জ্ঞান ফংনবাগী উপাসনা তৌবদা করম্বা মফমদা বরম্বা ফমগনি হায়বদু তাকলি,—অচিকপা লাংদবা মফমদা ফমদা নুঙাইবা কুশনাচিংবনা শেম্ন বা আসনদা নিংথিনা ফমগনি, মনুং মপাংন অনীমক্কী অশেংবা ওইগনি, লেংজুম, কোক, অমদি হকচাং চপ চুম্না (তিংনা) থমদুনা পদ্মাসন নত্রগা স্বস্তিকনাচিংবা আসন শেমদুনা ফমগনি ।।৭।।

**অত্যাশ্রমস্থঃ সকলেন্দ্রিয়াণি নিরুদ্ধ ভক্ত্যা স্ব গুরুং প্রনম্য।
হৃৎ পুণ্ডরীকং বিরজং বিশুদ্ধং বিচিন্ত্য মধ্যে বিশদং
বিশোকং ॥৫॥
অচিন্ত্য মব্যক্ত মনন্তরূপং শিবং প্রশান্ত মমৃতং ব্রহ্ম যোনিং।
তথাদি মধ্যান্ত বিহীন মেকং বিভুং চিদানন্দমরূপমদ্ভুতম্ ॥৬॥
উমা সহায়ং পরমেশ্বরং প্রভুং ত্রিলোচনং নীলকণ্ঠং
প্রশান্তং।**

আশ্রম পুম্নমক্তগী অথোইবা পবমহংস আশ্রমদা লৈতুনা পুকনিংগা লোইনবা ইন্দ্রিয় ওবামকপু মখোযগী বিষযদা চংবা খিংগনি। অহান্দা 'তত্ত্বমসি' বাক্যগী তাকপীবা মশাগী গুরুবু ভক্তি তৌনা থোইদোক্না খুরুমগনি মতু দা হৃৎপদ্মবু (থম্বালগী মওং ওইবা থমোইবু) রাগদ্বেষনা-চিবা লৈত্রবা শেলবা অমকপা যাওদ্রবনি খনগনি অতুগুম্বা হৃৎপদ্ম অহগী মনুংদা শৃববা স্ফটিকগুম মুডাইবনা থম্লবা মোমোন নোকপা অতুগুম্বা পুরুষ অদুবু ধ্যান তৌগনি ॥৫॥

ধ্যান তৌগদবা পুরুষ অদো ববম তৌবনো হাযবা তাকলি,—পুরুষ অসি পুবকনিনা খন্দনা খংবা ঙমদবা অতুগা বাহৈনা তাকপা ঙমদবনি নবমদি মহাক অসি ফোংদবা মশকনি, অতুম্মদি ওইবগা মহাক্কী মশক য়ামই-মহাক্কী রূপ (মশক) এসিনা লোইবা হাযবা যাদে। মহাক মঙ্গলগী মশক অমসুং অবিদ্যানা চিংবা দোষ যাওদবনি। মহাদ অসি অমৃতনি হাযবদি ভূত, ভাবষ্যৎ অমসুং বর্তমান কাল অহুম মাওোন্দা চংদবনি অতুগা খুইদগী হেন্না চাওবনি। মহাক অসি জগৎ অসিগী হৌবকফম অতুগা হৌবা, লোইবা অমসুং মযাই (মরক) লৈতবনি। মহাক্ অমতনি, অনিশুদে অতুগা মফম পুম্নমক্তা লৈবনি, মথন মক্তনা ঙানবা মুডাইবগী মশাক্কি। চিৎ অমদি আনন্দদগী তোপ্পা মাগী মশক অমা লৈতে। অস্নুম্না মহাক অসে অদ্ভুত হাযবসি অঙকপনে ॥৬॥

মুনিগী মশক ওইববা মীনা হাযবদি যাম্না নৈনতুনা খওলবা মীপক্না অর্দ্ধনারীশ্বর রূপ হায়বদি বামঙ্গদা পার্ব্বতী লৈবা রূপ, পুম্নমক তৌবা ঙম্বা

ধ্যাত্বা মুনি র্গচ্ছতি ভূতযোনিং সমস্ত সাক্ষিং তমসঃ পরস্তাৎ ॥৭॥

স ব্রহ্মা স শিবঃ সেন্দ্রঃ সোঽক্ষরঃ পরমঃ স্বরাট্‌।
স এব বিষ্ণুঃ স প্রাণঃ স কালাগ্নিঃ স চন্দ্রমা ॥৮॥

স এব সর্ব্বং যদ্ভূতং যচ্চ ভব্যং সনাতনম্‌।
জ্ঞাত্বা তং মৃত্যু মত্যেতি নান্যঃ পন্থা বিমুক্তয়ে ॥৯॥

সর্ব্বভূতস্থমাত্মানং সর্ব্বভূতানি চাত্মনি।
সংপশ্যন্‌ ব্রহ্ম পরমং যাতি নান্যে ন হেতুনা ॥১০॥

মুমিৎ, থা অমসুং মৈগী মশক ওইবা মিৎ তহুম পাম্বা, থৌরী মুবা অংগং যাম্না ইংগ্রবা অমদি পাল্লবা মাইথোংনা মহাক্কী ওইবা অচুগুম্বা পুরষ ভগবানবু অতৎপা লৈতনা মাগী হৃৎপদ্মদা ধ্যান তৌই। অচুগা পুম্নমকপু উবা খঙবা পুম্নমক্কী হৌবক্‌ফম ওইবা অমসুং অবিদ্যা (মায়াগী বা মদা লৈবা অচুগুম্বা মহাক অদুবু মতাক্লা ফংজৈ ॥৭॥

হায়রিবা পুরুষ ভগবান, অসি সৃটিকর্ত্রা ব্রহ্মা হায়বদুসু মহাক্নি, শিব (মহাদেব) সু মহাক্নি, লোক অহুমগী মপু ইন্দ্রসু মহাক্নি, মাংদবা অথোইবা মতোমতা ঙানবা মহাক্নি, শঙ্খ, চক্র, গদা, পদ্ম পাইবা বিষ্ণুসু মহাক্নি, কালগী মশক ওইবা অগ্নি দেবসু মহাক্নি, চন্দ্রমা (থা বৌবা লাই) সু মহাক্নি ॥৮॥

য়াম্না হায়রুদনা কবি তৌনি অচৎ-চত্ত থরাই পাম্বা পুম্নমক অসি মহাক্কী মশকনি, হৌগ্রবা, ওইবকদবা অমসুং ওইরিবা কাল অহুমদা লৈবা খ্বিক মহাক্কী মশক ঙাক্তনি। মহাক্কী মশক ঙাক্তনি। মহাক্তি মতম পুম্বাদা লৈবা অরেপ্পনি। মহাক অসিবু মুম্না খংজবা ওম্নবদি মৃত্যু (অবিদ্যা হায়বদি মায়া) দগী নাম্থোকই মুক্তি ফংই। অসি নত্তনা মুক্তিগী লম্বেল অমা লৈতে হায়বদি আত্মজ্ঞান (ব্রহ্মজ্ঞান) নত্তবা অতোপ্পা মুক্তিগী উপায অমা লৈতে ॥৯॥

অচৎ-চত্ত পুম্নমক্তা লৈরিবা ঐহায়রগা খঙনরিবা আত্মা (মশা) বু চিংনবা ওম্নবা লৈতনা নিংথিনা উরবা অচুগা ঐ হায়রগা খঙনরিবা আত্মা

আত্মান মরণিং কৃত্বা প্রণবঞ্চোত্তরারণিম্ ॥
জ্ঞাননির্ম্মন্থনাভ্যাসৎ পাশং দহতি পণ্ডিতঃ ॥১১॥
স এব মায়াপরিমোহিতাত্মা, শরীর মাস্থায় করোতি সর্ব্বম্।
স্ত্র্যন্ন পানাদিবিচিত্র ভোগৈঃ স এব জাগ্রৎ পরিতৃপ্তিমেতি ॥১২॥

মশ দন্থ অচৎ-চও পুন্নমকপু চিনবা ওনবা লৈতনা নিংথিনা উববা মীশক অহনা নফম, নতন অমাদক রগত্যা পেৎশক অমনা মহাক্কী ভনথৈ কব্পা যাদরবা চ ওখ্রবা ব্রহ্ম অত্ত্বু ফ ই হায়বাদ উই। অহুম্বা জ্ঞান (আত্মজ্ঞান) প্রাস নবো কাবণ অমন, ব্রহ্ম উব, ভমদে ॥১০॥

আত্মজ্ঞান পী উপায অমা ভাকলি, ওঁক ববু মথক থৎবা অরনি অন্তকরণবু (বুদ্ধিবু) মন্ত্রনা শংদে ক্লবা মখা থৎবা অবান ওইনা খল্লগা মৈবা চিংবাগী অভ্যাস হাৎবাদ ঐ প্রাস পুন্নক্কা মশক ওইবা ব্রহ্মগী মশাক্ক হায়বা জ্ঞান প্রাস পোক্লবা যুক্ত কয়াগা লোইননা বুদ্ধিদা নৈনবগী অভ্যাস তৌবা ভম্নবা পাণ্ডিত ওইবা মীশক অদুনা মাহুদগী পোক্লকপা মৈগী মশক ওইবা, আত্ম-জ্ঞান (ব্রহ্মজ্ঞান) অদুনা আত্ম বু (মশাবু) পুনাশাল্লবা পাশ হায়বদি থোরাংগী নশ, ওৎবা আবজ্ঞ বু (ঐ, ঐগী হাযবা মিথ্যাজ্ঞানবু) উং ওই-হনবা ভাম্ম। (লেবা চিংবদা শিংবক আন চংহ, অননা মখাদা অমনা নথক্তা থনগা। মবা থৎবু অবর অরনি, নথক থৎবু উত্তব অরনি কাহ)।১১।

আবজ্ঞা (মযা) না আত্ম বু করম্না পুনশবা হাযবা অদু তাকলি আত্মা প্রাস অসঙ্গ ওইরবদ্ অাববণ অনাদ বিক্ষপ আনগা শক্তি লৈবা মায়ানা শুনহৎ খব ভইদুনা মীনা চিংবগী হবচাং কয়াদা লৈদুনা থবক পুন্নমক তোহ অদুগা স্ত্রী নঙ্গেগ অনাদ চাবা থকপা নাচিংবা বিষয় ময়াম ভোগ তৌদুনা জাগরণ অবস্থা (বিবয ভোগকী ফিবম) ফংদুনা মাহুদা পেন্দুনা লৈরকই ॥১২॥

স্বপ্নে স জীবঃ সুখদুঃখভোক্তা স্বমায়য়া কল্পিত জীবলোকে।
সুষুপ্তি কালে সকলে বিলীনে, তমোঽভিভূতঃ সুখরূপমেতি ॥১৩॥
পুনশ্চ জন্মান্তর কর্ম্ম যোগাৎ স এব জীবঃ স্বপিতি প্রবুদ্ধঃ।
পুর ত্রয়ে ক্রীড়তি যশ্চ জীবঃ ততস্তুজাতং সকলং বিচিত্রম্।
আধার মানন্দমখণ্ডবোধং যস্মিল্লয়ং যাতি পুরত্রয়ঞ্চ ॥১৪॥
এতস্মাজ্জায়তে প্রাণঃ মনঃ সর্ব্বেন্দ্রিয়ানিচ।

অদুগা হাযবিবা আত্মা (থৱাইগা লোইনবা আত্মা) অসিনা অমুক স্বপ্নাবস্থাদা হাযবদি মংলানগী ফিবমদা মহাক্কী (ময়া অজ্ঞান) না লিংখৎ-লবা লোকতা লেদুনা বাসনাগী মশক ওইবা বিষয় মযাম ভোগ তৌদুনা নুঙাইবা অমসুং অৱাবা ফংই। অদুগা অমুক আত্মা অসিনা সুষুপ্তি কালদা হায়বদি মংমংদনা নিংথিনা তুম্না ফিবম অদু ফংবা মতমদা ইন্দ্রিয় পুম্বানা মাখোযগী থোক্লকফম কারণদা খুপথৱবদা মাযাগী আবরণদা লৈনা লৈনা নুঙাইবগী মশক ওইবা মশাগী নুঙাইবা অদু ফংই ॥১৩॥

অদুম্না নুঙাইবগী মশক ওইবা মশাগী মশক অদু যংকৃরবসু পূর্ব্বজন্মগী কর্ম্মগী মথা পোন্দুনা সুষুপ্তি অবস্থা অদুদগী অমুক হন্না জাগরণ অবস্থা ফংই ॥

হৌজিক জীবগা ব্রহ্মগা অমতনি অমমম তোঙান্না নত্তে হায়না খংহল্লি—হায়ব্রিবা অসুম্না পুর অহুমদা (কোম্নুং অহুমদা) হায়বদি জাগ্রৎ অবস্থা স্বপ্নাবস্থা অমসুং সুষুপ্তি অবস্থাগী মশক ওইবা কোম্নুং অহুমদা মথং-শিংনা স্থূল বিষয়, সূক্ষ্ম বিষয় অমসুং জ্ঞান ভোগ তৌদুনা শান্নরিবা আত্মা (জীবাত্মা) অসে পরমাত্মানি, অতোপ্পা নত্তে প্রাণগা লোইনদুনা হকচাংদা লৈবা কালদা মহাকপু জীব কৌবতনি। জীবগা তোঙান্দবা আত্মা (পরমাত্মা, ব্রহ্ম) মাঙোন্দগী মথল মথলগী মশক মমিংনাইবা জগৎ অপুম্বা অসি থোক্লকপনি। ভ্রম তৌদুনা থৌরিবু লিন ওইনা উবদা জ্ঞান অদুগী (ভ্রম জ্ঞান অদুগী) ওইফম থোরিনা ওইবাগুম উনরিবা সংসার অপুম্বাগী

খং বায়ুর্জ্জ্যোতিরাপশ্চ পৃথ্বী বিশ্বস্যধারিনী ॥১৫॥
যৎ পরং ব্রহ্ম সর্ব্বাত্মা বিশ্বস্যায়তনং মহৎ।
সূক্ষ্মাৎ সূক্ষ্মতরং নিত্যং তৎত্বমেব ত্বমেব তৎ ॥১৬॥
জাগ্রৎ স্বপ্ন সুষুপ্ত্যাদি প্রপঞ্চং যৎ প্রকাশতে।
তদ্ ব্রহ্মাহমিতি জ্ঞাত্বা সর্ব্ববন্ধৈঃ প্রমুচ্যতে ॥১৭॥

ওইফম মহাক্কি। মহাবতি আনন্দ অমসুং মপুংফাবা জ্ঞানগী মশকনি। মথক্তা হায়খ্রিবা পুব অহুম অমসুং অহুমসিগী বিষয ওইবা পোৎ পুন্নমকস্থ মাঙোন্দা অমুক লোইনা থুপখিবনি ॥১৪॥

অসুম্না মরিশুবা অবস্থাদা লৈববা মহাক অসিদগী অমুক প্রাণ (ক্রিয়া শক্তি), মন (জ্ঞানশক্তি), জ্ঞানেন্দ্রিয়শিং, কর্ম্মেন্দ্রিয়শিং, আকাশ, বায়ু তেজ (মৈনাচিংবা), জল অমসুং পুম্নমক পুরিবী পৃথিবী পুন্নমক অসি থোক্লকপনি ॥১৫॥

হৌজিক "তত্ত্বমসি" হায়বা মহাবাক্য অসিগী অর্থ করিনো হায়বত্থ তাকলি—অদুগুমবা অথোইবা ব্রহ্ম হ য়বদি মপান নাইদনা চাওখ্রবা মফম, মতম অনদি পোৎশকনা ঙমখৈ থদা ঙমদবা, থরাই পাম্বা পুন্নমক্কী তুংফম ওইবা, কার্য্য অমসুং কারণ অপুম্বাগী তুংফম ওইবা, কুপ্পাদগী কুপথ্রবা অমসুং অবেপ্পা পোৎশক ওইবা 'তৎ' (মহাক অদো) হমেব জীব মহাক মকনি) অদুগা 'ত্বং' (জীব মহাক অসে) তদেব (মহাকমকনি) হায়বদি 'তৎ' পদাত্মা অর্থ ওইবা ব্রহ্ম অমসুং 'ত্বং' পদগী অর্থ ওইবা জীব পোৎশক অমতনি। কেবল মাত্র মাযাতনা মরম ওইদুনা দেহেন্দ্রিযনা তৌবা থবক্তা ঐনা তৌবনি খমুবগী জীব কৌকবনে মায়া হন্দোকখ্রবদি ব্রহ্ম অদু অদুম ওইরে ॥১৬॥

হৌজিক জীব অমসুং ব্রহ্ম অমতনি খঙবাগী কল তাকলি—জাগ্রৎ, স্বপ্ন অমসুং সুষুপ্তিনা চিংবা বিশ্ব অপুম্বাবু মঙান পীদুনা ঙানহল্লিবা ব্রহ্ম অদো ঐহাকনি অসুম্না নিংথিনা খঙলবা মীশক অদু ঐ, ঐগী অসিনা চিংবা বন্ধণ পুন্নমক্তগী লোইনা কোকপা ওই ॥১৭॥

ত্রিষু ধামসু যদ্ভোগ্যং ভোক্তা ভোগশ্চ যদ্ভবেৎ।
তেভ্যঃ বিলক্ষণঃ সাক্ষী চিন্মাত্রোহহং সদাশিবঃ ॥১৮॥
ময্যেব সকলং জাতং ময়ি সর্ব্বং প্রতিষ্ঠিতম্।
ময়ি সর্ব্বং লয়ং যাতি-তদ্ব্রহ্মাদ্বয়মস্ম্যহম্ ॥১৯॥
অণোরণীয়ানহমেব তদ্বন্মহানহং বিশ্বমহং বিচিত্রম্।
পুরাতনোহহং পুরুষোহহমীশঃ হিরন্ময়োহহং শিবরূপ
মস্মি ॥২০॥
অপাণিপাদোহহমচিন্ত্যশক্তিঃ পশ্যাম্যচক্ষুঃ স শৃণোম্যকর্ণঃ।
অহং বিজানামি বিবিক্তরূপো, নচাস্তি বেত্তা মম চিৎসদাহম্
॥২১॥

নথক্কী মন্ত্রনা যাওববা অহং' পদনা খণ্ডনগদবা ঐ অসে সংসারগী ওইবা লৌবরা পুম্নক্কা নাঃদবা লক্ষণ ভিন্নদবা) অদুবুনি হায়না ত কল,— ঐ ব্রহ্মনি হায়বিবা আত্মা অসি জাগরণ চংবা অবস্থা অহুমদা ভোগ তৌগদবা বিষয় ওইবা পোৎপুমক, ভোগ তৌবিবা বিশ্ব, তৈজস অমসুং প্রাজ্ঞ কৌবা ভোক্তা অহুমগী [illegible] অমসুং মথক্কী খ্বাবিকক্তা ল্যানগী মশক ওইব ওঠনি ॥" ১৮॥

ঐ হায়বগা থংনবিবা চাস্ত্র অসি ব্রহ্মদগী হোৎপুরবনা জগৎ অপুম্বগী কারণনি হায়বি,—ঐহাক্তাদগী জগৎ [illegible] পোকপনি ঐহাক্তা জগৎ অপুম্বা লেদনা লবনি [illegible] ঐহোন্দা [illegible] জগৎ অপুম্বাসি লুপথিবনি জগৎ অপুম্বগী কারণ ওইবা [illegible] নশুম্বা ব্রহ্ম অদু ঐনকনি। ১৯॥

জগৎকী কারণ ওইবনা ঐহোন্দা বিকার লৈতে হায়বদি ঐগী শক্তম তোংবা লৈতে হায়না ঙাকলি,—ব্রহ্ম খড়লবা হায়বদি ব্রহ্মদগী অতোপ্পা অমা নত্রবা ঐ অসি পিকপদগী পিকপা, চাওবদগী চাওবা ঐনি। বিশ্ব সংসার অসি এগী রূপনি। ঐ অসি বিচিত্রনি হায়বদি ঐহোন্দা মান্নদবা মযাম লৈবনি। ঐ অসি অরিবানি, অনৌবা নত্তে। ঐ অসি অরাৎপা লৈতবা অথনবনি, ঐ পুম্নক্কী মপু অমসুং জ্ঞানগী মশক ওইবনি। ঐহাক অসি মঙ্গলগী মশক ওইবা ব্রহ্মনি ॥ ২০ ॥

মশাগী সর্ব্বজ্ঞতা (পুম্নমক খঙবগী মওং) তাকলি—ব্রহ্ম ওইবা ঐগী ইথোং পান্দে, ইখুৎ পান্দে অদুবু ঐগী শক্তি কনানসু খংদবনি, খোং

বেদৈ রনেকৈরহমেব বোদ্ধা বেদান্তকৃৎ বেদবিদেব চাহম্।
ন পুণ্য পাপে মম নাস্তি নাশোনজন্ম দেহেন্দ্রিয়বুদ্ধিরস্তি
॥২২॥

ন ভূমিরাপো নচ বহ্নিরস্তি নচানিলো মেঽস্তি
নচাম্বরঞ্চ। এবং বিদিত্বা পরমাত্মরূপং গুহাশয়ং
নিষ্কলমদ্বিতীয়ম্ ॥২৩॥

সমস্ত সাক্ষিং সদসদ্বিহীনং প্রযাতিশুদ্ধং পরমাত্মরূপং ॥২৪॥

ইতি প্রথমঃ খণ্ডঃ ॥১॥

পান্দ্রবস্ম চংলি। ইখুৎ পান্দবস্ম লৌই চিং পান্দে অদুবু ঐনা খোৎ খোৎপা উই। নাকোং পান্দে অদুবু ঐ পুন্নমক তাবা গুমই। বুদ্ধিনাচিংবা-দগী তোঙানবা ঐগী শক্তমনি অদুবু ঐনা পুন্নমক খণ্ডই। ঐহাকপু তশেংনা খণ্ডবা ঐ নত্তনা অমা লৈতে। ঐহাক অসি মতম পুন্নমক্তা ইশানা মঙান ওইবা জ্ঞাননি ॥২১॥

শাস্ত্রনা খণ্ডহনগদবা ঐ অসিগী করিগুম্বা বিকার অমা লৈতে তাকলি—
"ঋগনাচিংবা বেদ পুন্নমক্তা তাক্কদবা হায়বা অদু ঐ অসিতনি, বেদ অদুসু ঐঙোন্দগী থোকখিবনি অদুগা বেদ অদুবু হৈব খণ্ডবা হায়বা অদুসু ঐনি। ঐহাক্কী পাপ পুন্য হায়বা লৈতে, ঐহাক অসি পোকপা শিবা হায়বা লৈতে। ঐহাক অসিগী দেহ, ইন্দ্রিয় অমসুং বুদ্ধি হায়বা লৈতে ॥-২॥"

ঐ অসিগী ভূমি (পৃথ্বী) ঈশিং, মৈ, নুংশিৎ আমসুং আকাশ হায়বা ঐগীদি লৈতে হায়বদি পঞ্চভূতকী মরি অমতা ঐঙোন্দা লৈতে। হায়-রিবা মওং অসুম্না মুঙাইবগী মশক ওইবা, বুদ্ধিদা লৈবা অনিগুম্নবা আত্মাবু খণ্ডজবা ওম্নবদি পুন্নমক্কী সাক্ষী ওইবা, অফ ফত্ত চংন্রবা অশেংবা পরমাত্মাগী মশক অদু ফংজৈ ॥২৩-২৪॥

মসিদা অহান্না খণ্ড (পন্দুপ) লোইরে॥

য শতরুদ্রীয় মধীতে সোঽগ্নি পূতো ভবতি সুরাপানাৎ পূতো ভবতি ব্রহ্মহত্যাং পূতো ভবতি কৃত্যাকৃত্যাৎ পূতো ভবতি তস্মাদবিমুক্তমাশ্রিতো ভবতি।

অত্যাশ্রমী সর্ব্বদা সকৃদ্বা জপেৎ।

অনেন জ্ঞানমাপ্নোতি সংসারার্ণবনাশনম্।

তস্মাদেবং বিদিত্বৈনং কৈবল্যং ফলমশ্নুতে।

কৈবল্যং ফল মশ্নুতে ইতি ॥১॥

ইতি দ্বিতীয় খণ্ডঃ।

ইত্যথর্ব্ব বেদে কৈবল্যোপনিষৎ সমাপ্তা ॥ওঁ॥

অন্তঃ করণগী শুদ্ধি লৈতবনা ব্রহ্মবিদ্যা অমদি পরমাত্মাগী জ্ঞান ফংবা ঙমজদ্রবা মীশক অতুগী উপায় তাকলি, " মুক্তি পা া অতুগা আত্ম জ্ঞানদি ফংবা ঙমজদ্রবা অতুগুম্বা মীশক অতুনা "নমস্তে রুদ্র ... অসি-নাচিংবা রুদ্রাধ্যায় তত্তনা ঙম্বামখৈ পাঠ তৌগদবনি। অসুম্না রুদ্রাধ্যায় নিত্য পাঠ তৌবা মী অতু মৈ পুম্নমক্কা অর্মদি মুংশিংনা শেংদোক্লবা অশেংবা ওই অতুগা সুরাপাননাচিংবা মহাপাতক, ব্রহ্মবধগী পাপ, খঙনা তৌবা অমসুং খঙদনা তৌবা পাপ পুম্নমক্কগী কোক্লবা অশেংবা ওই। য়াম্না হায়রুবগী কান্নদে—শতরুদ্রীয় পাঠনা মরম ওইদুনা মীওইবনা পশু-পতি (মহাদেব) মক ওইবা ফংজরিবনি।

মরম অসিনা পরমহংস আশ্রমদা চংদুনা মতম পুংদা তত্তনা নত্রগা নোংমগী মন্নুংদা অমুক্তং ওইরবসু রুদ্রাধ্যায় পাঠ তৌগদবনি। অসিগুম্বা রুদ্রাধ্যায় জপ অসিনা সংসারগী মশক ওইবা ঈপাকপু কংহনবা ঙম্বা 'অহং ব্রহ্মাস্মি' হায়বা অপুম্বা ব্রহ্মজ্ঞান ফংবা ঙম্মি।

মরম অসিনা মথক্কা তাকখ্রিবা মওং অসুম্না রুদ্রাধ্যায় পাঠনাচিংবনা মরম ওইদুনা পরমাত্মা (ব্রহ্ম) মহাকপু মশক খংলগা কৈবল্য ফল ফংই (পুম্নমক অসি মতোমতনি মহাক্কা লোইরে অতৈ লৈতে হায়বা খমথেংবা জ্ঞানগী মশক ওইবা ফল ফংই) ॥১॥

অনিশুবা খণ্ড (পন্দুপ) লোইরে।

মতাং অসিদা অথর্ব্ব বেদগী মন্নুংদা লৈবা কৈবল্যোপনিষৎ লোইরে ॥ওঁ॥

ওঁ

ব্রহ্মবিন্দূপনিষৎ

॥ওঁ॥ পরমাত্মনে নমঃ ॥ওঁ॥

মনো হি দ্বিবিধং প্রোক্তং শুদ্ধঞ্চাশুদ্ধমেবচ।
অশুদ্ধং কাম সংকল্পং শুদ্ধং কামবিবর্জ্জিতম্ ॥১॥
মন এব মনুষ্যানাং কারনং বন্ধমোক্ষয়োঃ।
বন্ধায় বিষয়াসক্তং মুক্তং নৈর্ব্বিষয়ং স্মৃতম্ ॥২॥
অতো নির্ব্বিষয়স্যাস্য মনসো মুক্তিরিষ্যতে।
তস্মান্নির্ব্বিষয়ং নিত্যং মনঃ কার্য্যং মুমুক্ষুনা ॥৩॥

ওঁ পরমাত্মাবু খুরুমজে।

মীওইবগী মন (পুকনিং) হায়বাস মথল অনি থোক্না খাইবা য়াই, মাদুদি শুদ্ধ অমসুং অশুদ্ধ। সংসারগী অপাম্বা বিষয় ময়াম লন থুমনা চিংবাগী ৱাখলদা লৈবা, মাখোয় অদুনবু খল্না মনবু অশুদ্ধ মন (অশেংবা অকুবা নত্তবা মন) কৌই। সংসারগী বিষয় ময়ামগী অপাম্বা অদু য়াওদ্রবা অদুগুম্বা মনবুনা শুদ্ধ মন (অশেংবা মন) কৌই ॥১॥

মন (পুকনিং) অসিতনা মীওইবা শিংবু থবক কয়া তৌহন্দুনা সংসারদা পুনশিনবগী কারণ ওই। মীওইবনা সংসার অসিদগী নাম্থোক্লবগী হায়বদি মুক্তি ফংনবগী কাবনসু মন অসিতনা ওই। মতম পুম্নমক্তা বিষয়দা সক্ত ওইবা হায়বদি বিষয়াশংদা লুপ্তুনা লৈবা পুকনিংনা সংসারদা পুনশিল্লি অদুগা বিষযশিংদগী হন্দোক্লব। পুকনিংনা মুক্তি ফংহল্লি ॥২॥

মন না নির্ব্বিষয় ওইরবতদা হায়বদি সংসারগী বিষয় ওইবা ভোগ তৌগদবা অপাম্বা পোৎ ময়াম ভার্য্যা পুত্র, লন থুম, য়ুমকৈ অসিনাচিংবগী ৱাখল থাদোক্লবতদা মুক্তি ফংই, মরম অসিনা মুক্তি পাম্বা মীশকনা করি তৌগদগে হায়ববু পুকনিং অসি মতম পুম্নমক্তা নির্ব্বিষয় ওইহনগদবনি (বিষয়শিংদগী পুকনিংবু চিংখোক্কদবনি) ॥৩॥

নিরস্তবিষয়াসঙ্গং সনিরুদ্ধং মনো হৃদি ।
যদা যাত্যুন্মনীভাবং তদা তৎপরমং পদম্ ॥৪॥
তাবদেব নিরোদ্ধব্যং যাবদ্ধৃদি গতং ক্ষয়ম্ ।
এতজ্ জ্ঞানঞ্চ ধ্যানঞ্চ অতোঽন্যো গ্রন্থবিস্তরঃ ॥৫॥

ইতি প্রথমঃ খণ্ডঃ ॥১॥

নৈবচিন্ত্যং নবা চিন্ত্য মচিন্ত্যং চিন্ত্যমেবচ ।
পক্ষপাত বিনির্ম্মুক্তং ব্রহ্ম সম্পদ্যতে তদা । ৬॥

মন না বিষয় ময়ামগী বাখল থাদোক্তনা উন্মনী ভাব দা লৈরবা (হায়বদি যাম্না চঞ্চল ওইবা পুকনিং অসিনা য়াম্না ইংনা বিষয়গী বাখল থাদোকপদগী নিংথিনা লেংদবগী ফিবমদা লৈরবা), অদুগা অদুগুম্বা মন পুকনিং) অদু হৃৎকমলগী মনুংদা (থম্বাল শাব থমোযগী মনুংদা) লৈরবা অমদি পরমাত্মাগী ধ্যানদা লৈরবা মতম অদুদা মুক্তিগী মশক ওইবা অথোইবা অবস্থা ফংই ॥৪॥

হৃৎকমলগী মনুংদা মন না থিংহুনা লেংদনা লেবা ওইদ্রিবা মতম অদুককী মথৈ মহাকপু বিষয় মযামদা চংখিদনবা থিংহুনা ফাহুনা থমগদবনি । অসুম্না মনবু ফাবা থিংবা অসি অভ্যাসনা, মবম ওইহুনা ঙম্নবতদা জ্ঞাণগী মঙান ফংবা ঙমগনি, ধ্যান তৌবা ঙমগনি অমসুং মুক্তি ফংবা ঙমগনি । অসি নত্তবা হায়রিবা পুম্নমক অদুদি কেবল মাত্র লাইরিকী (গ্রন্থ) গী পাকথোক-পা হায়বাহুতনি ॥

অহানবা পন্দুপ অসিদা লোইবে ॥১॥

অহানবগী পন্দুপতা তৌগদবা ওইবা বাফম অনি মাহুদি মন না তত্ব চিন্তন (পরমাত্ম চিন্তন) তৌবা অমসুং অতত্ব পাদর্থ (মিথ্যা ওইবা সংসার গী পোৎশিং) বু খন্দবাকাওথোকপা অনিসি হায়ব্রে । অদুদি মন (পুকনিং) অসি করম্না নির্ব্বিষয় ওইগনি ? তত্বচিন্তনদা পরমাত্মানা অমদি অতত্ব পদার্থ কাওথোকপদা অতত্বপদার্থনা মহাক্কী বিষয় ওইরি । হৌজিক মাহুগী পাউখুম অসুম্না পীরি—মাহুদি তত্ববস্তু (পরমাত্মা) দি অচিন্ত্যনি, মরম

স্বরেণ সন্ধয়েদ্‌, যোগমস্বরং ভাবয়েৎ পরম্‌।
অস্বরেণহি ভাবেন ভাবো নাভাব ইষ্যতে ॥৭॥
তদেব নিষ্কলং ব্রহ্ম নির্ব্বিকল্পং নিরঞ্জনম্‌।
তদ্‌ ব্রহ্মাহমিতি জ্ঞাত্বা ব্রহ্মসম্পদ্যতে ধ্রুবম্‌ ॥৮॥
নির্ব্বিকল্পমনন্তঞ্চ হেতুদৃষ্টান্ত বর্জ্জিতম্‌।
অপ্রমেয় মনাদ্যঞ্চ জ্ঞাত্বা চ পরমং পদম্‌ ॥৯॥

অসিনা মহাকপু মননা চিন্তন তৌবা (খল্বা) ওইখোক্তবনি মরমদি মহাক্ মম অসিগী বিষয় ওইদে। অতুগা মতম পুম্নমক্তা পুকনিংনা খল্লিবা সংসারগী ওইবা পোৎশিং অসি নিংশিংগদবস্থু নত্তে অচিন্ত্যনি হায়র্বাদ খল্লোইদবনি মরমদি হায়বিবা অতত্ত্ব ওইবা পোৎশিং অসি মিথ্যানি (ওই-দবনি)। নাকল অনিমক্তা হায়বদি পরমাত্ম চিন্তন অমসুং মিথ্যা বস্তুশিংবু খন্দবা কাওথোকপা হায়বা অনিসিদা অমতসু লৈতবা অসি পুকনিংগী নির্ব্বিষয়ওইবনি মতম অতুদা জীব ব্রহ্মগী মশক অতু ওই ॥৬॥

অহানবগী অধিকারী ওইব। মীওইনা শব্দগী হায়বদি গুরুনা তাকপা উপদেশগী নত্রগা ওঁকারগী মতংনা চিতবৃত্তি থিংবগী অভ্যাস তৌবা হৌগনি অমসুং শব্দাতীত ওইবা হায়বদি ব্রাহৈগী ব্রাংনদা লৈবা পরম বস্তু (ব্রহ্ম) বুচিন্তন তৌগনি (খনগনি নিংগনি)। ব্রহ্ম অচিন্ত্য ওইরবস্থু চিন্তন তৌরিবা (খল্লিবা নিংলিবা) ভাব অতুনা পরম বস্তু (ব্রহ্ম) গী মশক ওই হায়বদি ব্রহ্ম শূন্য নত্তে, লৈবনি জ্ঞানতনা মহাকপু উবনি ॥৭॥

হায়রিবা ব্রহ্ম অদো নিষ্কলনি হায়বদি মাঙোন্দা বুদ্ধিনাচিংবা কলা য়ুর্ঠে দে অমদি নির্ব্বিকলপনি হায়বদি মাঙোন্দা বিশেষতা অমতা লৈতবনি অতুগা নিরঞ্জন নি হায়বদি অবিদ্যাদোষ মাঙোন্দা লৈতবনি। 'ব্রহ্ম আদো ঐনি' অসুম্না ঐ হায়রগা খঙনরিবা জীবগা ব্রহ্মগা অমত ওইবা জ্ঞান অসি ওইরর্বাদ লেপ্পমক জীবনা ব্রহ্মগী মশক ওই ॥৮॥

ব্রহ্ম অনিগুদবনি, অন্ত লৈতবনি, মহাক্কী হেতু অমসুং দৃষ্টান্ত লৈ-তবনি, করিগুম্বা প্রমাণ অমতনা খঙবা ঙমদবা অমদি অনন্ত ওইবনি।

ন নিরোধো নচোৎপত্তি নবদ্ধো নচ শাসনম,
ন মুমুক্ষা ন মুক্তিশ্চেদি ত্যেষা পরমার্থতা। ১০॥
ইতি দ্বিতীয়ঃ খণ্ডঃ ॥২॥

এক এবাত্মা মন্তব্যো জাগ্রৎ স্বপ্নসুষুপ্তিষু।
স্থানত্রয়াদ, ব্যতীতস্য পুনর্জ্জন্ম নবিদ্যতে ॥১১।
এক এবহি ভূতাত্মা ভূতে ভূতে ব্যবস্থিতঃ।
একধা বহুধা চৈব দৃশ্যতে জলচন্দ্রবৎ ॥১২॥

অসিগুনা ব্রহ্ম অসি খ জবা চম্নাদি অথোইবা মঙ্গলগী মশক ওইবা অতু-গুণ খুবম অতু ফংই ৯।

আত্মা অসি শিবা লৈতে পোকপা লৈতে, মাঙোন্দা করিগুম্বা বন্ধন (পুনশিন্না) সাতমু লৈতে মাঙোন্দা মহাক্কী ওইবা পাউতাকসু লৈতে। মহাক অরান খুবম ফংবগী অগা মু লৈতে অতুগা মহাক্কী মুক্তি হায়বতুসু লৈতে। অসিগুম্বা বুদ্ধি ওসি মীওইবগী ভশেংনা ওইরবা মতম অতুদা সত্য বস্তু (অবেপ্পা পোৎশক্কী) গী জ্ঞান হায়বদি ব্রহ্ম জ্ঞান ওইরে ॥১০॥

অনিশুবা পন্দূপ লোইরে ॥২॥ ওঁ

জাগ্রৎ অবস্থা (তুমদবা অমসুং থবক-ইনখাং তৌবগী ফিবম), স্বপ্না-বস্থা (তুমবা অমসুং মংমংবগী ফিভম) অমসু সুষুপ্তি (নুঙাইনা তুম্বা অমসুং মংনংদবা) ফিবম অহুম অসিদা আত্মা অমতনি ফিবম খুদিংগী আত্মা তোঙাম্বা নত্তে। মফম অহুম হায়বদি হায়রিবা অবস্থা অহুম অসিবু হেন্দোকত্তুনা আত্মাগী মরিশুবা অবস্থা অতু ফংবা ওম্ববদি অমুকহন্না পোকপা লৈতরে ॥১১।

হকচাং খুদিংদা লৈরসু আত্মা অমতনি, ঈশিংদা লৈবা থাগুম্বনি। থা (চন্দ্র) হায়বসি অমত ওইবসু পৃথ্বি খুদিং, ঈশিং খুদিংদা উবনা য়াম্নোই উই। অতুগুম্বনি আত্মসু মহাক্কী উপাধিশিংগী (হকচাংনাচিংবগী) মখল য়াম্বনা মতম ওইদনা য়াম্না মানবতনি ॥১২॥

ঘটসংবৃত্তাকাশং লীয়মানে ঘটে যথা।
ঘটো লীয়েত নাকাশং তদ্বজ্জীবো নভোপমঃ ॥১৩॥
ঘটবদ্ বিবিধাকারং ভিদ্যমানং পুনঃ পুন।
তদ্ভগ্নং নচ জানাতি স জানাতি চ নিত্যশঃ ॥ ৪॥
শব্দমায়াবৃতো যাবৎ তাবৎ তিষ্ঠতি পুষ্করে।

ঘট (চফু মখল অমা) কায়রগা মতংদা লৈরম্বা আকাশা (অহংবা) অদু লৈতবে (মাংখরে) হায়না ঙহনৈ অদুগুম্না আত্মা (জীবাত্মা) সু মহাক্কী উপাধি লৈতরবদা শিবে লৈতরে অসুম হায়নৈ। থাংগৈ শেংবদি আকাশদি মাংদে মাগী উপাধি ওইবরা ঘট অদুনা মাংখিবতনি। ঘট মনুংগী আকাশ অমসুং মপানগী আকাশ মতনি। জীবাত্মা আকাশগুম্বনি নিত্যানি মাংদে অদুবু মহাক্কী উপাধি ওইরম্বা দেহনা মাংখিবদা মহাকপু শিরে হায়নৈ অওইবা নত্তে ১৩।

উপাধি কৌবদি— ১) করিগুম্বা পোৎশক অমা মহাক্কা মশাদা লৈবা গুণ নত্রগা দোষ অদু মহাক্কা নরবা (২) অতোপ্পা পোৎশক অদুগী ওইনা লৌহনখিবা অওইবদি নত্তবা অদুদা অহানবগী পোৎশক অদু উপধি কৌই। খুদম :—লৈ অঙাংবগী মচু নরুবা অঙৌবা লিকলিদা ঙাবদা লিকলি অদু ঙাংনা উগনি থাংগৈশেংবদি অঙাংবা মচু অদু লিকলিগী নত্তে অসিদা লৈ অঙাংবা অদু উপাধিনি অদুগা ঙাংনা উরিবা লিকলি অদুনা উপহিত (উপাধিগা লৈমিন্নবা) নি।

অদুগুমনা দেহনচিংবনা মাখোইগী গুন দোষ অমাদ ধর্ম্ম পুন্নমক আত্মাদা লৌহল্লি, মায়ানা শুমৎলবা আত্মানা মহাকী নওবা অদু মহাক্কী ওইনা লৌই। অসিদা দেহন চবা উপাধিনি, আত্মানা উপহিত নি। উপহিত আত্মাবু জীবাত্মা কৌই

মখল মখলগী মওং মশক্কী ওইবা হকচাং অসি ঘট (চফু) গুম্বনি হকচাং ময়য়ম অসি মখল ময়াম্নগী মশক মওংগী চফু ময়াম গুম্বনি। চফুনা হম্না হম্না কায়দুনা মাংবাগুম হকচাং অসিসু মাংলিবনি। তৌইগুম্বাসুং

ভিন্নে তমসি চৈকত্বমেক মেবানুপশ্যতি ॥১৫॥

ইতি তৃতীয়ঃ খণ্ডঃ ॥৩॥

শব্দাক্ষরং পরং ব্রহ্ম যস্মিন ক্ষীণে যদক্ষরম্,
তদ্বিদ্বানক্ষরং ধ্যায়েদ্ যদীচ্ছেচ্ছান্তি মাপ্নুয়াৎ ॥১৬॥
দ্বে বিদ্যে বেদিতব্যে হি শব্দব্রহ্ম পরঞ্চযৎ।
শব্দব্রহ্মনি নিষ্ণাতঃ পরং ব্রহ্মাধিগচ্ছতি ॥১৭॥

হন্না হন্না মাংলবমক্তদা হকচাং অসিনা মহাকপু পুরিবা নিত্য আত্মাবু মশক খণ্ডবা ঙমদে। অত্তুগা আত্মানদি হকচাংনাচিংবা পুন্নমকপু মশক খঙ,বা ঙম্মি ॥১৪॥

শব্দ মাত্র হায়বদি রাহৈতগী ওইবী মিথ্যা ওইবী অওইবা নত্তবী মামা অসিনা আত্মাবু কুপপিন্দুনা লৈরিবা মখৈদি হায়বদি আত্মানা মায়ানা শেম্নবা হৃৎপদ্মদা লৈরিবা মখৈদি মশাগী সর্ব্বব্যাপক ওইবা মশক অত্তু খঙদে। কেবল মাত্র হৃৎপদ্মতবু মশাগী লৈফম ওইনা উই। তত্বজ্ঞান না মরম ওইতুনা মায়া অসি লৈত্রবা মতমদদি পুন্নমক্তা শিন থুংনা লৈবা মশাবু অমদি অতোপ্পা অমা লৈতবা মশা মথন্তা ঙাইবা অত্তু খঙ,ই উই ॥১৫॥

অহুমশুবা পন্দুপ লোইরে ॥৩॥

শব্দ ব্রহ্ম অমসুং পরম ব্রহ্ম অনুম্না ব্রহ্ম অনি লৈ। বেদবু শব্দগী মশক ওইবা ব্রহ্মনি হায়তুনা শব্দ ব্রহ্ম কৌই অত্তুগা বেদনা খঙহল্লিবা চৈতন্য স্বরূপ ওইবা ব্রহ্মবু পরম ব্রহ্ম কৌই। শব্দ ব্রহ্ম মাংবা লৈত্রবসু মহাক্না লীন ওইখিবা থুপখিবা মতমদা চৈতন্য স্বরূপ ওইবা পরম ব্রহ্মদি অমদা লীন ওইখ্রিবা থুপখিবা হায়বা লৈতে। মরম অসিনা মশাগী শান্তি পাম্বা অখণ্ডবা পণ্ডিতনা পরম তত্ব ওইবা চৈতন্য ব্রহ্মবু চিন্তন তৌগদবা নিংগদবা ওই, অত্তু নত্রবদি শান্তি ফংবা য়ারোই ॥১৬॥

শব্দ বিদ্যা অমসুং ব্রহ্মবিদ্যা মখল অনিনি। বিদ্যা অনিমক অসি হৈগদবনি খঙ,গদবনি। শব্দগী মশক ওইবা শ্রুতি (বেদ) না মহাকী শব্দ (রাহৈ) ময়ামতুনা খঙহল্লিবা জ্ঞানশিং অত্তু শব্দবিদ্যানি হায়বদি শব্দ

গ্রন্থমভ্যস্য মেধাবী জ্ঞানবিজ্ঞানতত্ত্বতঃ।
পলালমিব ধান্যার্থী ত্যজেদ্ গ্রন্থমশেষতঃ ॥১৮॥
গবামনেক বর্ণানাং ক্ষীরস্যাপ্যেক বর্ণতাঃ।
ক্ষীরবৎ পশ্যতে জ্ঞানং লিঙ্গিনাস্তু গবাং যথা ॥১৯॥
ঘৃতমিব পয়সি নিগুঢ়ং ভূতে চ বসতি বিজ্ঞানম্।
সততং মন্থয়িতব্যং মনসা, মন্থান ভূতেন ॥২০

শিংদগী ফংবা মখল বযাগী জ্ঞানবু শব্দবিদ্যা কৌই। পুম্নমক্কী সাব ওইবা ব্রহ্ম সাক্ষাৎ কাবগী মশক ওইবা জ্ঞান অতুনা ব্রহ্মবিদ্যানি। শব্দ বিদ্যা নি থিনা হৈবরা মী অহৃতনা ব্রহ্মবিদ্যা খঙবা ঙম্মি। শব্দগী মশক ওইবা বেদ বিদ্যাদা অধিকারী ওইদবা মীশক্না ব্রহ্ম বিদ্যা ফংবা কদৌঙৈদস্ত যাব্বাই ॥১৭॥

কৌ লোকপা মীনা কৌ অতু লৌনবগীদমক অহানবদা পাম্বী অতু খাওতুনা পৈশিল্লগা যৈতুনা মচি ওইবা কৌ অতু লৌবগা মচৈ-মনা (চরু) অতু হুনদোকখিবা অতুগুম্না মেধা লৈবা মীনা গ্রন্থ মযাম তমতুনা মাতুদগী শাব্দিক জ্ঞান অমসুং সংসংনা উবাগী মশক তত্ত্ব জ্ঞান অতু ফংলবা মতুংদ হাযবদি মচি ওইবা জ্ঞান অতু লৌথোক্লবাতুংদা গ্রন্থশিং (লাইরিক) কী ৰাযাম অতু হুনদোকখিগদবা ওই ॥১৮॥

মচু মান্নদবা মচু মযামগী ওইবা ষণবীশিংদগী থোকপা শঙ্গোমগী মচু অমতা ওই (চপ মান্ননা অঙৌবা মচু ওই)। খালাশিংনা মচু মচুগী ষণবী-শিংদগী মচু অমতাগী শঙ্গোম শুমদোক্লুনা লৌবা অতুগুম্না মখল মখলগী লাইরিক (গ্রন্থ) তম্লগা মাখোয অতুদগী মচি ওইবা মশক অমতাগী ওইবা আত্মতত্ত্বগী জ্ঞান অতু লৌগদবনি ॥১৯॥

শঙ্গোম অনৌবগী মনুংদা ঘীনা থুপতুনা লৈবাগুম্না থৱাইপাম্বা খুদিংমক্তা জ্ঞানগী মশক ওইবা আত্মা লৈবনি। মথন দগুনা হায়বদি শঙ্গোম লৈনবগী দগু (চৈ) না শঙ্গোম লৈরগা ঘৃত (ঘী) থোক্লকপা অতুগুম্না মন (পুকনিং) অসিনা নৈবগা নৈতুনা থীরগা অতুগুম্বা আত্মতত্ত্বতু দেহগী মনুংদগী পুথোক্লবা অমসুং খঙননবা হোৎনগনি ॥২০॥

জ্ঞান নেত্রং সমাদায় চরেদ্ বহ্নিমতঃ পরম্।
নিষ্কলং নির্ম্মলং শান্তং তদ্ব্রহ্মাহমিতি স্মৃতম্ ॥২১॥
সর্ব্বভূতাধিবাসঞ্চ যদ্ভূতেষু বসত্যপি ॥২২॥
সর্ব্বানুগ্রহাকত্বেন তস্ম্যহং বাসুদেবস্তদস্ম্যহং
বাসুদেব ইতি ॥২৩॥

ইতি চতুর্থঃ খণ্ডঃ ॥২৪॥

ইত্যথর্ব্ববেদে ব্রহ্মবিন্দূপনিষৎ সমাপ্তা ॥ওঁ।

গুরু অমদি শাস্ত্রদ।। জ্ঞানগী মিং ফংলগা অহুগী তুংদা অহুগুদা জ্ঞ নগী মিং অহুনা আত্মবু উবা হায়বদি সংসনা খঙবা অহু ওইননবা হোংন ।- দবনি। আত্মজ্ঞান মৈগী মশক্তি, মহাত্মা কর্ম্ম পুম্নমক চাকথেক পা ওমই। আত্মাবু শংসংনা উবা খঙবা ওম্নবদা বুদ্ধিনা চিংবা কলা যাওদবা, মন্দবা বগনা চিংবা লৈত্রবা ব্রহ্ম অহু ঐনি হায়বা অহুবা জ্ঞন অসিক ওবকনি ॥২১॥

আত্মজ্ঞানী ওইবা মীওইনা ঐ অসি থবাই পাম্ব পুম্নমক্কী তুংফম ওইবা অমদি থবায পাম্বা পুম্নমক্তা লৈবা অমদি থোজানবিবা বাসুদেব ভগবানগী মশকনি, ঐহাক বাসুদেবনী মশক্কি অসুম্না জীবগা ব্রহ্ম।। অমত ওইবগী ভাবনা তৌগনি(জীব অমসুং ব্রহ্ম অমতনি হায়না লৌগনি ॥২২-২৩॥

মবিশুবা পন্দুপ লোইরে ॥৪॥

মতাং অসিদা অথর্ব্ববেদগী ওইবা ব্রহ্মবিন্দুউপনিষৎ লোইরে ॥ওঁ।

ওঁ

শ্রীরামোপনিষৎ ।

॥ওঁ॥ নমোঃ পরমাত্মনে ॥ওঁ॥

ওঁ শনকাদয়ো যোগান্দ্রা অন্যেচ ঋষয়স্তথা ।
প্রহ্লাদাদ্যা বিষ্ণুভক্তা হনুমন্তমিদং ব্রুবন্‌ ॥১॥
বায়ুপুত্র মহাবাহো কিং তত্ত্বং ব্রহ্মবাদিনাম্‌ ।
পুরানেষ্বষ্টাদশসু স্মৃতিষ্বষ্টাদশস্বপি ॥২॥
চতুর্ব্বেদেষু শাস্ত্রেষু সর্ব্বাধ্যাত্ম বিদ্যাসুচ ।
সর্ব্বেষু বিষ্ণুভিগানেষু বিঘ্নসূর্য্যেশ শক্তিষু ।
এতেষু মধ্যে কিতত্ত্বং কথয় ত্বং মহাবল ॥৩॥
ভো ভো যোগীন্দ্রা ঋষয়ো বিষ্ণুভক্তাস্তথৈবচ .

॥ওঁ উপনিষৎ অসি বামতত্ত্ব তাক্পা উপনিষৎনি ।

॥ওঁ পবমাত্মাবু খুরুমজৈ ॥ওঁ॥

শনকনা চিংবা অথোইবা যোগিশিং, অতৈ ঋষি মযাম অমসুং প্রহ্লাদনা চিংবা ভক্তশিংনা শ্রীবামগী অথোইবা ভক্ত হনুমানদা অসি হাযদুনা হংখি মাতুদি হে পাঙ্গলবা ! হৌবাযুদেবগী মচা । পুরাণ তরানিপান, স্মৃতি শাস্ত্র তবানিপান বেদ মরি অমসুং অয়াম্বা অধ্যাত্মবিদ্যা পুম্নমক্কী মনুংদা যাওরিবা অদুগা ব্রহ্মবাদীশিংনসু য়ানল্লবা তত্ত্ববস্তু (মকওইবা পোৎশক) অদু করিনো ? শ্রীবিষ্ণুগী লৈরিবা নাম পুম্নমক্কী মনুংদা কবম্বা নামনা অথোইবা ওইবগে ? অদুগা গনেশ, সূর্য্যদেব, মহাদেব, দুর্গা অমসুং বিষ্ণু দেবতা মঙাসিগী মনুংদা করম্বা দেবতানা অথোইবা দেবতানো (লাইনো) ? হে মহাবলী ? নহাক্না তাকশিনু । ৩॥

শৃন্বত মামকীং বাচং ভববন্ধ বিনাশিনীম্ ।।৪।।
এতেষুচৈব সর্ব্বেষু তত্ত্বঞ্চ ব্রহ্মতারকম্।
রাম এব পরং ব্রহ্ম রাম এব পরং তপঃ।
রাম এব পরং তত্ত্বং শ্রীরামো ব্রহ্ম তারকম্ ।।৫।।
বায়ু পুত্রেনোক্তা যোগীন্দ্রা ঋষয়ো বিষ্ণু ভক্তাঃ
পুনঃ পপ্রচ্ছু হনুমন্তং রামস্যাঙ্গান্ নো ব্রুহি হনুমন্,
স হোবাচ বায়ু পুত্রঃ। বিঘ্নং বানীং দুর্গাং
ক্ষেত্রপালং সূর্য্যং চন্দ্রং নারায়ং নরসিংহং
বাসু দেবং অন্যাংশ্চ কাংশ্চিৎ সর্ব্বনি,
শ্রীসীতাং লক্ষ্মণং হনুমন্তং শত্রুঘ্নং বিভীষণং
সুগ্রীবং অঙ্গদং জাম্ববন্তং ভরতং এতান্
রামস্যাঙ্গান্ জানীয়ৎ অঙ্গাল্ বিনা রামো
বিঘ্নকরো ভবতি ।।৬।।

শ্রীরামগী মনাই মনাই হনুমাননা মাখোয়গী হাযরিবা অদু তাবগা হায়খি —হে অথোইবা যোগি পুন্নমক অমসুং বিষ্ণু ভক্ত পুন্নমক। ঐহাক্কী অসুম ওইবা সংসাবগী বন্ধন (অপাম্বা) বু কোক্‌হন্বা ভম্বা ৱাশিং অসি তাবিয়ু, মাদুদি শাস্ত্র পুন্নমক অসিদা যাওবিবা মাখোয়ন তাকলিবা মরুওইবা তত্ত্ব অদুদি তারক (সংসারগী ঈপাক্‌তগী লানবিবা) ব্রহ্মবুনি। শ্রীরাম হায়রিবা ইবুঙো অসিমক পরং ব্রহ্ম নি। মরু ওইবা তত্ত্ব হায়ৱিবাদুসু ইবুঙোসিনি। দেবতা পুন্নমক্কী মন্নুংদা অথোইবা দেবতাসু মহাক্নি। নাম পুন্নমক্কী মন্নুংদা 'রাম' হায়বা নাম অসিনা অথোইবনি। মরম অসিনা তারক ব্রহ্ম হায়বদু শ্রীরাম অসিনি ।।৪-৫।।

হনুমান্ না অসুম হায়রবদা যোগীশিং অমদি ভক্তশিং অদুনা অমুক হংখি,—"হে হনুমন শ্রীরামগী অঙ্গ ওইবা দেবতাশিং অদুগী মমিং অমসুং মন্ত্র করি করিনো ? ঐখোয়দা তাকপিয়ু।।

মাদুদা বায়ু পুত্র হনুমান না হায়খি—গনপতি (গনেশ), সরস্বতী, দুর্গা, ক্ষেত্রপাল, সূর্য্য (নুমিৎ), চন্দ্র, নারায়ণ, নরসিংহ, বাসুদেব, বারাহ

পুনর্ব্বায়ু পুত্রেনোক্তাস্তে হনুমন্তং পপ্রচ্ছুঃ আঞ্জনেয় মহাবল বিপ্রানাং গৃহস্থানাং প্রনবাধিকারঃ কথং স্যাদিতি ॥৭॥

অয়োধ্যানগরে রামো সমাসীনো রামো ময়া পৃষ্টঃ। সীতাপতে, যোগি মানস হংস, বিপ্রানাং গৃহস্থানাং প্রনবাধিকারঃ কথং স্যাদিতি। সহোবাচ রামঃ। যেষাং ষড়ক্ষরাধিকারো বর্ত্ততে তেষাং প্রনবাধিকারঃ স্যাৎ নান্যেষাম্।

বশিষ্ঠ, বাম দসনর্চিংবা ভমস্নং সীতা, লক্ষ্মণ, হনুমান, শত্রুঘ্ন, বিভীষণ, সুগ্রীব, অঙ্গদ জাম্বান অমস্নং ভরত—মখায অসিবু শ্রীবামচন্দ্রগী অঙ্গনি হায়না খচগদসা ওই। মখাযগী পূজানাচিংবা তৌগনি। নামগী অহৌবা মাযেকগী মথক ওঁ বাব হাপ্পা মমদা বিন্দু (অনুস্বাব) হাপ্পা অদুগী ওইবা মশক অদুনা দেবতা দেবতা অদুগী জীজ মন্ত্রনি অদুগা নাম অদুগী চংথী বিভক্তিগী ওইবা রূপ অদুগনা দেবতাশিং অদুগী মন্ত্রনি। অদুগা মন্ত্রগী মমদা নমঃ নত্তগা স্বাহা হাপকনি। অঙ্গ দেবতাশিংগী পূজানাচিংবা তৌদনা শ্রীবামমন্ত্রবু জপ, পূজানাজিংবা তৌবা অদুদি ফল ওইদে।৬॥

হনুমান না অসুমা খঙহন্নবদা যোগীন্দ্রনাচিংবা অদুনা অমুকসু অসুমা হংখি—হে পাঙ্গলবা অঞ্জনাগী মচা। প্রণব (ওঁ) শোনবদা যতিশিংগী অধিকাব লৈবা ওইনা উৎলি। গৃহস্থ ব্রাহ্মন শংগীদি কবম্না মাখোযনা প্রনব জপ তৌবগী অধিকাব ওইগদৌবিবনা ? ॥৭॥

বাহং অসিগী মবিদা মমাংঙৈদা নহাক্না শ্রীবামচন্দ্রদা হংবদা শ্রীবামচন্দ্রনা তাকখিবা অদু খঙহন্দুনা হনুমান না অমুক হাযখি—নিংথিজবব অয়োধ্যা কোম্নুংগী মন্নুংদা নোংমা শ্রীবামচন্দ্রনা নিংথিনা ফমদুনা লৈবা মতমদা ঐহাক্না হংজখি, হে সীত্যপতে! যোগীশিংগী মানস সরোবরগী হংসগী মশক ওইবা ইবুঙভো। গৃহস্থ ব্রাহ্মণশিংগী প্রনব (ওঁ কার) দা অধিকাব করম্না ওইবগে মাদু তাকপিযু। শ্রীরাম ইবুঙভো মহাক্না হাযখি মাদুদি গৃহস্থ সাধুশিংনা ঐগী ষডক্ষর (শ্রীরামচন্দ্রায) মন্ত্র ফংবদা অধিকার

প্রনবং কেবলং অকারোকারমকার মৰ্দ্ধমাত্রা
সাহিতং জপিত্বা যোরামচন্দ্রমন্ত্রং জপতে
তস্য শুভকরোহহং স্যাম্।
প্রনবস্য চাকারস্য চোকারস্য মকারস্যচার্দ্ধ
মাত্রস্যচ ঋষিচ্ছন্দো দেবতাঃ তদ্বৎ বর্ণ
চতুঃ স্থান স্বর বেদাগ্নি গুণাদীনুচ্চার্য্য ন্যাসং
কৃত্বা প্রনবমন্ত্রান্ দ্বিগুণং জপ্ত্বা পশ্চাদ্
রামমন্ত্র মাদ্যন্ত প্রনবং যো জপতে স রামো ভবেৎ।
ইতি বায়েনাক্তম্ তস্মাৎ রামাঙ্গঃ প্রনবঃ কথিত ইতি
বায়ু পুত্রেনোক্তাঃ পুন র্হনুমন্তং পপ্রচ্ছুঃ ।।৮।।

ল, প্রনব মন্ত্র গী অঙ্গনি, মবনা পাসিনী ষডক্ষব অসিদা দীক্ষা লৌবা মীশিংগী 'প্রনব' তা অধিকাব লৌবে অতু নত্তবাশিংগীদি (বাম মন্ত্র দীক্ষা লৌদবশিংগীদি) অধিকাব লৌতে। অকাব, উকাব, মকাব অমস্তুং অৰ্দ্ধমাত্রাগী মশক ওইবা প্রনব (ওঁ) বু জপ তৌদুনা নম ঐগী ষডক্ষব মন্ত্র শোন্দুনা ঐবু নিংজবা মী অতুগী মফমদা ঐনা অফবা পুন্নমক পীবিবা লৌবিবা ওই।

মবম অসিনা অকাব, উকাব, মকাব অমস্তুং অৰ্দ্ধমাত্রাগী মশক ওইবা প্রনবগী মাযক খুদিংগী ঋষি, ছন্দ, দেবতা অমস্তুং বর্ন, জাগ্রৎ, স্বপ্ন, সুষুপ্ত অমস্তুং তুরীয মফম মবি অসি, উদাত্তনাচিবা স্বব, বেদ অমস্তু গুণনাচিবা পুন্নমক অসি পন্দুনা (হায়দুনা) হৌনবী মতুং ইন্না ন্যাস তৌবগা অগানবদা প্রনব মন্ত্র দ্বিগুণ জপ তৌবগা মতুংদা শ্রীরাম মন্ত্রবু আদি অমদি অন্দা ওঁকাব প্রনব হাপ্লুনা হায়বদি প্রনবনা সম্পুট তৌদুনা বাম মন্ত্র জপ তৌবা অস্তুম্না জপ তৌদুনা শ্রীবামবু (ঐব) নিংবা মী মহাক অদুদি শ্রীবামগী (ঐগী) মশক মক ওই হায়বদি মহাক্না শ্রীবামবু ফংবা ওই। অস্তুম্না শ্রীরামমন্দ্রনা ঐগোন্দা অাকপীখি। মবম অসিনা প্রনব (ওঁ) রামচন্দ্রগী অঙ্গ অমর্নি হায়নথ্রবনি।

অস্তুম্না বাযুপুত্র হনুমান না খণ্ডহল্লবদা যোগীন্দ্রনা চিংবানা অমুকস্তু হনুমানদা হংখি, মাতুদি বিভীষননা লেংবা রামস্তুতি অদু করম তৌবনো?

সহোবাচ হনুমান্‌। রামভক্ত বিভীষণ কৃত
রামপরিচর্য্যায়াং সপ্ত সহস্রানি সংস্কৃত বাক্যানি
গদ্যানি পঞ্চ শতানি আর্য্যাঃ অষ্টৌ সহস্রানি
শ্লোকাঃ চতুর্ব্বিংশতিসহস্রানি পদ্যান দশ সহ
স্রানি দণ্ডকা ইত্যেব মনুক্রমং জ্ঞাত্বা কৃত
কৃত্যো ভবেদিতি হনুমদুপনিষৎ ॥৯॥

হনুমানুবাচ।

সিংহাসনে সমাসীনং রামং পৌলস্ত্যসূদনম্।
প্রনম্য দণ্ডবদ্ভুমৌ পৌলস্ত্যো বাক্য মব্রবীৎ ॥১০॥

পুরশ্চরণ কয়াবক তৌবগা মহাক্কী ফল ফংবা ওই? পুরশ্চরন তৌবা চংদ্রং মতুংগী মন্তর্রা কবি তৌংবনো? ॥৮।

বিভীষণনা লেংজবা রাম পরিচর্যা (রামস্তুতি) দি য়াম্না চাওখ্রে, তৌজিন মাদু শ্রবণ তৌবদা বনা থোক্কনি। মবন অসিনা চঙবাক্লা, মহাক্কী মশক খবরেংকে ভাব অসি তৌদুনা হনুমাননা হায়খি,—বিভীষণনা লেংবা রামস্তুতিদ। য়াওরবা অসি সংস্কৃত বাক্য ৭০০০ (লিশিং তরেৎ) নি, গদ্যবাক্য (সংস্কৃত অমদ প্রকৃতগী ওইবা গদ্য বাক্য) ৭০০০ (লিশিং-তরেৎ), আর্য্যা ছন্দদা লৈবা শ্লোক ৫০০ (চামঙা), শ্লোক ৮০০০ (লিশিং-নিপান), অনুষ্টুপনা হায়বা পদ্দা ২৪০০০ (লিশিং বুনমরি) অমসুং দণ্ডক ছন্দগী ওইবা বাক্য ১০০০০ (লিশিং তরা) নি। অসুম্না শম্না অনুক্রম (মথং মনাও) অমা উৎলবা অসি খঙজবদা খঙলিবা মীশক অদো পোকপগী মহৈ যানজবা ওই।

মথক্তা হায়রিবসি হনুমদুপনিষৎ হায়বদি বিভীষণনা লেংবা রামস্তুতিগী মরমদা হনুমাণনা তাকপা অথুপ্পা জ্ঞাননি। য়াম্না পাক চাওখিবা ওইবনা বিভীষনগী রামস্তুতি অসি জন সাধারণনা মশক খংদবা ওইরে হায়বনি ॥৯॥

মাসিগী মরমদা শ্রীরামনা মনাই বিভীষণদা হায়খিবা অদু হনুমাননা যোগীন্দ্রনাচিংবাদা হায়খি—"সিংহাসনদা নিংথিনা ফম্নবা, পৌলস্ত্যসূদণ (রাবণ নিংথৌবু মাংহনবা শ্রীরামবু লৈমাই থক্তা দণ্ডবৎতানা খুকমতুনা

রঘুনাথ মহাবাহো কৈবল্যং কথিতং ময়া।
অজ্ঞানা মসুলভশ্চৈব কথনীয়ঞ্চ লোলভম্ ॥১১॥

শ্রীরাম উবাচ।

অথ পঞ্চ দণ্ডকাঃ পিতৃঘ্নো জারো গুরুহা
নেককোটি যতিঘ্নোঽনেক কৃতপাপো যো মম
ষন্নবতিকোটি নামানি জপতে স তেভ্যঃ পাপেভ্যঃ
প্রমুচ্যতে স্বয়মেব সচ্চিদানন্দস্বরূপো ভবেন্নকিম্ ॥১২॥
পুনরুবাচ বিভীষণঃ। তত্রাপ্যসক্তোকিংযঃ
স করোতি। সহোবাচ রামঃ। পঞ্চাশল্লক্ষমন্ত্র
মাত্যন্ত প্রনবং মন্ত্রাদ্দিগুণঃ প্রণবঃ যো জপতে
সস্বয়মেবাহং ভবেন্নক্কিম্। পুনরুবাচ কার্কশেয়ঃ।
তত্রাপ্যশক্তা যে তে কিং কুর্ব্বন্তি ইতি।

লিভীবণনা হায়জখি মাতুদি হে রঘু শাগৈগী মপু! হে মহাবলী! ঐনা রাম পরিবর্য্যাদা সঙ্গত বযানা চিংবদ। হায়খিবা মোক্ষ (মুক্তি) গী ওইবা বিষয অতুদি শাস্ত্র জ্ঞাননা চিংবা য়াওদ্রবা অপংবা মীওইশিংনা ফংবদা ব্রবা (খংবদা ববা ওইরে। মরম অসিনা প্রভুনা লাইনা খংবা য়াবা মোক্ষগী বিষয় অতু তাকপিয়্ম॥১০-১১।

শ্রীরামচন্দ্রনা হায়খি বিভীষণনা (নহাক্কা) লেংবা রামস্তুতিগী মন্তুদা য়াওবা দণ্ডক লিশিং তরাগী মন্নুংদগী দণ্ডক মঙা (৫) দা লৌখৎনুনা পাঠ তৌগদবা ওই। মাত্তনাস্ত মুক্তিগী সাধস ওইগনি। মপা হাৎপা, গুরুপত্নী সমন তৌবা, গুরু হাৎপা মশিং নাইদনা সাধু হাৎনা অমসুং মখল মখলগী পাপ তৌবা মীওইবস্ত ঐগী (রাম ঐগী) রামনাচিংবা নাম কোটি ৯৬ (কোটি মরিক্ তরাতরুক) জপ তৌবা মীপক অতু মথক্তা পনখিবা পাপ পুম্নমকক্তগী কোকই। মহাক মশা মন অদো সঞ্চিদানন্দগী মশক করিগী ওইরোইদগে? শোইদনা ওইগনি। মাসি মুখ্য ওইবা পুরশ্চরনি।১২॥

সহোবাচ রামঃ। অথত্রানিপঞ্চানি পুরশ্চরনানি, তত্রাপ্যশক্তো যা মম গীতা মন্নামসহস্রং মদ্বিশ্ব রূপং মদষ্টোত্তরশতাভিধানং নারদোক্তং স্তবরাজং হনুমদুক্তং মন্ত্ররাজাত্মকস্তবঞ্চ সীতাস্তবঞ্চ রামরক্ষো ত্যাদিভিঃ স্তবৈ বেতৈর্যোমাং নিত্যং স্তৌতি স মৎসদৃশো ভবেন্নকিম্ ইরি॥১৩॥

ইত্যথর্ব্ববেদীয় শ্রীরামোপনিৎ সমাপ্তা।

॥ওঁ॥ তৎ সৎ ॥ওঁ॥

বিভীষণনা শ্রীরামদা অমুক হংখি মাতুদি হৌজিক তাক্পীখ্রিবা পাপী-শিংগী লাননবগী উপায অদু পাংথোকপা ঙমদবা মীওইনাদি করি তৌগদগে [illegible]। শ্রীরামনা হায়খি মাতুদি মথক্তা হায়খিবা অসি পাংথোকপা ঙমদবা মীওইনা ঐহাক্কী মন্ত্র লাখ ৫০ বক (লাব যাংখৈ) ঙংহৌবা অমত্তা অহাংইন্দা প্রনব (ওঁকার) হাপ্পুনা (প্রনবমা সম্পুট তৌহুনা) জপ তৌগদবা ওই হায়বদি মন্ত্র জপতগী প্রনবগী জপনা শকক অনি ওইগদবা ওই। অসুম জপ তৌববা মীশক অদু মশামক রাম ঐগী মশক কবি ওইরবাইদগে ওইগনি। বিভীষণনা অমুক হংখি, মাতুদি মাতুস্থ ঙমজদ্রবা মীওইশিংনা করি তৌগদবা ওইবগে ?

শ্রীরামনা হায়খি মাতুদি মাতুস্থ পাংথোকপা ঙমদ্রবদি ঐবু (রাম ঐগী তত্ত্ব) খঙনবা পদা অহুম পাঠ তৌগদবা ওই। মাসি পুরশ্চরণগী মশক ওইনা থংগদবনি। মাতুস্থ পাংথোকপা ঙমদ্রবদি ঐগী গীতা (রামগীতা) পাঠ তৌগদবা ওই। গীতা অদুস পাঠ ঙমজদ্রবদি ঐগী বিশ্বরূপ ধ্যান তৌগদবা ওই। মাতুস্থ ঙমদ্রবদি ঐগী অষ্টোত্তর শতনাম কৌবা নারদনা লেংবা স্তবরাজ পাঠ তৌগদবা ওই। মাতুস্থ ঙমজদ্রবা মী ওইনা হনুমাণনা লেংবা ঐগী মন্ত্ররাজ ত্মক স্তব পাঠ তৌগদবা ওই। মাতুস্থ ঙমদ্রবা মীশকনা সীতানা লেংবা ঐগী স্তব নত্রগা রাম রক্ষানাচংবা স্তবশিংনা ঐবু স্তুতি তৌগদবা ওই। অসুম্না মতম পুম্নমক্তা তত্তনা ঐবু স্তুতি কচ্চবা মী অদু রাম ঐগা মান্নবা মশক অদু ফংজৈ।।১৩।।

মতাং অসিদা অথর্ব্ব বেদগী ওইবা শ্রীরামোপনিষৎ লোইরে ॥ওঁ॥ তৎ সৎ ॥ওঁ॥

ওঁ

নাদবিন্দূপনিষৎ।

॥ওঁ॥ পরমাত্মনে নমো ॥ওঁ॥

ওঁ অকারো দক্ষিণঃ পক্ষ উকরস্তূত্তরং স্মৃতঃ।
মকারস্তস্য পুচ্ছং বা অর্দ্ধমাত্রা শিবস্তথা ॥১।
পাদৌ রজস্তমস্তস্য শরীরং সত্ত্বমুচ্যতে।
ধর্ম্মশ্চ দক্ষিণং চক্ষুরধর্ম্মশ্চোত্তরং স্মৃতম্ ॥২॥
ভূলোকঃ পাদয়োস্তস্য ভুবর্লোকস্তুজানুনোঃ।
স্বর্লোকঃ কটিদেশেতু নাভিদেশে মহর্জ্জগৎ ॥৩॥

ওঁ পরমাত্মাবু খুকুমজৈ ।।ওঁ।।

অকার, উকার, মকার, নাদ অমসুং বিন্দু মঙা অসিনা ওঁ গী মশক ওইবনি। অহানবগী মাত্রা অহুমদা অর্দ্ধমাত্রা (নাদবিন্দু) হাপ্পগা ওইবা অসুম্বা ওঁকার (প্রনবা) বু হংস কৌবা পক্ষী (কাংঙ কৌবা উচেক) গী মশক্তা বর্ন্নন তৌরি—'অসুম্বা হংসগী মশক ওইবা ওঁকারসিগী অকারনা যেৎথংবা মশা, উকারনা ওইবথংবা মশা অমসুং মকারনা মনৈগী মশকনি অত্তগা অর্দ্ধমাত্রা (নাদ বিন্দু) না মকোককী মশকনি ।।১।।

রজ অমসুং তমোগুণনা হংসগী শক্তম ওইবা ওঁকারগী মখোং অনি অমদি সত্ত্বগুণনা মহাক্কী হকচাং ওইবনি। ধর্ম্মনা মহাক্কী য়েৎ থংবা মিৎ অমসুং অধর্ম্মনা ওইথংবা মিৎকী মশক ওইবনি ।।২।।

লোক তরেৎপু হংসাকার ওইবা প্রণব (ওঁ) গী হকচাংদা লৈবনি হায়না উৎলি, মাতুদি ভূলোকনা মহাক্কী মখোং অনিদা, ভুবর্লোকনা খুৎউ অনিদা, স্বর্লোকনা খাংদা অমসুং নাভিদেশ (খোইদৌ) দা মহর্লোকনা লৈবনি ।।৩।।

জন লাকস্তু হৃদয়ে কণ্ঠদেশে তপাস্ততঃ।
ভ্রুবো ললাট মধ্যেতু সত্যলোকো ব্যবস্থিতঃ ॥৪॥
সহস্রাক্ষমিতি চাত্র মন্ত্র এব প্রদর্শিতঃ।
এবমেনং সমারূঢ়ো হংসং যোগবিচক্ষণঃ ॥৫॥
ন বধ্যতে কর্ম্মচারী পাপ কোটি শতৈরপি।
আগ্নেয়ী প্রথমা মাত্রা বায়ব্যৈষা বশানুগা ॥৬।

জনলোকনা মহাক্কী থবাক্তা, তপলোকনা মহাক্কী কণ্ঠদেশ (খোরী) দা অতুগা মহাক্কী শিশুন অমসুং লাইবক অনিগী মবক্তা সত্যলোকনা লৈবনি (ব্রহ্ম বাচক নত্রগা প্রতিমাগুম ব্রহ্মগী প্রতীক ওইবা ওঁকারবু ব্রহ্ম মক্তি লৌতুনা ওঁকারগী উপাসকশিংনা মথক্কী অসুম্না বর্ন্নণ তৌই ॥৪॥

মথক্কী বর্ন্নণ অসিদা 'সহস্রাক্ষং' অসিনা হৌবা বেদ মন্ত্রগী অর্থ উৎলি। বেদ মন্ত্রতুদি অসিনি 'সহস্রাক্ষং বিযতাবস্য পক্ষৌ হরে র্হংসস্য পততং স্বর্গং। স দেবান্সর্বানুরস্য পদধ্য সাক্ষী সম্পশ্যন যাতি ভুবানি বিশ্বা ইতি।" মন্ত্রনিগী অর্থ—"সূর্য্য মণ্ডল গুহা অমদি মঙান লিশিং লিশিংনা মহাক্কী ওইবা সূর্য্য কৌবা ঋষিনা মকোক ওইবা দ্যুলোক (অন্তরীক্ষলোক) দা চৎলিবা (পাইরিবা) অসুম্না বিষ্ণুগী মশক ওইবা হংসপক্ষীগী মওংগী ওঁকার অসিগী নাক য়েৎকী অহাংবা শরুক্তা অকার অমসুং উকারগী মশক্তা মশা অনি ওই। অসুম্না ওঁকারসিনা লাইশিংবু (সাত্ত্বিক ওইবাশিংবু) সত্বরূপ ওইবা মহাক্কী মশাদ (হৃদয়দা) হাপ্পুনা লোক পুম্নমকপু শংসংনা য়েংতুনা ব্রহ্ম লোক ফাত্তবা পাইতুনা চৎলি।" যোগ খঙবা পণ্ডিতনা অসিগুম্না হংসগী মশক ওইবা ওঁকারদা আশ্রয় তৌতুনা মতম শিবিক্তা ব্রহ্মচিন্তন 'কৌই ॥৫॥

হংসগী মশক্তা ওঁকারগী উপাসনা তৌবা মীশক মীওই অতুদি কোটি চামনা মশিং ওইবা পাপ তৌরুরবসু পাপশিং অতুনা মহাকপু পুনশিন্না ঙমদরে। ওঁকারগী উপাসনা অমসুং মাতুগী ফল মথক্তা হায়খরে। হৌজিক ওঁকারগী মাত্রা মরি (অংশ মরি) গী দেবতা (লাই) মশক তাকলি মাতুদি ওঁকারগী অহানবা মাত্রা অকারগী দেবতাদি অগি (মৈ

ভানু মণ্ডল সঙ্কাশা ভবেন্মাত্রা অথোত্তরা।
পরমা চার্দ্ধমাত্রাচ বারুনীং তাং বিদুর্ব্বধাঃ ॥৭॥
কলাত্রয়াননা বাপি তাসাং মাত্রা প্রতিষ্ঠিতা।
এষ ওঁকার আখ্যাতো ধারনাভি নির্বোধত ॥৮॥
ঘোষিনী প্রথমা মাত্রা বিদ্যুন্মালা তথাপরা।
পতঙ্গাচ তৃতীয়া স্যাচ্চতুর্থী বায়ুবেগেনী ॥৯॥
পঞ্চমী নামধেয়া চ ষষ্ঠী চৈন্দ্রী বিধীয়তে।
সপ্তমী বৈষ্ণবী নাম শঙ্করীচ তথাষ্টমী ॥১০॥

কৌবা লাই) নি: অনিশুবা মাত্রা হায়বদি উকারগী দেবতানা বায় (বায়ু দেবতা) ন। অনিশুবা মাত্রা অসি অহুমা মাত্রা ১ং অহু-শুবা মাত্রানী মরক্তা লৈবা মরম্না অহুম্না অমসং অহুমশুবগী মথা পোন্দি। অহুমশুবা মাত্রা মকবা সূর্য্যমণ্ডলগুম মঙান লৈবনি মহাক্কী দেবতা সূর্য্য দেবনি। মরিশুবা অথোইবা মাত্রা অর্দ্ধমাত্রা (অর্দ্ধচন্দ্রাকার) গী দেবতানা বরুণদেবনি অহুম্মা পণ্ডিতশিংনা খংনৈ ॥৬-৭॥

হায়বিবা মাত্রা মরিগী মনুংদা মাত্রা খুদিংমক্তা উদাত্ত, অনুদাত্ত অমসুং স্বরিত হায়বা স্বর ভেদগী মতুং ইন্না মাত্রা অহুম অহুম লৈ। মরম অসিনা ওঁকার (প্রনব) অসি মাত্রা তবানিথোইনা মাঙোন্দা লৈবনি। অসি ফাওবদা হংস পক্ষীগী মশক ওইবা ওঁকারগী ব্যাখ্যা তৌরে হায়বর্দি শংদক্কা তাবলে। অসিগী মনুংদা মাত্রা তবানিথোইগী মকম অমদি মমিংগী মতুং ইন্না ধারন (চিন্তন) তৌবগী রাকম তাকলি, মতু খঙবীয়ু ॥৮।

মাত্রা তরা নিথোইসিগী মনুংদা অহান্বা মাত্রাগী মমিং প্রজ্ঞা (অথোইবা) পীবা ভংগ মরমদগী ঘোষিনী কৌই, অনিশুবা মাত্রাগী মমিং যক্ষলোক ফংবল্লি হায়তুনা বিদ্যুন্মালা কৌই, অহুমশুবা মাত্রাগী মমিং আকাশদা পাইবা ভমহসবদগী পতঙ্গী কৌই; মরিশুবা মাত্রাগী মমিং য়াম্না থুনা চৎপা ভমহল্লী হায়বদগী বায়ু বেগিনী কৌই ॥৯॥

মঙাশুবা মাত্রাগী মমিং পিতৃলোক ফংহল্লী হায়তুনা নাম ধেগা কৌই;

নবমী মহতী নাম ধ্রুবেতি দশমী মতা।
একাদশী ভবেন্মৌনী ব্রাহ্মীতি দ্বাদশী মতা ॥১১॥
প্রথমায়াস্তু মাত্রায়াং যদি প্রাণৈর্বিযুজ্যতে।
স রাজা ভারতে বর্ষে সার্ব্বভৌমং প্রজায়তে॥১২॥
দ্বিতীয়ায়াং সমুৎক্রান্তো ভবেদ্যক্ষো মহাত্মবান্।
বিদ্যাধরস্তৃতীয়ায়াং গন্ধর্ব্বস্তু চতুর্থিকাম্॥১৩॥
পঞ্চম্যামথ মাত্রায়াং যদি প্রাণৈর্বিযুজ্যতে।
উষিতঃ সহদেবত্বং সোম লোকে মহীয়তে॥১৪॥

তরুকশুবা মাত্রাগী মমিং দেব রজ ইন্দ্রগা। অনতা ওইহনবা মবম্না ঐন্দ্রী কৌই; তরেৎশুবা মাত্রাগী মমং শিবলোক ফংহল্লী হায়ত্তুনা শঙ্করী কৌই ॥১০॥

মাপলশুবা মাত্রাগী মমিং মহলোক ফংহনবা মরম্না মহতী কৌই; তরাশুবা মাত্রাগী মামং ধ্রুবলোক ফংহল্লী হায়ত্তুনা ধ্রুবা কৌই; তরামথোই শুবা মাত্রাগী মমং তপোলোক ফংহনবা মরম্নগী মৌনী কৌই; তরানিথোইশুবা মাত্রাগী মামং ব্রহ্মলোক যোংহল্লী হায়ত্তুনা ব্রাহ্মী কৌই ॥১১॥

মাত্রা তবানিথোইসিগী মনুংদা মাত্রা অত্তুবু চিন্তন তৌরিবঁদা (খল্লিবঁদা) থবায় থাবা (শিবা) মঙদা ওইবা ফল অত্তু মথং মথং হায়রি, অহান্না মাত্রাদা ধারনা তৌবিবঁদা (পুর্কানিং হাল্লিবঁদা) প্রানত্যাগ তৌববদি মী অত্তু ভাবর্ষদা পোক্লুনা সার্ব্বভৌম নিংথৌ ওই। ১২॥

অনিশুবা মাত্রাগী ধারনা কালদা থবায় থারবা অত্তুগুম্না মীশক অত্তুনা মতিক মগুন চাওবা অথোইবা যক্ষ লাই জাৎ অমা) অমা ওইবা পোকই। অহুমশুবা মাত্রাদা ধারনা তৌবিবঁদা শিবা সাধক অত্তুদি বিদ্যাধর (লাই জাৎ অমা) ওইনা পোকই। মরিশুবা মাত্রাগী ধারনা তৌরিবঁদা শিরবদি মী মহাক অত্তু গন্ধর্ব্বগী মপোক ফংই ॥১৩॥

মঙাশুবাগী ধারনা তৌবিবঁদা (ধ্যান তৌরিবঁদা) শিবা থোক্লবদি মী অত্তু দেবদেহ ফংত্তুনা হায়বদি লাই ওইনা পোক্লুনা চন্দ্রলোক তা পুম্নমক্কা পূজা তৌনৈ ॥১৪॥

ষষ্ঠ্যাং মিন্দ্রস্য সাযুজ্যং সপ্তম্যাং বৈষ্ণবং পদম্।
অষ্টম্যাং ব্রজতে রুদ্রং পশূনাঞ্চ পতিং তথা॥১৫।
নবম্যাংচ মহর্লোকং দশম্যাঞ্চ ধ্রুবং ব্রজেৎ।
একাদশ্যাং তপো লোকং দ্বাদশ্যাং ব্রহ্ম শাশ্বতম্॥১৬।
ততঃ পরতরং শুদ্ধং ব্যাপকং নিষ্কলং শিবম্।
সদোদিতং পরং ব্রহ্ম জ্যোতিষামুদয়ো যতঃ॥১৭॥
অতীন্দ্রিয়ং গুণাতীতং মনো লীনং যদা ভবেৎ।
অনৌপম্যমভাবঞ্চ যোগযুক্তং তদাদিশেৎ॥১৮॥

তরুকশুবা মাত্রাগী ধ্যানগী মতমদা প্রানত্যাগ ওইরগনা দেব র.জ ইন্দ্রগা অমতা ওইবা খুবম অদু ফংই। তরেৎশুবা মাত্রাগী চিন্তন (ধ্যান) কালদা শিরগনা সাধক অদু বিষ্ণুলোক ফংই। নিপাল শুবা মাত্রাগী ধ্যানকালদা মৃত্যু ওইবগনা শিবমক ওইবা হায়বা খুবম অদু ফংই॥১৫॥

মাপল শুবা মাত্রাগী ধ্যান সময়দা প্রানত্যাগ ওইরগনা মী মহাক অদুনা মহলোক ফংজে। তরাশুবা মাত্রাবু নিংলিঙৈদা শিরবদি সাধক অদু ধ্রুবলোক ফংই তরামাথোইশুবা মাত্রাগী চিন্তন তৌরিঙৈদা মৃত্যু ওইবা থোক্লবদি তপোলোক ফংই। অদুগা তরানিথোইশুবা মাত্রাগী ধ্যান তৌরিঙৈদা শিরবদি ব্রহ্মাগা পুনসি মান্নবা ব্রহ্মলোকতা লৈবা ফংই॥১৬॥

ওঁকারগী নাদ য়াওবা মঙাশুবা বর্ন বিন্দু (ঁ) দা পুকনিং হাপ্তুনা ধ্যান তৌরিঙৈদা প্রানত্যাগ ওইরবনি সাধক অদুনা মথক্তা পনখ্রিবা ফলদগী হেন্না থোইবা ওইবা মাত্রা তরানিথোইগুগী ৱাংমদা লৈবা, তশেং তশেংবা পুন্নমক্তা শিনবা, মঙ্গলগী মশক ওইবা অমসুং মতম খিবিক্তা মঙানগী মশক্তা ঙানল্লিবা পরম ব্রহ্ম অদু ফংজে। পরম ব্রহ্মদুগী মঙান ফংদুনা মননাচিংবা ইন্দ্রিয় পুন্নমকসিনা ঙানজরিবনি অমসুং থবক তৌজরিবনি॥১৭॥

পরম ব্রহ্ম অতীন্দ্রিয়নি হায়বদি ইন্দ্রিয়াশিংনা মাবু খঙবা ঙমদে অমদি মায়াগী গুণ অদুম মাঙোন্দা চংদবনি। মহাক্ নিরুপমনি হায়বদি মহাক্তা মান্নবা অতোপ্পা অমা লৈতে অমসুং ৱাখলনা মহাকপু য়োৗবা ঙমদবনি।

তত্ত্বযুক্তস্তৎসমাসক্তঃ শনৈ যুঞ্জেৎ কলেবরম্ ।
সুস্থিতো যোগচারেণ সর্ব্বসঙ্গবিবর্জ্জিতঃ ॥১৯॥
ততো বিলীন পাশোহ সৌ বিমলঃ কেবলঃ প্রভুঃ
তেনৈব ব্রহ্মভাবেন পরমানন্দমশ্নুতে ।
পরমানন্দ মশ্নুতে ॥২০॥
ইতি ঋগ্বেদগতা নাদাবিন্দূপনিষৎ সমাপ্তা

সাধকনা সাধনা তৌবদা মহাক্কী পুকনিং অদু হায়রিবা পরব্রহ্মদুদা লীন ওইগ্রবা (লুপগ্রবা) মতম অদুদা মহাকপু যোগ যুক্ত হায়বদি অশেংবা যোগ ফংলবনি হায়না খঙ্গদবা ওই ॥১৮॥

ঈশ্বরদা ভক্তি লৈবা ,ঈশ্বরদা মপুকনিং হাপ্পা সাধকনা বিষয়গী তপন্বা পুম্নমক থাদোক্লুনা যোগমার্গদা লেংদনা নিংথিজনা লৈবা মতম অদুদা দেহ-ত্যাগ ওইরবদি মহাক অদু সংসারগী থৌরিনগী নান্থোক্লুনা জীব ভাব থাদোক্লুনা কেবল মাত্র পুম্নমক্তা শিন্না থুংনা লৈবা মঙ্গলবা ব্রহ্মগী মশক ওইনা থোইদোকপা নুঙাইবা অদু ফংই, থোইদোকপা নুঙাইবা অদু ফংই ॥১৯-২০॥

উপনিষৎ অসিদা প্রনব (ওঁকার) দা য়াওরিবা নাদ (ᐡ) অমসুং বিন্দু (০) গী হায়বদি নাদ বিন্দু (ँ) গী বর্নন তৌই । অকারনাচিংবা মাত্রা অহুম য়াওববসু নাদ বিন্দুবু প্রধান ওইনা লৌদুনা উপনিষৎ অসিগী মমিং নাদবিন্দূপনিষৎ কৌবনি ।

মতাং অসিদা ঋগ্বেদগী মনুং চন্না নাদবিন্দূপনিষৎ লোইরে ॥ওঁ॥

॥ ওঁ তৎসৎ ওঁ ॥

মুণ্ডকোপনিষৎ

অথ প্রথমমুণ্ডকে

অত্র প্রথমঃ খণ্ডঃ ।

॥ওঁ॥ ব্রহ্মণে নমঃ ॥

ওঁ ॥ ব্রহ্মা দেবানাং প্রথমঃ সম্বভূব বিশ্বস্য
কর্ত্তা ভুবনস্য গোপ্তা। স ব্রহ্মবিদ্যাং সর্ব্ব-
বিদ্যাপ্রতিষ্ঠাং অথর্ব্বায় জ্যেষ্ঠ পুত্রায় প্রাহ ।১।।
অথর্ব্বণে যাং প্রবদেত ব্রহ্মা অথর্ব্বা তাং
পুরোবাচাঙ্গিরে ব্রহ্মবিদ্যাং । স ভারদ্বাজায়
সত্যবাহায় প্রাহ। ভারদ্বাজোঽঙ্গিরসে পরাবরাম্ ॥২॥

ওঁ ধর্ম্মদা, জ্ঞানদা, চৈরা াদা অনন্ত ঐশ্বর্যদা পুম্নমক্কী পুংহেন হেনবা অমসুং মতিক মঙান চাওবা ইন্দ্র চবা লাই পুম্নমক্কী প্রধান (লুচিংবা) ওইবা ব্রহ্মা কৌবা লাইনা সৃষ্টিগী অাদিদা, মশক পান্দুনা মশামক্কা আবির্ভাব ওইখি (অফোংবা শক লৌখি) জগৎ অপুম্বা অসি মহাক্কা শেমই পুথোকই অমসুং শেম্লবা জগৎ অপুম্ববু মহাক্কা ঙাক্কনা য়োক্কনা থমই। হায়রিবা ব্রহ্মা কৌবা লাই অসিনা বিদ্যা পুম্নমক্কী হৌরকফম ওইবা বিদ্যাবু (পরমাত্মাগী মশক তাকপা বিদ্যাবু) মহাক্কী মচা নিপা অহন অথর্ব্ব কৌবা ঋষিদা তমবিখি ॥১॥

ব্রহ্মানা তমবিবা ব্রহ্মবিদ্যা অদু অথর্ব্ব ঋষিনা অঙ্গিব ঋষিদা অমুক তমবিখি। অঙ্গির ঋষিনা অমুক ব্রহ্মবিদ্যা অদু ভরদ্বাজ গোত্রদা পোকপা সত্যবাহ কৌবা ঋষিগী মফমদা তাকখি। ভারদ্বাজনা হায়বদি সত্যবাহনা গুরু পরম্পরা ওইনা মথক মথক্কী গুরুশিংদগী ফংনরকপা অদু-গুম্বা ব্রহ্মবিদ্যা অদু মহাক্কী শিষ্য অঙ্গিরা ঋষিদা পীখি ॥২॥

শৌনকো হ বৈ মহাশালোঽঙ্গিরসং বিধিবদ্
উপসন্নঃ প্রপচ্ছ। কস্মিন্নু ভগবো বিজ্ঞাতে
সর্ব্বমিদং বিজ্ঞাতং ভবতীতি ॥৩।
তস্মৈ সহোবাচ। দ্বে বিদ্যে বেদিতব্যে ইতিহস্ম যদ্
ব্রহ্মবিদো বদন্তি পরা চৈবাপরা চ ॥৪।
তত্রাপরা। ঋগ্বেদো যজুর্ব্বেদঃ সামবেদোঽথর্ব্ব-
বেদঃ শিক্ষা কল্পো ব্যাকরণং নিরুক্তং ছন্দো
জ্যোতিষমিতি। অথ পরা যয়া তদক্ষরমধিগম্যতে ।৫।

মতু মী তুংদা শুনক কী মচা অথোইবা গৃহস্থ শৌনক ঋষিনা শাস্ত্রগী বিধি কায়দনা হায়বদি মখুৎনা যজ্ঞগী সমিধ, পুতুনা অঙ্গিরা ঋষিগী মফমদা চংজরগা হংজাখ,—'হে ভগবান্ কনাবু নিংথিনা মুন্না খঙজরগা পুম্নমক্ অসি নিংথিনা খাৎ খোংপা খঙবা ওইবগে ॥৩॥

মতুদা অঙ্গিরা ঋষিনা খণ্ডন তৌগদবা পূর্ব্ব পক্ষ হায়রগা সিদ্ধান্ত পক্ষ হায়গদবা না হায়বা নিয়ম লৈবনা খণ্ডন তৌগদবা পূর্ব্ব পক্ষা-গী হায়বদি অপাবা বিদ্যাগী লোইননা তাকখি, মহাক্না হায়খি,—মাদু দি বিদ। অনি হৈগদবান (খঙগদবনি) অহুম্না বেদার্থ খঙবা ব্রহ্ম-জ্ঞানী পাণ্ডতশিংনা হায়। বিদ্যা অনি অমদি পরা বিদ্যা (পরমাত্মানা বিষয় ওইবা বিদ্যা) অমসুং অপরা বিদ্যা (ধর্ম্ম অধর্ম্ম অসিগী ফল ফংবনা বিষয় ওইবা বিদ্যা) অনিসিনি ॥৪।

অপরা বিদ্যাবু শব্দোকনা অদিরানা তাকখি—ঋগ, বেদ, যজু-র্বেদ, সামবেদ, অথর্ব্ব বেদ, বেদাঙ্গ—শিক্ষ, কলপ, ব্যকারণ, নিরুক্ত ছন্দ অমসুং জোতিষ মখোয় অসি অপরা বিদ্যানি। মসিগী তাৎপর্য্যদি অসিনি—অঙ্গ তরুক লোইনবা বেদ সুম্নমক শব্দরাশিনি হায়বদি শব্দ ময়াম-বাক্য ময়ামগী মশক্তি। মখোয় অসি তম্লগা শাব্দিক জ্ঞান ওই। শব্দশিংগী বাক্যশিংগী অর্থ খঙই অমসুং ধর্ম্ম, অধর্ম্ম, অমদি ধর্ম্ম অধর্ম্মগী ফল খঙই। মতু খঙবনা ব্রহ্ম সাক্ষাৎকার ওইবা হায়বদি ব্রহ্মবু শংসংনা খঙবদি ওইদে। মাতু খঙবনা পুম্নমক খোৎ খোৎপা খঙবা ওইদে ব্রহ্ম—পরমাত্মা ফংনবগী বেদ মমুংগী ওইবা অথুপ্পা বিদ্যা অদু সং গুরুদগী

যত্তদদ্রেশ্যমগ্রাহ্যমগোত্রমবর্ণমচক্ষুঃ শ্রোত্রং
তদপানিপাদং। নিত্যং বিভুং সর্ব্বগতং সুসূক্ষ্মং
তদব্যয়ং যদ্ভূতযোনিং পরিপশ্যন্তি ধীরাঃ ।।৬।।
যথোর্ণনাভিঃ সৃজতে গৃহ্ণতে চ যথা পৃথিব্যামোষধয়ঃ
সম্ভবন্তি। যথা সতঃ পুরুষাৎ কেশলোমানি
তথাক্ষরাৎসম্ভবতি ইহ বিশ্বম্ ।।৭।।

ফংগদবনি। মরম অসিনা মপানগী ওইনদি হায়রিবা বেদ পুম্নমক অসি অপরা বিদ্যানি। পরা বিদ্যাগী মরমদা শৌনকনা তাকখি—মাথুদি বিদ্যা অথু হৈরগা (খঙলগা) অক্ষর ব্রহ্মবু শংসংনা খঙবা উবা ঙম্বা অথুগুম্বা বিদ্যাবু পরা বিদ্যা কৌই ।।৫।।

মথক্তা তাকখ্রে মাথুদি পরা বিদ্যানা মরম ওইথুনা (মাংবা নাইদবা) ব্রহ্ম খঙবা ওই। অসিদা অক্ষয় ব্রহ্ম করিনো হায়বা তাকলি—অদৃশ্য হায়বদি মীওইবনচিংবগী জ্ঞানেন্দ্রিয়শিংনা মহাকপু খঙবা ঙমদবা, অগ্রাহ্য হায়বদি কর্ম্মেন্দ্রিয়শিংনসু মহাকপু ফাবা-য়োবা ঙমদবা, অগোত্র হায়বদি মহাক্কী শাগৈ নাতৈ মরিমতা লৈতবা, অবর্ণ হায়বদি মহাক্কী মচু লৈতবা, অচক্ষুঃ শ্রোত্র হায়বদি মীওইবনাচিংবগী গুম্না মমিৎ-মনা পান্দবা, মখোং-মখুৎ পান্দবা, অয়েপ্পা-মাংবা লৈতবা, ব্রহ্মাদগী হৌদুনা উবানা চিংবা থরায় পাম্বা পুম্নমক্পু পুরিবা লৈংল্লিবা, অকাশগুম, মফম পুম্ন-মক্তা লৈবা, য়াম্না কুপ্পা মশক ওইবা, মশক কায়বা লৈতবা অমসুং অচৎ-চত্ত পুম্নমক্কী কারন হায়বদি হৌরকফম ওইবা অথুগুম্বা আম্মা কৌবা বস্তু অথু অক্ষর ব্রহ্মনি অথুগুম্বা অক্ষর ব্রহ্মবু জ্ঞানী ওইবা মীশিংনা জ্ঞানগী মিৎনা মতম পুম্নমক্তা উথুনা লৈ ।।৬।।

অক্ষর ব্রহ্মনা অচৎ চত পুম্নমক্কী হৌরকফম ওইবা খুদম পীথুনা উৎলি—'মি' কৌবা জীবনা মহাক নত্তবা অতোপ্পা মরম অমা য়াওদনা মশাদগী অতোপ্পা ওইনা লং ময়াম মিরাং) মপান্দা চিংথোক্লকপা অথুগা চিংথোক্লকবা মিরাং অদুবু অমুক মশা মন্থুংদা চিংশিনখিবা হায়বদি মশাগী মশক ওইনা থমখিবা অথুগুম্বনি জগৎ পুম্নমক অসি অক্ষর ব্রহ্মাদগী

তপসা চীয়তে ব্রহ্ম ততোঽন্নমভিজায়তে।

অন্নাৎ প্রাণো মনঃ সত্যং লোকাঃ কর্ম্মসু চামৃতম্ ।।৮।

থোক্লকপানি অমুক মাঙোন্দা তিনখিবনি। পৃথিবীগী মনুং (লৈপাক মনুং) দা লৈপাকী মশক ওইদুনা লৈবা মহৈ মরোং পুম্নমক লৈপাকতগী তোঙানবা ওইনা থোক্লকপা (পোক্লক্পা) অমদি শীপ্রিবা হিংলিবা মীগী হকচাংদগী তোঙান্বা মশক্তা শম অমসুং ভু ময়াম থোক্লকপা অদুগুমু অমহানি অক্ষর ব্রহ্মদগী বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ড অসি থোক্লকপনি। উৎলিবা খুদমশিং অসি লাইনা খঙননবগীদমক্তনি। জগৎকী পোৎ পুম্নমক অসি মথং মনাও নাইনা মাঙোন্দগী থোক্লক্পনি। মতম অমতদা পুলপ থোক্লকপা নত্তে ।।৭।।

অক্ষর ব্রহ্মদগী নখং মথং থোক্লকপা অদু তাকলি—অহানবদা জগৎ শেমগে নিংবদগী জ্ঞানগী মশক ওইবা তপস্যানা মরম ওইদুনা অক্ষর ব্রহ্ম মহাক্কী ফিবম অমা হায়তদি মাঙোন্দা করিগুম্বা অমা ফাওরকপা হেনগৎলকপা মওং অমা ওই। মতৌ অসুম্বা ময়োল চোংলমদাইদা বীজনা চাওথোক্লকপাগুম সৃষ্টি শেম্বনাচিংবাগী বিজ্ঞাননা ফিবম অমা লৌরবা ব্রহ্মদগী অন্ন পোকই হায়বদি মতম অদুদা মহাক্কী অব্যাকৃত্ত অবস্থা ওই (মশক্তি হোংত্রিবা অমসুং হোংলকদবগী ফিবম ওই)। অব্যাকৃত্ত অবস্থা অদুদগী প্রান হায়বদি জগৎ অপুম্বাগী প্রানগী মশক ওইবা, জ্ঞান শক্তি অমসুং ক্রিয়া শক্তি য়াওবা হিরন্য গর্ভ (ব্রহ্মা) জগৎ অপুম্বাসিগী ময়োনগী মশক ওইনা পোকই। হিরন্যগর্ভ অসিদগী খন্না-নৈনবা চিংনবা অমসুং বারেপকী মশক ওইবা মন (অন্তঃকরন) পোকই মন অসিদগী সত্য হায়বদি আকাশনা চিংবা পঞ্চভূত (আকাশ, নুংশিৎ, মৈ, ঈশিং, লৈপাক) পোকই। পঞ্চভূত অসিদগী ভূর্লোকনা চিংবা লোক তরেৎ (ভূর্লোক, ভুবর্লোক, স্বর্লোক, মহর্লোক, জনর্লোক, তপো লোক অমসুং সত্যলোক) অমসুং লোক তরেৎতা লৈবা মী লাইনাচিংবা পুম্নমক কর্ম্ম ময়াম অমদি অমৃত (কর্ম্ম ফল) পোকই ।।৮।।

যঃ সর্ব্বজ্ঞঃ সর্ব্ববিদ, যস্য জ্ঞানময়ং তপঃ।
অস্মাদেতদ্ব্রহ্ম নামরূপ মন্নঞ্চ জায়তে।।৯।।
ইত্যথর্ব্ববেদীয় মুণ্ডকোপনিষদি
প্রথম মুণ্ডকে প্রথমঃ খণ্ডঃ।।১।।

মথক্কা হায়খিবা পুম্নমক্কী বাবোইশিন্না ওইনা হায়রি মান্নুদি হায়খিবা অক্ষর ব্রহ্ম অসি সর্ব্বজ্ঞনি মহাক্কা জগৎ অপুম্বাবু চাওবাক্কা লোইনা খঙবনি অমসুং মহাক অসি সর্ব্ববিদনি হায়বদি জগৎ অপুম্বাসিগী অকুপ্পা মনংগী অথুপ্পাশিংসু মহাক্কা লোইনা খঙই পুম্নমক খঙবাগী মশক ওইবা, জ্ঞানগী শকওং অত্তুনা মহাক্কী তপ (তপস্যা) নি। অসিগুম্বা সর্ব্বজ্ঞ ব্রহ্ম অসিদগী হায়খিবা কার্য্য ব্রহ্ম (মখল মখলগী পোৎশক ওইবা ব্রহ্ম) হিরণ্যগর্ভ, মী, উ, দেবদত্তনা চিংবা মিং ময়াম, অঙাংবা অমুবানা চিংবা রূপ ময়াম (মশক ময়াম) অমসুং ফৌ, গেহুনা চিংবা অন্ন ময়াম (চিঞ্জাক ময়াম) পোকপনি।।৯।।

মতাং অসিদা অথর্ব্ব বেদগী মন্নুংচম্বা মুণ্ডকোপনিষৎকী অহানবা মুণ্ডককী অহান্বা খণ্ড লোইবে।।১।।ওঁ।

প্রথম মুণ্ডকে দ্বিতীয়ঃ খণ্ডঃ।

তদেতৎ সত্যং মন্ত্রেষু কর্ম্মাণি কবয়ো যান্য
পশ্যংস্তানি ত্রেতায়াং বহুধা সন্ততানি।
তান্যাচরথ নিয়তং সত্যকামা এষবঃ পন্থাঃ
সুকৃতস্য লোকে ॥১।

মথক্তা অঙ্গ তরুক শাগোন্নবা বেদ মরিবু অপরা বিদ্যানি অমসুং পরম ব্রহ্মাগী মশক খংহনবা বিদ্যানা পরাবিদ্যা (অথোইবা বিদ্যা) নি অসুম তাক্লে। মুনি পাম্বা মীশক মীওইন অপরা বিদ্যাগী বিষয় অমসুং পরা-বিদ্যাগী বিষয় অদুগা বিষয় অনিগী বিবেক তৌগদবনি হায়বদি অনিগী অমতা ওইদবা (খেন্নবা) অদু খঙগদবনি। মবম অসিনা মাদু উৎলি মাহুদি অপবা বিদ্যাগী বিষয়না কল্পনা চিংবানা সাধন ওইদুনা পাংথোকদবা ক্রিয়া (কর্ম্ম) ময়াম অমসুং কর্ম্ম ফল মযামগী মশক ওইবা সংসার অসিনি। অপরা বিদ্যাদা চংবশিনা সংসারগী বন্ধন মনুংদা লৈ। সংসার অসিদি অনন্তনি হায়বনি মহাক্কী লোমবাগী ওমথে লৈতে অমসুং অনাদিনি হায়বদি মাঙোন্দগী হৌনবা ক্ষমা লৈতে। সংসার অসি অন্নাবগী মশকনি, মরম অসিনা থবায় পান্না খুদিংনা মাসিদগী নাম্থোক্লবা হোৎনগদবনি। সংসার অসিগা মরম পুন্নমক। মতম কুইনা তৎতনা লৈনরক্লবা মরি অদুদগী নাম্থোকপাগী মশক ওইবা মুক্তিনা পরা বিদ্যাগী বিষয়নি। পরাবিদ্যাদা চংবাশিংনা সংসারদগী মুক্তি ফংই। মক্তি হায়বা অসিদি হৌবা নাইদে, লোমবা লৈতে, অহন ওইদে, শিবা নাইদে, অমৃতগী মশক্নি। মাঙোন্দা অকিবা চংদে, মহাক অকবনি অমসুং নুঙাইবনি, জীবনা মহাক্কী অশেংবা মশক্তা লৈবনি অমসুং অনিশুদবা পরম আনন্দনি।

বিদ্যা অনিদুগী মনুংদা অপরা বিদ্যাগী বিষয়বু অমুক শব্দোক্লা উৎলি মাদুদি ঋগ,বেদনা চিংবা মমিং কৌরবা মন্ত্রশিংদা অগ্নি হোত্রনাচিংবা কর্ম্ম ময়াম উৎলিবা পুন্নমক অদু বসিষ্ঠনাচিংবা ঋষিশিংনা উপ্রবনি হায়বদি

যদা লেলায়তে হ্যর্চ্চিঃ সমিদ্ধে হব্যবাহনে।
তদাজ্যভাগাবন্তরেনাহুতীঃ প্রতিপাদয়েৎ॥২॥
যস্যাগ্নিহোত্র মদর্শমপৌর্ণমাস মচাতুর্ম্মাস্য
মনাগ্রয়নমতিথি বর্জ্জিতঞ্চ। অহুতমবৈশ্বদেব-
মবিধিনা হুতমাসপ্তমাংস্তস্য লোকান্ হিনস্তি॥৩॥

মাখোয়গী থমোয়দ ফাওখ্রবনি। হায়রিবা কর্ম্মশিং অদু সত্য (অচুম্বা) নি অমসুং মীওইবগী কান্নবা ফংহনবনি। বেদদা তাকলিবা ঋষিশিংনা উগ্রবা কর্ম্মশিং অসি ত্রেতা যুগতা মখল মখা য়াম্না য়াম্না পাক চাওনা শন্দোকখি। মরম অসিনা নখোয়না ফল অদু পাম্বা ওইদুনা কর্ম্মশিং অদু তৌ। সুকর্ম্ম তৌবা হায়বসি স্বর্গনা চিংবা অপাম্বা ফল ফংননবগীদমক নখোয়গী চৎকদবা লম্বীনি॥১॥

পাংথোকদবা সুকর্ম্মশিংগী অহান্না ওইবা মবম্না অগ্নিহোত্র কর্ম্মবু হায়্না উৎলিঃ—

শিং হাপ্তুনা মৈনা নিংথিনা চাক্লবা অমসুং মৈগি অহুনা মরৈ তপা হাই হয়বা মতম অদুদা মৈ মকুগী মথদা দেবতা শিংবু উদ্দেশ্য তৌদুনা আহুতিশিং পীগদবনি। অসুমনা নিংথিনা আহুতি পীবগী মশক ওইবা কর্ম্মনা স্বর্গনাচিংবা ফল ফংবাগী মরম ওই। অগ্নিহোত্র যাগ নিংথিনা পাংথোকপা হায়বসি য়াম্না লুই মাসিদা য়ৈথাইবা যায়া থোকক্লি। মরম অসিনা চোক-শিনগদবনি॥২॥

অগ্নিহোত্র যাগ তৌরিবা মীশম অদুনা দর্শযাগ (অমাবাস্য তিথিদা তৌগদবা যাগ), পৌর্ণমাস যাগ (পূর্ণিমা তিথিদা তৌগদবা যাগ), চাতুর্ম্মাস্যব্রত (আষাঢ়গী শুক্লাদ্বাদশী নত্রগা পূর্ন্নিমা নত্রগা কর্ক্কট সংক্রান্তি নুমিৎতগী হৌদুনা থা মরি চুপ্পা তৌগদবা ব্রত), অগ্রাহায়ণ শ্রাদ্ধ (শরৎ অমসুং বসন্ত ঋতুদা তৌগদবা নবান্ন শ্রাদ্ধ), অমসুং অতিথি সৎকার (নুমিৎ খুদিং তৌগদবা অতিথি পূজা) হায়রিবা পুম্নমক অসি তৌদ্রবা থাদোক্রবা নত্রগা মহাক্না তৌরিবা অগ্নিহোত্রগী আহুতি অদু বিধি চুম্না তৌদ্রবা অমদি মতম চানা তৌদ্রবা অদুগা দর্শযাগনা চিংবা থাদোকপা গুম্না বৈশ্বদেব কর্ম্মসু তৌদ্রবা অদু ওইরবদি মহাক্না ভুলোকতগী হৌবা সত্যলোক্না লোম্বা লোক

কালী করালী চ মনোজবা চ সুলোহিতা যাচ
সুধূম্রবর্ণা স্ফুলিঙ্গিনী বিশ্বরূপী চ দেবী
লেলায়মানা ইতিসপ্তজিহ্বাঃ ।৪।
এতেষু যশ্চরতে ভ্রাজমানেষু যথাকালং
চাহুতয়োহ্যাদদন্। তন্নয়ন্ত্যেতাঃ সূর্য্যস্য-
রশ্ময়ো যত্র দেবানাং পতিরেকোঽধিবাসঃ ॥৫॥
এহ্যেহীতি তমাহুতয়ঃ সুবর্চ্চসঃ সূর্য্যস্য রশ্মিভি-
র্যজমানং বহন্তি। প্রিয়াংবাচমভিবদন্ত্যোঽর্চ্চয়ন্ত্যএষবঃ
পুণ্যো ব্রহ্মলোকঃ ॥৬॥

তারেংগী মমুংদা ফংবা যাবা অমর অমক লৈংবা মহাক্কী অতুগুম্বা অঙ্গ-শুদবা অমদি বিধি চুমদবা অগ্নিহোত্র অতুনা মহাক্কী লোক তারেৎমক মাংলে।৩।

যজমাননা পীবা আহুতি (হোম) লৌব মৈগী মরৈ তরেৎক্কী মমিং তাকলি :—

(১) কালী (২) করালী, (৩) মনোজবা, (৪) সুলোহিতা (৫) সুধূম্রবর্ণা, (৬) স্ফুলিঙ্গিনী, (৭) বিশ্বরূচী—অবৎ অসি মৈগী মরৈ তারেৎকী মমিংনি। মখোয় অসি পীবর্ষবা হোমগী দ্রব্যশিংবু লৌবা-চাবা ভগা মতৌক চঙবা আদি মতাং পুবা থাক্তনি।৪।

অসুম্না নিংথিজনা মৈরী থোক্না চাক্লবা মৈগী মরৈ তরেৎতা মতম চানা বিধি করদনা আহুতি কংপা অতুগুম্বা অগ্নিহোত্রীবু (অগ্নি হোত্র কর্ম্ম তৌবা মীবু) কংখিবা আহুতিশিং অতুনা মুমিৎক্কী কিরণগী মশক ওইদুনা— হাঙ্গৈবদি মুমিৎকী কিরণদা চদুনা স্বর্গদা পুদুনা চৎলি। লাইশিংগী নিংথৌ ইন্দ্রদেবনা লৈবা অতুগুম্বা মফম অদুদা (স্বর্গদা) কংখিবা আহুতিশিংনা যজমানবু যৌহল্লি।৫।

যজ্ঞদা কংখিবা আহুতিশিংনা মতৌনপুবা লাইগী মুক্তি লৌদুনা এহি এহি (লাকপীয়ু-লাকপীয়ু) হায়দুনা, অরাম্না অগ্নি হোত্র যজ্ঞ তৌবা মীবু ওকপী। অদুগা অশেংবা ব্রহ্মলোক (স্বর্গলোক) অসি নহাক্কী তৌখিবা যজ্ঞগী ফল

প্লবা হ্যেতে অদৃঢ়া যজ্ঞরূপা অষ্টাদশোক্তমবরং য়েষু কর্ম্ম। এতচ্ছ্রেয়ো যেঽভিনন্দন্তি মূঢ়া জরামৃত্যুং তে পুনরেবাপি যান্তি ॥৭॥

অবিদ্যায়ামন্তরে বর্ত্তমানাঃ স্বয়ং ধীরাঃ পণ্ডিত-
মমন্যমানাঃ। জঙ্ঘন্যমানাঃ পরিয়ন্তি মূঢ়া অন্ধেনৈব
নীযমানা যথান্ধাঃ ॥৮॥

(মহৈ) নি অসুম্না মুংশিবা বাহৈ হাযত্নুনা অমদি যায়া ইকাই খুম্‌না মহাকপু (দেহ থাদোক্লবা মতুংদ) স্বর্গাগী বিরমনা থোং ওইত্নুনা আহুতিং-শিং অত্নুনা পুত্নুনা ব্রহ্মলোকতা (স্বর্গলোকতা) চৎলে ৬।

অচৌবা যজ্ঞশিংবু পাংথোকপা ঋত্বিক, (পুরোহিত) ১৬ যজুর্বেদগী থবক পুবা— (১) অধ্বর্যু, (২) প্রতিপ্রস্থাতা (৩) নেষ্টা, (৪) উন্নেতা ঋগ, বেদগী থবক, পুবা — (১) হোতা (২) মৈত্রাবরুণ (৩) অচ্ছাবাক, (৪) গ্রাবস্তুৎ, সামবেদগী থবক পুবা— (১) উদ্গাতা, (২) প্রস্তোতা। (৩) প্রতিহর্ত্তা (৪) সুব্রহ্মণ্য, (১) [illegible] পুবা ব্রহ্মা। অথর্ব বেদগী থবক পুবা (২) ব্রাহ্মণচ্ছংসী (৩) [illegible] (৪) [illegible] (১৬) (১) যজমান (২) যজমানগী পত্নী— মখায় [illegible] পাংথোক্নদবা। শাস্ত্রনা হায়রিবা যজ্ঞগী [illegible] ওইবা কর্ম্ম পুম্নমক [illegible] বিনাশী (মাংবা নাইবা) [illegible] অমসুং লেংদবা [illegible] মাখোইনা সংসারগী অচৌবা ইপাকপু লানথোকহনব [illegible] স্বর্গনা চিংবা [illegible] লোইরে। মরমদি হায়রিবা যজ্ঞকর্ম্মশিং অসিদা আত্ম জ্ঞানগী বা [illegible]। অপংবা, মশাদা বিবেক জ্ঞান [illegible] যজ্ঞ কর্ম্মশিং অসিনা ঐখোয়গী অফবা পিবা খ্বাইদগী হেন্না কান্নবনি হায়না মুংভাইজরিবা মখোয় অত্নুনা সংসারদগী খক নান্থোকপা ঙমদে। যজ্ঞ কর্ম্মশিং অত্নুগী ফল ওইনা স্বর্গদা মতম খর লৈক্লবসু অমুক হন্না পোকপা-শিবদা চংলকই ॥৭॥

অবিদ্যাগী মনুংদা লৈরিবা, মশাগী বিবেক জ্ঞান লৈতবা অমসুং খঙগদবা পুম্নমক লোইনা খঙলবা ঐখোইনি হাযত্নুনা নানন তৌরিবা মখোয় অদো অপংবনি। মখোয় অত্নু সংসারগী অরা-অনানচিংবা বয়াগী

অবিদ্যায়াং বহুধা বর্ত্তমানা বয়ং কৃতার্থা
ইত্যভিমন্যন্তি বালাঃ। যৎ কর্ম্মিনো ন প্রবেদয়ন্তি
রাগাত্তেনাতুরাঃ ক্ষীন লোকাশ্চ্যবন্তে ॥৯॥
ইষ্টাপূর্ত্তং মন্যমানা বরিষ্ঠং নান্যচ্ছে্রয়ো বেদয়ন্তে
প্রমূঢ়াঃ। নাকস্যপৃষ্ঠে তে সুকৃতেঽনুভূত্বেমং লোকং
হীনতরংবা বিশন্তি ॥১০॥
তপঃ শ্রদ্ধে যে হ্যপবসন্ত্যবণ্যে শান্তা বিদ্বাংসো-
ভৈক্ষ্যচর্যাং চরন্তঃ। সূর্য্যদ্বারণে তে বিরজাঃ প্রযান্তি
যত্রামৃতঃ স পুরুষোঽহ্যব্যয়াত্মা ॥১১॥

চাথেং লংতুনা কোইচং-চংতুনা লৈবনি। মমিং ভাংলবা মীশক অমনা খুংশংতুনা পুববা মিং তাংবশিংনা কোম্নচিংবদা তাবা অতুগুম্না আত্ম জ্ঞান ধওদবা মীওইশিংনা অগ্নি হোত্রনচিংবা কর্ম্মনা স্বর্গ কারুববসু অমুক হন্না সংসারদা ভাবা শোইদবানি ॥৮॥

অবিদ্যাগী খুতুমদা লৈবা, জ্ঞান লৈতবা অপংবাশিংনা "ঐখোয পোবপ্নী নহে যাম্লে" ঐখোযনা যজ্ঞগী মশক ওইবা কর্ম্ম বয। পাং-থোক্লে হায়না নপন লৌই, মবম্দ ভৌরিবা কর্ম্মশিং অতুগী ফল অতুতা পামখিবনো অশেংবা মরুওইবা পোংশক অতু মখোয়না খঙবা হন্দে। মবম অতুনা কর্ম্ম ফল ফংনবা হোৎনবদা রাজরবা মাখোয অতুনা কর্ম্মফল লোইরবদা স্বর্গলোকতগী অমুক ভারকই ॥৯॥

মচা-মশু, মরল-মথুম স্বর্গনাচিংবা ফংনিংবনা মাতুদা মপুকনিং চংতুনা পংশিল্লবা মাখোয় অতুনা বেদনা তাকপা মৈদা হোম পীবা অমদি পূর্ত্তকর্ম্ম (পুণ্য কৎপনচিংবা কর্ম্ম) না অথোইবনি কান্নবনি খল্লি। মাতুদগী হেন্না আত্ম জ্ঞাননা অথোইবা কান্নবনি হাযবা খঙদে। অসিগুম্বা মীওই-শিংনা কর্ম্মগী ফল ওইনা স্বর্গদা ভোগ চারুরগা (নুংঙাইবা ফংলুরগা) অমুক হন্না মনুষ্য লোকতা মী ওইনা পোকই নত্রগা মহাক্কী কর্ম্ম শেষ অতুগী মতুংইন্না শা-উচেকনাচিংবা ওইনা পোকই ॥১০॥

মথক্তা হাযখ্রিবা মীওইশিং অসি নত্তবা জ্ঞান লৈবা মীওইশিং না বানপ্রস্থ নত্রগা সন্ন্যাস আশ্রমদা চংতুনা মাখোই ইন্দ্রিয় পুম্নমক

**পরীক্ষ্য লোকান, কর্ম্মচিতান, ব্রহ্মনো নির্ব্বেদ-
মায়ান্নাস্ত্যকৃতঃ কৃতেন। তদ্বিজ্ঞানার্থং স গুরুমেবা-
ভিগেচ্ছেৎ সমিৎ পানিঃ শ্রোত্রিয়ং ব্রহ্মনিষ্ঠং ॥১২॥**

অদু লাকপিন্দুনা বনদা চরা হেন্দুনা নত্রগা অফংবা খর চাদুনা, মখোইগী আশ্রমগী হৌনবা কর্ম্ম তৌই অমসুং হিরণ্য গর্ভ ভগবান, ফংনবা বিদ্যা তাল্লি।

হায়রিবা মাখোয় অসি পুণ্য কর্ম্ম অমদি পাপ কর্ম্মগী নাস্তোকপা ওই। মাখোয়না উত্তরায়ণ কালদা দেহ ত্যাগ তৌরগা অমৃত পুরুষ, অব্যয় আত্মা ওইবা হিরণ্য গর্ভনা লৈবা লোক অদুদা (সত্যলোকতা) চংলি ॥১১॥

কার্য্য-কারণগী মশক ওইবা সংসার অসিদগী বিরক্ত ওইরবা হায়রিবা সংসার অসিবু পামদ্রবা মীশক অদুগনা আত্মবিদ্যা (ব্রহ্ম বিদ্যা) ফংবা ঙমই হায়বসি মন্ত্র অসিনা উৎলি—

সংসার অসিদা লৈরিবা লোক পুম্নমক কর্ম্ম চিতনি হায়বদি কর্ম্ম কারীশিংগী কর্ম্মনা মরম ওইদুনা পোক্লকপনি—শেম্বনি। লোক পুম্নমক অসি অদুগা মনিদা লৈরিবা পোৎ পুম্নমক অসি বীজাঙ্কুর গুম্না মহৈ মহৈ অমনা অমগী পোক্লবগী কারণনি; মায়া অমদি মংদা উবা পোৎকুম্না মিথ্যানি; মিকুপ খুদিংদা মাংবা নাইবা চাক্কনি—অসুম্না প্রত্যক্ষ, অনুমান, উপমান অমসুং শব্দ প্রমাণনা নিশ্চয় তৌদুনা ব্রাহ্মণনা বৈরাগ্য (সংসার পামদবা) ওই-গদবনি সংসার অসিদা খুৎশেম নত্তবা পোৎ অমত্তা লৈতে মাখোয় অসি কর্ম্ম চিতনি, লেপ্তুবনি—অপরপ্পা নত্তে। মরম অসিনা তৌরিবা যাগনাচিং-বা কর্ম্ম পুম্নমক লেপ্তুবা ফংননবনি। কর্ম্মশিং অসি তৌরুদুনা করি কাম্ননি। অসুম্না বিরক্ত ওইরগা অকিবা চংদ্রবা মঙ্গলগী মশক ওইবা অদুগুম্বা তত্ত্ব অদু মশক খঙননবা মখুত্তা সমিধ, পুরগা বেদজ্ঞ অমসুং ব্রহ্মনিষ্ঠ গুরুগী মফমদা চংজগদবনি ॥১২॥

তস্মৈ স বিদ্বানুপসন্নায় সম্যক্ প্রশান্তচিত্তায় শমান্বিতায়। যেনাক্ষরং পুরুষং বেদ সত্যং প্রোবাচ তাং তত্ত্বতো ব্রহ্মবিদ্যাম্ ।।১৩।

ইত্যথর্ব্ববেদীয় মুণ্ডকোপনিষদি প্রথম মুণ্ডকে দ্বিতীয়ঃ খণ্ডঃ ।।২।

ইত্যথর্ব্ববেদীয় মুণ্ডকোপনিষদি প্রথম মুণ্ডকং সমাপ্তঃ ।।১।।

মতম অতুদা অতুগুম্বা বেদজ্ঞ গুরুনা বিধিচুম্না চংজরবা, সংসারদগী মপুল্লিং হন্দোক্তনা মপুক ইংলবা, শমদমনা চিংবগুণ চেন্নবা শিষ্য অতুগী মফমদা ব্রহ্মবিদ্যা তম্বিগনি। ব্রহ্মবিদ্যা অতুনা সংগওইবা অক্ষয় পুরুষবু খঙজবা ঙমগনি ॥১৩॥

মতাং অসিদা অথর্ব্ব বেদগী মন্থুং চনবা মুণ্ডকোপনিষদগী অহানবা মুণ্ডককী অনিশুবা তাংকক লোইরে ।।২।

মাসিদা অথর্ব্ববেদগী ওইবা মুণ্ডকোপনিষদগী অহানবা মুণ্ডকস্তু লোইরে ॥১॥

দ্বিতীয় মুণ্ডকে প্রথমঃ খণ্ডঃ।

তদেতৎ সত্যং যথা সুদীপ্তাৎ পাবকাদ বিস্ফু
লিঙ্গাঃ সর্ব্বশঃ প্রভবন্তে সরূপাঃ। তথাক্ষরাদ
বিবিধাঃ সৌম্য ভাবাঃ প্রজায়ন্তে তত্র চৈবাপিযন্তি ॥১॥
দিব্যো হ্যমূর্ত্তঃ পুরুষঃ স বাহ্যাভ্যন্তরো হ্যজঃ।
অপ্রাণো হ্যমনাঃ শুভ্রো হ্যক্ষরাৎ পরতঃ পরঃ ॥২॥

প্রথম মুণ্ডকতা সংসারগী পেৎ পুংক, খঙ্গ, বেদনাচিংবা অপরা বিদ্যাগী বিষয় ওইবা কার্য্য (অশেস্যা) অমদি অবস্থা নত্তবা ডাতোনি হায়খ্রে। সংসারগা অপুনবা অসি অতুগুম্বা নাংদবা মরু ওইবা মাঙোন্দগী থোক্লকপা ওন্থুগা প্রায় কালদা অমুক মাঙোন্দা তিনখিবা অতুগুম্বা পুন্নমক্তা যাওবা তাঙ্গী মশক ওইবা মহাক অতু সত্য হায়বদি অবস্থা অচুম্বনি। মহাকপু খঙনবদি পুন্নমক খঙবা ওই। মতুংদ পরাবিদ্যা (আত্মবিদ্যা)গী বিষয়নি। হায়খিবা মরু ওইবা তত্ত্ব (আত্মা) অসি কবন তৌনা খঙগদগে হায়বগী মরমদা। মন্ত্র অসিনা খুদমগা লোয়ননা তাকলি, মাহুদি নিংথিজনা চাক্কুনা থাল্লবা মৈ অসিদগী মৈ অতুগী মশক ওইবা মশিং লাকপা মরোবা মৈরিক মযাম থোক্লকপা অতুগুম্বা হে সৌম্য। হায়খিবা অবস্থা আত্মা (ব্রহ্ম) অক্ষরদগী মশিং লাকপা মরোবা মাখোয়গী দেহশিংগী মতুং ইনা মশক মমিং যাম্লবা জীবাংশ থোকপনি অতু। অমক মহাক অতোপ্পা নত্তনি। মবম অসিনা জীব পুন্নমক মহাক্কী অংশা ওইরক্লনি। অদুনা মহাক অহুম্ব ঐশ্বর্যগী ইন্দ্রিয়শিংনা খক্তবা ওইদ্রবস্থ জীবগী মশক্না খঙবা গুম্ব তৌবা বাসনি ॥১॥

মাংদবা আত্মা (ব্রহ্ম) অদো মডানগী মশক্কি, মহাক্কী মূর্ত্তি লৈতে হায়বদি নিরাকারনি। মহাক মপুং ওইবা অমসুং পুন্নমক অসিগী মতুং মপান অনিমক্তা লৈবনি। মহাক পোক্তবনি। থবককী শক্তি পুরা মুংশিংকী মশক ওইবা প্রাণ (থওয়াই) মহাক্কী লৈতে। বাখল তৌনবা

এতস্মাজ্জায়তে প্রাণো মনঃ সর্ব্বেন্দ্রিয়ানি চ।
খং বায়ু র্জ্জ্যোতিরাপঃ পৃথিবী বিশ্বস্য ধারিনী ।।৩।।
অগ্নি মূর্দ্ধা চক্ষুংষী চন্দ্র সূর্য্যৌ দিশঃ শ্রোত্রে
বাগ্‌ বিবৃতাশ্চ বেদাঃ। বায়ুঃ প্রাণো হৃদয়ং বিশ্ব-
মস্য পদ্ভ্যাং পৃথিবী হ্যেষ সর্ব্বভূতান্তরাত্মা ।।৪।।
তস্মাদগ্নিঃ সমিধো যস্য সূর্য্যঃ সোমাৎ পর্জ্জন্য
ওষধয়ঃ পৃথিব্যাম্‌। পুমান্‌ রেতঃ সিঞ্চতি যোষি-
তায়াং বহ্বীঃ প্রজা পুরুষাৎ সম্প্রসূতাঃ ।।৫।।

প্রাকৃতিক মন (পুকনিং) সু মহাককী লৈতে। মাযাগী দোষ চংদবা অশেংবা মহাক্নি। অসুম্বা আত্মা (ব্রহ্ম) অসি মাযাগী উপাধি লোয়নবা অব্যাকৃত ব্রহ্ম তত্ত্বদগীসু অথোইবনি, মহাক্কি উপাধি যাওদবনি।

লেংদবা তত্ত্ব (ব্রহ্ম) না অব্যাকৃতরূপ ওইববদা হাযবদি পোৎশিংগী মশক মমিং পুথোকপা মাযাগাসম্বন্ধ ওইদুনা সোপাধি পুরুষগী মশক্ ওইরবদা অসুম্বা মহাক অসিদগী প্রাণ (থবায়), মন, ইন্দ্রিযশিং অমদি ইন্দ্রিযশিংগি বিষয (শব্দ, স্পর্শ, রূপ, রস অমসুং গন্ধ), আকাশ, বায়ু (মপানগী নুংশিৎ) অগ্নি, জল অমসুং পুম্নমবপু পুবিবা পৃথিবী (লৈপাক) মথং মথং পোকই ।।৩।।

অসুম্বা পুরুষ ভগবান অসিগী অগ্নি (স্বর্গলোক) না কোক্কী মশক ওই, নুমিৎ থা অনিনা মহাক্কী মিৎ অনিগী মশকনি। মাইকৈ পুম্নমক্না মহাক্কী নাকোং অনিগী মশক ওই। বেদ পুম্নমক্না মহাক্কী ঙাংথোক্লবা ৱাহৈ পরেংগী মশক ওই, মপান্দা শিৎপা অচৌবা নুংশিৎশিংনা মহাক্কী থবাযগী মশকনি। জগৎ অপুম্বনা মহাক্কী থমোয়গী মশক ওই। মহাক্কী খোংদগী পৃথিবী পোকই (পৃথিবীনা মহাক্কী খোংগী মশকনি)। অসুম্বা পুরুষ অসি সৃষ্টিগী অহৌবদা দেহ পানবা ওই। লোক অহুম অসিনা মহাক্কী দেহ ওই। অমসুং পুম্নমক্কী মনুংদা (দেহ পুম্নমক্কী মনুংদা) লৈবা ভগবান্‌নি ।।৪।।

পুরুষ ভগবান অদুদগী প্রজাশিংগী লৈফম মথল অমা ওইবা (১) অগ্নি হায়বদি দ্যুলোক পোকই, দ্যুলোক্কী মশক ওইবা মৈ অসিগী

তস্মাদৃচঃ সাম যজুংসি দীক্ষা যজ্ঞাশ্চ সর্ব্বে
ক্রতবো দক্ষিনাশ্চ। সংবৎসরঞ্চ যজমানশ্চ
লোকাঃ সোমা যত্র পবতে যত্র সূর্য্যঃ ॥৬॥
তস্মাচ্চ দেবা বহুধা সম্প্রসূতাঃ সাধ্যা মনুষ্যাঃ
পশবো বয়াংসি। প্রানাপানৌ ব্রীহিযবৌ তপশ্চশ্রদ্ধা
সত্যং ব্রহ্মচর্য্যং বিধিশ্চ ॥৭॥
সপ্তপ্রাণাঃ প্রভাবন্তি তস্মাৎ সপ্তার্চ্চিষঃ
সমিধঃ সপ্তহোমাঃ। সপ্ত ইমে লোকা যেষুচরন্তি
প্রাণা গুহাশয়া নিহিতাঃ সপ্ত সপ্ত ॥৮॥

সমিধশিং দি শ্রামংনা ওই হাংবদি মুমিংনা দ্যুলোক ওানবনি। হায়রিবা ইম অসিদগী পোকপা সোম (থা) দগী নোং ময়াম (অনিশুবা মৈ) পোকই। নোংদগী মহৈমরোংনচিংবগী পা মশিং (অহুমশুবা মৈ) পৃথিবীদা পোকই। মহৈমরোংনচিংবা অহুমশুবা মৈ দগী পুরুষ (নিপা ৪শুবা মৈ) পোকই। নিপা অদুনা মুপী (৫শুবা মৈ) দা রেত বীর্য্য) পী। অদুম্না মৈ মঙানা মরম ওইদুনা পুরুষ ভগবানদগী ব্রহ্মণনাচিবা প্রজাশিং ময়াম পোকখিবনি ॥৫।

পুরুষ মঙোন্দগী ঋগ, বেদ, সাম বেদ, অমসুং যজুর্ব্বেদ বেদ অহুমগী মন্ত্রশিং, মক্তগী দীক্ষা, অগ্নিহোত্রনাচিংবা যজ্ঞ পুম্নমক, ক্রতু (বলিগী যূপ য়াওবা যজ্ঞ), দক্ষিনাগী ওইবা পোৎ পুম্নমক, সম্বৎসর (কর্ম্মগী অঙ্গ ওইবা কাল) যজমান (যজ্ঞ কর্ত্তা) অমসুং কর্ম্মগী ফল ওইবা লোক পুম্নমক পোকখি। লোকশিং অসি চন্দ্র (থা) না মাগী মঙাম্না পবিত্র ওইহল্লি অদুগা সূর্য্যনা মৈশা পী ॥৬॥

পুরুষ ভগবান, মাঙোন্দগী মখল মখলগী লাইশিং, সাধ্যশিং (সৃষ্টিগী অহৌবদা পোক্পা লাই মখল অমা), মীওইবশিং, মিরক্তা অমদি জঙ্গোলদা লৈবা শাশিং, উচেকশিং, মীওইবনাচিংবগী হিংননবগী প্রাণ অমসুং অপাণ কৌবা দেহগী মুংশিং, হোমগী মচাক ব্রীহি (ফৌ) অমসুং যব, তপস্যা, (অৱাবা খাংদুনা লৈই নিংবা), শ্রদ্ধা, সত্য (অচুম্বা হায়বা) অমসুং ব্রহ্মচর্য্য অমদি ব্রহ্মচর্য্যগী বিধি পুম্নমক অসি পোক্লকনি।

মকোক ওইবা প্রাণ তরেৎ, মাগী মাগী বিষয় উহনবা মঙান তরেৎ,

অতঃ সমুদ্রা গিরয়শ্চ সর্ব্বেঽস্মাৎ স্যন্দন্তে
সিন্ধবঃ সর্ব্বরূপাঃ। অতশ্চ সর্ব্বা ওষধয়ো রসশ্চ
যেনৈষ ভূতৈস্তিষ্ঠতে হ্যন্তরাত্মা ॥৯॥
পুরুষ এবেদং বিশ্বং কর্ম্ম তপো ব্রহ্ম পরামৃতম্।
এতদ্‌ যো বেদ নিহিতং গুহায়াং সোঽবিদ্যাগ্রন্থিং
বিকিরতীহ সৌম্য।১০॥
ইতি দ্বিতীয় মুণ্ডকে প্রথমঃ খণ্ডঃ ।।১॥

সমিধ (হোমগী শিং) অমসুং, হোম তৌরেং প্রাণগী চৎকম অমসুং, ইন্দ্রিয়শিংগী লৈফম লোক (মফম) তরেৎ পুন্নমক অসি পুরুষ মাগোন্দগী থোকপা ঙাক্তনি। মাখোয়শিং অসি হকচাংদা লৈবনি অর্দি বিধাতা নাথাবা য পান্দ বাশিংগী হকচাং খুদিংদা তরেৎ তরেৎ ওইনা হাপথবনি।।৮।

পুরুষ ভগবান, অসিদগী সমুদ্র পুন্নমক অমদি হিমালয়নাচিংবা চিং পুন্নমক থোরকপনি। গঙ্গানচিংবা মখল মখলগী মশক ওইবা সিন্ধুশিং (তুরনশিং) মাঙোন্দগী থোকলকপনি। পুরুষ মহাক অসিদগী হিদাকী মশক ওইবা ফৌ যবনচিংবা থোরককই। মখল তরুন্থা বসন্ত মাঙোন্দগী থোরকপনি। রস অসিনা শেন্বা অপৌবা পঞ্চভূত মডানা হায়বদি স্থূল শরীরনা কুপশিন্দুনা অন্তরত্মা হায়বদি লিঙ্গশরীর (সূক্ষ্ম শরীর) লৈ।৯।

হে সৌম্য, অস্থুম্না পুন্নমক অসি পুরুষ মঙোন্দগী পোরকই। মরম অসিনা পুন্নমক অসি পুরুষগী বিকারনি অরেপ্পা নত্তে, মিথ্যা ঙাক্তনি। অরেপ্পা অনসুং মিথ্যা নত্তবদি পুরুষ মহাক্তনি। অহুনা পুরুষ অসিতনা পুন্নমক্কী মশক ওইবনি মাঙোন্দগী অতোপ্পা অমা লৈতে। সংসার অপুন্বাস, অগ্নিহোত্রনাচিংবা কর্ম্ম পুন্নমক অসি তপ হায়বদি জ্ঞান অমদি জ্ঞানগী ফল পুন্নমক অসি পুরুষ মাঙোন্দগী অতোপ্পা অমা নত্তে। মরম অসিনা ব্রহ্মবু খঙলবদি পুন্নমক খংবা ওই। জগৎ অপুন্নসি ব্রহ্মদগী থোকপা কার্য্যনি। ব্রহ্ম অমৃত স্বরূপনি (মাংদবা মশক্কি)। থবায় পান্না পুন্নমক্কী থমোয়দা লৈবা ব্রহ্ম অসি খংজরবা হায়বদি ঐমকনি হায়না জ্ঞান ওইরবা মীশক অহুনা অবিদ্যা গ্রন্থি (মায়াগী বাসনাবু) মাংহনবা ঙমই।।১০।

মতাং অসিদা অনিশুবা মুণ্ডক্কী অহান্বা তাংকক লোইরে।।১॥

দ্বিতীয় মুণ্ডকে দ্বিতীয়ঃ খণ্ডঃ।

আবিঃ সন্নিহিতং গুহাচরন্নাম মহৎপদমত্রৈতৎ সমর্পিতম্। এতৎ প্রাণন্নিমিষচ্চ যদেতজ্জানথ সদসদ্বরেণ্যং বিজ্ঞানাদ্‌ যদ্বরিষ্ঠং প্রজানাম্‌ ॥১॥

যদর্চিমদ্‌ যদণুভ্যোঽণু চ যস্মিন্‌ লোকা নিহিতা লোকিনশ্চ। তদেতদক্ষরং ব্রহ্ম স প্রাণস্তদু বাঙ্‌ মনঃ তদেতৎ সত্যং তদমৃতং তদ্বেদ্ধব্যং সৌম্য বিদ্ধি ॥২॥

অনিশুবা মুণ্ডক অনিশুবা অধ্যায় হৌরে—

মশক মচু লৈতবা ব্রহ্ম অদু কবন্না খণ্ডবা ঙমগনি! মসি খন্দুনা তাকলি—ব্রহ্ম অদো মঙান্নী মশকনি, য়াম্না নক্না লৈবনি। মহাকপু গুহাচর (গুহনা লৈবা) কৌই হায়বদি মথম পুন্নমক্তা লৈবা ওইনমু থবায পানবা শংগী বুদ্ধি কৌবা তবকগী মশক ওইবা গুহাদা মহাকমু উনৈ। যোগনাচিংবা সধনবা মহাকপু ফংবা ঙমনৈ। মহাক যমু চাওথ্রবা মফম অমনি, আকাশনাচিংবা পোৎ অপুম মাগোন্দা লিংখৎপা-শেম্বা ঙাক্কনি। তচংপা অহিংবা শা, মী, উচেকনচিংবা মিৎ কুপ্পনাচিংবা ক্রিয়া লৈবা পুম্নমক অসি মাঙোন্দা হাপচিনবা পানশিনবা ঙাক্কনি। হে শিষ্যশা, অসুমনা নখোয়না ব্রহ্মগী মশক খঙজৌ। মৃত্তি পাণবা অমদি মৃত্তি পান্দবা পুমনমক্কী মশকনি মহাক নত্তবা অমত্তা লৈতবা মরম্না। মীওইবনা খঙজবিবা হৈজরিবা অদুগী ৱাংমাদা লৈবা অথোইবা মহাকনি। মুমিৎনাচিংবদগীসু হেন্না ঙাম্না, য়ামনা মপুক্রবা (অতিসূক্ষ্ম) মহাকনি। ভূলোকনাচিংবা লোক অমদি লোক পুমনমকত্তা লৈবা মী লাইনাচিংবা অপুমসি মাঙোন্দা লৈবনি। অদুগুম্না মাংবা শিবা নাইদবা পোৎশক অদু ব্রহ্মনি। মহাক অদু পুমনমক্কী প্রাণ, বাগ, ইন্দ্রিয়, মনগী মশকনি। মহাক অদু সত্য অমসুং অমৃতনি। হে সৌম্য; অসিগুম্না ব্রহ্ম অদুবু পুকনিংগী মশক ওইবা তেননা লেংউ হায়বদি মপুক্নিং অদু মাঙোন্দা হাপ্পদু খঙনবা হোৎনৌ। ১-২॥

ধনু র্গৃহীত্বৌপনিষদং মহাস্ত্রং শরং হ্যুপাসানিশিতং সন্ধীয়ত। আয়ম্য তদ্ভাবগতেন চেতসা লক্ষ্যং তদেবাক্ষরং সৌম্য বিদ্ধি ॥৩॥

প্রণবো ধনুঃ শরো হ্যাত্মা ব্রহ্ম তল্লক্ষ্যমুচ্যতে।
অপ্রমত্তেন বেদ্ধব্যং শরবত্তন্ময়ো ভবেৎ ॥৪॥

অস্মিন্ দ্যৌঃ পৃথিবী চান্তরীক্ষমোতং মনঃ সহ-প্রাণৈশ্চ সর্ব্বৈঃ। তমেবৈকং জানথ আত্মানমন্যা বাচো বিমুঞ্চথ অমৃতস্যৈষ সেতুঃ ॥৫॥

হে সৌম্য! অদুগুম্বা ব্রহ্ম অদু পান্নবা কাপ্পগী উপায অসিনি মাহুদি উপনিষদ জ্ঞানগী মশক ওইবা অচৌবা খুৎলাই অদু লিরুংগী মশক্তা পায়রগা তৎতনা নিংবা উপাসনানা মˈচন থোরবা শর (তেন) অদু সন্ধান থাউ—পান্দ মউ অদুগা ইন্দ্রিয অপুম্ববু মখোয-মখোয়গী বিষযশিংদগী চিংথোকপগী মশক ওইবা লিচিং অদুনা মাঙান্দা (ব্রহ্মদা) পুকনিং অদু থমদুনা লক্ষ্য (পান্দমফম) ব্রহ্ম অদুদা পান্নবা কাপপু, পানহল্লু ॥৩॥

হˈযরিবা লিকংনা চিংবগী মবমদা অমুক থোইদোক্না তাক্লি—, মথক্তা হায়খ্রিবা লক্ষ্যবেধ অসিদা ওঁকারনা লিকংনি হাযবদি কনাগুম্না মীনা লক্ষ্য কাপ্পদা (লক্ষ্য অদুদা তেন পানহন্দা) লিরুং অদুনা কˈরণ ওই। অদুগুম্না চিত্তনা লক্ষ্য ওইবা ব্রহ্ম দা চংবন ওঁকˈরনা কˈরণ ওই। হন্না হন্না অভ্যাস তৌদুনা শেংলবা ওঁকারগী মতেনা অপন্না লৈবনা ব্রহ্মদা চিত্তনা চংবা ঙমই হাযবনি। অদুগা আত্মা হায়বদি চিত্তনা তেনগী মশকনি হায়বদি লক্ষ্যদা তেননা পান্না চংবা অদুগুম্না চিত্তনা লক্ষ্য ওইবা আত্মা (ব্রহ্ম) দা চংই। মরম অসিনা চিত্তবু তেনগী মশকনি হায়বনি। অদুগা মফম অসিদা ব্রহ্মনা লক্ষ্য (পান্দমফম) নি। সাধকনা য়ামনা চেকশিন্না লক্ষ্য বেধ তৌগদবনি। অদু ওইরবদি তেননা লক্ষ্যদা পান্দুনা চংপ্রগা অমতা ওইখিবগুমনা সাধক ব্রহ্মদা চংখিদুনা ব্রহ্মগা অমতা ওইবা ঙমগনি ॥৪॥

ব্রহ্মবু পামদমদুনা খঙবা হায়বসি য়াম্না লুবা রাফম্নি। অদু॥ য়াম্না নিংথিনা পাদম্নবা-খঙননবা অমুক অস্নুম্না তাকলি,—হে শিষ্যশা, স্বর্গ,

অরা ইব রথনাভৌ সংহতা যত্রনাড্যঃ স এষোহ
ন্তশ্চরতে বহুধা জায়মানঃ ওঁমিত্যেবং ধ্যায়থ
আত্মানং স্বস্তি বঃ পরায় তমসঃ পরস্তাৎ ॥৬॥
যঃ সর্ব্বজ্ঞঃ সর্ব্ববিদ, যস্যৈষ মহিমা ভুবি দিবে
ব্রহ্মপুরে হ্যেষ ব্যোম্ন্যাত্মা প্রতিষ্টিতঃ। মনোময়ঃ
প্রাণশরীর নেতা প্রতিষ্ঠিতোহন্নে হৃদয়ং সন্নিধায়
তদ্বিজ্ঞানেন পরিপশ্যন্তি ধীরা আনন্দ রূপমমৃতং যদ্বিভাতি ॥৭॥

পৃথিবী, অন্তরীক্ষ—লোক অহুম, ইন্দ্রিয়, পুম্নমক, অমদি থরায় পুম্নমক্তা লোয়নবা পুক্লিং অসি মাঙোন্দা লৈবা হায়বদি অপুন্বারিগী আধাব ওইবা মহাক অদুবু অনিশুদবা আত্মা (ব্রহ্ম) নি খঙ্গউ। অদুম্না মহাকপু খঙ-দুনা অপবা বিদ্যাগী মশক ওইবা বারোন পুম্নমক অদুথাদোকউ। আত্মজ্ঞান (ব্রহ্ম জ্ঞান) অসিংনা মুক্তিগী সেতু (থোং) ওইবনি হায়বদি স সারগী মশক ওইবা ইপাক অসি লান্থোক্নবগী কারননি।৫॥

গাড়ী চাকাগী মুণ্ডাদা পাল্লিবা চাকাগী মশা (মচৈ) পুম্নমক্কী মচিন মুণ্ডাদা চংদুনা লৈবাগুম্না হকচাংগী মরি পুম্নমক চংলিবা অদুগুম্বা হৃদয়দুগী মনুংদা বুদ্ধি জ্ঞানগী সাক্ষী ওইবা অশেংবা আত্মা অদু লৈবনি। বুদ্ধি বৃত্তিনা মরম ওইদুনা মহাক অদু মশক য়াম্না য়াম্বগুম খঙনৈ। অদুনা ওঁকারগী পান্থৈনা মথক্তা হায়খিবা মওংদা নখোয়না মহাকপু নিংউ। নখোয়গী মঙ্গল ওইসনু, নখোয়না মুক্তি ফংদবাদা বাধা লৈতবা ওইসনু। অবিদ্যাগী অমঙাগী বাংমাদা লৈবা ব্রহ্মস্বরূপ অদু নখোয় খঙবা ওইয়ু।৬॥

ব্রহ্মগী লেংদবা মফম (লৈফম) মন্ত্র অসিনা তাকলি,—পুম্নমক খঙবা বিদ্যা পুম্নমক হৈবা অমদি মহাক্কী মহিমা অসি হায়বদি জগৎ শেম্ব-নাচিংবা বিভূতি ময়ামসি পৃথিবী অসিদা খঙনবিবা তানরিবা অদুগুম্বা মহাক (আত্মা) অদো মঙানচাওবা ব্রহ্ম মহাক্কী ঙানফম ওইবা ব্রহ্মপুর হায়বদি হৃদয়গী আকাশদা ঙানদুনা লৈবনি। মনোবৃত্তিনা মরম ওই-দুনা মশক-মওং য়াম্বাগুম তৌই হায়দুনা মহাকপু মনোময়নি হায়নৈ। মহাক প্রাণ অমদি শরীরগী নেতানি হায়বদি স্থূল শরীরদগী অতোপ্পা

ভিদ্যতে হৃদয়গ্রন্থিশ্ছিদ্যন্তে সর্ব্বসংশয়াঃ।
ক্ষীয়ন্তে চাস্য কর্ম্মাণি তস্মিন্ দৃষ্টে পরাবরে।৮॥
হিরন্ময়ে পরে কোশে বিরজং ব্রহ্ম নিষ্কলম্।
তচ্ছুভ্রং জ্যোতিষাং জ্যোতিস্তদ্ যদাত্মবিদো বিদুঃ ॥৯॥
নতত্র সূর্য্যো ভাতি ন চন্দ্রতারকং নেমা বিদ্যুতো
ভান্তি কুতোঽয়মগ্নিঃ। তমেব ভান্তমনুভাতি সর্ব্বং
তস্য ভাসা সর্ব্বমিদং বিভাতি ॥১০॥

স্থূলক্ষ শরীরদা প্রণনাচংবা পুবা মহাকন। চাখবা ত্মনা ওনবা চংও-খৎপা হৃম্বা নাইবা হৃৎ পিণ্ডদা লৈবা মরম্না মহাক অংদা লৈবনি। অসিগুম্বা আত্মা তত্ত্ব অসিবু বিজ্ঞাননা মরম ওইতনা হৃসবদ শাস্ত্র গুরুনা তাকপা অমসুং শমদম বৈরাগ্যনাচিংবদগী পোকপা থোংদোকপা জ্ঞাননা মরম ওইতুনা বিবেকীশিনা মপু কানা খঙনৈ। মহাক্ (অমম্না অদো) অবাবনা শোকহবা আনন্দ অমসুং মাংদবগী মশক্তা ঙান্দুনা লৈবনি॥৭॥

হৌজিক আত্ম জ্ঞানগী ফল তাকলি,—কার্য কারণগী মশক ওইবা অদু গুম্বা অথোইবা আত্মা অদু সংশংনা খংজবা ঙম্মবদি মহাক অদো অহানবা-স্মি— ঐহাকমক্কি) হায়না উজবা ঙম্মবদি হৃদয়গ্রন্থি হায়বদি চৈতন্য আত্মাগা অহঙ্কারগা অমত ওইবগী ভাব লৈরম্বা অদু মাংই খঙদবশিংগী মরমদা লৈরবা চিংনবা পুম্নমক মাংই অমসুং প্রারব্ধ কর্ম্ম নত্তনা মহাক্না তৌবা কর্ম্ম পুম্নমক মাংই হায়বদি কর্ম্মশিং অদুনা মহাবপু সংসারদা পুনশিন্দরে॥৮।

মথক্তা তাকখ্রিবা বাকম অমুক সুপচিন্না তাকলি,—ব্রহ্ম বস্তু অসি য়াম্না নিংথিজবা, মঙাণ লৈবা জ্ঞাণ বিজ্ঞানগী ফাওবম ওইবা হৃদয় কোশ মঙ্গংদা ঙান্দুনা লৈবনি। মায়াগী দোষ চংদবা মপুংফাবা মকত্রবা ব্রহ্মনি। মহাক্না নুমিৎনচিংবাবু ঙানহন্ননি। আত্ম জ্ঞানীশিংনা য়াম্না কন্না হোৎনরগা মহাকপু খঙজবা ঙমই॥৯॥

ব্রহ্ম অদু পুম্নমক ঙানহন্না ঙম্বা নুমিৎনা ঙানহন্না ঙম্বা পোৎ নত্তে। চন্দ্র, থবায়মিচাকশিং অমসুং নোংথাংশিংনা মহাকপু ঙানহন্না ঙমদে অদুনা মৈ-মৈনদি করি ঙমগনি। অদুক য়াম্না মশিং থাক্লবগী কান্নদে, জগৎ অপুম্বা

ব্রহ্মৈবেদমমৃতং পুরস্তাদ্ব্রহ্ম পশ্চাদ্ব্রহ্ম দক্ষিণত শ্চোত্তরেণ। অধশ্চোর্দ্ধঞ্চ প্রসৃতং ব্রহ্মৈবেদং বিশ্বমিদং

ইতি দ্বিতীয় মুণ্ডকে দ্বিতীয়ঃ খণ্ডঃ ।।১১।।

সিগী মন্নুংদা লৈরিবা পোৎ পুম্নমক্না মথোইগী মশক মওান লৈজরিবা অসি ব্রহ্ম মহাক্কী মওাননা মরম ওইদুনা লৈজবনি ॥১০॥

হায়রিবা অমৃত ব্রহ্মসি মাংদা, তুংদা, মখাদা, অরাংদা, মথক্তা অমসুং মখাদা মফম পুম্নমক্তা কার্য্য-কারণগী মশক অমদি নামরূপগী মশক ওইদুনা লৈবনি। শম্না হায়রবদা জগৎ অপুম্বসি ব্রহ্মগী মশক্কি হায়বদি মহাক্না ওনবনি। থোইরেন থোইবা মহাকনি ॥১১॥

মতাং অসিদা অনিশুবা মুণ্ডককী অনিশুবা তাংকক লোয়রে ॥

অথ তৃতীয় মুণ্ডকে প্রথমঃ খণ্ডঃ।

দ্বা সুপর্ণা সযুজা সখায়া সমানং বৃক্ষং পরি-
ষস্বজাতে। তয়োরন্যঃ পিপ্পলং স্বাদ্বত্ত্যনশ্নন্নন্যোঽভি-
চাকশীতি ॥১॥

সমানে বৃক্ষে পুরুষো নিমগ্নোঽনীশয়া শোচতি
মুহ্যমানঃ। জুষ্টং যদা পশ্যত্যন্যমীশমস্য মহিমানমিতি
বীতশোকঃ ॥২॥

অক্ষর ব্রহ্ম খণ্ডনবগী বিদ্যা (পরাবিদ্যা) মথক্তা হায়খ্রে। পরা-
বিদ্যা হৈবা ওয়বদি সংসারগী কারণ ওইবা হৃদয় গ্রন্থিনাচিংবা মাংখিগনি
হায়খ্রে অদুগা আত্মা দর্শনগী মতেং উপায ওইবা যোগসু মথক্তা হায়খ্রে।
হৌজিক, আত্ম দর্শনদা মতেং পীবা সত্যনাচিংবা সাধন তাকপা তঙাইফদে।
মরম অসিনা মাতুগী দমক মখাগী মন্ত্রশিং অসি লাকপনি। আত্মতত্ত্ব খণ্ডবদা
যাম্না লুই। অদুনা তত্ত্ব অদু খণ্ডননবা হন্না হন্না তাকপনি,—উচেক
অনিথক মতম পুন্নমক্না লোযনদুনা থানবা লৈতনা মরুপকী মশক্তা
উপাল অমদা তোংমিন্নৈ হায়বদি পরমাত্মা অমসুং জীবাত্মাগী মশক্তা
আত্মানা অনিথোক্না উপালগী মশক ওইবা হকচাংদা লৈ। উচেক
অনিদুগী মনুংদা অমনা উপাল অদুগী মহৈ হাওনা চায অদুগা অতোপ্পা
অমা অদুনা উপাল অদুগী (ফল) মহৈ থক চাদে, অদুম যেংদুনতা লৈ
হায়বদি আত্মানা জীবাত্মাগী মশক্তা দেহনচিংবনা তৌরিবা কর্ম্ম মযামগী মহৈ
মুঙাইবা অবাবনাচিংবা অদু অবিবেকনা মরম ওইদুনা ফংভি অদুগা পরমা-
ত্মাগী মশক্তা সর্ব্বজ্ঞ অমদি নিত্যমুক্ত ওইবা মরম্না দেহদুগী কর্ম্ম মযামগী ফল
থক, লৌদে, অদুম সাক্ষী ওইদুনতা লৈবনি ॥১॥

হায়রিবা উপালগী মশক ওইবা হকচাংদা লৈদুনা ভোক্তা পুরুষ (জীব)
না মথল মথলগী বিষয় কয়া পাম্বনাচিংবা পোৎলুমনা মথক্তা নম্দুনা
হকচাং অদুবু মশামক্কি থল্লি। মতম অদুদা অকন্বা খোংপ্রুননা সমুপ্রগী ঈশিং

যদা পশ্যঃ পশ্যতে রুক্মবর্ণং কর্ত্তারমীশং
পুরুষং ব্রহ্মযোনিম্। তদা বিদ্বান্ পুণ্য পাপে
বিধুয় নিরঞ্জণং পরমং সাম্যমুপৈতি।।৩।।
প্রাণো হ্যেষ যঃ সর্ব্বভূতৈর্বিভাত বিজানন্
বিদ্বান্ ভবতে নাতিবাদী। আত্মাক্রীড় আত্মরতিঃ
ক্রিয়াবানেষ ব্রহ্মবিদাং বরিষ্ঠঃ ।।৪।।

মনুংদা লুপ্পা অতুগুম্না সংসারগী ইপাক মনুংদা মহাক লুপই। ঐগী ইমা, ইচা, লনথুন অসিনাচিংবগী রাখলনা মায়া-মোহদা লুপতুনা করিস্থ তৌবা ঙমদনা কাইনবা-শিবানচিংবগী অৱা-মৈচাক কয়া ফংই। মাগী কর্ম্ম ফলগী মতুংইন্না মখল মখলগী যোনিদা মখল মখলগী জীব ওইনাস্থ পোকই। অস্থম তৌনা সংসারগী ইপাক,তা লুপ্ত্না লৈব জীব (জীবাত্মা) অসি মপোক কয়াগী মতুংদা করিগুম্বাদা মহাক্লা তৌজখিবা পুণ্যকর্ম্মনা থৌজাল হৈবা সদ,গুরু ফংলুরব অতুগা গুরু অদুনা তাকপা জ্ঞাণ যোগ মার্গনাচিংবাদা লৈতুনা জীব মহাক্কা মান্নদবা সংসারগী দোষ চংদবা, যোগীশিংনা নিংনবা সংসারগী মপু পরমাত্মা অমদি মাগী মহিমাবু উজবা-খঙ,জবা ঙমই। মতম অতুদা ঐ অসিস্থ মাঙোন্দগী অতোপ্পা নত্তে, ঐ পুম্নমক্কী আত্মা অমসুং মপুনি হায়বা জ্ঞান ফংই। মতম অতুদা জীব (জীবাত্মা) সংসারগী অৱা-অনা খিবিক্তগী কোকপা ওইরে।

বিষয় অসি অমুক সন্দোক্লা তাকলি,—গুরুদগী জ্ঞান ফংলবা অতু-গুম্বা বিদ্বান, সাধকনা মঙান,গী মশক ওইবা, জগৎ শেম্বা মপু, অথোইবা পুরুষ অমদি ব্রহ্মাণ্ড অপুম্বগী পোক্লফম ওইবা ব্রহ্মবু উজরবা মতম অতুদা মহাক অদো বন্ধনগী কারণ ওইবা মহাককী পাপ পুন্য পুম্নমক মরু ফংনা চাকথেকখিতুনা মায়াগী দোষ পক্ত্রবা ওইতুনা ব্রহ্ম অতুগা অমতা ওইবগী মওং অতু ফংই ।।৩।।

থৱায়গী থৱায় ওইবা অথোইবা মপু মহাক্লা ব্রহ্মাদগী হৌতুনা পাম্বী মচা ফাওবা, লৈরিবা থৱায় পাম্বা পুম্নমক্তা ঙান্দুনা লৈরি।

সত্যেন লভ্যস্তপসা হ্যেষ আত্মা সম্যগ্‌ জ্ঞানেন
ব্রহ্মচর্য্যেণ নিত্যম্‌। অন্তঃ শরীরে জ্যোতির্ময়ো হি-শুভ্রো
যং পশ্যন্তি যতয়ঃ ক্ষীনদোষাঃ ॥৫॥
সত্যমেব জয়তে নানৃতং সত্যেন পন্থা বিততো দেবযানঃ।
যেনাক্রমন্ত্যৃষয়ো হ্যাপ্তকামা যত্র তৎ সত্যস্য পরমং
নিধানম্‌ ॥৬॥

অসিগুম্বা থৱায পানবা পুন্নমক্তা লৈবা আত্মা অসিবু শংসংনা উজব। ওম্নবা বিদ্বান্‌, সাধক অতুদি অতিবাদী ওইদরে, ব্রহ্মবাদী ওইরে, হায়বদি মহাক্লা ব্রহ্মদগী অংোপ্পা অমা লৈ হায়দরে। পুন্নমক অসি ব্রহ্মনি। ঐহাক অসি ব্রহ্মমক্নি অসুম্বা জ্ঞাণ অসি মহাক্কী ওইরে। অসুম্বা ব্রহ্ম জ্ঞাণীনা মশামক্তদা অতুম শান্নতুনা মুংঙাইনা লৈ। মচা অমসুং নিপীনাচিংবগী সম্বন্ধ অদু মাঙোন্দা লৈতরে। মশানা মশাদা অতুম পেপ্পতুনা জ্ঞান, ধ্যান, বৈরাগ্যনাচিংবদা চংতুনা লৈ। অসিগুম্বা ব্রহ্মজ্ঞানী মহাক্‌ অসি ব্রহ্ম খঙ্‌বশিংগী মনুংদা অথোইবা জ্ঞানীনি ॥৪॥

হৌজিক আত্মজ্ঞান ফংবদা মতেং পীবা সত্যনাচিংবা সাধনশিং অতু তাকলি,—আত্মা (ব্রহ্ম) অসি সত্যনা (মিথ্যা ঙাংদবনা) মরম ওইতুনা ফংগদবা ওই। অতুগা আত্মা অসি তপনা (পুকনিং অমসুং ইন্দ্রিয়শিংগী অনি লোংদবা—মাংঙান্তদা হাপ্তুনা নীংবনা) মরম ওইতুনা ফংদবনি। চংখোম্বা জ্ঞান অমদি ব্রহ্মচর্য্য ধর্ম্মনা মরম ওইতুনাসু মহাকপু ফংগদবনি। অশাওবনাচিংবা পুকনিংগী অমোংপা লৈত্রবা অমদি য়াম্না কন্না কন্না হোৎনজবা সন্যাসীশিংনা হকচাং মনুংদা হায়বদি হৃৎ পদ্মগী আকাশদা জ্যোতিগী মশক ওইবা অশেংবা (মঙ্গুবা) আত্মা অদুবু দর্শন তৌতুনা লৈজে ॥৫॥

অচুম্বতনা (অচুম্বা ঙাকপ মীওইতনা) জয় ওই, চুমদবা (মিনম্বা) না খক্‌ জয় ওইদে হায়বদি অচুম্বা চুমদবা অনিগী মরক্তা অচুম্বানা জয়গী অথোইবা সাধনানি হায়বনি। দেবযান কৌবা লম্বেল অসি সত্যনা (অচুম্বান) মরম ওইতুনা পাক চাওনা লৈবনি। অসিগুম্বা লম্বেল অসিদা

বৃহচ্চ তদ্দিব্য মচিন্ত্যরূপং সূক্ষ্মাচ্চ তৎ সূক্ষ্মতরং বিভাতি। দূরাৎ সুদূরে তদিহান্তিকেচ পশ্যৎস্বিহৈব নিহিতং গুহায়াং ॥৭॥

ন চক্ষুষা গৃহ্যতে নাপি বাচা নান্যৈর্দ্দেবৈস্তপসা কর্ম্মনাবা। জ্ঞানপ্রসাদেন বিশুদ্ধসত্ত্ব স্ততস্তু তং পশ্যতে নিষ্কলং ধ্যায়মানঃ ॥৮॥

চৎখিবা ঋষীশিংনা মায়া তৌবা লৌনস্বা, মীনস্বা, নাপল, থোক তৌবা অমসুং চুমদবা রাঙাং থাদোক্তুনা অতোপ্পা অমগী খোঁরাংবা লৈতনা পরম সত্য (অথোইবা অচুম্ব) গী মফম অহু ফংনখিবনি ।।৬।।

পুন্নমক্তগী অথোইবা ব্রহ্ম (আত্মা) বস্তু অহু সত্যনচিংবা সাধননা মরম ওইহুনা পুন্নমক্তা শিনথুংনা লৈবনি। মবম অহুনা মহাক য়াম্না চাওবনি অমসুং মঙানগী মশক্তি। মহাক ইন্দ্রিয়শিংগী বিষয় ওইদে, মরম অসিনা পুকনিংগী বাখলগী মনুংদা মহাক লৈতে। আকাশনাচিংবা অবুপ্পা পোৎশকশিংদগী হেন্না কুপথবা মহাক্তি। মুমিং থানাচিংবদগীসু য়াম্না হেন্না ওস্না মহাকনি। জ্ঞানগী মঙাল ফংদবা মীগীদি মহাক ওসি য়াম্না লাপ্পা ল। জ্ঞানী ওইবা মীওইশিংগীনা মহাক অসি য়াম্না নক্লা লৈ হায়বদি মখোয়গী হকচাং মনুং অহুদা অহুমক বিদ্বান ওইবা মী-ওইশিংনা হকচাং মনুংদা বুদ্ধিগী গুহাদা মহাকপু উবা-ফংবা ঙমই। বিদ্বান নত্তবা মীওইশিংনা মাখোয়গী বুদ্ধিদা লৈংবা মতমদসু মহাকপু উজবা ঙমদে ।।৭।।

ব্রহ্ম হায়বা অসি রূপ (মহাক্কী মচু) লৈতে। মরম অসিনা মহাকপু মিৎনা উবা ঙমদে। ব্রহ্ম চিননা হায়দোকপা ঙম্বা পোৎশক নত্তে, মরম অসিনা মহাক, বানী কৌবা ইন্দ্রিয়গী বিষয ওইদে। অসুম্না অতৈ ইন্দ্রিয়শিনাসু মহাকপু ফংবা ঙমদে। অহুগা তপসানাসু অগ্নিহোত্রনা-চিংবা বৈদিক কর্ম্মনাসু মহাকপু ফংবা ঙমদে। আত্ম জ্ঞানগী অপানবা মঙাননা পুকনিং লুববা হায়বদি বিষয অমসুং ইন্দ্রিয়গী সম্বন্ধনা ওইবা রাগনচিংবা অমকপা মপুক্লিংদা লৈত্রবা অহুগুম্বা মীওইনা ধ্যাননা মরম ওইহুনা পুন্নমক্কী মশক ওইবা মহাকপু উজে ॥৮॥

এষোঽণুরাত্মা চেতসা বেদিতব্যো যস্মিন্ প্রাণঃ পঞ্চধা সংবিবেশ। প্রাণৈশ্চিত্তং সর্ব্বমোতং প্রজানাং যস্মিন্ বিশুদ্ধে বিভাত্যেষ আত্মা ॥৯॥

যং যংঃ লোকং মনসা সংবিভাতি বিশুদ্ধ সত্ত্বঃ কাময়তে যাংশ্চ কামান্। তং তং লোকং জয়তে তাংশ্চ কামাংস্তস্মাদাত্মজ্ঞং হ্যর্চ্চয়েদ্ভূতিকামঃ ॥১০॥

ইতি তৃতীয় মুণ্ডকে প্রথম খণ্ডঃ ॥১॥

অসুমনা পুপগ্রব ং ত্ম অাস কেবল মাত্র ম-ুবা যামনা শেং প্রবা জ্ঞান অ,তনা নবন ংহতুনা খঙগদবা ওহ। হকচাং মহুংদা কবম্বা ফম আত্মা হাকপু খ-বা যাদে।হ।যবা অতু তাকলি মাতুদ প্রাণ মঙাগী নিংখিনা চংতুনা লো।ন ওইব হৃদযগী মহুংদা, চিত্ত কৌবা অন্তঃ কাবণনা মবম ওইতুনা মহাকপু খঙগদবা ওহ। চিহনা কবম্বা মঙদা লৈবগা মহাক খঙবগ হাযবতু ংাকলি মাতুদি অকংবা শিং মহুংদা মৈনা অমদি হেহনা শঙ্গোম অনৌবা মঙ দা চংতুনা লৈবগুমনা থব্রায পাম্বা পুমনমক্কী ইন্দ্রিযশিং অমসুং প্রণশিদ চংতুনা লৈরবা অতুগুম্বা চিত্ত, অব্রাবনাচিংবা অমকপা লৈত্রবা অতুগুম্বা চিত্ত, মথক্তা হায়খ্রিবা আত্মাগী মঙাল ফাওববা অতুগুম্বা চিত্ত, অসিগুম্বা চিত্ত অসিতনামবম ওইতুনা আত্মা মহাক অতু খঙগদবা ওই অতুগুম্বা চিত্ত অতুদা আত্ম প্রকাশ ওই ॥৯॥

মথক্তা তাকখ্রিবা পুম্নমক্কী মশক ওইবা আত্মাবু মশাগী মশক ওইনা উজবা ঙমলবা মী অতুগী মফমদাদি লৈরিবা পুম্নমক অসি মশাগী মশক ওই। মবম অসিনা অসিগুম্বা মীওইনা পামলিবা পুম্নমক ফংবা ঙমই হাযনা তাকলি— মাতুদি মশাদা অমকপা দোষ অমতা লৈত্রবা শেংলবা আত্ম জ্ঞানী অতুনা মশাগী ওইনা নত্রগা অতোপ্পাগী ওইনা ওইরবসু করিগুম্বা লোক অমা অমসুং করিগুম্বা মুঙাইবা ভোগ অমা চাবা পাম্নবদা মহাক্না পাম্লিবা নিংঙিবা অতু অতুম্মক ফংই। মরম অসিনা আত্ম জ্ঞান ফংলবা মীওইবু মশাগী ঐশ্বর্য্য পাম্বা মীশকনা পূজা তৌগদবনি ॥১০॥

মতাং অসিদা অহুমগুবা মুণ্ডকগী অহানবা তাংকক লোইরে ॥১॥

তৃতীয় মুণ্ডকে দ্বিতীয় খণ্ডঃ।

স বেদৈতৎ পরমং ব্রহ্ম ধাম যত্র বিশ্বং নিহিতং ভাতি শুভ্রম। উপাসতে পুরুষং যে হ্যকামাস্তে শুক্র মেতদতি বর্ত্তন্তি ধীরা॥১॥

কামান্ যঃ কাময়তে মন্যমানঃ স কামভির্জ্জায়তে তত্র তত্র। পর্য্যাপ্তকামস্য কৃতাত্মনস্তু ইহৈব সর্ব্বে প্রবিলীয়ন্তি কামাঃ॥২॥

জগৎ অপুন্বা অসি পাতোন্দা হাপ্তনা লৈবিবা পুম্নককী ভুংফম ওইবা অমদি শেংলবা মশাগী মঙান্‌না মথন্তা ঙান্দুনা লৈবা অদুগুম্বা অথোইবা ব্রহ্মবু খজবা ঙম্বা অদুগুম্বা আত্মজ্ঞানী ওইবা মাশকপু বিষয়গী তৃষ্ণানচিবা লৈএবা সংসাব লাম্ভোকপা পাম্বা মীওইশিংনা উপাসনা তৌনৈ। মসুন্না অ আত্মজ্ঞানীবু উপাসনা তৌবা জ্ঞান লৈববা মাখোয অদুনা সংসাবদা অমুক হন্না পোকপা লৈতবে। মবম অসিনা আত্মজ্ঞানীবু উপাসনা পূজা তৌগদবনি॥১॥

বিষয়গী কামনা (অপাম্বা) থাদোকপা অসি মুক্তিগী (অরান খুবম ফংবগী) মকওইবা কারা অমনি হায়না তাকলি,—ইন্দ্রিয়শিংনা উবা-খঙবা অমসুং উদবা-খঙদবা বিষযশিং অদুগী মগুণশিংবু খল্লদুনা বিষয়শিং অদু (ভোগ্য বস্তুশিং অদু) পামজবা অমদি মাখোয় অদুবু থংনবা হোৎনবা মীওই অদুদি মহাককী অপাম্বশিং অদুগা লোইননা মাদু ফংবা য়াবা মফম কয়দা পোকই হায়বদি জন্ম-মরণগী বন্ধনদা মহাক লৈ। অদুগা আত্ম-জ্ঞান ফংদুনা মাহুনা মরম ওইদুনা সংসারগী বিষয়গী অপাম্বা মশাদা লৈত্রবা অমদি পাংথোক্কদবা থবক পাংথোক্লবা (জ্ঞান-ফংলবা) মী অদুগীদি মহাকনা হিংলিঙৈদসু ধর্ম্ম অমসুং অধর্ম্মগী কারণ ওইবা মহাককী বিষয়গী কামনা অদু অদুম্মক লৈতরে। অদুনা মরম ওইদুনা মহাক মুক্তি ফংবা ওই॥২॥

নায়মাত্মা প্রবচনেন লভ্যো ন মেধয়া ন বহুনা শ্রুতেন। যমেবৈষ বৃণুতে তেন লভ্য স্তস্যৈষ আত্মা বৃণুতে তনুং স্বাম্ ॥৩॥
নায় মাত্মা বলহীনেন লভ্যো নচ প্রমাদাৎ তপসো বাপ্যলিঙ্গাৎ। এতৈ রুপায়ৈ র্যততে যস্তু বিদ্বাংস্তস্যৈষ আত্মা বিশতে ব্রহ্ম ধাম ॥৪॥
সং প্রাপ্যৈনমৃষয়ো জ্ঞানতৃপ্তাঃ কৃতাত্মানো বীত রাগঃ প্রশান্তাঃ। তেসর্ব্বগং সর্ব্বতঃ প্রাপ্য ধীরা যুক্তাত্মানঃ সর্ব্বমেবাবিশন্তি ।৫।

হায়রিবা মথক্তা তাক্লুনা লাক্লিবা আত্মা অসিবু ফংবা (খঙবা) ঙম্নবদি মীওইবনা পাংথোক্কদবা অথোইবা পুরুষার্থ অহু পাংথোক্লবা ওই। আত্মা অসি বেদ তনা মরম ওইহুনা হেক্তা ফংবা ওইদে। গ্রন্থগী অর্থশিং অহু লৌবা ঙম্বা বুদ্ধিগী শক্তিনা অনদি বেদগী য়ামগ্রবা বাক্য মযাম অহু শ্রবণ তৌবনাসু আত্মা ফংবা যাদে। আত্মা (পরমাত্মা) বু ফংবা পাম্বা অহুগুম্বা বিদ্বান্ ওইবা মীশক্তা আত্ম তত্ত্ব অহু থিহুনা নৈনবগা মাহুনা মরম ওইহুনা মহাকপু ফংবা ঙমই. অসি নত্তবা সাধন অমতনা মহাক ফংবা যাদে। মতম পুম্নমক্তা আত্মতত্ত্ব থিহুনা নৈনরিবা মী অহুগী মরিদা আত্মা মশামক্তা মহাক্কী মশক্ অহু ফোংদোকপী। ৩।

আত্মাবু ফংবা (খঙবা-উবা) হায়বসিদা মতেং পীবা সাধন অহুম লৈ,—(১) বল (আত্মা নিষ্ঠাগী মাঙ্গল), (২) অপ্রমাদ (বিষয়গী ময়াই লৈতবা) অমসুং (৩) তপস্যা (সন্ন্যাস য়াওবা জ্ঞান)। আত্মানিষ্ঠাদগী ওইবা মপাঙ্গল য়াওদবা, মচা-মরলনাচিংবা বিষয়দা মতম পুম্নমক্তা ময়াই কাহুনা লৈরবা অমসুং জ্ঞাণ লৈরবসু সন্ন্যাসদি তৌদবা অহুগুম্বা মীওইশিংনা আত্মা ফংবা থক, ঙমদে। হায়রিবা উপায়শিং হায়বদি বল, অপ্রমাদ অমসুং সন্ন্যাস লোইনবা জ্ঞানগী মতেংনা আত্ম লাভ ওইননবা হোৎনবিবা অহুগুম্বা বিদ্বান্ ওইবা মীগী আত্মা অহুনা পুম্নমক্কী লৈফম ব্রহ্মদা চংই হায়বদি ব্রহ্ম ফংই ॥৪॥

ঋষিশিংনা অসুম্বা আত্ম। অসিবু ফংহুনা হায়বদি নিংথিজবা মশক খঙহুনা মাহুদা পেল্লবা অতোপ্পা অমগী অমুক খোঁরাংবা লৈতবা ওইহুনা

বেদান্ত বিজ্ঞান সুনিশ্চিতার্থাঃ সংন্যাস যোগাদ্
যতয়ঃ শুদ্ধসত্ত্বাঃ। তে ব্রহ্ম লোকেষু পরান্তকালে
পরামৃতাঃ পরিমুচ্যন্তি সর্ব্বে ॥৬॥
গতাঃ কলাঃ পঞ্চদশ প্রতিষ্ঠা দেবাশ্চ সর্ব্বে
প্রতিদেবতাসু। কর্ম্মানি বিজ্ঞানময়শ্চ আত্মা
পরেঽব্যয়ে সর্ব্ব একীভবন্তি ॥৭॥

মাখোয়না পাংথোক্লদবা অদু পাংথোরবা ওইজে। অদুগুম্না মশাদা রাগ দ্বেষনাচিংবা দোষ পক্তুবা, মপানগী বিষয়গা মরি লৈতবদগী মাখোয়গী ইন্দ্রিয়শিং অদুনা ইংনা লৈববা, অনিশুদবা ব্রহ্ম অদুবু মশামক ওইনা লৌবগী বিবেক লৈববা অমসুং মশাগী মওং ব্রহ্মদা পুম্নবা ঋষিশিং অদুনা আকাশগুম্না শিনথুংনা লৈবা মহাকপু মফম পুম্নমক্তা যংদুনা মাদুদা চংই হায়বদি অবিদ্যাগী ওইবা উপাধিগী ডমখৈ থাদোক্তুনা মহাক অদুগা অমতা ওই। অসুম্না আত্মজ্ঞানীশিংনা ব্রহ্মদা চংই (অমতা ওই)। ৫॥

বেদান্ত তমদুনা মাদুদগী ফংবা থোইদোকপা জ্ঞাননা মবম ওইদুনা খঙগদবা পোৎশক অদুদি পরম আত্মানি অসুম্না লেপ্পবা অমসুং কর্ম্ম পুম্নমক থাদোক্তুনা সন্ন্যাস যোগতা চংলবা হায়বদি ব্রহ্মনিষ্ঠাগী মশক ওইবা যোগদা লৈদুনা হোৎনবিবা অমদি মাদুনা মরম ওইদুনা অমকপা দোষ পুম্নমক মাংখিবদগী লুববা শেংলবা অন্তঃ করণনা মাখোয়গী ওই-ববা অদুগুম্বা সংসারদগী মুক্তি (নাম্থোকপা) পামলবা মাখোয় অদু শিরগা নল্রগা হিংনা হিংনা অথোইবা অমৃত হায়বদি ব্রহ্ম ওইদুনা সংসারগী বন্ধনদগী কোকলে নাম্থোকলে ॥৬॥

অদুগা সংসারদা পুনর্জন্মগী কারণ ওইবা অবিদ্যা মায়াবু তকথোক পা (চৎথোকহনখিবা) অদুবু ব্রহ্মজ্ঞানীশিংনা মুক্তি কৌই হায়। আত্মাগী মুক্তি হায়বসি কার্য্য নত্তে মরমদি আত্মা মতম পুম্নমক্তা মুক্তনি। আত্ম জ্ঞানীশিংগী মোক্ষকালদা দেহগী (হকচাংগী) মচাক ওইবা প্রণনাচিংবা কলা পম্নমক মাখোয়গী থোবলকফম ওইবা কারণশিং দদুদা লোয়না

যথা নদ্যঃ স্যন্দমানাঃ সমুদ্রেঽস্তং গচ্ছন্তি
নামরূপে বিহায়। তথা বিদ্বান্নামরূপা দ্বিমুক্তঃ
পরাৎপরং পুরুষ মুপৈতি দিব্যম্ ॥৮॥
স যোহ বৈ তৎ পরমং ব্রহ্ম বেদ ব্রহ্মৈব ভবতি-
নাস্যাব্রহ্মবিৎকুলে ভবতি। তরতি শোকং তরতি
পাপ্মানং গুহাগ্রন্থিভ্যো বিমুক্তোঽমৃতো ভবতি ॥৯॥

হঞ্জিনখি অতুগা হকচাং অমসুং ইন্দ্রিয়শিংদা মাখোয়বু পুহনা লৈরম্বা লাই তরামওাসু মাখোয়গী থোক্লকফম ওইবা নুমিৎনাচিংবদা লোয়না হঞ্জিলখি। আত্মজ্ঞানীশিংনা লৌবা ফল পীদ্রবা কর্ম্ম পুম্নমক অমসুং বিজ্ঞানময় আত্মা হায়বদি অবিদ্যাগী ওইবা বুদ্ধিনাচি বা উপাধি লৈবা আত্মা পুম্নমক অসি অথোইবা আত্মা, শোকপা-শিবা লৈতবা, মঙ্গল অমসুং শান্তি ওইবা ব্রহ্ম অতুদা অমতা ওইনা তিনখিবা ওই, মতম অতুদা কবিগুম্বা বিশেযতা অমতা লৈতে ॥৭॥

অচেনবা তুরেলশিংনা মাখোয়গী মমিং অমসুং মশক অতু থাদোক্লু-না সমুদ্রদা তিল্লি। ইপাক অচৌবা সমুদ্রহদা তিনখিবা তুরেলশিং তুগী হান্নগী মাখোয়গী-মমিং মশক লৈতরে, সমুদ্রগা অমতা ওইরে। অতুগুম্না আত্মজ্ঞ ওইবা মীওইসু অবিদ্যাগী ওইবা হান্নগী মশক-মমিং অতুদগী নাম্থোক্লুনা মথক্লো হায়গ্রিবা অথোইবদগী অথোইবা ওইবা দিব্য পুরুষ হায়বদি পরম আত্মবু ফংই হায়বদি মহাক অতুগা অমতা ওই ॥৮।

অথোইবা ব্রহ্মবু মশক খঙলবা মীশক অতুনা ইহলোক অসিদা মহাক্লা ফংগদবা ব্রহ্ম নত্তবা অমতা লৈতরে। লাইশিংনসু অসিগুম্বা মীশক অসিনা ব্রহ্ম ফংবগী মরিদা 'করিগুম্বা য়েথাইবা অমতা পীবা ঙমদে মরমদি মহাক অদো ব্রহ্মমক ওইরে। ব্রহ্মজ্ঞাণীগী বংশদা ব্রহ্মজ্ঞানী নত্তবা অমতা পোকতে। ব্রহ্মজ্ঞাণী ওইবা মীনা পুক্নিংগী অবা-মৈচাক অমসুং পাপ পুম্নমকপু লাম্থোকই অতুগা গুহা গ্রন্থি (হৃদয় গ্রন্থি) দগী নাম্থোক্লুনা অমৃত ওই ॥৯॥

তদেতদৃবাঽভ্যুক্তং—ক্রিয়াবন্তঃ শ্রোত্রিয়া ব্রহ্ম-নিষ্ঠাঃ স্বয়ং জুহ্বত একর্ষিং শ্রদ্ধয়ন্তঃ। তেষামেবৈ-তাং ব্রহ্মবিদ্যাং বদেত শিরোব্রতং বিধিবদ্ যৈস্তু চীর্ণম্ ।।১০।।

তদেতৎ সত্য মৃষিরঙ্গিরাঃ পুরোবাচ নৈতদচীর্নব্রতোঽধীতে। নমঃ পরম ঋষিভ্যো নমঃ পরমঋষিভ্যঃ ।।১১।।

ইতি তৃতীয় মুণ্ডকে দ্বিতীয় খণ্ডঃ ।।২।।

ওঁভদ্রং কর্ণেভিরিতি শান্তিঃ।

ইত্যথর্ব্ববেদীয় মুণ্ডকোপনিষৎ সমাপ্তা ।।

ব্রহ্মবিদ্যা পীবা হায়বদি তম্বিবাগী বিধি অদু মন্ত্র অসিনা তাকলি,—মশাগী তৌগদবা থবক মপুক্লিং চংনা পাংথোকনবা, বেদ হৈব, অপর ব্রহ্মদা লৈরিবা অমদি পর ব্রহ্ম খঙনা পামহ্নুনা একষি কৌবা অগ্নিদা মশানা থাজনা হোম কৎপা অদুগুম্বাশিংগী মফমদা ব্রহ্মবিদ্যা তাক্কদবনি। অদুগা শিরো ব্রত তৌবা হায়বদি মকোক্তা মৈ পুবা অথর্ব্ব বেদদা য়াওবা ব্রত অদু তৌবা মীওইশিং অদুদগী ব্রহ্মবিদ্যা তম্বিগদবা ওই ।।১০।।

অদুম্না অঙ্গিরা ঋষিনা মমাংঙৈদা শৌনককী মফমদা সত্যগী মশক ওইবা অক্ষর ব্রহ্মবু অসি তাকখি। ব্রহ্মজ্ঞ ওইবা মীনা অঙ্গিরানা তাকখিবগুম্না মতিকচাবা মুক্তি পাম্বা মীওইদা তাক্কদবনি। মশাদা ব্রত নিয়ম লৈতবা মীনা ব্রহ্মবিদ্যা তম্বগী অধিকার লৈতে। ব্রহ্মবিদ্যা অসি মতাং অসিদা লোইরে। বিদ্যা অসিবু তাকপীবা ব্রহ্মানাচিংবা গুরু পরমপরাদা হৌগ্রবা পরম ঋষিশিংবু পরম্পরাদা হৌগ্রবা পরম ঋষিশিংবু হন্না হন্না খুরুমজরি ।।১১।।

মতাং অসিদ অহুমশুবা মুণ্ডককী অনিশুবা তাংকক লোইরে ।।২।।

উপনিষৎ অসিগী শান্তি মন্ত্রঃ—

ওঁ ভদ্রং কর্ণেভিঃ শৃণুয়াম দেবা ভদ্রং পশ্যেম অক্ষভি র্যজত্রাঃ।
স্থিরৈরঙ্গৈ স্তুষ্টুবাংস স্তনুভির্ব্ব্যশেম দেবহিতং যদায়ুঃ।
ওঁ শান্তিঃ ওঁ শান্তিঃ ওঁ শান্তিঃ।।

অথর্ব্ব বেদগী মুণ্ডকোপনিষৎ লোইরেঃ ।।

কঠোপনিষৎ

প্রথমধ্যায়স্য প্রথমা বল্লী।

ওঁ

ওঁ সহ নাবিতি শান্তিঃ। ওঁ

ওঁ উশান্‌, হ বৈ বাজশ্রবসঃ সর্ব্ববেদসন্দদৌ।
তস্য হ নচিকেতা নাম পুত্র আস ॥১॥
তং হ কুমারং সন্তং দক্ষিণাসু।
নীয়মানাসু শ্রদ্ধা বিবেশ সোঽমন্যত ॥২॥
পীতোদকা জগ্ধতৃণা দুগ্ধদোহা নিরিন্দ্রিয়াঃ।
অনন্দা নাম তে লোকাস্তান্‌, গাচ্ছতিত্তাদদৎ ॥৩॥

উপনিষৎ অসিগী শান্তি মন্ত্রদি—ওঁ সহানাবতু না চিংবা মন্ত্রনা ওই ॥ ওঁ ॥ ওঁ পবমাত্মাবু খুরুমজৈ ॥ওঁ।

ওঁ। অন্নদাননাচিংবদা মমিং চৎলবা বাজশ্রবাগী মচা বাজশ্রবস মুনিনা লৈজবা লল পুন্নমক দক্ষিণা ওইনা কৎথোকদবা বিশ্বজিৎ কৌবা যজ্ঞ অদু মাতুগী ফল পামদুনা তৌখিরমই। মাতুদা মহাক্লা মহাক্লী লৈজবা মরল পুন্নমক দক্ষিনাগী মশক্তা কৎথোকখিরম্মী। বাজশ্রবস অসিগী 'নচিকেতা' কৌবা মচানিপা অমা লৈরম্মী ॥১॥

পুরোহিতশিংদা কৎনবা দক্ষিণাগী যনশিং অদু পুশিল্লকপা মতমদা নহা ওইরিবা নচিকেতাগী মপুক্লিংদা আস্তিক্য বুদ্ধি—মপাগী য়াইফ-মঙ্গল পাম্বগী বুদ্ধি পোকখিরম্মী। মহাক্লা খনখি মাতুদি ঈশিং নিংথিনা থক্লম্বা অতুনা মমৈদা ঈশিং থকপা ঙম্লক্ত্রবী, শজিক নিংথিনা চারম্বা অতুনা মমৈদা শজিক চাবা ঙমলক্ত্রবী, মথোম থোলক্ত্রবী অমসুং মচা পোকপগী শক্তি লৈত্রবী অহল ওইরবী যনবীশিংবু দক্ষিনাগী মশক্তা ব্রাহ্মণ পুরোহিততা কৎপা যজমান আদুদি অনন্দা কৌবা মুঙাইবা লৈতবা লোকশিং অদুদা চৎলি ॥২-৩॥

স হোবাচ পিতরং তত কস্মৈ মাং দাস্যতীতি।
দ্বিতীয়ং তৃতীয়ং তং হোবাচ মৃত্যবে ত্বাদদামীতি ॥৪॥
বহুনা মেমি প্রথমো বহুনা মেমি মধ্যমঃ।
কিংস্বিদ্‌ যমস্য কর্ত্তব্যং যন্ময়াদ্য করিষ্যতি ॥৫॥
অনুপশ্য যথা পূর্ব্বে প্রতিপশ্য তথ পরে।
সস্যমিব মর্ত্ত্যঃ পচ্যতে সস্যমিব জায়তে পুনঃ ॥৬॥

ঐগী পিতনা কংলিবা দক্ষিণাগী ষণবীশিং অসি মথন্তগী পনখ্রবী অহুগুম্বী ষণবী ঙাক্লনি। অদুনা ঐগী পিত্রা অসি অমগা লৈকতা চৎপা তাই। ইশামকপু দক্ষিণা ওইনা কংথাকুহল্লগা বুস্ত্র মপুং ফাহন্দুনা ইপাবু অফবা লোক ফংহল্লগে, খন্দুনা নচিকেতানা মপাদা হায়খি, হে তাত। ঐহাকপু দক্ষিণা ওইনা কবগী পুরোহিত ব্রাহ্মণদা কংপীগদৌবি- বগে? মপানা অঙাং বানি, খন্দুনা থোওইনা তৌখিদে অমসুং পাউখুম পাউখুম পীখিদে। নচিকেতানা অমুক হায়খি, ঐবু কনাদা কংকদৌবিবনো? ঐবু কনাদা কংকদৌরিবনো? অসুম্না অহনবক হংলকপদা বাজশ্রবসনা মাসি অঙাংগী স্বভাব নত্ত খনতুনা শাগুবতুনা হায়খি,—নংবু ঐনা অশিবগী লাই যমদা পীরে (কংলে) ॥৪॥

নচিকেতানা মপাগী বা অদু তাবদা নুংঙাইথিদে অমসুং মপুক্কিংদা অসুম্না তৈংথাখি, মাহুদি ঐহাক অসি শিষ্য মযাম অমদি মচাময়াম লৈবিবা— সিগী মনুংদা গুরু সেবানাচিংবদা প্রথম ওইবনি অমসুং মধ্যম ওইনা লৈবা শিষ্যনাচিংবগী মরক্তসু মধ্যম ওইনা লৈবনি। কদৌঙেদসু মাসিদগী হন্থবা থাক্তনা ঐহাক লৈতবনি। অসুম্বা ঐহাক অসিবু অশিবগী লাইদা নংবু পীথোক্লে হায়না ইপানা হায়বা! পীথোক্লবা ঐহাক অসিনা যমরাজগী করি কাম্নহনগদৌরিবা? কাম্নবা কামদবা করিমতা খল্লদনা শাগু- তুনা যমদা নংবু পীরে হায়বনি ॥৫॥

তত্ত নচিকেতনা, হৌখিবনা হৌখ্রে, ঐগী ইপানা হায়দৌকখিবা বাক্য অসি মিথ্যা হায়বদি অরানবা ওইদসন্নে অসুম খন্দুনা হায়দৌখিবা বা অদুদা নুংঙাইতনা লৈববা মপাগী মফমদা হায়খি,—হে তাত! নংগী হৌখিবা

বৈশ্বানরঃ প্রবিশত্যতিথি ব্রাহ্মণো গৃহান্,
তস্য স্ম তাং শান্তিং কুর্ব্বন্তি হর বৈবস্বতোদকম্ ॥৭॥
আশাপ্রতীক্ষে সঙ্গতং সুনৃতাঞ্চেষ্টা পূর্ত্তে পুত্র-
পশূংশ্চ সর্ব্বান্। এতদ্বৃঙক্তে পুরুষস্যাল্পমেধসো-
যস্যানশ্নন্ বসতি ব্রাহ্মনো গৃহে ॥৮॥

নংগী পিতা পিতামহনাচিংবনা চৎখিবা লমচৎ খস্থনা য়েংবিয়্। মাতুগী মতুং ইন্না চৎকদবা ওই। হৌজিকস্থ সাধুশিংনা চৎনরিবা লমচৎ খস্থনা য়েংবিয়্। নহাকস্থ অস্থুম্না চৎকদবা ওই। পূর্ব্ব পুরুষশিংনা মিথ্যা ওইবা লমচৎ চৎখিদে। হৌজিকস্থ সাধুশিংনা মিথ্যাগী লমচৎ চৎনদে। মিথ্যাগী লমচৎ চৎলগা অজর অমর ওইগদবা নত্তে। মী হাইবা পুম্নমক মহৈ মরোংগী পানীগুম্না মন্থরক্রগা শিবা ভাক্তনি। শিরগা অমুক হন্না পোকপা ভাক্তনি।

মরম অসিনা অসিগুম্না অনিত্য সংসার অসিদা সাধুশিংগী ওইবা লমচৎ কায়হন্বনা কবি কান্ননি। ঐহাকপু হায়দোকখিবাগী মতুং ইন্না যমরাজগী নাক্তা চৎহনবিরো, সত্য পালন তৌবিয়্॥৬॥

অস্থুম্না মচা নচিকেতানা হায়রবদা রাজশ্রসনা মহাকপু যমরাজগী নাক্তা থাখিরম্মী। নচিকেতা যমরাজগী মযুমদা চৎখি, মতম অত্তুদা যমরাজ মযুমদা লৈরমদে, চংথোকখিরম্মী। মরম অসিনা নুমিৎ হুমনি চাবা থকপা তৌদনা নচিকেতা যমরাজবু ভাইত্তুনা মহাক্কী যুমদা লৈখি। যমরাজনা মযুমদা হল্লকুবা মতমসিদা মহাক্কী মন্ত্রী অমদি ভার্য্যানা হায়খি মাতুদি মৈগী মশক ওইরবা অতিথি ব্রাহ্মণ অমা ঐখোয়গী যুম অসিদা লাকলে। অতিথি য়ুমদা লাক্লবদি সাধুশিংনা আসন, পাদ্যনাচিংবা কৎতুনা মহাকপু ইংহল্লৈ। হে বৈবস্বত ! অতিথি নচিকেতাগী পাদ্য হায়-বদি চরণ শেংনবা ঈশিং পুবিরক্লো ॥৭॥

কনাগুম্বানা গৃহস্থ অমগী মযুমদা ব্রাহ্মণ অতিথিনা চাদ-থক্তনা (চাবা-থকপা ফংদনা) বাস তৌত্তুনা লৈরবা অতু ওইরবদি অত্তুগুম্বা অপংবা গৃহস্থ অত্তুগী আশা (অপাম্বা ফংনিংবা), প্রতীক্ষা (খঙদবা খঙগে য়েংবা),

তিস্রো রাত্রী র্যদবাৎসী গৃহে মেঽনশ্নন, ব্রাহ্মণ
অতিথির্নমস্যঃ। নমস্তেঽস্তু ব্রাহ্মণ, স্বস্তি মেঽস্তু
তস্মাৎপ্রতি ত্রীন, বরান, বৃণীষ্ব ॥৯॥
শান্তসঙ্কল্পঃ সুমনা যথা স্যাদ্বীতমন্যুর্গৌতমো
মাভি মৃত্যো। ত্বৎ প্রসৃষ্টং মাভিবদেৎ প্রতীত এত-
ত্রয়াণাং প্রথমং বরং বৃণে॥১০॥

সাধু সঙ্গগী ফল, অচুম্বা ভাংবগী পুন্য, যজ্ঞগী ফল, পুত্রিনা চংবা কৎপগী ফল, মচা অমসুং মহাক্কী ওইবা পশু (ষণনাচিংবা) পুম্নমক অসি নাশ ওই। মরম অসিনা মরম পুম্নমক্তা অতিথিবু থৌওইদবা তৌনদে॥৮॥

যমরাজগী মফমদা মহাক্কী ভার্য্যা অমসুং মন্ত্রীনা অসুম হায়রবদা যবরাজনা নচিকেতাগী মনাক্তা চংতুনা মাবু পূজা কৎতুনা অসুম্না হায়খি— নহাক অসি ব্রাহ্মণ অতিথিনি, মরম অসিনা ঐনা খুরুমজগদবা মীশক অমনি। মরম অসিনা ঐনা নহাকপু খুরুমজরি। নহাক্না ঐগী যুম অসিদা অহুং অহুম (নুমিৎ হুমনি) চরা হেন্দুনা লৈরম্না অসিনা ঐহাক্কী ফত্তবা অমঙ্গল ওইবা তারে। হে ব্রাহ্মণ! ঐ মঙ্গল ওইজগে। নহাক্না অহুং অহুম চাদনা লৈরম্বাগী ঐগী অপরাধ অদু কোক্লবা অহুং খুদিংগী অমমম ওইনা বর অহুম পীগে অদুনা অপাম্বা বর অহুম নীবিরো।৯।

নচিকেতানা যমরাজদা হায়খি মাতুদি নহাক্না ঐঙোন্দা বর অহুম পীগে হায়বা য়াথং পীবিরে অহুম অদুগী মনুংদা ঐহাক্না নীরিবা অহানবা বরদি অসিনি—ঐগী ইপানা মহাক্কী লেপখিবা বাথল অদুদগী মপুক্কিং হন্দোক্লনা অমসুং মপুক্কিং মুঙাইনা ঐঙোন্দা শাওরম্বা অশাওবা অদু থাদোকপা অদুগা হে মৃত্যু! নহাক্না থাদোকপীদুনা ঐনা য়ুমদা হনখিবা মতমদা ঐহাকপু মানা কাউবীরমদবা ঐগী ইচা অদু ঐগী নাক্তা লাকলে-দনা হায়দুনা ঐবু লুনা তৌবিরম্বা। অহুমগী মনুংদা অহানবা ওইনা বর অসি নীজরি॥১০।

যথা পুরস্তাদ্ভবিতা প্রতীত-ঔদ্দালকি বারুনি
ম'ৎ প্রসৃষ্টঃ । সুখং রাত্রীঃ শয়িতা বীতমন্যুস্ত্বাং
দদৃশিবা-মৃত্যু মুখাৎ প্রমুক্তম্ ॥১১॥
স্বর্গে লোকে ন ভয়ং কিঞ্চনাস্তি ন তত্র ত্বং ন
জরযা বিভেতি। উভে তীর্ত্বা'হশনায়াপিপাসে।
শোকাতিগো মোদতে স্বর্গলোকে ॥১২॥
স ত্বমগ্নিং স্বর্গমধ্যেষি মৃত্যো প্রব্রূহিত্বং
শ্রদ্দধানায় মহ্যম্ । স্বর্গ লোকা অমৃতত্বং
ভজন্ত এতদ্দ্বিতীয়েন বৃণে বরেণ ॥১৩।

যমরাজনা হায়খি,—ঔদ্দালকি—অরুণিনা হায়বদি নংগী নপা বাজ শ্রবসনা মমাংঙৈদা নংগী নফমদা মাগী মুংশিবগী বুদ্ধি লৈরম্বা অতুগুম্না হৌজিকসু নংগোন্দা মাগী মুংশিবগী বুদ্ধি অতুমমক লৈবা ওইসনু। ঐনা খঙহন্নগী মতুং ইন্না হায়বদি পীরিবা বর অসিনা মৃত্যু মুখদগী নাম্থোক্ক্লবা নহাকপু মহাক্না উবা মংবা অমদি মহাক নুঙাইনা তুম্বা অমসুং অশাওবা পুম্নমক থাদোকপা ওইরগনি। ১১॥

নচিকেতানা হায়খি,—স্বর্গলোকতা অনা অয়েক্পাচিংবগী অকিবা অমতা লৈতে। হে মৃত্যুপতি। মফম অতুদা নহাকসু করিস্ত তৌবা ঙমদে (কনাবু শিহনবা ঙমদে)। মরম অসিনা ইহ লোক অসিদা জয়াগ্রস্ত ওইবা মীনা কিবাগুম্না স্বর্গদা কিনদে। স্বর্গ লোকতা লৈবা পুম্নমক অদো মখোয়গী অরাম্বা অমসুং খোরাংবা লৈতে, মাখোয় অদো পুকনিংগী অৱাবা খিবিক লৈতনা নুঙাইনা স্বর্গলোক অতুদা লৈ ॥১২॥

হে মৃত্যুদেব! অতুগুম্বা নুঙাইবগী মফম ওইবা স্বর্গলোক অতু ফংননবগী সাধন ওইবা অগ্নিগী তত্ত্ব (অগ্নিবিজ্ঞান) অতু নহাকনা খঙই। মরম অসিনা নঙোন্দা শ্রদ্ধা লৈজরবা অমসুং স্বর্গ পাম্বা ঐঙোন্দা অগ্নি তত্ত্ব অতু তাকপীয়ু। নহাকনা অগ্নিতত্ত্ব অতু তাকপীরবদি স্বর্গ পাম্বা যজমান না মৈ অতু (অগ্নি অতু) হৌগৎতুনা আহুতি পীহুনা মাহুনা স্বর্গ লোক ফংতুনা শিবা নাইদবা লাইগী মতো অতু ফংজবা ঙমগনি। অসুম্বা অগ্নিবিজ্ঞান অসি অনিশুবা বর ওইনা নীজরি ॥১৩॥

প্রতে ব্রবীমি তদু মে নিবোধ স্বর্গ্যমগ্নিং নচিকেতঃ
প্রজানন্। অনন্তলোকাপ্তিমথো প্রতিষ্ঠাং
বিদ্ধি ত্বমেতন্নিহিতং গুহায়াম্ ॥১৪॥
লোকাদিমগ্নিং তমুবাচ তস্মৈ যা ইষ্টকা যাবতীর্ব্বা
যথাবা। সচাপি তৎ প্রত্যবদদ্ যথোক্ত মথাস্য
মৃত্যুঃ পুনরেবাহ তুষ্টঃ ॥১৫॥
তমব্রবীৎ প্রীয়মাণো মহাত্মা বরং তবেহাদ্যদদামি
ভূয়ঃ। তবৈব নাম্না ভবিতায়মগ্নিঃ সৃঙ্কাঞ্চেমা মনেক
রূপাং গৃহাণ ॥১৬॥

যমনা হায়খি,— হে নচিকেতঃ! নহাক্তা হংলিবা স্বর্গগী সাধন ওইবা অগ্নিগী রাফম অদু ঐহাক খঙিঙ। নপুক্নিং চংনা তাও, হায়রিবা অগ্নি অসি স্বর্গ লোককী মশক ওইবা ফল ফংননবগী কারণনি। মহাক অসি বিরাটকী মশক্তা জগৎ অপুংগী তুংনফমনি। অসুম্বা অগ্নি তত্ত্ব অসি ঐ-ঙোন্দগী খঙজরো। মহাক অসি বিদ্বানশিংগী বুদ্ধিগী মশক ওইবা গুহাদা চংদুনা লৈবনি ॥১৪।

যমরাজনা নচিকেতাদা অহাম্বা দেহপাম্বা ওইবা মরমনা লোক পুম্নমক্কী আদি ওইবা অদুগুম্বা মৈ (অগ্নি) অদুগী মশক তাকখি। অদুগা মাদুদা চংগদবা (চনগদবা) ইষ্টকাশিং (চ্যেকশিং) গী মশক মওং অমসুং মশিং অমদি করম্না ইষ্টকাশিং অদু চন্দুনা হোৎগৎপা পুম্নমক অসিসু তাকখি। যমরাজনা তাকপা লোইরবদা নচিকেতনা তাকখিবা পুম্নমক ইকাই কাইদনা মচিননা হায়খি। মাদুদা শিষ্যগী যোগ্যতা অদু উবদা যমরাজ পেনখিরমই। পেল্লবা যমরাজনা বাশকখিবা বর অহুম অদু নত্তবা অতোপ্পা বর অমসু পীনিংলদুনা হায়খি ॥১৫॥

মহাত্মা যমরাজনা নচিকেতাবু মতিক চাবা শিষ্যনি খন্দুনা পেল্লদুনা হায়খি,—নহাক্কী অনিশুবা বর অদুদি পীরে। অদুগা হৌজিক অমুক বর অমসু মরিশুবা ওইনা পীগে মাহুদি স্বর্গগী সাধন ওইবা অগ্নি অসি নহাক্কী নমিংদা মমিং লৈরসনু হায়বদি অগ্নি অদু লিংখৎতুনা আহুতি

ত্রিনাচিকেতস্ত্রিভিরেত্য সন্ধিং ত্রিকর্ম্মকৃত্তরতি
জন্মমৃত্যু। ব্রহ্মযজ্ঞন্দেবমীড্যং বিদিত্বা নিচায্যেমাং
শান্তিমত্যন্তমেতি ॥১৭।
ত্রিনাচিকেতস্ত্রয়মেতাদ্বিদিত্বা য এবং বিদ্বাং
শ্চিনুতে নাচিকেতম্। স মৃত্যুপাশান্ পুরতঃ প্রণোদ্য
শোকাতিগো মোদতে স্বর্গলোকে ॥১৮॥

পীবদা স্বর্গ ফংবা অহ্নগুম্বা মৈ অহুগী মমিং নচিকেতাগ্নি হায়না খঙনর-সনু। অসিগুম্বা ফজরবা মখল মখলগী কর্ম্মগী মশক ওইবা রত্নমালা অসি নহাক্ লৌজরে। (হায়বদি কর্ম্মবিজ্ঞান হৈবা ওইজরো) ॥১৬॥

যনর জনা মখা তাখি,—মাহুদি মাতা, পিতা অমসুং আচার্য্য (গুরু) গী মনাক্তা চংতুনা মাথোয়না তাকপা পাউতাক অহু লৌতুনা নাচিকেতা কৌবা অগ্নিবু তহুমরক লিংখৎতুনা পিফম থোকপা আহুতিশিং অহু পী-রবা অমদি যজ্ঞ, বেদাধ্যয়ণ অমসুং দান—থবক অহুম অসি মাইপুনন তৌবা মীশক অতুনা পোকপা শিববু লানথোকপা ঙমই। হিরন্য গর্ভদগী পোকপা সর্ব্বজ্ঞ ওইবা, মঙানগী মশক ওইবা অমসুং পুম্নমক্তা স্তুতি কংকদবা থাগৎনগদবা ওইবা অসিগুম্বা অগ্নিবু মশক খংলগা মশাগী মশক্তা উরবা মী মহক অহু পরম শান্তি ফংই হায়বদি জ্ঞান অমসুং কর্ম্মানুষ্ঠাননা মরম ওইতুনা বৈরাজ পুরুষবু মহাক্তা ফংই ॥১৭॥

হৌজিক অগ্নি বিজ্ঞান অমসুং অগ্নি অহু লিংখৎতুনা আহুতি পীবগী ফলগী রাফম অহু লেইশিনবা ওইনা তাকলি,— অথঙবা মীশক মীওই অতুনা ইষ্টকাশিংগী মশক মওং অমদি মশিং অমসুং মৈ হৌগৎপগী মওং পুম্নমক অসি খঙনা নাচিকেতাগ্নিগী যজ্ঞ অসি পাংথোক্লবদি মহাক অদো মহাকনা শিদ্রিঙৈদা (দেহ ত্যাগ তৌদ্রিঙৈনা) অধর্ম্ম, অজ্ঞান, রাগদ্বেষনা-চিংবগী মশক ওইবা মৃত্যুগী পাশ (থৌরী) শিং অতুদগী নাম্থোক্তুনা অমদি পুক্নিংগী ওইবা অরাবা পুম্নমক থাদোক্তুনা বিরাট পুরুষগী মশক্তা স্বর্গ ধামগী মুঙাইবা অহু ফংই ॥১৮॥

এষ তেঽগ্নির্নচিকেতঃ স্বর্গ্যো যমবৃনীথা দ্বিতীয়েন বরেণ। এতমগ্নিং তবৈব প্রবক্ষ্যন্তি জনাসস্তৃতীয়ং বরং নচিকেতো বৃনীষব ।।১৯।।

যেয়ং প্রেতে বিচিকিৎসা মনুষ্যেঽস্তীত্যেকে নায়মস্তীতি চেকে। এতদ্বিদ্যামনুশিষ্টস্ত্বয়াঽহং বরানামেষ বরস্তৃতীয়ঃ ।।২০।।

দেবৈরত্রাপি বিচিকিৎসিতং পুরা নহি সুজ্ঞেয়মণুরেষ ধর্ম্মঃ। অন্যং বরং নচিকেতো বৃনীষব মামোপরোৎসীঃতি মা সৃজৈনম্ ।।২১।।

হে নচিকেতঃ! নহাক্না অনিশুবা বর ওইনা নীবা স্বর্গগী সাধন ওইবা অগ্নিতত্ব ভাকউ হায়বা অদু নঙোন্দা তাক্লিবসিনি।

অদুগা অগ্নি অসি নহাক্কী নমিংদা 'নাচিকেতাগ্নি' হায়না মী পুমনক্না হায়নরসনু—অসুম্না অহেম্বা বর অসিসু নঙোন্দা পীরে। হে নচিকেতঃ! অহুমশুবা বর নীরো ।।১৯।।

যমরাজনা অসুম হায়রবদা নচিকেতানা হাযখি,—মাহুদি মী ওইবা-সিনা শিববদসু শরীর (হকচাং), ইন্দ্রিয়, মণ (পুক্লিং) অমসুং বুদ্ধি (লৌশিং) অসি নত্তবা আত্মা কৌবা পোৎশক অসি অতোপ্পা হকচাং (দেহ) অম পুত্থনা অত্থমক লৈ অসুম্না কনা কনাগুম্বাশিংনা হায়। অদুগা অতোপ্পা কনাগুম্বাশিংনা মাহু লৈতে শিরগা লোইরে হায়। অসুম্বা অনি থোক্কনা চিংনবা অসি মতম কুইনাদগী অত্থুম ওইনা লাক্লি। ঐখোয়না প্রত্যক্ষ অমসুং অনুমান প্রমাণনা মাত্থগী অরেপ্পা লেপা ঙমদে। মাসি মীওইবনা খঙফম থোকপা জ্ঞানগী বাফমনি। মরম অসিনা নহাকনা তাকপীরগা বিদ্যা অসি (আত্মাগী মবমদা) খঙজনিংই। বর অহুমগী মনুংদা অহুমশুবা অসি নীজরি ।।২০।।

নচিকেতা অসি মুক্তিগী সাধক ওইবা আত্মজ্ঞান ফংবদা মতিক চাবা পাত্র ওইরবা নত্রগা ওইদ্রিবরা থংনিংত্থনা পরীক্ষা তৌবগী মওংদা যমরজনা হায়খি,—হে নচিকেতঃ! নহাক হংলিবা বিষয় (আত্মা) অদুগী

দেবৈরত্রাপি বিচিকিৎসিতং কিল ত্বঞ্চ মৃত্যো
যন্নসুজ্ঞেয়মাত্থ। বক্তাচাস্য ত্বাদৃগন্যো ন
লভ্যো নান্যো বর স্তুল্য এতস্য কশ্চিৎ ॥২২॥
শতায়ুষঃ পুত্র পৌত্রান, বহুন, পশুন, হস্তিহিরণ্য-
মশ্বান্। ভূমের্মহদায়তনং বৃনীষ, স্বয়ঞ্চ জীব
শরদো যাবদিচ্ছসি ॥২৩॥

মবমদা লাইশিংমকীস্ বিচিকিৎসা (চিংনবা) ওইরিবনি। মখোয়না অবেপ্পা খঙদ্রিবনি। মবমদি আত্ম বস্তু অসি যাম্না কুপশ্রবা পোৎনি। সাধারণ ওইবা (অচম্বা) মীওইনা হন্না হন্না শ্রবণ তৌরবদসু নিংথিজনা খঙবা ঙমদে। অদুনা চিংনবা লৈতনা হেক্তা ফল ফংবা অতোপ্পা বর অমা নীয়ু। আত্মাগী বাফম অসি খঙনবা ঐঙোন্দা কন্না হায়গনু, মাসি থা-দোকউ—মসিগী মতুংতা অমা নীয়ু ॥২১॥

যমরাজগী বা অসি তাবদা নচিকেতানা হায়খি,—হে মৃত্যো! লাই-শিং মকনাসু হিবম অসিদা (আত্মাগী মবম অসিদা) চিংনরিবনি খঙদ্রিবনি অসুম্না তাকপীরি। মাদু নহাক্না হায়বিবনিনা অচুম্বা ওইগনি। তৌই-শু মকশুং অসিগুম্বা নিংথিজনা খঙফম থোকপা আত্মতত্ত্ব অসি নহাক্না ঐঙোন্দা তাকপীদ্রবদি পণ্ডিতশিংনসু খঙমদ্রবা আত্ম তত্ত্ব অসি তাকপীবা ঙম্বা অতোপ্পা নহাককুম্বা অমদি ফংবদা ৱারণনি। মবম অসিনা মুক্তিগী সাধন ওইবা আত্ম তত্ত্ব অসি নহাক্না ঐঙোন্দা তাকপীয়ু। মাসিগী মতুংতা পীবিগে হায়রিবা বর অদু অনিত্য ফলগী ওইগদবনিনা আত্ম জ্ঞানগী মশক ওইবা বরগা মান্নবদি ওইরোই ॥২২॥

নচিকেতনা মথক্তা হায়খিবা অসি হায়রবা মক্তাদা যমরাজনা মপুক্কিং ওলহনবা য়াবরা য়েংগে হায়দুনা পামহল্লবা মখাগী ৱাফম অসি হায়খি,—নহাক্কী নচানিপাশিংনা অমসুং নশুনিপাশিংনা চহি চামা চামা পুনশিবা ঐঙোন্দা নীয়ু। ষণনাচিংবা শা ময়াম, শগোল শামু ঙমদি সনা-রুপাচিংবগী মপু ওইগে হায়না ঐঙোন্দা বর নীয়ু পৃথিবী অপুনাগী সাম্রাজ্য-মপু ওইবা বর নীয়ু। ঐনা পুনশিন্দ্রবদি ময়াম অসিনা করি

এতৎতুল্যং যদি মন্যসে বরং বৃনীষ.বিত্তং চিরজীবিকাঞ্চ।
মহাভূমৌ নচিকেতস্ত্বমেধি কামানাস্ত্বা কামভাজং
করোমি ।।২৪।।
যে যে কামা দুর্ল্ভা মর্ত্ত্য লোকে সর্ব্বান.
কামাং শ্ছন্দতঃ প্রার্থয়স্ব। ইমা রামাঃ সরথাঃ
সতূর্য্যাঃ নহীদৃশা লম্ভনীয়া মনুষ্যৈঃ।
আভি-র্মৎপ্রত্তাভিঃ পরিচারয়স্ব নচিকেতো মরনং
মানুপ্রাক্ষীঃ ।।২৫।।
শ্বো ভাবা মর্ত্ত্যস্থ যদন্তকৈতৎ সর্ব্বেন্দ্রিয়াণাং
জরয়ন্তি তেজঃ। অপি সর্ব্বং জীবিত মল্পমেব
তবৈব বাহা স্তব নৃত্য গীতে ।।২৬।।

কান্নগনি খল্লবদি নহাকনা হিংনিংবা চহি মশিং অতু নীযু, মথক্তা পনখিবা সম্পত্তিশিংগা লোইননা পীগে ।।২৩।।

হে নচিকেতঃ! নহাকনা নীরিবা অহুমগুবা বর অতুগা মান্নবা অমা লৈরস্থ মাতু নীযু নত্রগা লন থুমগী মপু ওইতুনা কুইনা পুনশিবা পান্নবাস্থ মাতু নীযু। অমুক করি হেন্না হায়সিগে, পাক চাওথ্রবা পৃথিবী অসিগী রাজত্ব পামলবস্থ নীযু। স্বর্গলোকতা নত্রগা মনুষ্য লোকতা লৈবা অপাম্বা পোৎ পুন্নমক নীয়ু। ননিং থুংহনগে। ঐহাক্তি হায়খিব-নিংবা নিংখিবা হোংবা লৈতবনি সত্য সঙ্কল্পনি। ঐহাককী বা খক্ মিথ্যা ওইরোই ।।২৪।।

হে নচিকেতঃ: মর্ত্ত্যলোকতা মীওইবশিংনা ফংঙমদ্রবা (ফংবদা বারবা) অতু অতুগুম্বা অপাম্বা বিষয়শিং অতু ননিংতম্না ঐঙোন্দা নীজো। স্বর্গগী বিমান তোংবী, মখুত্তা মখল মখলগী বাদ্য যন্ত্র পায়রবী অসিগুম্বী অপ-সরশিং অসি মীওইবনা ফংবা ঙম্নদবনি। মাখোয় অসি ঐনা নঙোন্দা বরগী মশক্তা পীরগা মাখোয় অসিনা নহাক্কী সেবা তৌহল্লু। শিবগা মরি লৈনবা হায়বদি শিরবা মতুংদা আত্মা লৈ নত্রগা লৈতে হায়বা বাফম অসিদি ঐঙোন্দা হংল্গনু—বাফম অসিমদি থাদোকউ ।।২৫।।

মতৌ অসুম্না মখল মখলগী ভোগ্যবস্তু উৎতুনা যমরাজনা পামহন্নবা হোংলবদসু মপুক্কিং লাংদ্রবা নচিকেতানা হায়খি,—হে অন্তক। নহাকন্না

নবিত্তেন তর্পণীয়ো মনুষ্যো লপ,স্যামহে
বিত্তমদ্রাক্ষ্ম চেত্ত্বা। জীবিষ্যামো যাবদীশিষ্যসি
ত্বং বরস্তু মে বরনীয়ঃ স এব ॥২৭॥
অজীর্য্যতামমৃতানামুপেত্য জীর্য্য-মর্ত্ত্যঃ
ক্বধঃ স্থঃ প্রজানন,। অভিধ্যায়ন, বর্ণরতি প্রমোদা-
নতিদীর্ঘে জীবিতে কো রমেত ॥২৮॥

ঐঙোন্দা পীবিগে হায়রিবা ভোগ্যবস্তুশিং অদুদি হয়েং ফাওবা লৈগদ্দরা নত্রগা লৈরোইদ্রা চিংনিশাইনি হায়বদি মাখোয় অদো লেপ্তবনি। ভোগ্য ওইবা অপ,সরানাচিংবা অতুনা ইন্দ্রিয় পুম্নমক্কী শক্তি ময়েং তাহল্লি; মরম অসিনা মাখোয় অদু অনর্থ (আত্ম পতন) গী কারণনি। অদুগা নহাকনা ঐগী অশাংবা পুন্সি পীবগী রাকমসু তাকপীখরে, মাহুগী মরমদা হায়গে তাবিয়ু। ব্রহ্মা ফাওবা পুম্নমক অসি অল্পকালজীবী হায়বদি মতম খরগী- দমক হিংবা ঙাক্তনি অদুনা ঐগুম্বা মীশকনা কয়া কুইনা হিংগনি? মরম অসিনা রথ (বিমান) নাচিংবা বাহন অমসুং জগোই-ইশৈনাচিংবা অদু নহাক্কী অতুনক ওইবিরো ঐদি পামদ্দ ॥২৬॥

নচিকেতানা অমুক মখা তানা হায়খি, হে মৃত্যো! মরাং কায়বা লল-থুম্না মীওইবগী পুমপেন পেনবা ওইদে। লন থুমগী খোরাংবা লৈরবদি মাহু ঐনা নাঙোন্দগী ফংবা যাই। নহাকপু দর্শন ফংজরবা মতম অসিদা নহাকনা যমগী খুবমদা লৈদুনা শাসন তৌদুনা লৈবিবা অদুক্কীমখৈ ঐহাক পুনশিদুনা লৈবা অসিসু ফংবা য়াই। অদুবু পন্নমক অসি ঐ পাম- জদে। ঐনা পাম্বাদি কেবল মাত্র আত্ম তত্ত্ব বিজ্ঞান ফংবা অসিতনি ॥২৭॥

অহন ওইদবা-শিদবা লাইশিংগী মনাক্তা চংজদুনা হায়জদুনা মাখোয়- দগী অথোইবা কান্নবা পুম্নমক মীওইবনা ফংগদবা ওই অদুগা মীওইবদি অহন ওইবা শিবা নাইবনা লোক পুম্নমক্কী মখাথংবা পৃথিবীদা লৈগনি। অসিগুম্বা ফিবম অসিদা মশাগী বিবেক লৈতবশিংনা পামগদবা ওইবা সনা-লুপা মচা-মগুনচিংবা অরেপ্পা লৈতবা অদু মশাদা বিবেক লৈবা কনানা নীগদগে? কুচুহেনবী রতিবাগচেনবী অমসুং হরাও তয়াম্বদা

যস্মিন্নিদং বিচিকিৎসন্তি মৃত্যো যৎ সাম্পরায়ে
মহতী ব্রূহি নস্তৎ। যোঽয়ং বরো গূঢ়মনুপ্রবিষ্টো
নান্যং তস্মান্নচিকেতা বৃণীতে ॥২৯॥

ইতি কঠোপনিষদি প্রথমাধ্যায়ে প্রথমা বল্লী সমাপ্তা ॥১॥

লুপ্লবী অপসরাশিং অত্থু অরেপ্পা নত্তে খঙলবা বিবেক লৈবা করম্বা মী-শকনা মাখোয় অত্থুগীদমক দীর্ঘ জীবন নীগদগে ? মরম অসিনা অনিত্য বিষয়গী ৱাফম থাদোক্তুনা ঐনা নীজরিবা অসি পীনবীয়ু ॥২৮॥

হে মৃত্যো ! শিরবা মতুংদা অতোপ্পা লোক অমদা আত্মানা লৈ নত্রগা লৈতে অম্ম্না চিংনরিবা বিষয় অসিদা অরেপ্পা অমা তাকপীয়ু মরমদি পরলোক্কী ৱাফম অসি খঙবদা য়াম্না কান্নবা ওইগনি। ঐনা বর নীরিবা আত্মতত্ত্ব অসি য়াম্না লুবনি তাকপীরে। মরম অসিনা অরুবা অসি ঐ খঙবা পামই। অত্মতত্ত্ব তাকপা নত্তবা বর অমদি নচিকেতানা নীররোই ॥২৯॥

মতাং অসিদা কঠোপনিষৎকী অহানবা অধ্যায়দা অহান্বা বল্লী লোইরে ॥১॥ ওঁ

দ্বিতীয়া বল্লী

অন্যচ্ছ্রেয়োঽন্যদুতৈব প্রেয়স্তে উভেনানার্থে
পুরুষং সিনীতঃ। তয়োঃ শ্রেয় আদদানস্য
সাধু ভবতি হীয়তেঽর্থাদ্, য উ প্রেয়ো বৃনীতে। ১॥

শ্রেয়শ্চ প্রেয়শ্চ মনুষ্যমেতস্তৌ সম্পরীত্য
বিবিনক্তি ধীরঃ। শ্রেয়োহি ধীরোঽভিপ্রেয়সো-
বৃনীতে প্রেয়ো মন্দো যোগ ক্ষেমাদ্বৃনীতে ।।২।।

পরীক্ষাগ তৌত্নুনা যেংবদা নচিকেতাবু তত্ত্ববিদ্যা ফংবদা মতিক চাবা শিষ্য অমনি খঙলত্নুনা যমরাজনা মাঙোন্দা অত্নুগী মরমদা তাকপা হৌখি,-শ্রেয়ঃ অমসুং প্রেয়—অনি অসি তোঙান্ তোঙানবনি। শ্রেয়ঃ হায়বদি নিঃ শ্রেয়স-মুক্তিগী সাধন ওইবা তত্ত্বজ্ঞান। প্রেযঃ হায়বদি নুংশিরবা মচা-মশু লন থুম্নাচিংবা পোৎ। অনি অসিগী কান্নবা (প্রয়োজন) তোঙান তোঙাল্লি। অনি অসিনা বর্ন্নাশ্রমদা লৈবা মীওইববু মাখোয়গী কর্ত্তব্যদা পুশিন্দুনা থমই। অনিসিগী মরক্তা কেবল শ্রেয়ঃ তবু পামত্নুনা লৌবা মীশক অত্নুগী অফবা য়াইফবা হায়বত্নু ওই হায়বদি মহাক সংসারগী বন্ধনদগী না-স্তোকপা ঙমই। অত্নুগা প্রেয়ঃ তবু পামত্নুনা লৌরিবা মীশক অত্নু অপঙবনি মরমদি মহাক অত্নুনা অথোইবা পুরুষার্থ (কান্নবা) অত্নু ফংবা ঙমদ্রে ।।১।।

শ্রেয়ঃ অমসুং প্রেয়ঃ অনিমক অসি মীওইবগী হোৎনবগী মখা পোম্বনি অমদি ফংনিংবা অমা ফংবা য়াই, অত্নুবু অয়াম্বা মীওইনা প্রেয়-তবু পামই-লৌই-হায়বসি মত্র অসিনা তাকলি,—শ্রেয়ঃ অমসুং প্রেয়ঃ অনিসি মীওইবগী খুত্নুমদা লৈরবসু অনি অসি মীওইবগী মফমদা য়ানশিন্নবগী মওংদা লৈ। অত্নুনা জ্ঞান লৈবা মীওইনা কাঙঙ্না ঈশিং য়াম্লবা শঙ্গোমদগী ঈশিং থাদোক্ক্না শঙ্গোম অত্নুতা লৌবগুম পুকনিংদা অনিত্নুগী অফ ফত্তা বাখল তৌরগা প্রেয়ঃ বু খাইদোক্লমরগা শ্রেয়ঃ অত্নুতবু লৌই। অত্নুগা জ্ঞান লৈতবা অয়াম্বা অপংবশিংনা মাখোয়গী মশাগী

সত্বং প্রিয়ান, প্রিয়রূপাংশ্চ কামানভিধ্যায়ন্ন-
চিকেতোঽত্যস্রাক্ষীঃ। নৈতাং সৃঙ্কাং বিত্তময়ী
মবাপ্তো যস্যাং মজ্জন্তি বহবো মনুষ্যাঃ ।।৩।।
দূরমেতে বিপরীতে বিষূচী অবিদ্যা যাচ
বিদ্যেতি জ্ঞাতা বিদ্যাভীপ্সিনং নচিকেতসং
মন্যে নত্বা কামা বহবোঽলোলুপন্ত ।।৪।।

হায়বদি হকচাংগী নেয় পেয়া অমদি ইন্দ্রিয়তৃপ্তিনচিংবা ফংবা অমসুং মাত্র কায়দনবা মচাক মরম মচানাচিংবগী মশক ওইবা প্রেয়ঃ অহুতবু পানই লৌই ।।২।।

হে নচিকেতা নহাক্ অসিবু ঐনা ভোগ্য বিষয়গী ওইবা পোৎ কয়া উৎতুনা পামহন্নবা হোৎনরবদসু অদুগুম্বা পোৎশিং অদুগী অনিত্যতা (লেপ্তবা) অমসুং সারহীনতা (মচি য়াওদবা) গী মশক ওইবা দোষশিং অদু খল্লতুনা মাখোয়শিং অতুগী অপাম্বা অহু নহাক্না থাদোক্লে। মরম অসিনা নহাক অসি থাংগৈমকশেংনা বুদ্ধি লৈবা মীশক অমনি। অয়াম্বা অপঙবা মীওইশিংনা লন থুমনচিংবা পাম্বগী মশক ওইবা ফত্তবা বাসনাদা চংনবা ঙাক্তনি। নহাক্তি অদুগুম্বা ফত্তবা বাসনাত্তুদা চংদ্রে। অপঙবা মীওইশিংনা ফত্তবা বাসনদা চংতুনা অৱাবা ফংনরিবনি ।।৩।।

শ্রেয়ঃ না বিবেককী মশকনি অদুগা প্রেয়ঃ না অবিবেককী মশকনি। অনি অসি অমদগী অমনা থোইদোক্না ওন্ন তৈনবগী মওংদা লৈবনি। অমম্বা অমসুং মঙাননা অমনা অমদগী ওন্ন-তৈনবদা লৈবগুম্না শ্রেয় অমসুং প্রেয়ঃ অনিসু লৈবনি অমসুং তোঙান-তোঙানবা ফল পীবনি। প্রেয়ঃ না সংসারদা লৈনবগী কারণনি অদুগা শ্রেয়ঃ না মুক্তিগী (সংসারদগী নান্থোক্লবগী) কারণনি। প্রেয়ঃ না অবিদ্যাগী মশক ওইবা বিষয়নি অদুগা শ্রেয়ঃ না বিদ্যাগী মশক ওইবা বিষয়নি। বিদ্যা অমসুং অবিদ্যা অনিগী মমুংদা নহাকপু বিদ্যা পাম্বা বিদ্যার্থী অমনী হায়না ঐহাক্না লৌরে। মরমদি বুদ্ধিদা অপাম্বা পোকহনবা ওম্বা অপসরানাচিংবা পাম্নরিবা বিষয় কয়ানা নহাকপু পামহনবা ঙমদ্রে। মরম অসিনা নহাক অশেংবা বিদ্যার্থী ওইরে ।।৪।।

অবিদ্যায়ামন্তরে বর্ত্তমানাঃ স্বয়ং ধীরাঃ
পণ্ডিতন্মন্যমানাঃ। দন্দ্রম্যমানাঃ পরিয়ন্তি
মূঢ়া অন্ধেনৈব নীয়মানা যথান্ধাঃ ॥৫॥
ন সাম্পরায়ঃ প্রতিভাতি বালং প্রমাদ্যন্তং বিত্ত-
মোহেন মূঢ়ম্। অয়ং লোকো নাস্তি পর ইতি-
মানী পুনঃ পুনর্ব্বশমাপদ্যতে মে ॥৬॥
শ্রবনায়াপি বহুভি র্যো ন লভ্যঃ শৃন্বন্তোঽপি
বহবো যন্ন বিদ্যুঃ। আশ্চর্য্যো বক্তা কুশলোঽস্য
লব্ধাশ্চর্য্যো জ্ঞাতা কুশলানুশিষ্টঃ ॥৭॥

সংসার অসিদা লৈরিবা মশিং লাকজনদ্রবা মীওইশিংনা অবিদ্যাগী অন্ধকার (অমম্বা) গী মনুংদা মচা, মশু, মরল মথুমনাচিংবগা মরি লৈনদুনা অমদি বিষয় বয়াগী খোৗরাংবগী মশক ওইবা থোৗরীনা পুনদুনা লৈরি অদুগা মাখোয় অদুনা জ্ঞান লৈবা ঐখোয়নি লাইরিক (শাস্ত্র) হৈবা ঐখোযনি হায়নাসু নিংনরি। অসিগুম্বা বিবেক লৈত্রবা সংসারীশিংনা মখল মখলগী মশক মমিংগী গতি ফংদুনা জরা-মৃত্যুনাচিংবা মখল কয়াগী অবাবশিং অদু ফংই। মিৎ তাংবা অমনা লমজিংবা মিৎ তাংবশিংনা তিংখং মরক্তা চংবা নত্রগা কোমদা তাবা অদুগুম্না অবিদ্যাদা চংবা অপঙবশিংনা মখল কয়াগী অবাবা অদু ফংই ॥৫॥

বালক ওইবা হায়বদি মশাদা বিবেক জ্ঞান য়াওদবা অপঙবাশিংনা শাস্ত্রগী পাউতাক লৌদে। অসিগুম্বা ভোগ বিষয়গী ময়াই কারবা অমসুং ধন লোভনা পঙশিল্লবা মীওইশিংনা হৌজিক উরিবা অচা-অথক্পা থন্না লৈরবা লোক অসিবুদি অচুম্বা অবৈবনি হায়না লৌই অদুগা অসি নত্তবা অতোপ্পা লোক (পরলোক) অমদি লৈতবনি অসুম্না লৌই। অসুম হায়না লৌরিবা অপঙবা মাখোয অদুদি ঐগাক্কী (যমগী) হন্না হন্না মখাপোনবা ওই হায়বদি হন্না হন্না পোকই, হন্না হন্না শী। হে নচিকেতঃ। সংসারদা অসিগুম্বা মীওইশিংনা অয়াম্বা মশিংগী ওইনা লৈবনি ॥৬॥

হে নাচিকেতা! মী লিশীং কয়াগী মরক্তসু নহাকগুম্না তত্ত্বজ্ঞান পাম্বা অশেংবা অশিংবা মীশক উবা ফংলোই নিংভি, মরমদি অয়াম্বা মীশিংনা

ন নরেণাবরেণ প্রোক্ত এষ সুবিজ্ঞেয়ো বহুধা চিন্ত্যমানঃ। অনন্যপ্রোক্তে গতিরত্র নাস্ত্য-ণীয়ান্‌ হ্যতর্ক্যমণু প্রমাণাৎ ।।৮।।
নৈষা তর্কেণ মতিরাপনেয়া প্রোক্তান্যেনৈব সুজ্ঞানায় প্রেষ্ঠ। যাং ত্বমাপঃ সত্যধৃতির্বতাসি ত্বাদৃঙ্‌নো ভূয়ান্নচিকেতঃ প্রষ্টা ।।৯।।

আত্মতত্ত্ব শ্রবণ তৌবদা য়াম্না খৌরাংবা ওইনদে অদুগা আত্মতত্ত্ব শ্রবণ তৌরবসু অয়াম্বা মরাইবকথিরবশিং ও দুনা আত্মাবু খঙবা ঙমনদ। অদুগা আত্মতত্ত্ববু নিংথিনা তাকপা ঙম্বা গুরুসু অংকপা ফংনা অতাংবা ওই। ফংঙমদ্রবা অতাংবা গুরু অদুদগী উপদেশ ফংদুনা আত্মাগী মরমদা নিংথিজনা খঙবা ঙম্বা মীশক (শিষ্য) অদুসু মশিং য়ামদে তাংই, মবমদি অশেংবা আত্মজ্ঞানী গুরুনা আত্মতত্ত্বগী মরম তাকপা য়াবা (পাত্র ওইবা) মীশক য়াম্না তাংই ।।৭।।

হে নাচিকেতঃ! আত্মাগী মরমদা মীওইবনা খল্লিবা-হায়রিবা ৱাফম অসি য়ামগ্রে। কনানা আত্মা থবক তৌই—কর্ত্তা ওই হায়। কনানা আত্মাদি থবক অমতা তৌদে—মাঙোন্দা কর্ত্তৃত্ব লৈতে হায়। কনানা আত্মা শুদ্ধ ওইবা পোৎশকনি—মাঙোন্দা দোষ অমতা পক্তে হায়। কনানা আত্মা অশুদ্ধনি হায়বদি মাঙোন্দা দোষ কয়া লৈ হায়। মরম অসিনা আত্মাগী মরমদা মপুং ফানা জ্ঞান ওইদরা মীওইনা আত্মতত্ত্ব তাক্লবদি কনা অমতনা আত্মা অদুবু নিংথিনা শেংনা খঙবা ওইরোই। অকুপ্পা উবা (সূক্ষ্মদর্শী) অমদি মমুৎ তানা খঙবা অদুগুম্বা আত্মজ্ঞানী গুরুনা তাকপীরবা অদু ওইরবদি আত্মাগী মরমদা মথক্তা হায়খ্রিবা বিকল্পশিং অসি লৈতবা অদু খঙবা ঙমগনি। অশেংবা অচুম্বদি আত্মা হায়বা অসি য়াম্না কুপশ্রবা পোৎনি, মরম অসিনা মহাক অসি তর্কগী ৱাংমদা লৈবনি ।।৮।।

হে নুংশিথোইব নচিকেতঃ! অকুপ্পা আত্মতত্ত্ব মমুৎ তানা খঙবা আচার্য্য (গুরু) দগী ফংবা আত্মতত্ত্বগী অচেৎপা বুদ্ধি অদু করিগুম্বা তর্ক অমানা থাদোবৃহন্বা ঙমলরোইদবনি। মরম অসিনা শাস্ত্র মুম্না খঙবা

জানাম্যহং শেবধিরিত্যনিত্যং ন হ্যধ্রুবৈঃ
প্রাপ্যতে হি ধ্রুবং তৎ। ততো ময়া নাচিকেত-
শ্চিতোঽগ্নিরনিত্যৈর্দ্রব্যৈঃ প্রাপ্তবানস্মি নিত্যং ॥১০॥
কামস্যাপ্তিং জগতঃ প্রতিষ্ঠাং ক্রতোরনন্ত্য মভয়স্য
পারম্। স্তোমমহদুরুগায়ং প্রতিষ্ঠাং দৃষ্ট্বা ধৃত্যা
ধীরো নচিকেতোঽত্যস্রাক্ষীঃ ॥১১॥

আচার্য্যনা তাকপা শাস্ত্র সম্মত ওইবা বুদ্ধিনা চংখোম্বা জ্ঞানগী সাধন ওই। হে নচিকেতঃ! ঐনা পীবা ববনা মরম ওইদুনা ওইরিবা নহাক্কী বুদ্ধি অদু ৰবিগুম্বা তর্ক অননা ফংবা ওইবোই। নহাক অসি অবেপ্পা সত্য বস্তু অদু খঙগে হায়না চপ সংবা মীশক অমা ওইবে। নহাক গুম্বা অস্মুম্বা তত্ত্ব হংবা মীশক অংগাম্বা অমা লৈবম্মবোই ॥৯॥

নচিকেতাগী মফমদা পেনবীববা যমরাজনা অমুক হয় যখি,—বর্ম্ম যলগী মশক ওইবা পুকৈ-লনগৈ অসি অনিত্যনি হায়বদি লেপ্পুবনি হায়বা ঐহাক খঙিও। অবেপ্পা নত্তবা পুত্র অমসুং ধননাচিংবনা মরম ওইদুনা অবেপ্পা বস্তু (আত্মা) বু ফংবা ওইদে হায়বসিসু ঐহাক খঙিও। অদুবু ঐহাক অসিনা অনিত্য (লেপ্পুবা) দ্রব্য পশুনা চিংবনা মরম ওইদুনা স্বর্গ সুখগী সাধন ওইবা নচিকেতাগ্নি কৌবা মৈ হৌগৎতুনা যজ্ঞ তৌখি; মাদুগী ফল ওইনা আপেক্ষিক নিত্য ওইবা হায়বদি অতোপ্পা অমগা য়েংনবদা খর কুইনা লৈবা যমগী খুৱমগী মশৱ ওইবা স্বর্গ অসি ঐহাক্না যংবনি ॥১০॥

হে নচিকেত! নহাক্না আত্মতত্ত্বদবু অতৈ পুম্নমক্তগী অথোইবা অফবা-নি খঙদুনা অমদি মপুক্কিং তপ্পা (পুকনিংগী অরাংবা মওং থাদোক্লদুনা) জগৎকী অপাম্বা পুম্নমক্কী অরোইবা ওমথৈ ওইবা, জগৎ অপুম্বগী তুংনফম ওইবা, যজ্ঞগী মহৈগী মশক ওইবা, অন্ত লৈতবা, অকিবাগী ৱাংমদা লৈবা, থাগৎনরবা, অনিমানচিংবা ঐশ্বর্য্য পুম্নমকনা মহাক্কী ওইবা অমসুং য়াম্না পাক-চাওব্রবা হিরণ্য গর্ভগী খুৱমগী অপাম্বা ফাওবা সংসারগী ভোগকী পোৎশক ওাক্তনি খন্দুনা থাদোকপা ওমলে। মরম অসিনা নহাক্তনি সর্ব্বোত্তম গুণ চেম্বা হায়বা মীশক অদু ॥১১॥

তং দুর্দর্শং গূঢ়মনুপ্রবিষ্টং গুহাহিতং গহ্বরেষ্ঠং
পুরাণম্। অধ্যাত্মযোগাধিগমেন দেবং মত্বা
ধীরো হর্ষশোকৌ জহাতি ॥১২॥
এতচ্ছ্রুত্বা সম্পরিগৃহ্য মর্ত্ত্যঃ প্রবৃহ্য ধর্ম্ম্য-
মণুমেতমাপ্য। স মোদতে মোদনীয়ং হি-লব্ধা
বিবৃতং সদ্ম নচিকেতসং মন্যে ॥১৩॥
অন্যত্র ধর্ম্মাদন্যত্রাধর্ম্মাদন্যত্রাস্মাৎ কৃতা-
কৃতাৎ। অন্যত্র ভূতাচ্চ ভব্যাচ্চ যত্তৎ পশ্যসি
তদ্বদ ॥১৪।

হে নচিকেতঃ। নহাক্না খঙগে তাশ্লিবা আত্ম বস্তু অসি য়াম্না কুপ-প্রবা ওইবনা থোইদোকনা উঙমদবা অথুপ্পা পোৎনি। অচম্বা প্রাকৃতিক বস্তুশিংগী বিজ্ঞাননা মহাকপু খঙবা ঙম্বা পোৎ নত্তে। আত্ম বস্তু অসি বুদ্ধিগী মশক ওইবা গুহাদা যোগীশিংনা ধ্যাননা মবম ওইহনা উনবানি। মহাকপু খঙগে-উগে হায়ববদি সংসারগী অনর্থ হায়বদি অরেবা অমদি খুদোংচাদবা পুম্নমক লানথোকপা তাই। অসিগুম্বা আত্ম বস্তু অসিবু অধ্যাত্ম যোগকী শিক্ষানা হায়বদি ভোগ্য বিষয বস্তুশিংদগী পুক্নিং চিংথোক্লনা সমাধিগী মশক্তা পুক্নিং অদু আত্ম বস্তুদুতদা হাপ্পা অদু হৈবনা মরম ওইদুনা আত্মাতত্ত্ব খঙজবা ঙম্বা মী মহাক অদুনা সংসারগী হরাও নুঙাই অমদি অরা-অনাবু থাদোকপা ঙমই ॥১২॥

হে নচিকেতঃ! ঐহাক্না নঙোন্দা তাক্দোরিবা আত্মতত্ত্বসি থোই-দোকপা ধর্ম্মগী মশকনি। মাসি আচার্য্যগী মফমদগী চংখোম্ন শ্রবণ তৌরগা মীওইবনা অদুম্বা কুপথবা আত্মাবু হকচাংনা চিংবদগী অতোপ্পা মশক্তা খঙহনা মহাকপু ফংনরিবনি। আনন্দগী মশক ওইবা আত্মা অসিবু ফংজরবা অদুগুম্বা বিদ্বান ওইবা মীশক্না পরম আনন্দ ফংবা ওই। হে নচিকেতঃ। অসিগুম্বা আত্মধাম (ব্রহ্মধাম) অসি নহাক্কীদমক্তি থোং হাংলে হায়না নিঙিঙ ॥১৩॥

যমরাজগী বা অসি তারগা নচিকেতানা অমুক হন্না হায়খি,—হে মৃত্যুপতি। নহাকনা ঐহাক অসিবু আত্মতত্ত্ব ফংবদা মতিক চাবা অমানি

সর্ব্বে বেদা যৎ পদ মামনন্তি তপাংসি সর্ব্বানিচ
যদ্, বদন্তি। যদিচ্ছন্তো ব্রহ্মচর্য্যং চরন্তি তত্তেপদং
সংগ্রহেণ ব্রবীম্যোমিত্যেতৎ ॥১৫॥
এতদ্ধ্যেবাক্ষরং ব্রহ্ম এতদ্ধ্যেবাক্ষরং পরম্।
এতদ্ধ্যেবাক্ষরং জ্ঞাত্বা যো যদিচ্ছতি তস্য তৎ ॥১৬॥
এতদালম্বনং শ্রেষ্ঠ মেতদালম্বনং পরং।
এতদালম্বনং জ্ঞাত্বা ব্রহ্ম লোকে মহীয়তে ॥১৭॥

অমনি খাম্বরবা অমসুং ঐহাক্কী ইফমদা পেনবিরবদি তাক্কে হায়রিবা আত্মতত্ত্ব অদু তাকপীরো। ধর্ম তৌবা, ধর্ম্মগী ফল অমসুং ধর্ম্ম তৌরিবা মীশক অদুদগী ইত্তোপ তোপ্পা, অধর্ম্মদগীসু তোপ্পা, কার্য্য-কারণ ওইবা পোৎ পোৎশকশিংদগীসু পুন্নতোপ তোপ্পা অমসুং ভূত, ভবিষ্যৎ বর্ত্তমান কালগী রাংমদা লৈবা হায়বদি কাল অহুমসিনা মহাক্কী ঙমখে থপ্পা ঙমদবা অদুগুম্বা নহাক্পা খংলিবা আত্মা (ব্রহ্ম) অদু ঐঙোন্দা তাক-পীরো ॥১৭॥

নচিকেতাগী বা অসি তারগা যমরাজনা হায়খি,—মহাকপু বেদ পুম্নমক্না ফংগে হায়না তানগদবনি হায়না পাউতাক পীরিবা, মহাকপু ফংনবগীদমক মখল মখলগী তপ পুম্নমক তৌনরিবা, অমসুং মহাবপু ফংনবগী ওইনা গুরুগী যুমদা বাস তৌদুনা ব্রহ্মচর্য্য ধর্ম্ম পালন তৌনরিবা অদুগুম্বা ব্রহ্মপদ (ব্রহ্মস্বরূপ) অদু ঐনা য়াম্না শন্না নংঙোন্দা তাকলীবসিনি মাদুদি 'ওঁ' হায়রিবাসি ব্রহ্মনি। 'ওঁ' না খংহল্লিবা অদু 'ব্রহ্ম' বুনি। ১৫।

ওঁকার অসিমক অপব ব্রহ্ম (মায়াশবলত ব্রহ্ম) গী মশক্নি। ওঁকার হায়বা অক্ষর অসিমক পরব্রহ্ম (মায়াতীত ব্রহ্ম) গী মশকনি। মরম অদুনা ওঁকার অসি অনিমক্কী প্রতীকনি। ওঁকার অসিবু উপাসনা তৌরগা মীশক অদুনা পাম্লিবা অদু ফংবা ঙমই হায়বদি পর ব্রহ্ম ফংবা পাম্বা মীশক্না পর ব্রহ্ম ফংবা নত্রগা অপব ব্রহ্ম ফংবা পাম্বা মীশকনা অপর ব্রহ্ম ফংবা ঙমই ॥১৬॥

ব্রহ্ম ফংনবা উপায় ময়ামগী মনুংদা ওঁকার হায়বা অক্ষর অসিনা খ্বাইদগী হেম্বা অথোইবা উপায়নি। মাসিগা মান্নবা অথোইরা উপায়

ন জায়তে ম্রিয়তেবা বিপশ্চিন্নায়ং কুতশ্চিন্ন
বভূব কশ্চিৎ। অজো নিত্যঃ শাশ্বতোহয়ং পুরাণো-
নহন্যতে হন্যমানে শারীরে ॥১৮॥
হন্তা চেন্মন্যতে হন্তুং হতশ্চেন্মন্যতে হতম্।
উভৌ তৌ ন বিজানীতো নায়ং হন্তি ন হন্যতে ॥১৯॥
অণোরনীয়ান্মহতো মহীয়ানাত্মাস্য জন্তোর্নিহিতো
গুহায়াম্। তমক্রতুং পশ্যতি বীত শোকো ধাতু
প্রসাদান্মহিমানমাত্মনঃ ॥২০॥

অমা লৈতরে৽ মরমদি মাসিনা পর ব্রহ্ম নত্রগা অপর ব্রহ্ম ফংনবগী উপায় অদু ওই। ওঁকারগী উপায়না ব্রহ্ম মশক খঙলবদা মী মহাক অদু ব্রহ্মলোকতা পূজা তৌনৈ। পব ব্রহ্ম নত্রগা অপর ব্রহ্মগী মশক ওইরবদা মহাক অত্তুবু ব্রহ্মগুম উপাসনা তৌনরে ॥১৭॥

মথক্তা ওঁকারবু ব্রহ্মগী প্রতীকনি অমসুং ব্রহ্ম ফংনবগী অথোইবা উপায়নি হায়না তাকখ্রে। ব্রহ্ম প্রাপ্তিগীদমক ওঁকারদা আশ্রয় তৌবা মী মহাক্কী আত্মাগী (মশাগী) তরুংবা মশক অদু মন্ত্র অসিনা তাকলি,— মুৎপা লৈত্রবা চৈতন্যনা মহাক্কী ধর্ম্ম ওইবা আত্মাগী উৎপত্তি (পোকপা) অমদি বিনাশ (মাংবা) ওইদে। করিগুম্বা অতোপ্পা কারণ অমাগী মখা পোন্না মহাক্কী সত্তা ওইদে অদুগা মাঙোন্দগী (আত্মাদগী) করিগুম্বা পোৎ অমা পোকপসু লৈতে। মরম অসিনা আত্মা অসিবু অজ (পাক্তবা) নিত্য (মাংদবা), শাশ্বতঃ (ময়েং তাদবা) অমসুং পুরান (অরিবা—হেনগত্তবা) কৌনৈ৽ মরমদি বিকার পুম্নমক লৈতবা মরম্না খুৎলাইনচিংবনা হকচাং অসি সোরবদসু (কক্পানাচিংবা ওইবদসু) আত্মা মহাক্তি শোকতে (কক্পনচিংবা ওইদে) ॥১৮॥

হকচাঙবু আত্মানি হায়না লৌতুনা কনাগুম্বা মীশকনা 'ঐনা মহাকপু (আত্মাবু) হাৎপনি' অসুম খল্লিবা অদুগা কনাগুম্বা মীশকনা মশাবু আত্মাবু) অতোপ্পা অমনা হাৎলে অসুম লৌরিবা—অসিগুম্বা মীশক অনিতুমক মশাগী আত্মাবু মশক খঙদবনি। মরমদি আত্মাদি বিকার লৈতবা পোৎশক্তি, অকাশগুম্বনি মরম অসিনা মহাক্না কনাগুম্বা অমবু মাংহম্বা লৈতে অদুগা কনাগুম্বা অমনা মহাকপু মাংহন্বা লৈতে ॥১৯॥

করম তৌতুনা আত্মাবু খঙবগে হায়বা অদু তাকলি,— জগৎ অসিদা লৈরিবা অচৌ-পীশক নাইবা পোৎ পুম্নমক আত্মা য়াওবা ঙাক্তনি।

আসীনো দূরং ব্রজতি শয়ানো যাতি সর্ব্বতঃ।
কস্তং মদামদং দেবং মদন্যো জ্ঞাতুমর্হতি ॥২১॥
অশরীরং শরীরেষ্বনবস্থেষ্ববস্থিতম্।
মহান্তং বিভুমাত্মানং মত্বা ধীরো ন শোচতি ॥২২॥
নায়মাত্মা প্রবচনেন লভ্যো ন মেধয়া ন বহুনা

আত্মা ওসিনা মবম ওইত্তুনা পোৎ পুম্নমক্কী সত্তা (লৈবা) ওইরিবনি। আত্মা য়াওদবা ওত্তু অসংনি হায়বদি লৈরবনি। মরম অসিনা য়াম্না পিথবা কুপথবা পোৎশক্তুগী হেন্না পীকপা অমদি য়াম্না চাওথবা পৃথিবীনা চিংবদগী হেন্না চওবা আত্মা মহাক্কি, মবমদি মশক মমিং নাইবা অচৌ-পীশক ওইবা পোৎ পুম্নমক্কা মহাক্কী উপাধি ওই। অসিগুম্বা আত্মা অসি ব্রহ্মাদগী হৌত্তুনা পাম্বী মচা ফাওবা থরাই পাম্বা পুম্নমক্কী থমোইগী মশক ওইবা গুহাদা লৈবনি। আত্মা অসিবু বিষয় বস্তুগী কামনা লৈত্রবা মীশক্কা মহাক্কী মননাচিংবা ইন্দ্রিয় পুম্নমক শুদ্ধ ওইববদা (পাল্লবদা) খঙবা ঙমই অমদি মহাক্কী মহিমবু উবা ঙমই হায়বদি আত্মা ময়েং তাবা হেনগৎপনচিংবা বিকার লৈত্রবনি হায়বা খঙবা ঙমই। অসুম্না আত্মাবু খঙবা ঙমলগদি মী মহাক অদো সংসারগী অৱা-অনানচিংবা মশাদা চংদবা ওই।২০।

আত্মা মশামক অচল হায়বদি লেংদবা ওইরবত্তু মহাক লাপনা চংলি হায়বদি উপাধি ওইবা পুরিংনা লাপ্না চংপনা মরম ওইত্তুনা মহাক লাপ্না চংপাগুম উই। শয়াণ ওইবা হায়বদি ইন্দ্রিয়নাচিংবা করণশিংদগী হন্দোকপা মতমদা মহাক্কা মফম পুম্নমক্তা চংলি—সামান্য বিজ্ঞানগী মশক ওইবনা মফম পুম্নমক্তা চংপগুম উই। আত্মা অসি অমগা অমগা লৈমিন্নবা য়াদবা ধর্ম্ম পুম্নমক্কা মাঙোন্দা লৈবা ওই। মহাক অসিদা মতম অমতদা হরাওবা অমসুং হরাওদবা (অৱাবা) অনিমক লৈবনি। অসিগুম্বা বিরুদ্ধ ধর্ম্মশিংগী পুনফম ওইবা আত্মা অসিবু ঐহাককুন্দা (সূক্ষ্ম বুদ্ধি লৈবা) মীশক নত্তবা অতোপ্পা কননা খঙবা ঙমগদগে? ॥২১॥

আত্মা বিজ্ঞাননা মরম ওইত্তুনা মীওইবনা সংসারগী অৱাবা লাম্থোকপা ঙম্মি হায়বা অত্তু তাকলি,—আত্মা অসি হকচাং পান্দে অত্তুম্নদি ওইরগা

শ্রুতেন। যমেবৈষ বৃণুতে তেন লভ্য স্তস্যৈষ আত্মা
বৃণুতে তনুং স্বাম্। ২৩॥
নাবিরতো দুশ্চরিতান্নাশান্তো নাসমাহিতঃ।
নাশান্তমানসো বাপি প্রজ্ঞানেনৈনমাপ্নুয়াৎ ॥২৪॥

মহাক অসি অনিত্য ওইবা মী-লাইনাচিংবগী হকচাংশিংদা মশক কায়দনা লৈবনি। মহাক অসি ঙমখৈ লৈতনা চাওবা অমদি পুন্নমক্তা শিনথুংনা লৈবনি। আত্মা অসিবু 'অয়মহং' ঐ হাক অসিগুনা আত্মানি হায়না খঙবা ঙম্লবা অদুগুম্বা বিদ্বান ওইবা মীশকপু সংসারগী অৱা-অনানচিং-বনা মাইথিবা পীবা ঙমদরে ॥২২॥

আত্মা অসি খঙবদা লবা ওইরবস্থ অচুম্বা উপাযনা মহাক খঙবা ঙমই। হাযবসি 'মন্ত্র' অসিনা উৎলি,—বেদ মযাম তম্বনা আত্মাবু ফংবা খঙবা-উবা) ওইদে। বুদ্ধিগী ধারনা শক্তিনা হায়বদি বেদগী অর্থশিং অদু লৌবা ঙম্বনা মরম ওইদুনা আত্মা অদু হেক খঙবা ওইদে। বেদ মযাম শ্রবণ তৌবনাস্থ মরম ওইদুনা আত্মাবু উবা-খঙবা ওইদে। অদুদি কবম তৌরগা মহাকপু খঙবা-উবা ওই? মসিগী পাউখুম পীরি মাদুদি সাধক ওইবা মীশক্না মশা ওইবা স্বয়ং আত্মাবু খঙগে পামলবা—হায়জরবা অদুগুম্বা সাধককী আত্মা অদুতনা স্বয়ং আত্মাবু (মশা অত্মাবু) ফংবা খঙবা ঙমই। হায়বদি আত্মানা আত্মাবু ফংই হায়বনি। মাদু করম তৌদুনা ওইবনো হায়বদা অ'তনী নিষ্কাম ওইবা আত্মাতমক উবা-খঙবা পারা মথোয়-মথোয়তদা আত্মানা মহাক্কী অশেংবা মশা হায়বদি মশক অদু ফোংদোকই ॥২৩॥

পাপকর্ম্মদা মপুক্লিং চংবা মীশক, মরাং হৌবা ইন্দ্রিয়শিংগী মথা পোন্দুনা মতম পুন্নমক্তা শান্তি লৈত্রবা মীশক, অমতদা মপুকনিং লেপ্পু-দুনা মপুকনিং ফাদোক্লুথা মীশক অমস্থং বিষয়ী ওইবা হায়বদি ভোগকী ওইবা বস্তুশিংদা মতম লৈবাখিবিক্তা মপুকনিং চংবা মীশক—মাখোয়শিং অসিনা আত্মা ফংবা (খঙবা) ঙমদে। পাপকর্ম্ম তৌদ্রবা, মশাগী

যস্য ব্রহ্মচ ক্ষত্রংচ উভেভবত ওদনম্ ।
মৃত্যু র্যস্যোপসেচনং ক ইত্থা বেদ যত্র সঃ ॥২৫॥
ইতি কঠোপনিষৎ প্রথমাধ্যায়ে
দ্বিতীয়া বল্লী ॥২॥ ওঁ

ইন্দ্রিয়শিংগী অবাংবা লৈত্রবা, মপুকনিং ফাদোক্তবা অমদি বিষয়শিংদগী মপুকনিং হুপ্তিল্লবা অদুগুম্না মাখোয অদুনা মতিকচারা গুরুদগী জ্ঞান ফংলগা জ্ঞান অদুগী মতিক মগুম্না মরম ওইদুনা আত্মাবু ফংবা (খঙবা-উবা) ঙমই ॥২৪॥

ব্রহ্ম হায়বদি হিরন্য গর্ভ অমসুং ক্ষেত্র হায়বদি প্রকৃতি ধর্ম্ম পুন্নমক্কী বিধান তৌবিবা অমদি পুন্নমক্কী হিংনবগী মরম ওইবা অনি অসিনা মহাক্কী অন্ন হায়বদি চিঙ্গাক ওইরিবা অদুগা পুন্নমবপু মাংহনবা মৃত্যুনা মহাক্কী উপসেচন হাযবদি অন্নদা তোৎনবা ঘীগী মশক ওইবা অদুগুম্না অাত্মা (ব্রহ্ম) বু মশাগী সাধন লৈতবা অয়ম্বা বুদ্ধিদা লৈবা মীশক্না করম্না খঙবা ঙমগনি। শেংনা হায়বা তারবদা আত্মাগী অশেংবা মশক্তি মশাদা মহাকপু খঙবা য়াবগী সাধন কয়া লৈরবা মীশক অদুতনা খঙবা ঙমগনি ॥২৫॥

মতাং অসিদা কঠোপনিষৎকী অহানবা অধ্যায়গী অনিশুবা বল্লী লোইরে ॥২॥ ওঁ ॥

প্রথম অধ্যায়ে তৃতীয়া বল্লী

ঋতং পিবন্তৌ সুকৃতস্যলোকে গুহাং প্রবিষ্টৌ
পরমে পরার্দ্ধে। ছায়াতপৌ ব্রহ্মবিদো বদন্তি
পঞ্চ গ্নয়ো যেচ ত্রিণাচিকেতাঃ ॥১॥
যঃ সেতুরীজানানামক্ষরং ব্রহ্ম তৎ পরম্।
অভয়ং বিতীর্ষতাং পারং নাচিকেতং শকেমহি ॥২॥

আত্ম বিদ্যাবু খর লাইথোক্লা থংহন্বা যানবগীদমক হবচাংবু বথ (দোলাই) গী মশক্তা কল্পনা তৌদুনা অত্মাবু অনিথোকপা মশক্তা তাকলি মাহুদি জীব অমসুং পরমাত্মা অনিমক মশানা তৌবা কর্ম্মগী ফল চাই। অনিসিগী মনুংদা জীবনা শংশংবা মবি থমদুনা কর্ম্ম ফল চাই, পরমাত্মাদি মশামক্লা কর্ম্ম ফল চাদে অদুবু জীবগী মরিদগী কর্ম্ম ফল চাবগুম তৌই হায়দুনা চাই হায়নবতনি। জীব অমসুং পরমাত্মা—অনিসি হকচাং অসিদা গুহাগী মশক ওইবা বুদ্ধিগী মনুংদা অমসুং হৃদয়াকাশদা চংদুনা লৈ। মুংশা অমসুং মরুম অনি খেন্নবগুম্না আনি আস খেন্নৈ— অনিগী ধর্ম্ম তোঙান-তোঙাল্লি হায়বদি জীবনা সংসারীনি অদুগা পরমাত্মাদি সংসারগী নত্তে—অসুম্না ব্রহ্ম মশক খঙলবা বিদ্বানশিংনা হায। কর্ম্মা থাদোক্লবা ব্রহ্ম জ্ঞানীশিংনা হায়বাত নত্তনা পঞ্চাগ্নি উপাসনা তৌবা গৃহস্থ কর্ম্মীশিংনা অদুগা নচিকেতাগ্নি অহুমলক লিংখৎতুনা যজ্ঞ তৌবা কর্ম্মীনাসু মথক্কী বাফম অসি হায় ॥১॥

কর্ম্মী যজমানশিংনা অরাবগী ঈপাক লাম্লোকপদা সেতুগী (থোংগী) মশক ওইবা নাকিতে কৌবা আগ্নিবু মশক খঙনা লিংখৎতুনা হোম কৎপা ঙম্বা ঐখোইনা ওইদবা ওই অদুগা সংসারগী ঈপাক অসি লাম্লোকপা পাম্বা ব্রহ্মজ্ঞানীশিংগী চংফম ওইবা অকিবা লৈতবা অক্ষর ব্রহ্ম-দুবু ঐখোয়না খঙবা ঙম্বা ওইগদবনি। শম্না হায়রবদা কর্ম্মীশিংগী চংফম অপর ব্রহ্মবু অমসুং ব্রহ্ম জ্ঞানীশিংগী চংফম পর ব্রহ্মবু খঙগদবনি হায়বনি। ২॥

আত্মানং রথিনং বিদ্ধি শরীরং রথমেবতু।
বুদ্ধিংতু সারথিং বিদ্ধি মনঃ প্রগ্রহমেবচ ॥৩॥
ইন্দ্রিয়াণি হয়ানাহুর্বিষয়াং স্তেষু গোচরান্।
আত্মেন্দ্রিয় মনোযুক্তং ভোক্তেত্যাহু র্মনীষিণঃ ॥৪॥
যস্ত্ববিজ্ঞানবান্ ভবত্যযুক্তেনমনসা সদা।
তস্যেন্দ্রিয়াণ্যবশ্যানি দুষ্টাশ্বা ইব সারথেঃ ॥৫॥

রথগী কল্পনা অদু উৎলি,— সংসারী আত্মা হায়বদি কর্ম্ম ফল চাবা জীববু রথীনি (রথগী মপুনি) খঙগদবা ওই অদুগা হকচাংবু রথ (দোলাইনি) খঙগদবা ওই। হকচাংবু রথগী মশক্কি হায়বগী কারণদি রথবু শগোলনা চিতুনা চৎপগুম্না ইন্দ্রিয়শিংগী মশক ওইবা শগোলনা হকচাং অসি চিংতুনা চৎলি। তৌগদববু লেপ্পগী মশক ওইবা বুদ্ধিবু সারথীনি (শা থৌবনি) খঙগদবনি মরমদি হকচাং অসিগী থবক্তা মহাক্না লুচিংবনি। অদুগা রাখলগী মশক ওইবা মনবু (পুক্নিংবু) চুপলীনি (লগামনি) খঙগদবনি মবমদি লগাম্না ফাদুনা শগোলবু মথৌ তৌহন্নাগুম ইন্দ্রিয়শিংবু পুক্নিংনা ফাদুনা মথৌ তৌহল্লি ॥৩॥

হকচাং অসিবু রথগী মশক্তা কল্পনা তৌবদা হৈ-শিংলবশিংনা মিৎ-নাচিংব ইন্দ্রিয়শিংবু শগোলগী মশকনি হায় মরমদি শগোলনা রথ (দোলাই) চিংবগুম্না ইন্দ্রিয়শিংনা হকচাং অসিবু চিংদুনা চৎহল্লি। অদুগা রূপরস-নাচি বা বিষয়না ইন্দ্রিয়গী মশক ওইবা শগোলগী লম্বেল (মার্গ) গী মশক্কি হায় মরমদি শগোলনা মহাক্কী লম্বেলদা চৎপগুম্না ইন্দ্রিয়শিংনা মাথোয়গী বিষয়গী লম্বেলদা মতম পুম্নমক্তা চৎলি। সংসারী আত্মাগী মশক তাকলি, বিবেক জ্ঞান লৈবা বিদ্বানশিংনা হায় মাদুদি হকচাং, ইন্দ্রিয়শিং, অমসুং পুক্নিংগা লোয়নবা আত্মাবু ভোক্তা (কর্ম্মফল চাবা), জীব, অমসুং সংসারী কৌই। উপাধি য়াওদবা কেবল মশা মথন্তনা কর্ম্মফল চাবা ওইদে। হকচাংনচিংবা উপাধিগা লোয়নরবাতদা মহাকপু ভোক্তা কৌবনি ॥৪॥

বুদ্ধি (লৌশিং) কৌবা সারথিনা হৈ-শিন্দ্রবা হায়বদি তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবগী মরমদা বিবেক লৈত্রবা অদুগা চুপলীগী মশক ওইবা পুকনিংবু

যস্তু বিজ্ঞানবান্ ভবতি যুক্তেন মনসা সদা।
তস্যেন্দ্রিয়াণি বশ্যানি সদশ্বা ইব সারথেঃ ॥৬॥
যস্ত্ববিজ্ঞানবান্ ভবত্যমনস্কঃ সদাঽশুচিঃ।
ন স তৎপদমাপ্নোতি সংসারঞ্চাধিগচ্ছতি ॥৭॥
যস্তু বিজ্ঞানবান্ ভবতি সমনস্কঃ সদা শুচিঃ।
সতু তৎপদমাপ্নোতি যস্মাদ্ ভূয়ো নজায়তে ॥৮॥

মতম পুন্নক্তা ফাজিন্দ্রবা অহু ওইববদি কনাগুম্বা সাবথি অমগী মচিন কা শগোলগুম্না ইন্দ্রিয়শিং মশক ওইবা শগোলশিং অহু মহাক্কী (বুদ্ধিগী) খুতুমদা লৈবা ত্তইবোই ॥৫॥

বুদ্ধি কৌবা সাবথিনা হৈ-শিংনবা হাযবদি তৌবা যাবা অমসুং তৌবা যাদবগী মবমদা বিবেক লৈববা অমসুং চুপলীগী মশক ওইবা পুকনিবু মতম পুন্নমক্তা ফাহনা থমলবা অহু ওইববদি কনাগুম্বা সাবথী অনাগী লাকপা যাবা অফবা শগোলগুমনা শগোলগী মশক ওইবা ইন্দ্রিয়শিং অহু মহাক্কী (বুদ্ধি অহুগী) খুহুমদা লৈবা ওই ॥৬॥

সাবথী ওইবা বুদ্ধিনা বিবেক লৈত্রবা অমসুং পুকনিংগী মশক ওইবা চুপলী ফাদ্রবা অহুগা মতম পুন্নমক্তা শেংদবা অমোৎপা ভাবতা লৈববা অহু ওইববদি বথী ওইবা আত্মানা (জীবনা) হাযত্রিবা অহুগুম্বা অক্ষর ব্রহ্মগী খুবম ফংবা ঙমদে। জীব অহু হন্না হন্না পোকপাশিবগী মশক ওইবা স সবদা অহুমক লৈবে ॥৭॥

বিবেক জ্ঞান লৈবা বুদ্ধিনা সারথী ওইবা অমসুং মতম পুন্নমক্তা পুকিং ফাহনা থমলবা অহুগা মতম পুন্নমক্তা অফবা অশেংবা ভাবতা লৈবা অহুগুম্বা রথীগী মশক ওইবা আত্মানা (জীবনা) অহুগুম্বা হাযত্রিবা অক্ষর ব্রহ্মগী খুবম অহু ফংবা ঙমই। ফববা খুবম অহুদগী হন্নকনা মহাক অমুক সংসারদা পোক্লরে ॥৮।

বিজ্ঞান-সারথির্যস্তু মনঃ প্রগ্রহবান্নরঃ।
সোঽধ্বনঃ পারমাপ্নোতি তদ্বিষ্ণোঃ পরমং পদম্ ॥৯॥
ইন্দ্রিয়েভ্যঃ পরাহ্যর্থা অর্থেভ্যশ্চ পরং মনঃ।
মনসশ্চ পরা বুদ্ধি র্বুদ্ধেরাত্মা মহান্ পরঃ ॥১০॥
মহতঃ পরমব্যক্তমব্যক্তাৎ পুরুষঃ পরঃ।
পুরুষান্ন পরং কিঞ্চিৎ সা কাষ্ঠা সা পরা গতিঃ ॥১১॥

তপ অমসু বিবেক জ্ঞাননা মশাদা চংখোম্না লৈবা অতুগুম্বা বুদ্ধিনা সারথী ওইবা অমসুং চুপলীগী মশক ওইবা পুক্নিংবু নিংথিনা ফারবা অতুগুম্বা হকচাংগী মশক ওইবা রথতা তোংলিবা অতুগুম্বা মীশক্না সংসারগী লম্বেলগী ৱাংমদা চৎপা ঙমই হায়বদি সংসার অপুন্বগী বন্ধনদগী নাম্থোকপা ঙমই। অতুগুম্বা পুন্নমক্তা শিন-থুংনা লৈবা পরমাত্মা বিষ্ণুগী খুবম অতু ফংবা ঙম্মি ॥৯॥

মিৎনাচিংবা ইন্দ্রিয়শিংদগী হৌতুনা পরমাত্মা ফাওবা অকুপ্পা পোৎশক-শিং অসি মথং মথং অমদগী অমনা হেন্না কুপখিবা ওইবনা অমসুং মথং মথং অমনা অমগী হৌরকফম ওইবনা মথং মথং অথোইবা ওইবতু তাকপাগা লোইননা পরমাত্মা বিষ্ণুগী খুবম অতু তাকলি,— মিৎনাচিংবা ইন্দ্রিয়-শিং অসি অতৈ অকুপ্পাশিংগা য়েংনবদা অপোৌবা ওই। মিৎনাচিংবা ইন্দ্রিয়শিংগী হৌরকফম ওইবা রূপ, রস, গন্ধ, স্পর্শ, শব্দনা মিৎনাচিংবা ইন্দ্রিয়শিংদগী অমুক কুপখিবা অমসুং অথোইবা ওই। রূপনাচিংবা তত্ত্ব মঙাদগী 'মন' না (মনগী হৌরকফম অহং তত্ত্বনা) অমুক হেন্না কুপ্পনি অমসুং অথোইবনি। মনদগী বুদ্ধিনা (বুদ্ধিগী হৌরকফম মহত্তত্ত্বনা) অমুক হেন্না কুপ্পা অথোইবা ওই। বুদ্ধিদগী অব্যক্তদগীদি ইহান তান্না পোকপা, প্রানী-শিংগী বুদ্ধি পুবা হিরন্যগর্ভ কৌবা মহান আত্মানা (মহত্তত্ত্বনা) অমুক হেন্না কুপ্পা অমসুং অথোইবা ওই ॥১০॥

অব্যক্তনা হায়বদি কার্য্যকারনগী শক্তি পুন্বগী মশক ওইবা প্রধান (মুল প্রকৃতি) না মহত্তত্ত্বগী মশক ওইবা হিরন্য গর্ভদগী অমুক হেন্না সূক্ষ্ম (অকুপ্পা) অমসুং অথোইবা ওই। অব্যক্তগী অমুক কুপ্পা অমদি অথোইবা

এষ সর্ব্বেষু ভূতেষু গূঢ়াত্মা ন প্রকাশতে।
দৃশ্যতে ত্বগ্র্যয়া বুদ্ধ্যা সূক্ষ্ময়া সূক্ষ্মদর্শিভিঃ ॥১২॥
যচ্ছেদ্‌ বাঙ্‌মানসী প্রাজ্ঞস্তদ্‌ যচ্ছেজ্‌জ্ঞান আত্মনি।
জ্ঞানমাত্মনি মহতি নিযচ্ছেত্তদ্‌ যচ্ছেচ্ছান্ত আত্মনি ॥১৩॥
উত্তিষ্ঠত জাগ্রত প্রাপ্য বরান্নিবোধত।
ক্ষুরস্য ধারা নিশিতা দুরত্যয়া দুর্গং পথ-
স্তৎ কবয়ো বদন্তি ॥১৪॥

পবম পুকষ (পবমাত্মা) না ওই পবমাআত্মদগী তেন্না-অথোইবা অমদি লৈতবে ৎবমাত্মা অসিনা পুন্নমকী অবোইবা ঙমখৈনি অমসুং মহাক অসিনা চৎপা নাইবা পুন্নমকী পনথুংফমনি ॥১১॥

পবমাত্মা পুকষ অসি ব্রহ্মাদগী নাগী ফাওবা পুন্নমক্তা লৈবনি অদুবু অবিদ্যাগী মশক ওইবা দেহনাচিংবনা কুপশিন্না মবম্মা ফোংদ অথুপ্পা মশক্তা লৈ। অকপ্পা পোৎশিংবু উবা পণ্ডিতশিংনা মহাক অসিবু মাখায়গী অনিলো ত্রবা (মহাকদা চংশিনববা) কুপথ্রবা বুদ্ধিদুনা মবম ওইদুনা উবা ঙমনৈ ॥১২।

পবমাত্মা অদু ফংনবগী উপায তাক্‌লি—মাদুদি আচার্য্য (গুরু) না তাক্‌পা যোগক্রিয়া খঙবা মশাদা বিবেক জ্ঞান লৈবা মীশকনা মপানগী ইন্দ্রিয পুন্নমকপু মন হায়বদি পুকনিংদা লুপশিনহনগনি—হপ্তিনহনগনি। পুকনিং (মন) বু জ্ঞান (মঙান) গী মশক ওইবা বুদ্ধিদা হপ্তিনহনগনি অদুগা বুদ্ধি অদুবু মহত্তত্ত্বদা লুপশিনগনি—হপ্তিনহনগনি অদুগী তুংদা মহাত্তত্ত্ব অদুবু শান্ত আত্মদা হায়বদি মশক হোংদবা অমদি প্রাণী পুন্নমকী মমুংদা বুদ্ধিগী সাক্ষী ওইদুনা লৈবা পবমাত্মাদা লুপশিনহনগনি ॥১৩॥

অসুম্মা পবম পুকষ আত্মাদা অবিদ্যাগী (মায়াগী) ওইবা মশক মমিংনাচিংবা নাইবা পোৎ পুন্নমক লোয়না লুপশিনখ্রবদ থোইদাক্ল ইংখ্রবা শান্তিগী মশক্তা লৈবা আত্মাতত্ত্ব অদু উবা (দর্শন) ফংগনি। মাদুতদা মীওইশনা তৌথ্রিবা অফবা পুন্নমক মহৈ যানবা অমসুং মশা অদু পবম শান্তিদা লৈবা ওইগনি। মবম অসিনা হে প্রাণীশা। আত্মা দর্শনগী-দমক চেকশিন্না হোৎনৌ, নখোয়না অবিদ্যা (মায়া) গী নিদ্রাদা তুমলিবদো

অশব্দমস্পর্শমরূপমব্যয়ং তথাঽরসং নিত্যমগন্ধবচ্চ যৎ।
অনাদ্যনন্তং মহতঃ পরং ধ্রুবং নিচায্য তন্মৃত্যুমুখাৎ প্রমুচ্যতে ॥১৫॥

নাচিকেতমুপাখ্যানং মৃত্যুপ্রোক্তং সনাতনম্।
উক্ত্বা শ্রুত্বা চ মেধাবী ব্রহ্মলোকে মহীয়তে ॥১৬॥
য ইমং পরমং গুহ্যং শ্রাবয়েদ্ ব্রহ্ম সংসদি।

হোৎংলো, মীকপ থোক্লো। অবিদ্যা মাংহন্নবা হোৎনজো, আত্ম তত্ত্ব খঙবা গুরুশিংদা চংজো, মাখোয়না তাকপা উপদেশ অদু ফংদুনা পুন্নমক্কী মন্নুংদা লৈবা আত্মা অদু অহমস্মি' ঐনি হায়না খঙজো চেকশিন্দব। তৌগনু। শ্রুতিনা মনা অমাগী মশক্তা তাবপীরি মাদুদ খঙদবা আত্ম তত্ত্ব অদু সুপ্রবা থৌগ্রবা বুদ্ধিনা খঙবা ওই। ক্ষুরগী (শমকাক থাগী) থৌগ্রবা মথাদা খোনা নেৎতুনা চৎপা ঙমনদবান অদুগুম্ব। আত্ম জ্ঞানগী লম্বী অসি ময়াম্না চৎপা ঙম্নদবনি অদুনা লম্বী অসি চৎপদা চেকশিন্দবা তৌ। নু—অসুম্না প গুরশিংনা হায় ॥১৪॥

হায়রিবা আত্ম তত্ত্ব অসি শব্দ (মখোন), স্পর্শ (শোরুগা খঙবা ঙাইং-অশানাচিংবা) রূপ (মচু-মশক) রস (মহাও-অথা-ময়াকনাচিংবা), গন্ধ (মনম) পুম্নমক অসি য়াওদবনি (মহাক্কী লৈতে)। শব্দনাচিংবা মঙাসি লৈবা য়াওবা পোৎ পুম্নমক ময়েংতাবা-মাংবা নাইবা ঙাক্তনি। অম্মাদি হায়রিবা মঙাসি লৈতবনা ময়েং তাদে মাংদে। মরম অসিনা মহাক নিত্যনি (অরেপ্পা) নি। মহাক অনাদীনি, অনন্তনি অমসুং বুদ্ধিগী রাংমদা লৈবা পোৎনি। অসিগুম্বা আত্মাবু খঙজবা ঙমলবা মী অদুদি মৃত্যুগী মচিনদগী নাম্থোক্লে হায়বদি হন্না হন্না শিদরে। অবিদ্যাগী ওইবা অপাম্বা অমসুং থবক্ মহাক অদুগী করিসু লৈতরে ॥১৫॥

যমরাজনা হায়খিবা লীরবা মতম পুম্নমক্তা লৈরগদবা নচিকেতাগী ৱারী অসিবু অতোপ্পদা শন্দোকনা তাকপা ঙম্বা নত্রগা মশানা তাজবাদগী জ্ঞানী ওইরবা মীশক অদুদি ব্রহ্ম লোকতা পূজা তৌনরে ॥১৬॥

প্রয়তঃ শ্রদ্ধ কালেবা তদানন্ত্যায় কল্পতে
তদানন্ত্যায় কল্পতে ।।১৭।।
ইতি কঠোপনিষদি প্রথমাধ্যায়ে তৃতীয়া বল্লী ।।৩।।
ইতি কঠোপনিষদি প্রথমাধ্যায়ঃ ।।ওঁ।।

কনাগুম্বা মীওইনা ব্রাহ্মনশিংগী সভাদা নত্রগা শ্রাদ্ধ শোল্লিডৈদা মশা অতু শুচি (মঙ্গুং-মপান অনিমক্তা অশেংবা) ওইতুনা অসিগুম্বা অথোইবা অমদি অথুম্বা গ্রন্থ অসি ভাইনজরবা অতু ওইরবদি শোল্লিবা শ্রাদ্ধ অতুনা লোম্বা লৈতবা মহে পী ।।১৭।।

'তদানন্ত্যায পলাতে'—অসি অনিরক হন্না হায়বনা অধ্যায় লোয়রবা থঙহল্লি ।'

মতাং অসিদা কঠোপনিষদগী অহান্বা অধ্যায়দা অহুমগুবা বল্লী লোয়রে ।।৩।।

মতাং অসিদা কঠোপনিষদকী অহান্বা অধ্যায়সু লোয়রে ।।ওঁ।।

কঠোপনিষৎ।

দ্বিতীয়োঽধ্যায়ঃ।

প্রথমা বল্লী (চতুর্থী বল্লী)

পরাঞ্চি খানি ব্যতৃণৎ স্বয় ম্ভূস্তস্মাৎ পরাঙ্‌ পশ্যতি নান্তরাত্মন্‌। কশ্চিদ্ধীরঃ প্রত্যগাত্মান মৈক্ষদাবৃত্তাক্ষু-রমৃতত্বমিচ্ছন্‌ ॥১॥

মুক্তি ফংবদা বাধা পীরিবা অতুগুম্বা কারণ অদু মশক খঙলগা মাদু (বাধা অদু) লৈহন্দনবা হোৎনবা তাবনি। মরম অসিনা মুক্তি ফংবদা করি করিনা বাধা (অপন্না) পী হায়বদু তাকলি,—নাকোংনা চিংবা ইন্দ্রিয়শিং অসি মতম পুম্নমক্তা মাখোয়গী বিষয় ওইবা শব্দনা-চিংবা অদুদতা মমায় ওনশিন্দুনা লৈ—চংহনা লৈ। মরম অসিনা মাখোয় অসি বহির্মুখী ওই হায়বদি মপানগী মায়াগী ওইবা বিষয়শিং অদুবু লোবনা মাখোয়গী মথৌ ওই। করিগুম্বা মাখোয় অসিনা অন্তর্মুখী ওইরমলবদি হায়বদি মমুংগী ওইবা আত্মা তক্দা মমায় ওইশিনবা ওই-রমলবদি অমৃতত্বগী মশক ওইবা মুক্তি অদু ফংরদা খুদোং ফবা চাবা) ওইরমগদবনি। মপানরোমদা চৎপনা মাখোয়গী স্বভাব (হৈনবী) ওইনা মাখোয়বু শেম্বা মনিংতম্ব সৃষ্টি কর্তানা মাখোয় অসিবু হিংসা তৌবা হায়বদি মাংহনবা (অত্মাতত্ত্ব ফংবদা কান্নদবা) গুম থোকহল্লে; মরমদি বহির্মুখী ওইবা ইন্দ্রিয়শিংনা মরম ওইদুনা মমুংগী ওইবা আত্মাবু খঙবা-উবা ওইথোক্তে। ইন্দ্রিয়শিংনা মপানগী ওইবা বিষয়দা চংহনা লৈবস মুক্তি ফংবদা বাধা পীবনি। অদুবু অমৃতত্ব (মুক্তি) পাম্বা মশাদা বিবেক লৈবা পণ্ডিতনা কনাগুম্বা হোৎনবা কনবা মিশক্না তুরেলগী ইচেন হোং-হনবগুম মপানগী বিষয়শিংদা চংবা ইন্দ্রিয়শিংগী মচৎ অদু হোংহন্দুনা মশাগী মশক ওইবা আত্মাবু খঙবা-উবা ওই ॥১॥

পরাচঃ কামাননুযন্তি বালাস্তে মৃত্যো র্যন্তি বিততস্য পাশম্। অথ ধীরা অমৃতত্বং বিদিত্বা ধ্রুবমধ্রুবেষ্বিহ ন প্রার্থয়ন্তে ॥২॥

যেন রূপং রসং শব্দান্ স্পর্শাংশ্চ মৈথুনান্।
এতেনৈব বিজানাতি কিমত্র পরিশিষ্যতে।
এতদ্বৈতৎ ॥৩॥

আত্মাদর্শনদা হায়বদি আত্মতত্ত্ব খণ্ডনবাদা ওনশিন্দবা অদুগুম্বা অপণ্ডবাশিংনা মপানগী ওইবা বিষয়শিংগী মতুং ইল্লি বিষয়শিং অদুবু ফংনবা হোৎনৈ। অদুগুম্বা অপণ্ডবশিং অদু মৃত্যুগী হায়বদি অবিদ্যাগী পাক চাওখ্রবা থৌরীদা তারে—অবিদ্যাগী থৌরীনা মাখোয়বু পুনশিল্লে। অবিদ্যাগী ওইবা পোকপা, শিবা, অহন ওইবা, রোগনচিংবা অমদি ক'য়নবগী মৈচাক্লাচিংবগী ফিবম অদু মাখোয় অদুনা ফংই। মরম অসিনা অসি পুম্নমক অসি খণ্ডবা, আত্মা দর্শনদা মমায় ওনশিল্লবা বিবেক লৈবা পণ্ডিতশিংনা মশাগী অশেংবা মশক্তা লৈবগী মশক ওইবা অমৃতত্ত্ব অদু ফংনবা—খণ্ডনবা হোৎনৈ। অমৃতত্ত্ব অদু ফংলবা কালদা সংসার অসিদা অরেপ্পা লৈতবা পোৎশিংদা মাখোয়গী অপাম্বা লৈতরে—করিগুম্বা পোৎ অমবু ফংগে হায়না মাখোয়না হায়জবা লৈতরে ॥২॥

দেহ ইন্দ্রিয়নাচিংবগী অপুম্বাগী মশক ওইবা থবাই পানবাশিংনা মন্নুংদা লৈবা আত্মা মহাক্লা মরম ওইদুনা (অখণ্ডবগী মশক ওইবা মহাক লৈবদগী) রূপ, রস, গন্ধ, শব্দ অমসুং স্পর্শ-বিষয়শিং অসিবু অমদি স্ত্রী-পুরুষ সংযোগকী আনন্দ নিংথিনা শেংনা খঙলিবনি। অদুগুম্বা আত্মা মহাক্লা সংসার অসিদা খঙলোইদবা পোৎশক করি লৈগদগে? মহাক্লা খঙদবা অমতা লৈতে। মহাক অঙানবনি, মহাক্লা পোৎ পুম্নমকপু ঙানহনবনি। হে নচিকেত! মহাক্লা আত্মাগী মরমদা খঙগে হায়না ঐঙোন্দা হংল্লে। লাইশিংমক্লাসু খঙবা ঙমদ্রবা, ধর্ম্মনাচিংবদগীসু অতোপ্পা ওইবা, অমসুং পুম্নমক্তগী অথোইবা ওইবা হায়বা অদু হায়রিবা আত্মা

স্বপ্নান্তং জাগরিতান্তঞ্চোভৌ যেনানুপশ্যতি।
মহান্তং বিভুমাত্মানং মত্বা ধীরো ন শোচতি ॥৪॥
য ইমং মধ্বদং বেদ আত্মানং জীবমন্তিকাৎ।
ঈশানং ভূতভব্যস্য ন ততো বিজুগুপ্সতে।
এতদ্বৈতৎ ॥৫॥

যঃ পূর্ব্বং তপসো জাতমদ্ভ্যঃ পূর্ব্বমজায়ত।
গুহাং প্রবিশ্য তিষ্ঠন্তং যোভূতেভির্ব্যপশ্যত।
এতদ্বৈতৎ ॥৬॥

থবাই পাননা স্বপ্নবস্থাদা (মঙলানদা) খঙলিবা-উবিবা বিষয পুন্নমক অমসুং জাগ্রদবস্থাদা (ভুমদবা ফিবমদা) খঙলিবা উবিবা বিষয পুন্নমক অসি মহাত্মা (আত্মা মহাত্মা) মবম ওইত্নবা খঙলিবা-উরিবনি। বিবক লৈবা জ্ঞানীশিংনা অসিগুম্বা পুন্নমক্তা শিন-থুংনা লৈবা আত্মাবু শংশংবা ঐহাক অসিনি অসুম খঙহনা সংসারগী অবা-অনানচিংবদগী নাস্তোকপা ঙম্মই ॥৪॥

দেহদা লৈত্নুনা কর্ম্ম ফল পুন্নমক চারিবা অত্তুগা প্রাণনাচিংবাবু পুরিবা —থবক তৌহল্লিবা অমসুং ওইখ্রবা, ওইরিবা ওইরক্কদবা মতম অদুমগী গুইবা পোৎ পুন্নমক্কী মপু ওইরিবা আত্মাবু মনাক্তা (মাগী থমোয়দা) উজবা-খঙজবা ঙম্মবা মীশক অত্তুগীদি মশাগী রক্ষা তৌবা হায়বদি মাংগনি শিগনি, হায়না ঙাকপগী ভাব অমসুং অপাম্বা অদু লৈতবে।

আত্মাবু অনিত্যনি খল্লিবা অত্তুক্কী মখৈদি আত্মা রক্ষাগী ভাব লৈগনি। অনিত্তদবা নিত্য ওইবা আত্মাবু (মশাবু) মশক থংলবা মী-শক্না কনাবু কীগনি? কনাদা কনবিযু হায়জগনি, হে নচিকেতঃ, আত্মাগী মশক নহাক্না হংবদো হায়রিবা আত্মা অসিনি খঙঙু ॥৫॥

আত্মাগী মশক ঈশ্বরগী মওংদা হায়বদি পুন্নমক্কী মপু ওই-বগী মওংদা মথক্কী মন্ত্রশিংদা উৎখ্রে। হৌজিক আত্মাবু পুন্নমক্কী ব্রহ্মানা হিরন্য গর্ভগী মশক ওইবা ব্রহ্মনি হায়না তাকলি,—আকাশ, বায়ু, অগ্নি জল অমসুং পৃথ্বী—পঞ্চভূত মঙা অসি পোকত্রিঙৈদা হিরন্য গর্ভ ভগবান

যা প্রাণেন সম্ভবত্যদিতি র্দেবতাময়ী।
গুহাং প্রবিশ্য তিষ্ঠন্তীং যা ভূতেভি র্ব্যজায়ত।
এতদ্বৈতৎ ॥৭॥
অরণ্যো র্নিহিতো জাতবেদা। গর্ভ ইব সুভৃতো-
গর্ভিনীভিঃ দিবে দিব ঈড্যো জাগৃবদ্ভি-
র্হবিষ্মদ্ভি র্মনুষ্যেভিরগ্নিঃ। এতদ্বৈতৎ ॥৮॥
যতশ্চোদেতি সূর্য্যোঽস্তং যত্র চ গচ্ছতি।
তং দেবাঃ সর্ব্বেঽর্পিতাস্তদু নাত্যেতি কশ্চন।
এতদ্বৈতৎ ॥৯॥

ব্রহ্মদগী পোকখিবনি। হিরন্যগর্ভনা মী লাইনাচিংবগী হকচাং ময়াম শেম-তুনা পুন্নমক অতুগী থমোযনুংদা চংতুনা লৈবনি অমসুং শব্দনাচিংবা বিষয পুন্নমক মহাক্লা চাবনি (খঙবনি)। অসুন্না কার্য্য কারণ পুন্নমক্কা লোযননা লৈবা অহাম্বদা পোকপা হিরন্য গর্ভগী আত্মা ওইতুনা মহাকপু ঙানহন্না অসুম্বা পুন্নমক্কী মশক ওইবা ব্রহ্ম অদু আত্মা অসিনি। ৬।।

লাই পুন্নমক্কী মশক ওইবী 'অদিতি' না আকাশনচিংবা ভূত পুন্নমক্কা লোয়ননা হিরন্য গর্ভগী রূপ লৌতুনা পর ব্রহ্মদগী পোকখিবনি। থবায পাম্বশিংগী থমোইনুংদা লৈবা অদিতি অদুবু মঙান পীরিবা অদুগুম্বা মহাক অশেংবা ব্রহ্মনি (আত্মানি) খঙঙু ॥৭॥

গর্ভবতী ওইবী নিপীনা মহাক্লা চাখিবা দোষ লৈতবা অন্ননা চিংবনা মপুক মনুংগী গর্ভবু নিংথিনা য়োকপা অদুগুম্না অরনি (মৈবা চিংনবা চৈ) অনিদা লৈবা মৈ অদুবু কর্ম্মীশিংনা নিংথিনা য়োক্তুনা থম্মী অদুগা যোগীশিংনসু মাখোয়গী থমোয়মনুংদা অধ্যাত্মগী মশক্তা নিং-থিনা থম্মী জ্ঞান তানা অমসুং মপুক্লিং চংনা মুমিৎ খুদিংগী কর্ম্মীশিংনা মখুত্তা হবি পায়তুনা যজ্ঞদা স্তুতি কৎলিবা অদুগা যোগীশিংনা মাখোয়গী থমোয়মনুংদা ধ্যান তৌতুনা খুরুমলিবা অদুগুম্বা মৈ অদো অশেংবা ব্রহ্মনি (আত্মানি) খঙঙু ॥৮॥

পুন্নমক্কী হিংনবগী থবায় (প্রাণ) ওইবা আত্মা মাঙোন্দগী থোক্লক্তুনা

যদেবেহ তদমুত্র যদমুত্র তদন্বিহ।
মৃত্যোঃ স মৃত্যুমাপ্নোতি য ইহ নানেব পশ্যতি ॥১০॥
মনসৈবেদ মাপ্তব্যং নেহ নানাস্তি কিঞ্চন।
মৃত্যোঃ স মৃত্যুং গচ্ছতি য ইহ নানের পশ্যতি ॥১১॥
অঙ্গুষ্ঠমাত্রঃ পুরুষো মধ্য আত্মনি তিষ্ঠতি।
ঈশানো ভূতভব্যস্য ন ততো বিজুগুপ্সতে।
এতদ্বৈতৎ ॥১২॥

নুমিৎ (সূর্য্য) না থোকইবা হায়বদা ওয়ারিবা এহুগা অমুক মাঙোন্দা তাখিবা হায়বদা তিনখিবা লাইনাচিবা পুন্নমক অসি মাঙোন্দা লোয়না লৈবা হায়বদি সৃষ্টি কালদা মাঙোন্দগী থোক্লকপা অদুগা লয় কালদা মাঙোন্দা অমুক তিনখিবা, কনাগুম্বা নত্রগা করিগুম্বা অমতনা মাঙোন্দগী থোক্পা যাদা অহুগুম অমা অহুবুনি ব্রহ্ম হায়রিবসি ॥৯॥

ইহলোক অসিদা ওয়াল্লিবা ব্রহ্ম অদুমক্কা পরলোকতাসু ওয়াল্লিবানি। স্বশরীরদা ওয়াল্লিবা ব্রহ্ম অসিমক্কা পরশরীরদাসু অদুম্মক ওয়াল্লিবনি। লোক অমদি শরীরগী মতুং ইন্না মহাক তোঙানন্না মশিং যাম্না ওইদে, মরমদি সংসারগী ওইবা ধর্ম্ম পুন্নমক মাঙোন্দা চংদ, মহাক্তি অরেপ্পা অমসুং বিজ্ঞানগী মশকনি, করিগুম্বা মতম অমদি করিগুম্বা মফমদাসু মহাক্কী অতোপ্পা মশক ওইদে। অবিদ্যা মায়ানা শুমহৎখিদুনা অনিশুদবা মহাকপু তোঙানবা খেন্নবা ওইনা উবিবা মী মহাক অদো হন্না হন্না পোকই অমসুং শী ॥১০॥

অহান্দা গুরুগী মফমদা চংজদুনা ব্রহ্মজ্ঞানগীদমক শাস্ত্র তমগনি। শাস্ত্রজ্ঞান অদুনা পুকনিং অদু শেংদোক্লবদা অদুগুম্বা মক্তবা পুক্নিং অদুনা মরম ওইদুনা ব্রহ্ম কৌবা পোৎশক অদু ফংবা ঙমগনি। মতম অদুদা অবিদ্যাগী ওইবা মখল মখলগী পোৎ ময়াম অমতা লৈরবোই। ব্রহ্ম নত্তবা পোৎশক অমতা লৈতে। সংসারগী পোৎশক ময়ামশিবু ব্রহ্মদগী তোঙান্ননি হায়বা ভেদ জ্ঞাণ অসি লৈরিবা মখৈদি মী অদো হন্না হন্না শিগনি ॥১১॥

অমুকসু ব্রহ্মগী অশেংবা মশক তাকলিঃ— পুরুষ (ব্রহ্ম) খুৎপীমুক্তা

অঙ্গুষ্ঠমাত্রঃ পুরুষো জ্যোতিরিবাধুমকঃ।
ঈশানো ভূতভব্যস্য স এবাদ্য স উশ্বঃ।
এতদ্বৈতৎ ॥১৩॥
যথোদকং দুর্গে বৃষ্টং পর্ব্বতেষু বিধাবতি।
এবং ধর্ম্মান্‌ পৃথক্‌ পশ্যং স্তানেবানুধাবতি ॥১৪॥

চাওই হায়বগী মরমদি হকচাং মনুংদা মহাক্কী লৈফম হৃৎপদ্ম (থমোয়-থম্বাল) খুৎপীমুক্তা চাওই। হৃৎপদ্মগী অহোবা (অহাংবা) মমুংদা লৈবা অন্তঃ করণনা মহাক্কী উপাধি ওইত্নুনা লৈবনি, মরম অসিনা খুৎপীমুক্তা চাওই হায়রুবনি। খুৎপীমুক্তা চাওবা বা মতাংগী অহোবা মমুংদা লৈবা আকাশগুম্বনি। অমুম্না জগৎ অপুম্বা থন্না লৈবা পুরুষ মহাক্না হকচাং মনুংদা লৈবনি। হৌঔবা লাক্কদবা অমদি—ওইরিবা—কাল অহুমগী মপু মহাক্নি। অসিগুম্বা পুরুষবু খঙবা ঙমজরবা মহাক অত্তুনা আত্ম-রক্ষাগীদমক করিমতা হোৎনদরে। ব্রহ্ম হায়রিবা অদো পুরুষ অসিবুনি ॥১২॥

খুৎপীমক্তা চাওই হায়রিবা পুরুষ অসি মৈখু চেন্দবা মৈগুম্বনি হায়বদি অমকপা য়াওদবা মঙানগী মশকনি। মহাক অসিবু যোগীশিংনা মাখোয়গী থমোইনুংদা উবা ফংজরিবনি। মহাক অসি ভূত, ভবিষ্যৎ অমদি বত্তমান কাল অহুমগী মপুনি। মহাক হৌজিক (বর্ত্তমান কালদ) থবায় পান্নাপুম্মমক্কী থমোয়মুংদা লৈরিবা অমুম্না মতুংদসু (ভবিষ্যৎ কালদসু) থবায় পানবগীশিং থমোয়দা অতুম লৈগনি। অমুম্বা মহাক অসে ব্রহ্ম হায়রিবা অত্তুনি হায়না খঙগদবনি ॥১৩॥

য়োঁঙমদবা অৱাংবা মফমদা চুথরবা নোংগী ঈশিংনা চীংগী অনেম্বা মফম কয়াদা চেনথৈ অত্তুগা ঈশিং অত্তু মফম কয়াদা চাইথোক্কনা মাংখি-মশক উখিদে, অত্তুগুম্না আত্মা নত্তবা (আত্মাদগী অতোপ্পা) ধর্ম্ম কয়াবু উত্তুনা হকচাং খুদিংদা তোঙান-তোঙানবা-আত্মা উরিবা মী মহাক অদো জ্ঞান অত্তুগী মতুং ইন্না চৎলে হায়বদি মহাক হন্না হন্না তোঙান তোঙানবা হকচাং ফংলে মহাক্কী অশেংবা মশক অত্তু উদরে ॥১৪॥

যথোদকং শুদ্ধে শুদ্ধমাসিক্তং তাদৃগেব ভবতি।
এবং মুনের্ব্বিজানত আত্মা ভবতি গৌতম ॥১৫॥
ইতি কঠোপনিষদি দ্বিতীয়াধ্যায়ে
প্রথমাবল্লী সমাপ্তা ॥১॥ (৪)

হে গৌতম! অরুবা ঈশিং অত্থু অরুবা মফমদা হায়বদি স্ফটিক মনিমা চিংবগী অরুবা পাত্রদা হাপ্পবদি ঈশিং অত্থু মশক ওল্লোই-মচু ওল্লোই, অরুবা মশক অত্থদা অত্থুম লৈগনি, অত্থুগুম্না একদর্শী ওইবা (পুন্নম-কপু অমত্তন্নী মশক্তা ভৈবা-খত্তবা) মুনি অত্থগী আত্মা ওই (আত্মা অত্থু মহাক্তী অশেংবা মশক্ত অত্থুম লৈ) মরম অসিনা হকচাং খুদিংগী আত্মা তোঙাল্লী হায়না কুতর্ক তৌবা কাংবু অমদি নাস্তিকশিংগী মবা লৌরুবা তৌদনা ইমা-ইপা লিশিং-লিশিংদগীসু হেন্না ঐথোয়ন্নী (মীওইবা) ন্নী কনবা তাক্লিবা বেদন্নী রাফম আত্মা অমতনি। পুন্নমকপু অমতা ওইনা উগদবনি হায়বা অত্থু লৌগদবনি ॥১৫॥

মতাং অসিদা কঠোপনিষদগী অনিশুবা অধ্যায়দা অহানবা বল্লী লোয়রে ॥১॥ ওঁ ॥ (৪)

কঠোপনিষৎ।

দ্বিতীয়াধ্যায়ঃ

দ্বিতীয়া বল্লী (পঞ্চমী বল্লী)।

পুরমেকাদশদ্বারমজস্যাবক্রচেতসঃ।
অনুষ্ঠায় ন শোচতি বিমুক্তশ্চ বিমুচ্যতে।
এতদ্বৈতৎ ॥১॥

হংসঃ শুচিষদ্ বসুরন্তরীক্ষসদ্ধোতা বেদিষদতিথি-
র্দুরোণসৎ। নৃষদ্বরসদৃতসদ্ব্যোম সদব্জা গোজা-
ঋতজা অদ্রিজা ঋতং বৃহৎ ॥২॥

ব্রহ্ম তত্ত্ব খঙবা অমদি খঙহনবা য়াম্না নুবা থবকনী। মরম শসিনা মঙং অমদা অমুক খঙহনবা মথাগী মন্ত্রশিংনা হায়রি মার্তুদ পোকপা-মাঙবনাচিংবা বিকার লৈত্রবা অমসুং নুমিৎনা ভানবগুম্না আরম্ভা মশক অমদা (জ্ঞানগী মশক্তা) ভান্দুনা লৈবা আত্মা মহাকনি। মখল-মখলগী মচাক্পা থম্না লৈরবা তরামাথোই থোং পানবা কোম্মুংগুম্বা হকচাং অসিদা মহাক নিংথৌগুম্বনা লৈবনি (হকচাংদা ফার (থোং) তরামাথোই লৈ, মাতুদি মিৎ ২ নাতোন ২ নাকোং ২ চিন ১ থোইদো ১ ঈশিং থোং ১ অমাংবগী থোং ১ লরাই লেম্বু ১=১১ তসিনি। হকচাং অসিদা নিংথৌ-গুম লৈবা মহাকপু মশক খংনা ধ্যান তৌজরবা মীশক অদা সংসারগী অরা-অননাচিংবা পুম্নকক থাদোকপা ঙমই। অমসুং অবিদ্যাগী বাসনা অমদি কর্ম্মনাচিংবগী বন্ধনদগী হকচাং অসিদা লৈন-লৈন নাম্থোকপা মহাক ভম্মি অতুগা মতৈদা মুক্তি ফংই। হকচাংদা লৈবা আত্ম অসি ব্রহ্ম হায়বা অতুনি ॥১॥

আত্মা অসি হকচাংতদা অমদি হকচাং অমতদা লৈবা নত্তে, মফম পুম্নদা লৈবনি। মহাক চৎলি (উপাধিনা চৎপদা চৎপগুমই) মহাক আকাশদা মুমিৎকী মশক্তা লৈবনি, মহাক বসু (বসু কৌবা লাই নিপাল) গী মশক্তা

ঊর্দ্ধং প্রাণমুন্নয়ত্যপানং প্রত্যগস্যতি।
মধ্যে বামনমাসীনং বিশ্বে দেবা উপাসতে ॥৩॥
অস্য বিস্রংসমানস্য শরীরস্থস্য দেহিনঃ।
দেহাদ্বিমুচ্যমানস্য কিমত্র পরিশিষ্যতে
এতদ্বৈ তৎ ॥৪॥

লৈবনি, হৃৎশিংকী মশক্কা মহাক অহাংবদা লৈবনি, মহাক মৈগী (অগ্নি) গী মশক্কা লৈবনি। 'পৃথিবীগী মকম পৃষদা মহাক লৈবনি, অতিথিগী মশক্কসু মহাক লৈবনি, সোমরসগী মশক ওইনা চরু মপুংদা মহাক লৈবনি, মীওইবশিংদা অমদি লাইশিংদসু মহাক লৈবনি। যাগ-যজ্ঞা মহাক লৈবনি, আকাশ (অহাংবদা) মহাক লৈবনি, ঈশিংদা মোইবুং, কোংগ্রেং, ঙা কিহোমনাচিংবগী মশক্কা মগাক লৈবনি, মহাক পৃথিবীদা কৌ-যবনাচিংবগী মশক ওইনাসু পোকই, মহাক্কা যজ্ঞনাচিংব কর্মগী মশকসু ওই, মহাক চিংদগী নদী (তুরেন) না চিংবগী মশক ওইনা চেনখে, মহাক পুন্নকী আম্বা ওইরবসু মহাকী অরেম্বা মশক অহুদা লৈবনি। করিগুম্বা অমোংপা অমকপা অমতা মাঙোন্দা চংদে, মহাক য়াম্না পাক চাওনা থন্না লৈবা পোংশকনি ॥২॥

থমোয়-থম্বালগী মঙ্গদা লৈবা আত্মা মহাক্কা থমোয়দগী প্রাণ বায়ুবু মথক্কা পুথংলিবনি (সোর চিংখংহল্লিবনি) অমসুং অপান-বায়ুবু মথাদা পুথরিবনি (সোর হোলজিল্লিবনি)। অসুম্না থমোয়-থম্বালগুংদা লৈবা আত্মা মহাক অহুবু নিংজগদবনি। লাই পুম্নমক্কা হায়বদি মিংনাচিংবা ইন্দ্রিয়শিংবু পুবা অমদি পঞ্চ প্রাণ (থবায় মতা) বু পুবা লাইশিংনা রূপ রসনাচিংবা বিষয়শিংগী জ্ঞান অহু পুন্নোলগী মশক্কা নিংথৌদা প্রজাশিংনা পুন্নোলপোং কংপাওম্না কংজুনা নিংজম্লিবনি প্রান ইন্দ্রিয়শিংগী থবক মহাক্কা তৌহনবনি, মহাক্কি মাখোয়জুংগী তোম্বা লৈবা নিংথৌজবনি ॥৩॥

কোঙ্গুগী মগু নিংথৌনা কোঙ্গং অহু হংগোরকবা মাঙ্গদা লৈবা পুন্নক অরেম্বা মাঙই অহুঙ্গম্বা দেহ (হকচাং) গী মশক ওইবা কোঙ্গংদা লৈম্ন

ন প্রাণেণ নাপানেন মর্ত্ত্যো জীবতি কশ্চন।
ইতরেণতু জীবন্তি যস্মিন্নেতাবুপাশ্রিতৌ ॥৫॥
হন্ত ত ইদং প্রবক্ষ্যামি গুহ্যং ব্রহ্ম সনাতনম্।
যথাচ মরণং প্রাপ্য আত্মা ভবতি গৌতম॥৬॥
যোনিমন্যে প্রপদ্যন্তে শরীরত্বায় দেহিনঃ।
স্থাণুমন্যেঽনুসংযন্তি যথা কর্ম্ম যথা শ্রুতম্ ॥৭॥

আত্মানা দেহ অসি থাদোক্লবদা দেহ অসিদা থবক শুদ্বা করিগুম্বা পোৎশক অমতা লৈত্রে ; প্রাননাচিংবা পুন্নমক মপাংগল লৈতত্থনা মাংলিবনি। দেহ পুবা আত্মা অসি ব্রহ্ম হায়বা অত্থনি, খণ্ড ৬ ॥৪॥

কনাগুম্বা মীওইবা অমতা (মীওইবনাচিংবা প্রাণী অমতা) প্রান অপাননাচিংবা বায়ু (থবায়) অমদি মিৎনাচিংবা ইন্দ্রিয়শিংতনা মরম ওইত্থনা হিংত্থনা লৈবা ঙমদে, মরমদি প্রাণ-অপানচিংবা অমসুং ইন্দ্রিয়-নাচিংবা মাখোয় অসি সংহত পদার্থনি হায়বদি অশেম্বা পোৎশক ঙাক্তনি। মরম অসিনা মাখোয় অসি পরার্থনি হায়বদি অশেম্বা অমগী কান্নবনি। মাখোয়বু শেমলিবা অত্থগুম্বা মহাক অত্থনা মাখোয়বু হিংহল্লি-বনি — লৈহল্লিবনি। মীওইবনা মহাক্কীদমক শেম-শারিবা য়ুমনাচিংবা অত্থ য়েংত্রবদি কুইনা চৎতে মাঙিঙ অত্থগুম্বনি। প্রাননাচিংবা অমদি ইন্দ্রিয়-নাচিংবা অসি মাখোয়দগী অতোপ্পা পোৎশক অমগী মতেং নত্তনা লৈবা (মাংদান লৈবা) ঙমদে। মরম অসিনা প্রাণনচিংবা অমদি ইন্দ্রিয়নাচিংবা পুন্নমক অসি অত্মাদা আশ্রয় তৌত্থনা হিংলিরনি (থবক তৌল্লিবনি) ব্রহ্ম হায়বা অদো আত্মা অসিনি ॥৫॥

হে গৌতম ! য়াম্না থুমপ্রবা অরেপ্পা ব্রহ্ম তত্ত্ব অসিনি। হৌজিক না-ঙোন্দা অমুকস্থ তাকখিগে। ব্রহ্মতত্ত্বসিবু খঙজবা ঙম্নবা মী মহাক অত্থগীদি অমুক হন্না মহাক্কী সংসার লৈতরে। ব্রহ্মতত্ত্ব অসিবু খঙবা ঙমজদবা অত্থগীদি হন্না-পোকপা, হন্না শিবাগী মশক ওইবা সংসারগী মওং অসি মহাক্কী অত্থম ওইত্থনা লৈ ॥৬॥

হে নাচিকেতঃ ! অবিদ্যানা কুপশিন্নবা মশাগী অশেংবা মশক খঙদ্রবা

**য এষ সুপ্তেষু জাগর্ত্তি কামং কামং পুরুষো-
নির্ম্মিমাণঃ। তদেব শুক্রং তদ্‌ ব্রহ্ম তদেবামৃত-
মুচ্যতে। তস্মিন্‌ লোকাঃ শ্রিতাঃ সর্ব্বে তদু-
নাত্যেতি কশ্চন। এতদ্বৈতৎ ॥৮॥
অগ্নি যথৈকো ভুবনং প্রবিষ্টো রূপং রূপং প্রতিরূপো-
বভূত। একস্তথা সর্ব্বভূতান্তরাত্মা রূপং রূপং প্রতিরূপো-
বহিশ্চ ॥৯॥**

কয়ামুক ওইবা দেহ পান্নাশিংনা অনৌবা হকচাং অমুক ফংননবগীদমক শুক্র (বীর্য্য) অমসুং বীজগা লোয়ননা অডাং পোকফমগী থোংদা চংলিবনি। অদুগা য়াম্না তোনখ্রবা অমঃদা লৈখ্রবা কয়ামুক ওইবা প্রানী (থরায় পাম্না) শিংনা শিরবা মতুংদা স্থাণুভাব/চত্তবগী মওংদা লৈবা পাম্বীনাচাবগী হকচাং লৌদুনা পোক্লিবনি। অসুম্না পোকপদা খেন্নবগী মরমদি মাগী মাগী মথক্কী মপোক্তা তৌখিবা কর্ম্মশিং অদুনা অমদি ফংখিবা জ্ঞান অদুনা ওই। প্রাণীশিংনা তৌখিবা কর্ম্ম অমসুং তাখিবা জ্ঞানশিং অদুনা মরম ওইদুনা মাদুগা চান্নবা ফংফম থোকপা হকচাংশিং অদু ফংদুনা অমুক পোকই ॥৭॥

তাকখিগে হায়খিবা ব্রহ্ম তত্ত্ব অদু মখাগী মন্ত্রশিংদা তাকলি— প্রাণী গণনা তুমগ্রবাসু (মাগী মাগী থবক্তগী পোৎথাগ্রবসু) মহাক্তি তুমদবা পুরুষ অমা ওইনা লৈবা অদুগা মহাক্না প্রাণীশিংগী অপাম-অপাম্গা মাখোয়গী কর্ম্মনা ফংগদবা ওইবা বিষয়গী (স্ত্রী, ধননাচিংবা) মহাক্কী অবিদ্যা শক্তিনা শেদুহন তুনদনা লৈবা (পোৎথাবা নাইদবা অদুগুম্বা মহাক অদো শুদ্ধ ব্রহ্মনি। মহাক অমতনি (শিদরনি) হায়না শাস্ত্র পুম্নমক্তা হায়নরি। পৃথিরী নাচিংবা লোক পুম্নমক মাঙোন্দা আশ্রয় তৌদুনা লৈবনি। করিগুম্বা নত্রগা কনাগুমা অমত্তা মাঙোন্দগী তোপ্না লৈবা ঙমদবনি। হায়রিবা মহাক অসে অশেংবা ব্রহ্মনি ॥৮॥

অগ্নি (মৈ) অমত্তা ওইরা প্রকাশগী মশক ওইবনি মহাক্না প্রাণশিংগী

**বায়ু র্যথৈকো ভুবনং প্রবিষ্টো রূপং রূপং প্রতিরূপো বভূব।
এক স্তথা সর্ব্বভূতারন্তস্না রূপং রূপং প্রতিরূপো বহিশ্চ ॥১০॥
সূর্য্যোযথা সর্ব্বলোকস্য চক্ষুর্নলিপ্যতে চাক্ষুষৈর্ব্বাহ্যদোষৈঃ।
এক স্তথা সর্ব্বভূতান্তরাত্মা ন লিপ্যতে লোকদুঃখেন বাহ্যঃ ॥১১॥**

**একো বশী সর্ব্বভূতান্তরাত্মা একং রূপো বহুধা
যঃ করোতি। তমাত্মস্থং যেহনুপশ্যন্তি ধীরা-
স্তেষাং সুখং শাশ্বতং নেতরেষাম্ ॥১২॥**

লোক অসিগী মনুংদা লৈবদা চাক্কদবা উ-রানাচিংবা তোঙান-তোঙানবা মশকগী পোংশিং অদুদা মখল মথা অযাম্বা মশক মওংদা লৈবগুম ওই। মতুগুম্বন ভুং প্রাণী পুম্নমক্কী মনুংদা লৈবা আত্মা মহাক দেহ পুম্নমক্তা অমতা ওইববু দহ খুদংগা দেংগী খেন্নবগী মতুং ইন্না তোঙান-তোঙানবা গুম ওই। থ গৈমক শেংবা মহাক্কী মশক্তি অমতনি, মশক হোংদ অকাশগুম্বনি ॥৯॥

অমতা ওইবা বায়ু (নুংশিংনা) প্রানীশিংগী লোক অসিদা চংহনা দেহ শিংদা লৈরগা প্রান, অপান চিংবা মশক মওংদা মশক য়াম্বাগুম উনরি। অদুগুম্না অমতা ওইবা আত্মা মহাক্না প্রানী পুম্নমক্কী মনুংদা লৈবদা হবচাশিং অদু খেন্নবনা মহাকপু তোঙান-তোঙানবা ওইবগুম মপান্দা উবতনি, পুম্নমক্তা মহাক অমতনি ॥১০॥

সূর্য্য (নুমিৎ) অসি থব্রায পাম্ব পুম্নমক্কী মিৎনি হায়বদি থব্রায পাম্বাশিংনা পোং চৈশিংবু উবদা নুমিৎনা মহাক্কী মঙাল্লা মতেং পী অদুবু মিৎকী অমদি মপানগী ওইবা দোষ মযাম মাঙোন্দা চংদে, অদুগুম্না অমতা ওইবা আত্মা মহাক্না প্রানী পুম্নমক্কী মনুংদা অন্তরাত্মা ওইনা লৈববসু প্রানশিংগী অবা-অনা পুম্নমক মাঙোন্দদি চংদে, মরমদি অবা-অনা নাচিংবা দোষগী রাংমদা লৈবা মহাক্নি ॥১১॥

আত্মা অ'স পরমেশ্বরনি, সর্ব্বগত (পুম্নমক্তা লৈবা) নি। স্বতন্ত্র (মনিংতম্বা) নি, অমতনি-অনিগুদে। মহাক্না মান্নবা অমা লৈতে। জগৎ অপুম্বা অসি মহাক্কী খুৎমদা লৈবনি। মহাকনা প্রানী পুম্নমক্কী মনুংদা

নিত্যোঽনিত্যানাং চেতন শ্চেতনানা মেকো বহুনাং
যো বিদধাতি কামান্‌। তমাত্মস্থং যেঽনুপশ্যন্তি
ধীরা স্তেষাং শান্তি! শাশ্বতী নেতরেষাম্‌ ।।১৩।।
তদেতদিতি মন্যন্তেঽনির্দ্দেশ্যং পরমং সুখম্‌ ।
কথন্নু তদ্বিজানীয়াং কিমুভাতি বিভাতিবা ।।১৪।।

অন্তবাত্মাগী মশক্তা লৈরগা মহাক্কী অবপ্পা অমতা ওইবা অশেংবা বিজ্ঞানগী মশক অতুবু মশক মমিং নাযবা উপাধি কযানা মরম ওইতুনা মখল মখা যাম্বা মশক্কী ওইনা পুথোকই। অসিগুম্বা হকচাং মনুংদা লৈবা আত্মাবু উজবা ঙম্লবা ধীর ওইবা (বিবেক লৈবা) মীশিং অতুতনা অবেপ্পা মুঙাইবা (নিত্য আনন্দ) ফংবগী অধিকারী ওই। মপানগী বিষযগী পোৎশিংদা পুক্নিং চংবা, বিবেক লৈতবা মীওইশিংনা হাযরিবা নিত্য আনন্দ অতু ফংবা ঙমদে ।১২।।

আত্মা হাযবা অসি মাংবা নাযবা (বিনাশশীল) পোৎশিংগী মবক্তা নিত্যবস্তু হায়বদি মাংদবা-অরেপ্পা পোৎশক ওইনা লৈবনি। চেতন ওইবা ব্রহ্মানাচিংবা পুম্নমক্তা জ্ঞানগী শক্তি পীবা আত্মা মহাক্নি। মহাক পুম্নমক্কী মপুনি ওমদি পুম্নমক খঙবানি। মহাক অমতনি, অমতা ওইরবসু মহাক্না মখল মখা যাম্বা সংসারী জীবশিংগী মাখোয়গী কম্মগী মতুং ইন্না অপাম্বা ময়াম অতু পী। অসিগুম্বা আত্মা অসি হকচাংগী মনুংদা উবা ফংজবা ঙমলবা ধীর ওইবাশিংতুনা অবেপ্পা পরম শান্তি অতু ফংবা ঙম্মি। আত্মা অদুবু উবা ফংবা ঙমজদবা মীওইশিংনা শান্তি অতু ফংবা ঙমদে ।।১৩।।

আত্মবিজ্ঞাণগী পরম সুখ (থোইদোক হেন্দোকপা মুঙাইবা) অতু অনির্দ্দেশ্যনি হায়বদি সংসারী ওইবা মীশিংদা রাহৈনা উৎপা য়াদবা অমদি পুক্নিংনা খল্লদনাসু খঙবা য়াদবনি, অতুবু সংসারগী বাসনা (অপাম্বা) মশাদা লৈত্রবা ব্রাহ্মণশিংনা অতুগুম্বা আত্মবিজ্ঞানগী পরমসুখ অতু শংসনা খঙই, ফংই। নাচিকেতানা যমরাজগী রা অসি তাবদা হংখিরম্মী, মাতুদি— হে মৃত্যু দেবতা! ঐহাক অসিনা অতুগুম্বা আত্মবিজ্ঞানগী সুখ অতু খঙজবা য়াগদ্রা? মঙানগী শক্তম ওইবা অতুগুম্বা সুখগী মশকসু ওইবা

ন তত্র সূর্য্যো ভাতি ন চন্দ্রতারকং নেমাবিদ্যুতো ভান্তি কুতোঽয়মাগ্নিঃ। তমেব ভান্তমনুভাতি সর্ব্বং তস্য ভাসা সর্ব্বমিদং বিভাতি ॥১৫॥

ইতি কঠোপনিষদি দ্বিতীয়াধ্যায়ে দ্বিতীয়া বল্লী সমাপ্তা ॥২॥ (৫)

পোৎশক অদু মতম পুন্নমক্তা ঙান্দুনা লৈববা? মাদু তশেংনা ঐখোযনা খঙবা-উবা যানা ঙান্দুনা লৈব্রা? ॥১৪॥

নাচিকেতাগী বাহং অদুগী, পাউখুম যমরাজনা পীখিরমই,—পুন্নমকপু মঙান পীদুনা ঙানহল্লিবা নুমিৎনাসু আত্মা ওইবা ব্রহ্ম বস্তুবু ঙানহলবা ঙমদ্দ। অসুম্না চন্দ্র (থা) না থাৱলমিচাকশিংনসু ঙানহনবা ঙমদে। ঐখোযনা উবিবা অগ্নি (মৈ) অসিগী বাদি করিমুক হাযগনি। মহাক্লা অদুগুম্বা আত্মা অদু ঙানহনবা ঙম্বা পোৎ নত্তে। নুমিৎনাচিংবা মঙানপুবা পুন্নমক অসিনা ঙানজবিবদি মতম পুন্নমক্তা অচৌবা মঙানগী শক্তমদা ঙাল্লিবা আত্মা মহাক্কী মঙান্না ঙানজবনি। নুমিৎনাচিংবাগী মঙান ব্রহ্মগী মঙাননি। থঙজবা পাম্বা মীওইশিংনা তশেংনা খঙবা যানা মহাক মতম পুন্নমক্তা ঙান্দুনা লৈবনি ॥১৫॥

মতাং অসিদা কঠোপনিষদকী অনিশুবা অধ্যায়দা অনিশুবা বল্লী লোযরে ॥২॥ ওঁ ॥ (৫)

দ্বিতীয়াধ্যায়ে

তৃতীয়া বল্লী (ষষ্ঠী বল্লী)।

উর্দ্ধমূলোঽবাক্ শাখ এষোঽশ্বত্থঃ সনাতনঃ।
তদেব শুক্রং তদ্ ব্রহ্ম তদেবামৃতমুচ্যতে।
তস্মিল্লোকাঃ শ্রিতাঃ সর্ব্বে তদু নাত্যেতি।
এতদ্বৈতৎ ॥১॥

মীওইবনা তেরা মপান উরগা মাতুনা মরম ওইদুনা তেরা পাশ্বীগী হৌরকফম অমদি মরূগী অদু লেপ্পা খঙবা ঙমই। অদুগুম্না সংসাব অসিবু উপাল অমগী মশক্তা লৌরগা মাতুনা মরম ওইদুনা মহাক্কী হৌরকফম মরূ ওইবা কারণ ব্রহ্ম অদু তাকপা মন্ত্র অসিদগী তরুকশুবা বল্লী হৌরে,—'সংসারগী মশক ওইবা উপাল অসি উর্দ্ধমূলনি হায়বদি মথক্তা লৈবা বিষ্ণুগী পরম পদনা উপাল অসিগী মরূনি। সংসারগী মশক ওইবা উপাল অসি মিকুপ খুদিংগী ওইনা পোকপা শীবা, অহল ওইশিল্লকপা, অৱাবানচিংবা কয়ানা মশক হোংদুনতা লৈবনি অমদি লফু মকক্‌শুম্বা মচি য়াওদবা পোৎনি। সংসাব বৃক্ষ অসিবু পানদমনদুনা বেদ চাত্তবা পাষণ্ডী কয়া কয়ানা কল্পনা কয়া তৌই, মাখোয়না অশেংবা অদু খঙদে। উপাল অসিগী মূল (মরূ) দি পরম ব্রহ্ম মহাক্নি হায়বসি বেদান্তগী ঋাহৈপরেং কয়ান লেপ্লবনি। অবিদ্যানা মরম ওইদুনা ওইবা বিষয়-বাসনা, কর্ম্মনাচিংবনা উপাল অসিগী বীজ (মরু) নি। জ্ঞান অমদি ক্রিয়া শাক্তিগী মশক ওইবা হিরন্য গর্ভনা সংসার বৃক্ষ অসিগী অহাম্বা চোংবা ময়োননি অদুগা থবায় পাম্বা পুম্নমক অসিনা অরোংবা অচৌবা মশাশিং ওইবনি। স্বর্গ, নরক, তির্য্যক্, প্রেতনাচিংবনা উপাল অসিগী মথারোমদা লৈবা উশাশিংগী মশকনি। অসিগুম্বা সংসার বৃক্ষ অসি অনাদি কালদগী অস্থুম লৈরক্লবনি। উপাল অসিগী মূল (মরূ) হায়বদি হৌরকফম ওইবা পোৎশক অদু অশেংবা মঙানগী মশক ওইবা, মাংবা নায়দবা ব্রহ্মনি হায়না

যদিদং কিঞ্চ জগৎ সর্ব্বং প্রাণ এজতি-
নিঃসৃতম্। মহদ্ভয়ং বজ্রমুদ্যতং য এতদ্বিদু-
রমৃতাস্তে ভবন্তি ॥২॥
ভয়াদস্যাগ্নিস্তপতি ভয়াত্তপতি সূর্য্যঃ।
ভয়াদিন্দ্রশ্চ বায়ুশ্চ মৃত্যুর্ধাবতি পঞ্চমঃ ॥৩॥
ইহ চেদশকদ্‌ বোদ্ধুং প্রাক্ শরীরস্য বিস্রসঃ।
ততঃ সর্গেষু লোকেষু শরীরত্বায় কল্পতে ॥৪॥

খংদবনি। ব্রহ্ম অসিদা সত্যনা চংবা লোক পুম্নমক আশ্রয় তৌডুনা লৈবনি। ব্রহ্ম অসিদগী কনাগুম্বা নত্রগা করিগুম্বা পোৎশক অমতা ভোপ্না লৈবা ঙমদ। হে নচিকেতঃ! সংসারগী মক্ক অসে ব্রহ্মনি ॥১॥

হে নচিকেতঃ! লৈরিবা-উরিবা জগৎ অপুনা অসি ব্রহ্ম মাঙোন্দগী থোক্লকুনা (পোক্লকুনা) মাগী-মাগী ওইবা নিয়মদা চত্নুনা লৈরিবা অনি। জগৎ অপুম্বগী হৌবকফম ওইবা, অথাইবা ওইবা ব্রহ্ম অসি মাগী চৎওনা অমদি কীকনগী মশক ওইবানি অদুগা খুত্তা পায়থৎবরা বজ্র (বজ্র কৌবা খুৎলাইগী মশক্কি। থাগদবগীদমক খুত্তা বজ্র পায়রবা মপুগ উবগা কীডুনা মনাইশিংনা নিয়ম কয়দনা মপু মহাক্কী বায়েলগী মখাদা থবক তৌই; অদুগুম্না নুমিৎ-থা গ্রহ-নক্ষত্রনাচিংবা পুম্নমক অসি পরব্রহ্ম মহাক্কী শাসনদা নিয়ম কায়দনা থবক তৌরিবনি। ব্রহ্ম অসিবু তশেংনা খঙজবা ঙমলবা মাখোয় অমৃত শিদবা ওইরে (পোকপা-শিবদগী নংহাক্লে) ॥২॥

পর ব্রহ্ম পরমেশ্বর মহাকপু কীবদগী অগ্নি (মৈ) না মহাক্কী মৈশা পীরিবনি অমসুং নুমিৎনা মহাক্কী মঙাল জগৎ অপুম্বদা পীরিবনি। মহাকপু কীবদগী ইন্দ্র (সোরারেন), বায়ু নুমিৎ) অমসুং যমরাজনা মাগী মাগী মথৌ কায়দনা তৌরিবনি। কনানতনা মাগী শাসন ইন্দবা ঙমদে ॥৩॥

শিদ্রিদা হকচাংদা লৈনা লৈনা কিফম ওইবা শাসন তৌরিবা মহাকপু তশেংনা মশক খঙজবা ঙমলবদি শিদ্রিবৈঙনা (হকচাং থাদোক্লিবৈঙ-না) মীশক অদু সংসারগী বন্ধনদগী কোক্লে। অদুগা খঙজবা ঙমদবা-

যথাদর্শে তথাত্মনি যথা স্বপ্নে তথা পিতৃলোকে।
যথাপ্সু পরীব দদৃশে তথা গন্ধর্ব্ব লোকে ছায়া-
তপয়োবিব ব্রহ্মলোকে ॥৫॥
ইন্দ্রিয়ানাং পৃথগ্‌ ভাবমুদয়াস্তময়ৌ চ যৎ।
পৃথগুৎ পদ্যমানানাং মত্বা ধীরো ন শোচতি॥৬॥

আত্ম জ্ঞান লৈতবা মাখোযদুনা পৃথিবীনাচিংবা লোকশিংদা কর্ম্মগী-মতুং, ইন্না হকচাং ফংতুনা পোকই। মরল অসিনা শিদ্রিদৈদা আত্মজ্ঞান (ব্রহ্ম জ্ঞান) ফংনবা হোৎনগদবা ওই ॥৪॥

ইহলোক্ অসিদা শরীর অসিগী পান্নৈনা অশেংবা আত্ম দর্শন ওইবা (ফংবা) যাই. ব্রহ্মলোক নত্তনা অতৈ লোকতদি অশেংবা আত্ম দর্শনগী ওইথে কপা অদু লৈতে হায়বসি মন্ত্র অসিনা খঙহল্লি—"মুংশেলদা প্রতিবিম্ব (মমি) গী মশক্তা মশাগী হকচাং অদুবু মশাদগী পৃথক্ তৌপা লৈবা মীওইবনা উনরি, অদুগুম্না মুংশেলগুম লুরবা মশাগী বদ্ধিদা, বুদ্ধি ইন্দ্রিয়নাচিংবদগী তোপ্পা লৈবা আত্মাবু দর্শন ফংবা য়াই। স্বপ্নাবস্থাদদি জাগ্রদ অবস্থাগী বিষয়গী বাসনাগী মশক্তা চংতুনা মশা অদু (আত্মা অদু) শরীর বুদ্ধিনাচিংবদগী তোঙান্দবা মশক্তা লৈ, অদুগুমনা পিতৃলোকতা শরীর বুদ্ধিনা চিংবদগী তোঙান্দবা ওইনা আত্ম দর্শন ওই (মশাবু) উই। ঈশিং মনুংদা মশা অপুম্বা মশগা অমতা ওইনা (তোঙান্দনা) উবগুম্না গন্ধর্ব্ব লোকতাসু মশাবু হকচাংনাচিংবগী তোঙান্দনা আত্মদর্শন ওই। অদুম্না অতৈ অতৈ লোকতসু হকচাংনাচিংবদগী তোঙান্দবা আত্ম দর্শনসি ওই। অদুগা ব্রহ্ম লোকতদি ছায়া মরুন) আতপ (মঙান অমি অসি তোঙান্ন-বগুমনা আত্মাগা হকচাং অমসুং ইন্দ্রিয়না চিংবগা তোঙান্নবা তোপ্পা তোপনা লৈবগী জ্ঞান—অসিগুম্বা আত্মদর্শন অসি ওই। ব্রহ্ম লোকতি ফংঙমদবনি। অদুনা ইহলোক অসিদা হকচাং অসিগী মনুংদা তশেংবা আত্মদর্শন ফংননবা হোৎনগদবনি ॥৫॥

আত্মাবু করম্বা মওংদা খঙলগ করি কান্নবা হায়বা অদু মন্ত্র অসিনা উৎলি,—মাগী মাগী বিষয়শিং অদু লৌননবগীদমক মশাগী কারণ ওইবা

ইন্দ্রিয়েভ্যঃ পরং মনো মনসঃ সত্ত্ব মুত্তমম্।
সত্ত্বাদধিমহানাত্মা মহতোঽব্যক্ত মুত্তমম্ ॥৭॥
অব্যক্তাত্তু পরঃ পুরুষো ব্যাপকোঽলিঙ্গ এবচ।
যং জ্ঞাত্বা মুচ্যতে জন্তুরমৃতত্বঞ্চ গচ্ছতি ॥৮॥
ন সংদৃশে তিষ্ঠতি রূপমস্য নচক্ষুষা পশ্যতি
কশ্চনৈনম্। হৃদা মনীষা মনসাভিক্লৃপ্তো য-
এতদ্বিদু রমৃতাস্তে ভবন্তি। ৯॥

অকাশনাচিংবদগী তোঙান-তোঙান থোককবা (পোক্লক্লবা) মিৎ, নাকোং-নাচিংবা ইন্দ্রিযশিং অসিগী অশেংবা আত্মা অতুদগী তোঙানা মওং অমদি ইন্দ্রিয়শিং করম্না পোক্লকপা অমসুং করম্না মাখোয়গা কারণশিংদা হুন্জিন-খিবা অদু খঙগদবনি। ইন্দ্রিযশিংগী মওং অমসুং মাখোয়গা আত্মাগা খেন্নবা অদু খঙবা ঙমলবা অতুগুম্বা বিদ্বান ওইবা মীশক অদু সংসারগী অৱা-অনা দগী নাম্থোকপা ঙমী ৬॥

বিষয়শিংদগী ইন্দ্রিয়শিংনা অথোইবনি, ইন্দ্রয়শিংদগী মন (পুকিনিং) না অথোইবনি পুকনিংদগী বুদ্ধিনা অথোইবনি, বুদ্ধিদগী মহান আত্মা (হিরণ্য গর্ভ) না অথোইবনি মহান আত্মাদগী অব্যক্ত (প্রধান) না অথোইবনি অমসুং অব্যক্তদগী পরমাত্মানা অথোইবনি। অসুম্না পুম্নমক্তগী অথোইবা ওইবা পরমাত্মা অসি জগৎ অপুম্বদা শিন থুংনা লৈবনি অদুগা সংসারগী বস্তু ধর্ম্ম পুম্নমক মাঙোন্দা চংদবনি। আচার্য্য অমসুং শাস্ত্রনা মরম ওইদুনা পরমাত্মা অসিবু মশক খংজবা ঙমলবা মীশক অদুদি হিংলিঙৈনা অবিদ্যাগী বন্ধনদগী কোকপা ওই অদুগা শিরবা মতুংদা মপুং ফানা মুক্তি ফংবা ওই ॥৭-৮॥

সংসারগী ওইবা বস্তু ধর্ম্ম পুম্নমক মাঙোন্দা লৈতবা অতুগুম্বা আত্মা (পরমাত্মা) বু মীওইবনা করম্না দর্শন ফংগদগে ? মাসিগী পাউখুম ওইনা মন্ত্র অসিনা তাকলি,—হায়রিবা পরমাত্মা অসিগী মশক অদো মিৎনা হেক্তা উবা য়াবা নত্তে, কনামতনা মহাকপু মমিৎ অতুনা উবা ঙমদে। ইন্দ্রিয় অতৈনসু মাবু খঙবা ঙমদে। সংসারগী বিষয়গী ৱাখলনাচিংবা লৈতবনা মরম ওইদুনা মীওইবশী বুদ্ধিনা অৱুবা (নির্ম্মল) গী মশক ওইরক্লবা মতম

যদা পঞ্চাবতিষ্ঠন্তে জ্ঞানানি মনসা সহ।
বুদ্ধিশ্চ ন বিচেষ্টতি তামাহুঃ পরমাংগতিম্ ॥১০॥
তাং যোগমিতি মন্যন্তে স্থিরামিন্দ্রিয়ধারনাম্।
অপ্রমত্তস্তদা ভবতি যোগোহি প্রভবাপ্যয়ৌ ॥১১॥
নৈব বাচা ন মনসা প্রাপ্তুং শাক্যো ন চক্ষুষা।
অস্তীতি ব্রুবতোহন্যত্র কথং তদুপলভ্যতে ॥১২॥

অদুদা বুদ্ধি অহদা আত্মা (পবমাত্মা) না মহাক্কী মশক অদো ফোংদোক্লকই—অম্মা মহাকী দর্শন ওই। অম্না অত্মাবু থঙলবা দর্শন ফংলবা মাখোয অদু—স্নান (শিবরা) ওই হায়রদি সংসারগী জন্ম নয়নদগী নাইহৌকপা ওই ॥৯॥

নিংশাস্কাংনচিংবা জ্ঞানেন্দ্রিয় মঙানা মখোয়গী ওইবা বিষযশিং অদুদগী হংদোক্লনা পুক্লিং (মন) গা লোয়ননা আত্মা (পবমাত্মা) দা মশা পুন্নমক হাপত্নুনা লৈরবা অদুগা বুদ্ধিসু সংসারগী থবক অদু তৌদ্রবা মতম অদুদা ওইবা ফিভম অদুবু পবমাগতি (অথোইবা ফিভম) কৌই পণ্ডিতশিংনা। ॥১০॥

ইন্দ্রিযশিংনা মখোযগী বিষযশিংদগী হংদোক্লনা লেংদনা স্থিব ওইদুনা লৈবা (যোগীগী) অসিগুম্বা ফিবমবু যোগ কৌই। অসিগুম্বা যোগ অসি ওইববা মতম অদুদা মীওই অদুনা মাদু কাযদনবা যাম্না চেকশিন-গদবা ওই মবমদি হায়রবা যোগ অসিদগী কাখৎপা-হেনগৎপা (আত্মোন্নতি) ওইবা য়াই অমসুং মাংজবাসু ওইবা য়াই। মাংজবা অদু থোক্কনবা কোমথোকপা চেকশিন্দবা তৌরোইদবনি ॥১১।

বাণী (বাক্য), মন অমসুং ইন্দ্রিয়শিংনা ফংবা য়াবা আত্মা (পরমাত্মা নত্রগা ব্রহ্ম) নত্তে হায়বদি মাখোয় অসিনা আত্মাবু ফংবা ঙম্বাগী শক্তি অদু মাখোয়দা লৈতে। জগৎ অসিগী মূল কারণ ওইবা অমা (আত্মা) লৈ হায়বসি শোয়দ্রবনি। আত্মা লৈ হায়বসি থাজদবা নাস্তিকশিংনা করম্না আত্ম বস্তু অদুবু খঙবা-ফংবা ঙমগদগে ? মাখোয়না কদোইদসু আত্মাবু ফংজবা-খঙজবা ঙমলোই ॥১২॥

অস্তীত্যেবোপলব্ধব্য স্তত্ত্ব ভাবনে চোভয়োঃ।
অস্তীত্যেবোপলব্ধস্য তত্ত্বভাবঃ প্রসাদতি ॥১৩॥
যদা সর্ব্বে প্রমুচ্যন্তে কামা যেঽস্যহৃদি শ্রিতাঃ।
অথ মর্ত্তো'ঽমৃতো ভবত্যত্র ব্রহ্ম সমুশ্নুতে ॥১৪॥
যদা সর্ব্বে প্রভিদ্যন্তে হৃদয়স্যেহ গ্রন্থয়ঃ।
অথ মর্ত্ত্যোঽমৃতো ভবত্যেতাবদ্ধ্যনুশাসনম্ ॥১৫॥
শতঞ্চৈকা চ হৃদয়স্য নাড়্যস্তাসাং মূর্দ্ধান-
মভি নিঃ সৃতৈকা। তয়োর্দ্ধ'মায়ন্নমৃতত্বামেতি
বিষবঙঙন্যা উৎক্রমনে ভবন্তি ॥১৬॥

আত্মাগী অস্তিত্ব ভাব (লৈবগী ভাব) অমদি তত্ত্বভাব (অশেংবা মশক্কী ভব ভাব অনিংসি লৈবনি। অনিংসিগী মবক্কা অস্তিত্ব ভাবনা হান্না ওইগদবনি হাযবদি আত্মা অবৈবা পোৎশক্কি থাজহনা হান্ন আস্তিক ওইগদবনি। আস্তিক ওইবা মীওইশিংনা আত্মাবু ত ভাবত্যা (অশেংবা মশক্কা) খঙজবা ঙম্মী। লৈ হাযনা লৌববা অম্মা অত্নগী অশেংবা মশক অত্ন আস্তিকশিংগী মফমদা ফোংদোকলকপা ওই ॥১৩॥

মথক্কা হাযখ্রিবা মওং অসুম্না আত্মাবু অশেংবা মশক্কা উজববা মীওই অত্ন মহাক্কী বদ্বিদা হান্না লৈবম্বা বিষয বামনা পুম্নমক মাথ্রবা মতম অত্নদা অমৃত ওই। হাযবদি মর্ত্ত্য ওইবা (শিবনা ধর্ম্ম ওইবা) মহাক অত্ন অমৃত (শিবনাযদবা) ওই, হিংনা হিংনা বন্ধন পুম্নমক্কগী লাপ্তোক্তনা ব্রহ্ম স্বরূপ ওই। ১৪।

ববম্বা মতমদা সংসাবগী কামনা (অপাম্বা) পুম্নমক মরু ফংনা মাংবগে হাযবা অত্ন তাকলি,—হৃদযগী হাযবদি বুদ্ধিগী গ্রন্থি পুম্নমক—অবিদ্যানা ওইবা ঐ রাবে ঐ মুঙাইবে মাসি ঐগী হবচাংনিলন থুমনি অসিনাচিংবা মিথ্যা জ্ঞান মযাম অসি ওইদ্রবা মতম অদুদা বামনা পুম্নমক মরু ফংনা মাংখি অসি ওইববদা মীওইবনা অমৃত পদবী ফংই—হায়বসি বেদান্ত শাস্ত্রশিংগী পাউতাকনি ॥১৫॥

অবিদ্যা গ্রন্থি লৈতরবদা অমদি কামনা পুম্নমক মরু ফংনা মাংখ্রবদা হিংনা হিংনা ব্রহ্ম অত্নমক ওইরে হায়বসি মথক্কা তাকখ্রে। অসিনা অত্নগুম্বা

অঙ্গুষ্ঠ মাত্রঃ পুরুষোঽন্তরাত্মা সদা জনানাং
হৃদয়ে সন্নিবিষ্টঃ। তং স্বাচ্ছরীরাৎ প্রবৃহেৎ মুঞ্জা-
দিবেষীকাং ধৈর্যেণ। তং বিদ্যাচ্ছুক্রমমৃতং
তং বিদ্যাচ্ছুক্রমমৃতমিতি ॥১৭॥
মৃত্যুপ্রোক্তাং নাচিকেতো ঽথ লব্ধ্বা বিদ্যামেতাং
যোগবিধিঞ্চ কৃৎস্নম্। ব্রহ্ম প্রাপ্তো বিরজোঽভূদ্
বিমৃত্যুরন্যোঽপ্যেবং যো বিদধ্যাত্মমেব ॥১৮॥

ব্রহ্ম স্বরূপ ওইবা মহাক অদো অতোপ্পা লোক অমদা চৎত্র হায়বসি তাকলে। ব্রহ্ম জ্ঞান ফংবাদা মতিক চাদবা অমদি সংসারগী থবক্তা লপ্পনা লৈবা মীশকশিং অদুগী ওইবা গতি অমসুং ব্রহ্মলোক ফংলবা মীশক অদুগী ওইবা গতি অদু মন্ত্র অসিনা তাকলি মাদুদি মীওইবগী হকচাংদা শিংলী চামগা শুপ্পা অমা (১০১) লৈ। মাখেয অদু হৃদয়দেশ (থম্মোয়) দগী চৎথোক্লক্তুনা হকচাং অপুনদা শিন থুংনা চৎলি। মাথোয়গী মনুংদা সুষুম্না কৌবী শিংলী অমদি ব্রহ্ম রন্ধ্র (লরাই লেমফু) ফাওনা চৎলি। মীওইবনা শিবা মতমদা মহাক্কী জীব (জীবাত্মা) অদুনা হায়রিবা সুষুম্না শিংলী অদুদা মপান থোকখ্রবদি মহাক ব্রহ্মলোক ফংই অমসুং ব্রহ্মলোকক্কী ভোগ কয়া চারবা মতুংদা অমৃত ওই হায়বদি অশেংবা ব্রহ্মগী মশক ওই। শিবা মতমদা অতোপ্পা শিংলী (সুষুম্না নত্তবা) না মরম ওইদুনা জীব মপাল থোকখ্রবদি সংসারদা অদুম অমুক হন্না পোকই । ব্রহ্মবিদ্যা ফংদবা সংসারী ওইবা মীওইগী জীবনা সুষুমনা নত্তবা শিংলীনা দেহদগী মপান থোকই ॥১৬॥

মথক্তা তাকখিবা বাফম পুন্নমক্কী লোইশিন্বা ওইনা মন্ত্র অসিনা হায়রি,—অঙ্গুষ্ঠমাত্র (খুৎপীমুক্তা চাওবা) ওইনা পুরুষ (ঈশ্বর) না পুন্নমক্কী অন্তরাত্মাগী মশক্তা থমোয়দা চংদুনা লৈ—বাফম অসি মথক্তা হায়খ্রে। লাংগোমদগী মনুংদা লৈবা মশিংবু চিংথোকপগুম্না মীওইবনা মশাগী হকচাং মনুংদগী য়াম্না তপ্পা চেকশিন্না আত্মা অদুবু চিংথোক্কদবনি হায়বদি হকচাংদগী অতোপ্পা ওইনা উগদবনি। হকচাংদগী চিংথোক্লবা চিন্মাত্র (জ্ঞানস্বরূপ) ওইবা আত্মা অদুবু শুদ্ধ ব্রহ্ম (অশেংবা ব্রহ্ম) নি হায়না খঙগদবনি। তংবিদ্যাচ্ছুক্রমমৃতম্,—অসি অনিরক হায়বনা উপনিষৎ অসি লোয়রে খঙহল্লি ॥১৭॥

অসুম্না যমরাজনা তাকপা আত্মবিদ্যা অসি নাচিকেতানা ফংখি অসিগা

সহ নাববতু। সহ নৌ ভুনক্তু। সহ বীর্য্যং করবাবহৈ। তেজস্বিনাবধীতমস্তু মা বিদ্বিষাবহৈ ॥১৯॥

॥ ওঁ শান্তিঃ ॥ শান্তিঃ ॥ শান্তি ॥

ইতি কঠোপনিষদি দ্বিতীয়াধ্যায়ে তৃতীয়া বল্লী সমাপ্তা ॥৩॥ (৬)

ইতি কঠোপনিষদি দ্বিতীয়াঽধ্যায়ঃ সমাপ্তঃ ॥২॥

ইতি কঠোপনিষৎ।

লোয়ননা যোগগী বিধি বিধান পুন্নমকস্থ মহাক্লা ফংখি। আত্মবিদ্যা অমদি যোগানুষ্ঠান হৈরবা নাচিকেতা অদো মমৈথংদা ধর্ম্ম-অধর্ম্মনাচিংবা সংসারগী থৌরীদগী নাস্থোক্তুনা অমদি অবিদ্যা কামনাচিংবা থাদোক্তুনা মুক্ত ওইখি (ব্রহ্ম স্বরূপ ওইখি)। অস্নুম্না অতোপ্পা মীশকস্থ অধ্যাত্মবিদ্যা ফংদুনা নাচি-কেতগুম্না ধর্ম্ম-অধর্ম্মনাচিংবা পুন্নমক থাদোক্তুনা সংসারদগী মুক্ত ওইনৈ ॥১৮॥

শিষ্য অমসুং গুরু অসিগী থৌওইদবা অমদি চেকশিন্দবানা মরম ওইদুনা আত্ম বিদ্যা তম্বা অমসুং তম্বিবদা ওইখিবা দোষ পুন্নমক অহু কোক্লবা শান্তি মন্ত্র—"সহনাববতু। সহনৌভুনক্তু। সহবীর্য্যং করবা-বহৈ। তেজস্বিনাবধীতমস্তু মা বিদ্বিষাবহৈ"। অসি পাঠ তৌগনি (থিগনি)। ॥১৯॥

॥ ওঁ শান্তিঃ ॥ শান্তিঃ ॥ শান্তিঃ ॥ অসুমনা শান্তি অহুমরক হায়বসি দোষ পুমনমক কোক্লবগীদমকনি ॥ ওঁ

মতাং অসিদা কঠোপনিষৎকী অনিশুবা অধ্যায়দা অহুমশুবা বল্লী লোয়রে ॥৩॥ (৬) কঠোপনিষৎগী অনিশুবা অধ্যায়স্থ লোয়রে ॥

ওঁ ॥ কঠোপনিষৎ লোয়রে ॥ ওঁ

পরিশিষ্ট

উপনিষৎ পাঠগী শান্তি মন্ত্রশিং অমসুং মনিপুরী অর্থ—

(১) মন্ত্র—ওঁ বাঙ, মে মনসি প্রতিষ্ঠিতা মনো
মে বাচি প্রতিষ্ঠিত মাবিরাবী র্মে এধি
বেদস্য ম আনীস্থঃ শ্রুতং মে মা প্রহাসী
রনেনাধীতেনাহোরাত্রান্সন্দধ মৃতং বদিষ্যামি
সত্যং বদিষ্যামি তন্মামবতু তদ্বক্তার মবত্ব
বতু মা মবতু বক্তারম্। ওঁ শান্তিঃ ।।

অর্থ—ঐনা ঙাংবা রা পুকনিংদা লেংদনা
লৈবা অমসুং পুক্নিং রা অতুদা লেংদনা লৈবা
হায়বদি অনি মান্নবা ওইসন্নু। বেদজ্ঞান
ঐগী লাকসন্নু অমসুং চাউখৎসন্নু। ঐনা
গুরুগী মুখদগী তাখিবছু কাওদসন্নু।
তমখিবা অসিনা অমম-মঙান খংনবা
থিজগে। অচুম্বা ঙাংজগনি, অচুম্বা হায়জগনি।
অচুম্বনা ঐবু কন্‌বিসন্নু। অচুম্বা ঙাংবা মীবু
অচুম্বনা কন্‌বিসন্নু-কন্‌বিসন্নু অচুম্বা ঙাংবা
ঐবু কনবিসন্নু। ওঁ শান্তিঃ ।।

(২) মন্ত্র—ওঁ পূর্ণমদঃ পূর্ণমিদং পূর্ণাৎ পূর্ণমুদচ্যতে।
পূর্ণস্য পূর্ণমাদায় পূর্ণমেবাব শিষ্যতে ।।
ওঁ শান্তিঃ ।।

অর্থ—ওঁ পরম তত্ত্ব পরমাত্মা মহাক পূর্ণনি
(মপুং ফাবনি), ব্রহ্মাণ্ড অসি অমদি ব্রহ্মাণ্ডদা
লৈরিবা প্রাণী খুদিংমক মশা মশাগী
ওইনা পূর্ণ ওইবা (মপুং ফাবা) তাক্তনি ;

পূর্ণদগী পূর্ণ থোক্লকপনি। পূর্ণগী
পূর্ণ লৌথোক্লগা অহাম্বগী পূর্ণত অরেম্বগী
মশক্তা লৈ। ওঁ শান্তিঃ ॥

(৩) মন্ত্র—ওঁ সহনাববতু সহনৌ ভুনক্তু সহবীর্য্যং
করবাবহৈ। তেজস্বিনাবধীতমস্তু মা
বিদ্বিষাবহৈ ॥ ওঁ শান্তি ॥

অর্থ—উপনিষৎনা তাক্লিবা পরমেশ্বরনা
লোইনবিবা গুরু-শিষ্য ঐখোয় অনিবু
বিদ্যাগী মশক-মঙান, ফংহন্দুনা রক্ষা তৌবিসনু,
বিদ্যাগী ফল পীতুনা ঐখোয় অনিবু
পালন তৌবিসনু, ঐখোয় অনি লোইননা
বিদ্যাগী শক্তি পুথোকচগে, বিদ্যাগী তেজ
ফংলবা ঐখোয় অনিগী তমজখিবা বিদ্যা
মহৈয়ানবা ওইসনু, অদুগা বিদ্যা তম্বা অমসুং
তখিবদা দোষ কয়া লৈনখিবা অদুদা ৱারো-
নজরোই-য়েংথিনজরোই। ওঁ শান্তিঃ ॥

(৪) মন্ত্র—আপ্যায়ন্তু মমাঙ্গানি বাক্ প্রাণশ্চক্ষুশ্রো-
মথোবলমিন্দ্রিয়ানি চ সর্ব্বাণি সর্ব্বং ব্রহ্মো-
পনিষদং। নাহং ব্রহ্ম নিরাকুর্য্যাং মা মা
ব্রহ্ম নিরাকরোদনিরা করণ মস্ত অনিরাকরণং
মেহস্তু। তদাত্মানি নিয়তেয় উপনিষৎসু
ধর্ম্মা স্তে ময়ি সন্তু। ওঁ শান্তিঃ ॥

অর্থ—ঐগী হকচাংগী অঙ্গ পুম্নমক নোয়-
পেনসনু, বাক্ ইন্দ্রিয়, থৱাই, মিং-নাকোং,
হকচাংগী শক্তি অদুগা অতৈ ইন্দ্রিয় পুম্নমকসু নোয়-
পেনবা (মপাঙ্গল লৈবা) ওইসনু। পুম্নমকসি
উপনিষৎনা তাক্লিবা সর্ব্ব রূপ ব্রহ্ম অম্বুনি। ঐনা

ব্রহ্মবু খগুন তৌজরোই (লৈতে হায়জরোই)।
ব্রহ্মনা ঐবু খগুন তৌদে হায়বসি মহাক নত্তে
হায়দে। ব্রহ্ম খগুন তৌদবা ওইসন্নু ; ঐনা
ব্রহ্ম খগুন তৌদবা ওইসন্নু। মহাকী মশক্তা
ঐহাক লেপচরে। উপনিষৎদা হায়রিবা
ধর্ম্ম পুম্নমক অদু ঐগোন্দা লৈসন্নু ॥ ওঁ শান্তিঃ ॥

(৫) মন্ত্র—ওঁ ভদ্রং কর্ণেভিঃ শৃণুয়াম দেবা ভদ্রং
পশ্যেম অক্ষভির্যজত্রাঃ। স্থিরৈরঙ্গৈ
স্তুষ্টুবাংস স্তনূভি ব্যশেম দেবহিতং যদায়ুঃ।
ওঁ শান্তিঃ ॥

অর্থ—হে দেবতা পুম্নমক। নখোয়গীদমক
হোন পীহনা যজ্ঞ তৌরিবা ঐখোয়না
ইনাকোংশিং অসিনা অফবা মঙ্গল-
তাজগে অমসুং ইমিৎশিং অসিনা অফবা মঙ্গল
মশক্ উজগে। ইংনা লৈরবা হকচাংগী অঙ্গশিং
অমদি হকচাংশিংগী মতেংনা নখোইবু
স্তুতি তৌরিবা ঐখোয়না লাই নখোয়গী
অপাম্বা কান্নবা অদু তৌহনা পুংসী লেনজগে।
ওঁ শান্তিঃ ॥

করম্বা শান্তি মন্ত্রনা করম-করম্বা উপনিষৎকী শান্তি মন্ত্রনো হায়বা অদু মুক্তিকোপনিষৎতা য়েংবিয়্য। ইতি—

ওঁ শান্তিঃ।

